ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯗꯥ ꯄ꯭ꯔꯤꯊꯤꯕꯤꯒꯤ ꯑꯅꯤꯁꯨꯕꯥ ꯂꯥꯡꯂꯥꯎ
ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯑꯩꯅꯥ ꯑꯉꯥꯡ ꯑꯣꯢꯔꯤꯉꯩ

5815

মণিপুরদা

পৃথিবীগী অনীশুবা লাঙ্লাও

অমসুং ঐনা অঙাং ওইরিঙৈ



নিমাইচরণ

মণিপুরদা পৃথিবীগী অনীশুবা লাঙ্লাও অমসুং ঐনা অঙাং ওইরিঙৈ

BVP-2695
21/2/19

4/5

BVP05815

BVP05815

ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯗꯥ ꯄ꯭ꯔꯤꯊꯤꯕꯤꯒꯤ ꯑꯅꯤꯁꯨꯕ ꯂꯥꯟꯖꯥꯎ
ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯑꯩꯅ ꯑꯉꯥꯡ ꯑꯣꯢꯔꯤꯉꯩ

মণিপুরদা পৃথিবীগী অনিশুবা লাঞ্জাও
অমসুং ঐনা অঙাং ওইরিঙৈ

অইবা

খুরাইজম নিমাইচরন সিংহ

ইমাখোল পব্লিকেসন্স, মণিপুর

(ইরমদম মীয়ামগী অপুনবা খোর্জেই লূপ)

অৱাং পোৎশংবম, ইম্ফাল ইস্ট

"MANIPURDA PRITHIBIGEE ANISUBA LANJAO AMASUNG EINA ANGANG OIRINGEI"

An autobiographical account of the childhood days of the writer along with his experience of the 2nd World days and also the tales of some importants battles fought in Manipur as well.

অইবা ঃ- খুরাইজম নিমাইচরন সিংহ

অনিশুবা ফোঙবা ঃ- ২০১৩ (সেকেন্দ ইদিসন)

© কোপীরাইট ঃ- অইবগী

অফোঙবা ঃ- রতনকুমার সিংহ খুরাইজম
(ইরমদম মীয়ামগী অপূনবা খোর্জ্জে লূপ)
"ইমাখোল" গী মিংদা

কোপী মশীং ঃ- ১০০০

কভর ইম্প্রেসন ঃ- কিশ্বরচান্দ এলাংবম

ISBN ঃ- 978-81-926804-1-5

ফংফম ঃ- ইম্ফালগী মরু ওইবা লাইরিক য়োনফম
দুকান অমসুং অইবগী য়ুম (খুরাই লমলোং)
এ. পি. রোদ ইম্ফাল

নম্ফম ঃ- লৈমহল কম্প্যুটরাইজদ প্রেস
খুরাই লমলোং, ইম্ফাল

মমল ঃ- ১৪০/-

ৱাহৈ খরদং

ইরমদম মীয়ামগী অপূনবা খোর্জেই লূপ (ইমাখোল) ৱাখল্লোন তিন্নজবা অইবা অইবীশিং পূন্সিন্দুনা শেমজখিবা সাহিত্যগী লূপ অমনি। ইং ২০০৩ গী মার্চ ২৩দা লিংখৎচখিবা লূপ অসিগী মপূং ওইবা পান্দমদি অইবা অইবীশিং পুথোকপনি। ৱাখল্লোন অসিগী মখাদা ইমাখোল পাল্লীকেসন্সনা শৈরেং লাইরিক ১৮, ৱারীমচা ৬, ড্রামা ২, ঈশৈ শৈরেং ১, ফুঙ্গা ৱারী ১, অতেনবা পুন্সি ৱারী ১ পাউরৌ পাউতাক ২, গাইড বুক ১ পূন্না লাইরিক ৩২ পুথোকখ্রে/জে. এস. কোন্সমগী ঈশৈ শৈরেং ২, লাইশ্রম বিরেন্দ্রকুমারগী ৱারেং লাইরিক ১ পুথোক্লবা হোৎনজবগা লোইননা ৩৬ শুবা মশিংদা শ্রী খুরাইজম নিমাইচরন সিংহনা ইবা "মণিপুরদা পৃথিবীগী অনীশুবা লাঞ্জাও অমসুং ঐনা অঙাং ওইরিঙৈ" হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি পুথোক্লবা হোৎনজবনি। লাইরিক অসিমক্তা ইং ১৯৯৭ তা অহানবা খুৎনম পুথোকখ্রবনি। হন্দক ইমাখোলনা পুথোক্কদৌরিবা অসিনা অনীশুবা খুৎনম ওইগদৌরিবনি। শ্রীখুরাইজম নিমাইচরন ঈশৈ ময়েক ইবনি, শৈরেংবনি, কবিনি, হন্দোক্লোইনি। অতোপ্পা লোন্দগী মণিপুরি লোন্দ হন্দোকপা য়াওনা অইবনা পুথোকখ্রবা লাইরিকশিং খরদং পল্লবদা, মণিপুরদা ঐগী চহী অহুম (হন্দোকপা), শৈরেং চবুল লৈখল মচু, নুংশিত্তি পাবা হৈতে, লমহাঙগী মালং মহাক্কী শমলাঙ অমসুং নুংশিগী ঈচেলদা পৃথিবীগী অচৌবা মীওই খরগী পুন্সী অসিনচীঙবনি। মণিপুরদা পৃথিবীগী অনীশুবা লাঞ্জাও অমসুং ঐনা অঙাং ওইরিঙৈ হায়না মিংথোল্লিবা লাইরিক অসি অইবগী ওইবা

পুন্সি মতেক খরগী ৱারীনি । অদুমনদি ওইরগা মণিপুরনা অনীশুবা লাঞ্জাও মনুংদা নঙখিবা অৱাবা, অমদি লান অদুগী তশেং তশেংনা উহৌবা ৱারী ওইবনা মণিপুরগী ইতিহাসকা শাগোন্নবা অইবগী পুন্সি ৱারীনি । লাইরিক অসিগী অরোইবা শরুক্তগী উবা ফংজবদি অইবা অসি কনাগী মফমদা লানবা হৈতবা, ফত্তবগী লমন অফবনা খুম্বা পাম্বা অইবনি হায়না লৌজৈ ।

অইবগী লাইরিক অসিনা হৌগৎলক্লীবা মীওই কয়াদা পৃথিবীগী অনীশুবা লাঞ্জাও উহৌদ্রবসু মসিগী অৱাবা, লানগী অফ ফত্তা কয়াদি শোয়দনা পাউদম্লগনি । লোয়ননা অইবা অমদি মতমদুগী মীওই কয়ানা নংখ্রিবা অৱাবা, লান শোক্লরিবা নাকল অনীমক্কী লান্মীশিংনা নঙখিবা অৱাবশিং অদুগা লোয়ননা কনানা লানদগী করিবু তোংলিবা অপাবশিংতনা খঙলগনি । করিগুম্বদা লাইরিক অসিনা হাৎন শুনবগী ৱাখল অসি মীওইবগী পূক্লীংদগী থৈখ্রবদি লাইরিক অসি পুথোকচবগী মহৈ য়াল্লে খনজগনি ।

ইমাখোলনা পুথোকচরিবা লাইরিক অসি সাহিত্যবু পামজবা অপাবশিংগী মফমদা পাবিনবা নোল্লুক্লা শিন্নজরি ।

তাং ৫/৩/২০১৩

তোনজম সরোজিনী চনু
সেক্রেটরি, ইমাখোল

ৱাহৈ খরদং

পৃথিবীগী অনিশুবা লাঞ্জাওগী মতমদা মণিপুর কৌবী ঐখোয়গী লমদম অসিনা লেনখিবা, মঙলাক্লবগী মতৌগুম্লবা পুন্সী অমসুং অকীবগী মশক ওইরবা লান মনুং অদুগী মতম, লোয়ননা এংগ্লো অমেরিকান অমসুং জাপানীজ মখোয় কাংবু অনিগী অরোয়বা অমদি অরুবা তানফম অমা ওইনা শোক্লখিবা লানফম অদুগী অকীবা কয়া অদুদি ঙসি ফাওবদা হিংহৌরিবা মীওই কয়াগী পুক্নিংদা কাউথোকপা ঙমদনা অশুম লৈহৌরি । অসিগুম্বা মীওই কয়াগী মরক্তা শ্রীখুরাইজম নিমাইচরনসু অমনি । মহাক্কী অঙাং ওইরিঙৈগী পুন্সীনসু থেংনহৌখি, উহৌখি, কাউঙমদ্রবা মতম অদুদা থোকখিবা ইতিহাসিক ওইরবা মীওইবা কয়াগী অৱাবা থৌদোক ৱারী কয়া । মরু ওইনা, লান হৌরকপা কুইদ্রিঙৈগী মতমদা ঐখোয়গী পিক্লবা লমদম অসিবু, কনাগুম্বী মহৌশাগী ফজববু থাগচ্চবা পামজবী, কবিগী পুক্নিং চেল্লবী য়ুরোপিয়ান নুপী অমনসু "মালেমদা লৈবা অপিকপা স্বর্গ মচা অমনি" হায়না থাগৎপিরম্লবা, অসিগুম্বা লমদম অসিদা থোকখিবা, ওইখিবা শক্লোন কয়া অদুবুনি "মণিপুরদা পৃথিবীগী ২শুবা লাঞ্জাও অমসুং ঐনা অঙাং ওইরিঙৈ" মিংথোল্লবা লাইরিক অসিদা মহাক্না পাউদম্লিবা, লীরিবা ৱারী অসি ।

মশাগী চহি মঙারোম শুরকপদা মাবু পোকপি মমা তাইবংপান থাদোকখি, ময়াম্বা অহল অমসু মানা য়াম্না অঙাং ওইরিঙৈদা লৈখিদে । মশিনসু মহাক্কী অৱাবা ৱারীগী অরোয়বা নৎতে । লান হায়বদুনা মহাক্কী মফমদদি অভিশাপকী মশক ওইখি ! মখল কয়াগী লানমি তেঙ্গোলনা মখোয়

মখোয়গী খুৎশু খুৎলায়গা লোয়ননা, এরোপ্লেন, বোম অমসুং অমুক্তসু উখিদ্রিবা অঙক-অঙকপা গাড়ি, মখল মখা কয়াগী পোৎশক্লা লমদম অসিদা পৈশিল্লকপগা লোয়ননা নোংথক্তগী জাপানগী এরোপ্লেন্না বোম থাদরকপদা মীওইবা কয়াগী হিংবগী খোঙফম চেৎনদবনা, মরু ওইনা সহরগী মীওই কয়াদি অরাপ অরাপ্পা খুঙ্গংদা লানজেন্নখি। মহাকপু পোকপা মপাসু, অঙাং ওইরিবা মচা মরী পুদুনা অরাপ্পা খুঙ্গং অমদা লৈবা মরীমতাগী য়ুম অমদা শাইদাংদুনা লৈখি। অদুম ওইনমক লাইবক্তা অশুম থোকউ তমখিবনা, ইং ১৯৪৩ গী এপ্রিল তাং ২০ দা থোকখিবা, খুরাই চিঙ্গাংবম মান্দবতা জাপান্না বোম থাদরকপগী থৌদোক অদুদা শিখিবা মীওই কয়াদুগী মরক্তা মাবু পোকপা মপাসু য়াওখি। খন্দুনা য়েংসি, থৌদোক অদুগী মতুংদা, মখোয় অঙাং মরীগী পুন্সীদা ওইহৌরিবা, মখোয়না মায়োক্লবা তারবা অৱাবা অমদি নুংশিরবা পুন্সী।

তশেংবমক্তি, লাইরিক অসি মশামক্কী ওইবা পুন্সী ৱারী ঙাকসু নৎতে। লান হায়বদুনা কাং-খোং চাইহল্লবা মতম অদুগী সমাজ অমসুং অর্থনিতিগী পুন্সী মওং অদুসুনি পাউদম্লিবসি। পাবদা লাইরিক অসি উপন্যাস অমগুম্না নুংঙাইহল্লি। শমজীন্না হায়রবদা, নুংঙাইরবা থৌদোক ৱারী মচা-মচা কয়া অমসু য়াওনা করিগুম্বদসু নোকনিংবা, নুংঙাইবা অমসুং মিনুংশি ফাওহনবা মতাঙ কয়াগা লোয়ননা অঙাং ওইরিঙৈ পুন্সীগী অরাল অহুই, ফাগী জুগায় কয়াসু য়াওরবা মশাগী পুন্সী ৱারী মখল অমনি।

ইম্ফাল
ওক্তোবর ২০১১

শ্রীনোংথোম্বম কুঞ্জমোহন সিংহ

লাইরিক অসিগী অনিশুবা খুৎনমদা ইশাগী ৱাহৈ খরা

"মণিপুরদা পৃথিবীগী অনিশুবা লাঞ্জাও অমসুং ঐনা অঙাং ওইরিঙৈ" মিংথোনবা, অইবা ইশাগী অঙাং ওইরিঙৈ পুন্সীগী মতম অমগা য়াওন্নবা ইজবা, মণিপুরদা ওইখিবা পৃথিবীগী লাঞ্জাও মতম অদুগী শন্নপ্পা পাউদম লাইরিক অসি ইং ১৯৯৭ কী মতমদা অহানবা ফোঙবা ওইনা পুথোকচখ্রবনি। ঙসিদগী চহি তরামঙারোমগী মতম হেল্লক্লে, অদুবু মরক মরক্তা ইনৌ নৌনা ঐগী পুক্নিং চিংশিন্না লাইরিক অদুবু নুংশিনা খোঙ্গুল লীবীরকপা কনা কনাগুম্বা মরুপ মপাঙ, অহল লমন, নহারোল ইচিল ইনাও কয়াগী অপান্বা মতুং ইন্না অমসুং ইশাগী নীংজবা অমগীসু মখা পোন্না লাইরিক অদুগী অনিরক শুবা খুৎনম ওইনা অনৌবা ইদিসন অসি চৎলিবা চহি ২০১৩ গী অঙনবা মতম অসিদা পুথোকচরে। অহানবগী ওইনা ফোঙখ্রবা লাইরিক অদুদা শেমদোক্লিংনা শেমদোকহৌদ্রবা, হাপচনিংনা হাপহৌদ্রবা ৱারী ৱাখোঙ, ৱাহৈ ৱাতা কয়াসু খরমখৈদি শেমদোক শেমজিন তৌদুনা হাপনিংবা খরসু হাপচরে। লমদম অসিগী অমসুং পৃথিবী পূম্বগী চাউরবা থৌদোক অমগী মতমনি, ঙমখৈ নাইদ্রবা সমুদ্রগী ঈপাক্তা শীনথুংনা হৌখ্রবা অমসুং অকনবা ঈথক ঈপোম মায়োক্লখ্রবা মতম অদুগী অৱা চৈথেঙ অমনি, ঐখোয়গী লমদম মণিপুরনা লেনখিবা পুন্সীগী তাঙ্কক অদু। অদুম্নদি ওইরগা, লাইরিক অসিনা তমজরিবা পাউদম খরা অসিদি, চাউরবা সমুদ্রগী মতাই অমদা উজখিবা খঙজখিবা থৌদোক খরগী ঈথক ঈপোম খরা অদুখক্তনি। মশিনা লান মতম অদুগী মপুংফারবা পাউদম ওইনা পুথোকচবা নচ্চদে, অমরোমদা শুপ্নতগী মণিপুরদা ওইখিবা

অনিশুবা লাঞ্জাওগী মতম অদুগা করিসু খঙজদবা ঐগী পুন্সীগা কদায়দনো শকউদবা থৌরী অমনা পুনবগুম ঐগী ৱাখল অসিদা থোইদোক্লা নকশীন্ননা নুংশিজরুবদগী মরু ওইনা লাইরিক অসি পুথোকচখিগী পান্দমনি অমসুং মরুপ মপাঙ কয়াগী পুক্লিং থৌগৎ ৱাহৈনসু ঐগী থৌনা হাপ্লীখিবনি । ইশাগী ওইবা পুন্সী ৱারীগী শরুক অসি নত্তনা, শোক্লখিবা লানফম্লচিংবা কয়াগী অশম্বা পাউদম কয়াদা, চিথহৌবগী/মপুং ফাদবগী মমি তারবসু পাবীরিবশিংনা ঙাকপীগনি । য়ারিবমখৈ, লানফম কয়াগী শমলপ্পা ৱারী খরা অসিদি, লান মতম অদুদা মণিপুরদা লৈখিবা চাউরবা বৃটিস লান্মী কয়াগী অশীল অরাঙ তৌদুনা অচৌবা থৌদাঙ লৌখিবা অমী ওফিসর কয়াগী মরক্তগী জিওফ্রি ইভান্স অমসুং এন্টোনি ব্রেট জেম্‌স কৌবা মীওই অনিনা লানগী দায়রী কয়াদগী খোমজীল্লগা পুথোকখিবা IMPHAL কৌবা লানগী অচৌবা ৱারী অদুদা য়ুম্ফম ওইজবনি । লোয়ননা, লান মতম অদুদা তঙাইফদনা শীজীন্নখিবা, শেমখিবা লম্বী থোং অমসুং এরোপ্লেন তাফম্লচিংবা মরী লৈনবা কয়াগী মেপ্পচিংবা হাপচরিবা অসিগীদমক্তসু IMPHAL গী মফমদা ইশাগী কর্টেসি ফোঙদোকচরী । অমরোমদা এরোপ্লেন্দগী থাদরকপা জাপানগী বোম্লা মপুং ফানা থুগায়খ্রবা খুরাই চিঙ্গাংবম মান্দবকি লৈহৌবা শরুক খরগী ফোতো য়াওরিবা অসিমদি লন্দনদা লৈবা বৃতিস ৱার ম্যুজিয়মদগী মতম কুইরবা তুংদা কনাগুম্বা মণিপুরী আর্মী মেজর অমনা লৌরকপা ফোতোদগী মথঙ মথঙ খুথাঙদা য়াম্লা তাঙনা ফংজবনি । ৱারী অসিগী হৌরকপা মতাঙ অমদা পল্লিবা, বৃতিস লানমীগী অচৌবা শেম শাগৎপগী থবক কয়াদা অচৌবা থৌদাঙ পুখিবা, মণিপুরগী মমিং লৈখিবা থিকাদার খরা অসিগী মমিংদি, খুরাই চিঙ্গাংবম লৈরক্তা লৈরম্বা লৈখিদ্রবা তাদ ইবুংঙো শ্রীক্ষেত্রি ইবোবীদগী খঙজহৌবনি । অমরোমদা, লাইরিক অসিদা হন্না হন্না পঞ্জরিবা,

কংলাসিফায় হায়বা খুঙ্গং অসিগী ওইবা মতম অদুগী পুন্সী অমসুং খুঙ্গং অসি ফাওনা চেল্লিবা তুরেলগী নোংপোক্তা লৈরীবা য়ুমথোঙ খুদিংনা ঙাক্লা চৎনরম্বা লোনচৎ খরগী মরমদা ইজরিবা খরা অসিসু খুঙ্গং অদুদা লৈরম্বা অহল লম্মন, মরুওইনা লাইরিক অসিগী অহানবা ফোঙলমদাইদা উনজখিবা শ্রীঙাংবম শাঁমুসিংহ খুরা ইবুংঙো অদুনা লীবীরম্বনি । অমরোমদা ঐগী অনিশুবা খুৎনম ওইনা পুথোকচরিবা লাইরিক অসিমদি- মণিপুরগী অৱাং মাইকৈগী ওইবা "ইরমদম মীয়ামগী অপুনবা খোর্জৈ লুপ" শমজীন্না ইমাখোল হায়না খঙনবা সাহিত্যগী ওইবা লুপ অসিগী (বেন্নর) "খঙ্‌ন খুদম" গী মখাদা ফোঙদোকচবদা হরাওনা য়াবীরকপগীদমক ইমাখোলগী থৌ পুবীরিবা পুন্নমক্কী মফমদা ঐগী অপেনবা ফোঙদোকচরী । লোয়ননা মৈতৈলোন্দা ইজবা লাইরিক অসিগা চপ মান্ননা ইংরাজিদা ফোঙজবা ঐগী লাইরিক অদুদা ইকায়খুম্নজরবা সাহিত্যকার শ্রীনোংথোম্বম কুঞ্জমোহন সিংহ ওঝানা পীবীখিবা ফোরৱার্দকী ৱাহৈ কয়া অদুমক মৈতৈলোন্দা অমুকহন্না ইথোক্লুনা লাইরিক অসিদসু হাপচবা য়াবীবগীদমক ইকায়খুম্নজরবা ওঝাগী মফমদা তৌবীমল খঙবা উৎচরী । অকোনবা ওইনা লাইরিক অসি পুথোক্লবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া খাঙবীখ্রবা, খুরাই লম্লোঙ বাজারদা লৈবা লৈমহল কম্পুটরাইজ প্রেসকী প্রোপ্রাইটর শ্রীথৌদাম কান্তা সিংহ অমসুং ইচা ইবুংঙো নাওচানচিংবা অতৈ প্রেস স্তাফকী মীওই পুন্নমকপু থম্মোয় শেংনা থাগচ্চরী ।

শ্রীখুরাইজম নিমাইচরন সিংহ

য়াওফম তাকপা

১। লান লাক্লমদাইদা ঐগী পুন্সি/ ১
২। The Shadow of War লালগী মমি তারকপা/ ৬
৩। অহানবা বেলুন পাইরকপা অমসুং ইম্ফালদা বোম তাবা/ ৮
৪। মণিপুর তম্পাক্তা হুরানচিন্থী/ ১৩
৫। বর্মাদগী মীচেল ময়াম/ ১৫
৬। হান্না লৈরম্বা British official শিংগী অৱাবা অমসুং অতৈ খরা/ ১৯
৭। লাল্লক অসিদা মণিপুরবু A little paradise on Earth হায়না মিংথোল্লম্বগী থৌদোক অমা/ ২২
৮। বোম মতুংদা চহি অমরোম তুমিন্না লৈনখিবা অমসুং লানগী থৌরাঙ/ ২৪
৯। ইম্ফালগী অহাঙবা য়ুমশিংদা সিফাই লাক্লবা/ ২৭
১০। ঐগী লাইবক থীরক্লবা মতম/ ৩০
১১। কাউররোইদবা অকিবা বোম্বীং/ ৩৩
১২। আশাগী মঙালদা অমুক মীকপ থোরকপা/ ৪১
১৩। কংলা Airfield দা অহানবা Aeroplane তারকপগী নুমিদাংৱাইরম অমা- / ৪৪
১৪। লান মনুংদা ঐগী লাইরিক তম্ফম/ ৪৯
১৫। ইশাগী নিংশিংনিঙাই ৱারী খরা/ ৫৭
১৬। মথঙ মথঙ নিংশিংলকপদা/ ৬৬
১৭। শংশংনা উহৌবা এরোপ্লেন এক্সিদেন্ট খরা অহানবা এক্সিদেন্ট (Crash)/ ৭৮
১৮। অনিশুবা ফাইটর প্লেন অমগী Crash খুদোংথীবা থৌদোক/ ৮১
১৯। লান মনুং অদুদা কংলাসিফাই খুঙ্গং/ ৮৬
২০। লান নকশীল্লক্লবদা মণিপুর অমসুং বৃটিশনা উখিবশিং ঃ- / ৯৪
২১। অরোয়বা খোঙজংদা জাপানীজ অমসুং আই-এন-এ- / ১০৪
২২। শমলপনা I.N.A. অমসুং জাপানিজগী থৌরাঙ/ ১০৮
২৩। মণিপুরগী মফম খরদা শোক্লখিবা পনবা য়াবা লানফম খরগী শমলপ্পা ৱারী ঃ- "সংসক"/ ১১২
২৪। সেনামদা মতম চঙনা ৱানখিবা/ ১২০
২৫। সিলচর লম্বীদগী বিষেনপুররোমদা/ ১২৪
২৬। বৃটিশকী মায়কৈদা 4th Corps কী Lt. General Scoones না তৌখিবা থৌরাঙ/ ১২৯
২৭। নুংশিগুম/ ১৩৩
২৮। লাল লোইরকপদা চনেৎনখিবা/ ১৩৮

মণিপুরদা পৃথিবী ২শুবা লাঞ্জাও অমসুং ঐনা অঙাং ওইরিঙৈ।

লান লাক্লমদাইদা ঐগী পুন্সি

লোইনা নিংশিংলি মতমদো মথং মথং ওইরকখিবা । অঙাংমচা অমা ওইনা ইশানা উখিবা, খঙখিবা, তাখিবা অমসুং ইশাগা কোন্ননা থোকখিবা থৌদোক কয়া... । মতম অদুদি, অৱাবগী মরক্তা নুংঙাইবা মখল অমসুনি হায়নিংই । ঙরাংত ওইররোই খল্লি অনিসুবা পৃথিবীগী লাঞ্জাওনা মণিপুর য়ৌরকখিবা অমসুং অহানবা ওইনা ইম্ফাল সহরদা জাপান্না বোম থাদখিবা । চহি মথং মথং হৌখিবনা ঙসিদি চহি য়াংখৈগী মতম হেল্লক্লে, মতম অদুদা পিক্লিবা নিপামচা (অঙাং) ওইখিবা ঐহাকসু ঙসিদি অহল ওইরক্লে । নিংশিংলুবদা, থম্মোয়নুংদা তশেং তশেংনা মমি তারি, খল্লুবদা থোইদোক্লা নুংশি, হৌখ্রবা মতমগী থৌদোক্লা ঙসিগী ৱারী ওইরকপা । ঐহাক্কী নিংশিংবগী ইচেল অসিদা লোইনা য়াওরি, ঐহাক্তা লোয়নখিবা ইমান্নবা মরুপ মপাং কয়া, ইমা ইপা কায়নরবদা পিতৎ পাতৎপা ওইনা হিংহৌরবা, লাইবক থীহৌরবা ঐগী পুনশি, অমরোমদা পৃথিবী পুম্বগী অনৌবা ফিরেপ ওইরগদবা অচৌবা লানফম অমগী ওইনা পৈশিল্লকপা খুৎশু খুৎলায় অমদি মখল মখা অয়াম্বা সিফায় তেঙ্গোলগী শক্তম, মখোয়গা লোয়ননা ঐহাক ইশাগী ৱারী অমসুং মতম অদুগী অকিবা ফংলবা, চনীং তাখিদবা মিকুপ কয়া... ।

লান লোইখ্রবা চহি কয়াগী মতুংদা ঐহাক্লা, মরুপ মপাং কয়াগী মফমদা শমলপনা মরক মরক্তা লম্বী ৱারী ওই করি-ওই থৌদোক কয়া অদু

তমজরুবদা, মরুপ মপাং খরনা কন্না তাকপীরকখি !! নঙনা হৌজিক ফাওবা মদু ইথোকত্রিবা করিগীনো?" অসুম্না য়াম্না তোয়না ঐঙোন্দা ইথিল অমা পীবিরকখিবা অদুনসু ঐঙোন্দা থৌনা হাপখি, ইনিংখি, অদুবু মতম চানা ইথোকপা ঙমখিদবনা ঙসিদি-ঐহাক্কী অঙাং ওইরিঙৈগী পুনশিগা মরি লৈননা মণিপুরদা ওইখিবা মতম অদুগী অনিসুবা লাঞ্জাওগী মরমদা খঙজ উজহৌবা, তাজখিবা খরদং অদুবু পাওদমগী শরুক মচেৎ অমা ওইনা পাবীরীবা পূন্নমক্কী মফমদা নোল্লুক্না পাওদমজবনি ।

ইং শোক ১৯৪২ দা জাপান্না ইহান হান্না মণিপুরদা বোম থাদগদবা চহি অমরোম ৱাৎলিঙৈগী মতমদুদা, ঐহাক্কী চহি নিপাল্লোম শুরন্নগনি । ঐগী লৈফমদি লমলোং বাজারগী মখা থংবা, অয়াং পল্লিগী নোংচুপ, খুরাই থৌদাম লৈকাইদনি । ঐবু পোকপা ইপাদি শ্রীখুরাইজম অঙৌ সিংহ হায়না খঙনৈ, ইমাদি ঐনা চহি মঙারোম শুরকপা মতমদা তাইবংপাল থাদোক্কুনা চৎখ্রবনি ; ইমাগী শক্তমদি ময়েক শেংনা নিংশিংজবা ঙমদ্রে, শুপ্নতগী অসিতা খঙজৈ মদুদি, ঐগী ইমা বিধুমুখি দেবী চিংঙামখা মাইবম লৈকাইদগী কোইজম নিঙোলনি । ইয়াম্বা খ্বাইগী অহল অমা গৌহাটিদা লাইরিক তম্বা চৎখিবদগী নারক্কদুনা য়ুমদা থোরক্লগা লায়কন্নবা ঙমদনা মতম চাদনা শিখিবগী অৱাবা ৱারী অমসু ঐনা অঙাং ওইরিঙৈদা তাজখি । ইয়াম্বা অদুগী মমিংদি রাজমনি সিংহ, মতম অদুগী অহল লমন অমসুং মাগী মরুপ মপাংশিং কয়াগী মরক্তদি খুরাইজম টাটেন্দ্র হায়না হেন্না নুংশিনা খঙনখিবা মীশক অমা ওইরমানে । মহাকমুক ৱাং-চাওবা, মশা-মউ ফবা, মতম অদুগীসু (১৯৩০ গী অঙনবা মতম) ওইনা লাইরিক নিংথিনা হৈগৎলকপা মীওই অমা ইম্ফাল তুরেলগী নোংপোক্তা লৈরিবা ইম্ফাল লমদম অসিদা অতৈ কনাসু লৈরমদে হায়না অহলশিংনা ঐখোইদা ৱারী লীবীরমই । ইহান হানবা ওইনা থীয়েটর অমদা মহাভারতকী লিলা শান্নবা খুরাইদা লৈবা লাইনিংথৌ অৱাঙবগী লমপাক্তা লিলা শান্নফম অমা শেমখিবা ওইরমানে, মদুদা, ষ্টেজ দিকোরেসনগী দমক

লিলা শান্নগদবা নুমিৎ অদুমক্তদা ঐগী ইয়াম্বা অদুনা মীওই খরগা লোয়ননা ফীজংনচিংবা ব্রায়ননবা মতম অদুগী সনা কোনুংদা চৎলুবদা, মণিপুরেশ্বর মহারাজ সার চুরাচান্দ সিংহনা ইয়াম্বা অদুবু উবদা থোইদোক্লা পেনবিবগী মওংদা মজা ইবেম্মশিং কৌথোক্তুনা অসুম্না তাকপিখি হায়, "ইবেম্মা নখোয় লোইনা থোরকউ হে-মসিগী পাখং অসি ফজদ্রা য়েংঙো লাওনে, পাম্বা য়েংউনে," অশুম্না ফাগীওই করিওই নুংঙাইবগী মওংদা শ্রীযুটনা হায়রক্লবদা ফিজং ব্রায়বা চৎলুবা ইয়াম্বদো থোইদোক্লা হরাওবা অমসুং ইকাই নুংশি য়ান্নবগী মতাঙ অমা থোকখি হায়নসু অহলশিংনা লীবীরমই । ফীজঙ পীরকপগা লোয়ননা শ্রীযুটনা অসুম্নসু হায়বীখি হায় - "নঙ করি শারী সভাপবর্বদুদা ?" "দুর্যোধন শাজরী ননাই ঐ" হায়না ইয়াম্বনা খুম্লবদা, "ফরে অদুদি, হোরেল ঐ য়েংবা লাক্কনীকো, নঙ লৈ পরেং খোইদৌ য়ৌবা অমা শিরমগদবনি" হায়না তাকপিরকপদগী ঐগী ইমা অদুনা ইয়াম্বনা দুর্যোধন শাবদা শিননবা খোইদৌ য়ৌবা লৈপরেং অমা লেংলগা শিহনখিবগী ব্রারী অমসুং শ্রীযুট মহারাজ চুরাচান্দ লেঙবীরক্তুনা অহিং অদুদা সভাপবর্বদু মিৎয়েং তাবিখি হায়না অহলশিংনা ঐখোয়দা ব্রারী লীবীরম্মী । অসিগী মতুংদা মহারাজ ইবুংঙোনা তত্তনা মী থারক্তুনা ঐগী ইপাবু সনা কোনুংদা লাক্লবা কৌখৎপিখি হায়নসু তম্লমই মরমদি শ্রীযুটকী মজা ইবেম্মা অমা ইয়াম্বা অদুদা পীবীনিংবগী আশা তৌখিবা ওইরমানে । ব্রাফম অদুদা ঐগী চমজরবা ইপানা, "ননাই ঐখোইদি করিসু খঙজবা নচ্চদে থৌগল্লোন ব্যবহারদা অরানবা য়াওরক্কনি, ব্রাফম অসিদি ঙাকপিয়ু" হায়না খুরুমজরুবদগী অসুম ইংথখিবা ওইরমানে ব্রাফম অদুমদি । অদুক নুংশিরবা অমসুং মতম অদুগীসু ওইনা মমিং চৎলবা ইয়াম্বা অদুনা গৌহাটিদা লাইরিক তম্বা লোইদ্রিঙৈদা মনুং মতম চাদনা শিখিবদা ইমা ইপা অনিগী পুনশি মথক মখা ওনখি হায়বসিদি অদুম খঙলে, অমসুং মদুগী মতুং তারকপা ওইনা ইমাগী হকচাঙসু নোংম নোংমগী শোন্থরক্তুনা ঐখোয় পূম্নমকপু ঙস্তানা হুন্দোকপিরমখিবনি ।

ইমা লৈখিদ্রবা মতুংদা ইপাগা লোয়ননা ঐখোয় ইচিন ইনাও মরী লৈহৌই, ইথক্তা ইচে অনি, ইখাদা ইচল অমা । ঐবু পোকপা ইপাদো সরকারগী লৌরুংশঙদা আমিন ওইরম্বনি । ইমা লৈখিদ্রবা মতুংদা খুদোংচাদবা কয়া মরুম লাকপদগী সরকারগী থবক থাদোকখিবা ওইরমানে । মতম অদুগী পুনসিগী শক্তম অদু ঐনা অসুম লাকশীনজবদা, চাবা থকপা অমসুং শেল-থুমগী ফিভমদা করিসু অৱাবা লৈত্রবসু, ঐখোয় অঙাং মরিগা লোয়ননা ইপা অদু থোইদোক্লা অৱাবা কয়া খাঙলকখি হায়বসিমদি শেংলে । ইমুং অদুদা ইমা লৈত্রে, ইপা মথন্তনি ঐখোয়বু পীজ পীথক তৌদুনা ঙাকপি শেনবিরকখিবা ।

ঐগী ইপাদি গৌরিয় বৈষ্ণব ধর্ম্মদা লুপচবা অমসুং ধম্মগী ওইবা ঈশৈ নোংমাই কয়া পামজবনা মরক মরক্তসু নট সংকির্ত্তন্নচিংবসু য়াওই । মতম অদুগী গৌরলিলা কয়াদা ভারতি গোষাই শাখিবসু ঐহাক্লা নিংশিংলি। অমরোমদা সৎসঙ্গী লাইরিক হায়বসু মহাক্লা হৈনজখিবা থবক্লি । থবক চিল্লবা ইপানা লাইরিক হায়বা চৎকদবা নুমিৎকি চন্দন থিল্লিঙৈদা, মহাক্কী চৈতন্য চরিতামৃতগী করিগুম্বা মতাং অমা, ঐবু মনাক্তা ফমহল্লগা পাহনখিবসু য়াওই, অদুগা চন্দন থিন্ন থিন্ন ঐহাক্লা পারিবদু তাখি । অসুম্না, মীরকসু তিনজনিংবা, ইমুং মনুংদসু অঙাং ঙাক্ত ওইবা মরমনা ঐহাক্কী ইপাদো খুদোংচাদবা কয়া অমা মায়য়োক্লখি হায়বসিদি মশানা তারে । অসিগীসু মথক্তা, ইচে অহল অদুসু লৈশাবী মচা ফারক্লবা অমসুং মতম অদুগীদি ঙন্না চহি ১৪-১৫ দা য়ুম পানবগী চৎনবী ওইবনিনা ইচেগী থাজ-য়োনজবগী মরমদসু থোইদোক্লা পুক্লিং লাঙলমগনি ।

ঐহাক্কী অহানবা লাইরিক তমলকপগী থবক্তি ইপানা অদুম য়ুমদা হোৎনবিখি । চহি অমরোমদি স্কুলদা মিং চন্দনা ইংরাজি অমসুং বাঙ্গালীগী টেক্সট বুকশিং তম্বীখি, অমসুং বাঙ্গালী লাইরিক তম্লবনিনা মতম অদুগী স্কুলদা

তম্নবা মৈতৈ লোনগী লাইরিকসু অদুম পাবা থোক্লে । খর লৈরগা খুরাই এল-পি স্কুলদগী নিম্ন প্রাইমারী পরিক্ষা য়াওহল্লগা ইং শোক ১৯৪২ দা থাংমৈবন্দ য়ু পীদা ক্লাস থ্রী কারক্লে । স্কুল তমদ্রিঙৈদা য়ুমদা ইংরাজি লাইরিক অমুক অনিরক ওন্না ওন্না তম্বীখ্রবনিনা ক্লাস টু অমসুং থ্রীগী ইংলিস পারাশিং অদো ঐঙোন্দা করিসু অরুবা ওইখিদ্রে । ঐহাক অংকদদি ফরক্লে, নোংমা তিনশিনবগী অংক অমা ইপানা হন্না হন্না তাকখি, ঐহাক্লা খঙমল্লক্ত্রবদা ইপানা হায়খিবা হৌজিক ফাওবা নিংশিংনি - "নঙ অংকদি কয়া হৈগদবা মানদ্রে" । অচুম্বমক ঐহাক য়াম্না ৱাখিবনি ঐগী মেত্রিক পরিক্ষাগী অংকদা ।

অমরোমদা ইমাবু নিংশিংবা ঃ-

পুন্সিদা মতম শাংনা লোয়নজবা ফংখিদ্রবা ইমা ওইবনা ঐগী নিংশিংবগী মমি মরক্তা ময়েক শেংদ্রবা মতম খরদি ঐগী ৱাখল অসিদা লৈহৌরী । ঐনা ইমাগী মনাক্তা লেপ্তুনা লৈবদা, করিনো অমা তেঙ্গোৎতা নৈরগা পীথকখিবা, না-হুৎপদা ইমানা পন্থীখিবা, লমলোং কৈথেলদগী কবোক লৈবীরগা ঐবু খুৎ শমদুনা পুবীরকপা । নোংমা ঐ, পুখ্রিদা তারুবগী থৌদোক অমদা ঐনা জ্ঞান লাকপদা মী খরনা মাঙদা ফল্লিবা মীসি কনানো হংবদা ঐনা ইমানি হায়খিবা । তূম্লুবদগী মিকপ থোরকপদা ইমাগী মতম্পাক্তা লৈরম্বা, ঐবু চাক ইনবীরম্বা --খরা অসি নত্তনা অতৈ নিংশিংবগী ৱারী কয়াদি ঐগী পুন্সীনা ফংখিদ্রে । তাইবং অসিদা ঐনা ইম্মিৎ পাঙলকপা, পাকশন্না উরকপা মতমদদি ঐবু পোকপী ইমানা তাইবংপান অসি থাদোক্তুনা স্বর্গগী মাইকৈ পাংখিবদগী লাইবক থীহৌরবা ঐগী পুনসিদা অমুক হন্না ইমা হায়বা ৱাহৈ অদু ইচিনসিনা কৌজবা ফংখিদরে ।

The Shadow of War
লালগী মমি তারকপা

১৯৪১ লোইরকপা অমসুং ১৯৪২ চঙলকপা মতম অদুৱাইদদি লৈকাইগী অহলশিং পুল্লপ পুল্লপ ফম্মিন্নদুনা লান লাক্কদৌরে হায়বগী নুংনাংবা ৱারী তোয়না তোয়না শানরকপা হৌরে । অয়ুক নুংথিল অমসুং নুমিদাংদা মখোয় কয়া চিকথনা ৱারী শানৈ, খন্নৈ, করি করম তৌবা লান লাক্লগা হায়দুনা । ঐখোয়না মখোয়গী ৱারীদগী খঙবা ঙমখি মদুদি লাক্কদৌরিবা লান অদু চৈতুপ ৱাতুপ, থাং তা পায়রগা মফম অমদা ফুনগদবা হাৎনগদবা নত্তে, নোংথক্তগী বেলুন অপাইবি হায়বা অদুদগী বোম হায়বা পোৎশক অমা থাদরক্লগা মী কয়া শিহনগদৌরিবনি হায়না । অসিমসু খঙলে মদুদি বর্মাগী লম পূম্নমক কাং-খোং চাইরে, মী লিশিং লিশিং শিরে গ্যাসগী বোম কাপথরকপদা । জাপান্না মন্দলে লৌশিনখ্রে, থুনমক মণিপুর য়ৌরক্লনি হায়বচিংবা । ঐখোয় কদায়দা চেল্লগা হিংগনি, কদায়দা লোৎকনি, ইমুং মনুংগী মান চাং করম করম তৌবা অসিনচিংবা ৱাখল কয়ানা অহল লম্মন পূম্নমক্কী পুক্লিংদা থোইদোক্লা ৱানখিবা মতমনি । মতম অসিদা মণিপুরগী মফম কয়াদা উপদ্রোপ (অহলশিংনা হায়নবা মহৌশাগী নত্তবা অঙকপা থৌদোক) কয়া থোকপগী ৱারীসু শানৈ, লোয়ননা লৈবাক কায়বা তারে হায়বগী পূক্লিং লৈতানদবা মতম অমা ওইখি । বোম হায়বদুগী মরমদা ঐখোয়না হনজিন হনজিন্না তাখি মদুদি মী লখা-লখা বোম থাদরক্লগা পাক্তক্লনা হাৎপা ঙম্মি অমসুং জাপান্না হুগী বোম থাদদুনা বর্মাদা মী য়াম্না শিহনখ্রে হায়বনচিংবা ... ।

মসিগা লোয়ননা ঐখোয়না তাখি মদুদি বোম হায়বদুদি মখোল হৌখ্রবা পোৎনি, পোকখায়রকপদা নাকোংদগী ঈ হাথৈ, পিক্লিবা অঙাংদি মখোল অদুনা শিহল্লি হায়বনচিংবা ... । ৱারীশিং অদু তাবদা ঐখোইগী পুক্লিং ইশোন

শোন্থে, ঐসু ইপাগী খুকউ মনাক্তা নকশীন্না ফমখি । ১৯৪২ হৌগৎলকপা মতমদো য়ুমগী অহলশিংদি পুক্লিং লাংতক্লবা ১দি তুফক তুফাই চনবা মতমনি । কৈথেল কায়বা হায়দুনা মরক মরক্তা কৌথলদগী মীয়ামসু চেন্নরকখি । অসিগা লোয়ননা মতম'দুগী সরকারনা পামফ্লেট মচা মচা নন্নগা লম্বি সোরোক অমদি কৈথেলদা চাইবা হৌরকই । পামফ্লেটশিং অদুদা য়াওরিবদি, নোংথক্তগী এরোপ্লেন্না বোম থাদরকপা মতমদা করি করি চেকশীন থৌরাং তৌগদগে হায়বসিনি; চেকশীন থৌরাংশিং অদুগী মরক্তা, ঐখোইনা অঙাং ওইনা তাজখিবদি য়ুম খুদিংদা কোম তৌথোকপা অমসুং কোমশিংদুগী মনুংদা লোৎপা, খুদোম্বীনা নাকোং মেনশিনবা, স্বর থিংবা অসিনচিংবনি । বোম হায়বদু অমুক্তসু থেংনদ্রিবনিনা, কনাগুম্বনসু কাঙখদা লোৎকদবনি হায়না শন্দোকপসু য়াওই । মখল মখা কয়া হায়নরকপা অমসুং পুক্লিং লৈতাদবা কয়া নোংমা নোংমগী হেল্লকখি । লোয়ন লোয়ননা, করিগুম্বা জাপানগী এরোপ্লেন্না বোম থাদবা লাক্লবদি অসুম্না খঙহল্লক্কনি হায়বগী হান্না খঙহনবা ৱানিং অমা ওইনা য়াম্না হৌবা ইম্ফালগী অকোয়বদা তাবা ফংবা সাইরেন অমা পল্টন মনুংদগী (মতমদুগী 4th Assam Rifle) খোংলক্তুনা তাহল্লম্মী। সাইরেন অসি খোংলকপদা মী পূম্নমক ইপা পাখৎনৈ, মচা মশু কৌশিন্নে, অঙাংমচা অরাপ্পা স্কুলদা চৎপশিংসু থোইদোক্লা অৱাবা, অকিবা পোক্লবা মতমনি । ঐহাক্লা তমজখিবা থাংমৈবন্দ য়ু-পি স্কুল অদুগীসু কোম অশাংবা ৫/৬ তৌথোক্তুনা থম্মি, সাইরেন খোংলকপদা ওঝানা ঐখোয় পূম্নমক কোমদা কূমথহল্লগা পাকথহল্লি । অসুম্না ঐখোয় পূম্নমক অয়াম্বনা বোম হায়বদু হাকথেঙনদ্রিঙৈদা বোম তারক্লবদি কোমদা লোৎকদবনি হায়বসিমদি খঙনরে অদুবু ঐখোয় অঙাংশিংদি মীনা উরোইদবা মফম, কাচিন অমসুং কাঙখগুম্বদা লোৎপনা হেন্না অফবা ওইনা অপঙবা ৱাখলদা থাজনৈ । নোংমদি শোইদ্রে নুমিৎ অদো, অদুবু খঙদে কৈদৌঙৈনো, কনা অমত্তা মিহুল শুনদে । মতমদো চাক ঙন্তা ঙন্তা চাথোকনৈ, অহল মশেল চূংশীন্নৈ মণিপুরদা লান লাক্কদৌরে হায়না ।

অহানবা বেলুন পাইরকপা অমসুং ইম্ফালদা বোম তাবা

মতম অদুদদি ঐখোয় পূন্নমক্না এরোপ্লেনবু বেলুন হায়না খঙনরকই। ইম্ফালদা অহানবা ওইনা বোম থাদদ্রিঙৈগী মমাঙদা বেলুন পাইরকপগী ৱাফমসে ঐখোইনা খরদি তাবা ফংখ্রে, অদুবু বেলুন অদো লৈচিলগী মথক্তা ৱাংন পাইমনবনা মী অয়াম্বনা উনখিদে, মখোলদি তারগা নোংথক্তা কোয়েং য়েংলিঙৈদা অদুম লাপথোকখিবা ওইরমানে। উহৌবা য়াও, উহৌদবা য়াও পঙ্ঙাং ঙাঙনখি পাখৎনখি। অসুম্না নোংম নোংমগী মিপাইনবা হেনগৎনরক্লবা মতমসিদা নোংমদি অয়ুক পূং নিপাল্লোম তারকপা অদুৱাইদা জাপানগী এরোপ্লেন হায়বদু ঐখোয়না ইরঙ লংনা পাইরকপা উরে। এরোপ্লেন অমত্তনি, ইম্ফাল সহরগী মথক্তা নেমতক্না লৈশীন লৈশীন পাইদুনা লৈখি। তশেংনমক এরোপ্লেন অদুগী Pilot অদুনা ইম্ফাল সহরগী মরু ওইবা মফমশিং অমদি বৃটিশগী লৈফম বীলদীঙ কয়াদা বোম্বিং তৌবগী কুপনা য়েংখিবা অমদি ফোটো লৌখিবনি হায়বসি কোন্না খঙলকই। নুমিৎ অদুদগী হৌনা কৈথেল তোয়না কায়বা হৌরে, সাইরেন খোংবসু হেল্লক্লে। Air raid precaution নোংথক্তগী লান্দারকপদা তৌগদবা চেকশিন থৌরাঙ ইবা চে কয়া মতমদুগী বৃটিশ সরাকরনা ইম্ফালগী মফম্ অয়াম্বদা চাইথোকখি, বোম্বিং লাকপা মতমদা পুক্লিং লৌশিং ওইনবা হায়দুনা .. । মতম অদো ইংরাজিগী থা মে হৌরকপনি কালেন ছুটি থাদ্রি। মথক্তা পনজখিবা এরোপ্লেন অমা অয়ুক্তা পাইরকখি হায়বা নুমিৎ অদুগী মতুং ইকুই কুইদনা ইম্ফালদা বোম তাবগী নুমিৎ অদু থোক্লরে।

নোংমাইজিং নুমিৎনি মেগী তারিখ ১০ শোক ১৯৪২ গী নুমিৎযুংবা মতম। নোংমাইজিং ওইবনিনা ঐখোয় কনাসু স্কুলদা চৎপা য়াওদ্রে।

নোংমাইজিং নৎলমদ্রবদি স্কুলগী অঙাং কয়া ওফিশকি মীওই কয়া খুদোংথিবা নংলমগদবনি । জাপানগী মীশিংনা মদু খঙনা নোংমাইজিং নুমিত্তা বোম থাদখিবা ওইরমানে খঞ্জে । নুমিৎ অদুগী অয়ুক অঙনবদসু এরোপ্লেন অমা ঙাইহাক্তং পাইরকলম্মী, মখোয়গী এরোপ্লেন শঙ্গু অমনা বোম কাপথবা লাক্লিঙৈদা । অসুম্না নুমিৎ য়ুংলমদাই নুংশা য়াম্না শাগৎলকপা মতমদুদা ঐগী লেঙ্গা ওইবা ইমান্নবা ময়ামগা অমসুং অহল খরগা লোয়ননা ঐসু ইম্ফাল তুরেলগী য়াইখোম হিদেন হায়না খঙনবা লমলোং বাজারগী খা-নোংচুপতা লৈবা মফমদুদা ইরুজদুনা কোইরাঙ লাঙবা মরক্তুদা য়াওরম্মী ।

অঙাং ওইরিঙৈগী পুনশিনি, এরোপ্লেন পাইরক্কনি, বোম তারক্কনি হায়বগী করিসু নুংনাংবা য়াওদনা তুরেল মনুং অদুদা ঈশিং চাইশিন্নদুনা লাঙদুনা পূমকাও কাউথোক্লা লৈরিঙৈদা, নোংথক্তা ঙংলিবা জাপানগী এরোপ্লেন ময়ামগী মখোল অদু ঐখোয় কনাসু তাহৌদ্রে । ঐখোইদগী খরা অহল ওইবা তা-তোমৈদি তুরেলদগী কাখৎখিবদা উরমানে, মহাক্লা লাওরকই "হেই বেলুন ময়াম পাইরেনহে; অস ! য়ামখ্রপোৎনি, লাওনে য়েংঙোলাওনে" । ঐখোয় পূম্নমক ইচোৎ চোৎনা চেনখৎলি । অহৌবা মখোল অদু থনুঙদা ঙংবদৌনা তারে, মথক্তা য়েংখৎলি বেলুন মশিং থী পাখৎপগা লোয়ননা । ঐনা নিংশিংজবদা এরোপ্লেন ২৪ রোম শুব্রা খনজৈ । অহানবদা প্লেন তরুকতমক উরম্মি, মরোল মরোল পাইবা জাতনি মথং মথং শন্দোরক্কুনা খোই ময়াম পাইবগুমখ্রে ইম্ফাল সহরগী মথক্তা । থৌদোক অদুবু থেংনখিবা মীওইশিংদি কাউবা ঙম্লরোইদবা নুমিৎনি । ঐখোয় কনাসু হায়নবা কৌনবা তৌদনা, ফি শেৎপোয় শেৎতবোয় তৌনা খুৎনা নাকোঙ মেল্লগা য়ুম য়ুমদা কায়দুনা চেন্নরমই । মমা-মপাশিংনা পুমলাঙ লাঙনা মচা কৌনরকপগী খোনজেলনা নিপ্লি । চেন্ন চেন্না, মরক অসিদা হৌখ্রবা মখোল তারক্লে, বোম পোকখায়বগী অমসুং এরোপ্লেনশিং অদুনা হূমথরকপগী । নুমিৎ অসিমক্তদনি, মেগী তাং ১০ নোংমাইজিং নুমিৎ, নুমিৎয়ুংবা মতম, অনিশুবা

লানজাওগী ইতিহাসতা য়াওরগদবা মণিপুরদা ইহান হান্না জাপান্না বোম কাপথখিবা নুমিৎ । ইম্ফালদা বোম তাখিবগা লোয়ননা পৃথিবীগী অনিশুবা লানজাও মণিপুরদা য়ৌরকখ্রে নুমিৎ অদুদগী ।

ঐহাক্কী য়ুমদি মীগী য়ুমদা ফাওজীল্লগা মিটর চনিগুম্বা লাপ্লি । তুরেলদগী ঐহাক পাখৎনা চেল্লকই গোপালমচাগা, মহাক্তি ময়ুম য়ৌদনা ঐখোয়গী কাঙখদা লোৎমিন্নে, ঐখোয় অনি, নাকোং মেল্লগা চিন্দসু জ্ঞান-মেন তাদনা শোল্লি- "হরে কৃষ্ণ-হরে কৃষ্ণ ।" ঙাইহাক লৈরগা এরোপ্লেনশিংদু হনখ্রমানে ইচিক চিকই, অরাপ্পদা অনকপদা অহলশিংনা অঙাং কয়া কৌশিন্নরকপগী খোঞ্জেলনা অমুক ইনিল নিল্লী । ইমান্নবা গোপালমচাসু ময়ুমদা চেনখ্রে । মী পুম্নমক অকীবনা খুদুম চনখ্রবা মীকৃপনি, এরোপ্লেন ময়ামদো অমুকসু হন্না পাইরকখিগদবোই খল্লি- মীপুম খুদিং লৈতাফম খঙনখিদ্রে । ঐগী ইপানা ঐখোয় ইচিন ইনাও মরীবু কিনু কিনু করিসু তৌরোই হায়দুনা মাঙ্গোলদা ফমহল্লী। করি তৌগদৌরিবনো হায়বদু ঐখোয় কনাসু খঙলমদে, অদুবু ঙাইহাক লৈরগদি খঙহৌদনা ঐখোয়গী মমাঙ শোরোক্তা (অয়াং পল্লি) পোৎয়োম পোৎয়োম পুদুনা মী কাংবু কাংবু চৎনবা উরে । শল গারিদা উপূ কাংথোল, কোল-লিক হাপচীন্দুনা পরেং পরেং চৎপগী লোইবা নাইরমদে ! তৌফম খঙদ্রবা ইপানা ঐখোয়দা হংখি- "ইচাশা, ঐখোয়সু কদায়দা চৎশিগে; নাপেৎতা লৈবা নঙ খুরাগীদা চৎশিরা, কংলাসিফাই ননেগীদা চৎশিরা ?" ঐখোয় পুম্নমক চপ মান্নবা খোনজেলদা খুমখি "ইনে খোয়দা চৎসি পাজি"। থংননা লৈবা তাজৌ অদো চিংমৈরোং লৈ ইংখোলদা বোম নংলুরে হায়দুনা স্বর থবেৎ থবেৎ হোন্দুনা চেল্লকই । তাজৌ অসি পাজিনা মচাদ মচাদৌনা লোয়নবনি; তাচৌগী অহল লম্মনসু পাজিনি । তাচৌ লাক্লবদা পাজিনা হায়খি "নহাক অঙাংশিংসি পুরগা কংলাসিফাই ননেখোয়দ চৎনবা তৌরো, ঐ পোৎচৈশিং অসি করম তৌবা হায়বদু য়েংলকখিগে ।" ইচেনা পোৎ মচা মচা করিনো খরদি য়োমশীল্লি- ঐখোয়, তাজৌগী মতুং ইন্দুনা চৎলে য়ুম

থাদোকলমলে । খোঙলা চৎপনি, লম অদু অমুক্তসু চৎত্রিবনিনা ওম্থোক্লা লাপখ্রে । ঐখোয় মথোঙ-মরম অমত্তা খঙদনা ইনেগী লৈফম কংলাসিফাই তান্না লাক্লে । পিক্লিবা ইচলনুপী মচাদু তাচৌনা অমুক পো ইচেনা অমুক পম তৌদুনা নুংশা মরক অদুদা য়াম্না ৱানা কংলাসিফাই য়ৌরক্লে । খুঙ্গং অসিদা ঐখোয় ইচিন-ইনাওশিংনা ইহান হান্না লাকপা নুমিৎনি, ইনে লৈ হায়বদি খঙবা কদায়দনোদি খঙদবা মফমনি অহানবদা ।

ঐখোয়বু হেক উবমক্তদা ইনেনা ঐখোয়বু কয়াম নুংশিনা ওকপিখিবা । ইনেনা পরপ পরপ হোৎনদুনা মচা মমৌশিংবু চাক থোংকৎহন্দুনা ঐখোয়বু পিজ পিথক তৌনবা হোৎনখিবা থৌরাঙশিংদু তরং তরং নিংশিংলি । ইনেনা নুংশিনা পীজখিবা নুমিৎ অদুগী মনা মশিং থোংবগী ইন্সাং অদো কয়াদা হাওখ্রবা ...ঙসি ফাওবা কাউদরি । মতম অদুদা ইনেগী মচা নুপা ইবায় অনি লৈ, মখোয় অনিমক য়ুম পাল্লম্মে । ইবায়শিং অদুনা খুদক্তা শলগারি পুদুনা য়ুমদগী হোনবা ঙস্বা পোৎমখৈ হোল্লুরে, পাজিসু লাক্লে ঐখোয়গী হুই তুবোন অদুগা লোয়ননা । মতম অদো, লৈকাইগী লৈমিন্নবা য়ুমলোন কৈরোন্নবা মশেল নঙ কদায়দা চৎকদৌরি, কদায়দা লৈরুগদৌরি হায়বনচিংবা করিসু হংনবগী, খন্নবগী মতম লৈখিদ্রবনি । মানা মানা থোকপা মাইকৈদা, অরাপ্পা খুঙ্গংদা, অদুম পংচৎতা চৎনখ্রবনি । মৈতৈ সমাজগী তোপ তোপ্পা ফজবা অমদি, ময়ুম থাদোক্তুনা লান চেন্নরক্লবা ইমুং মনুং কয়াবু অরাপ্পা খুঙ্গংদা লৈবা ইপা ইপল খুদিংমক্লা চঙজফম পিখিবদুনি, খঙনবা খঙনদবা মরী মতা ওইবা ওইদবগী ৱাখল খন্নবা তৌদনা । অসুম্না ইম্ফালদা লৈমিন্নরম্বা য়ুমলোন্নবা, মরুপ-মপাং কয়া, কনানা কদায়দা লৈখ্রবগে হায়বদু করীঅমত্তা খঙনখিদ্রে লান কায়বগী মতম অসিদা। খুনতাক লানশিবা অসিগা ইরোয়ননা ঐখোয়গী লৈজবা মাল চাং ফৌ চেং পূম্নমকসু চিংলুরে । ঐখোয়না হুন্দোকলম্লবা কা মঙাগী লৈমু তৈবা য়ুমজাও অদুসু মথন্তা ইচিক চিকহৌরে, মমাঙ শঙ্গোয় অচৌবা, মখা শংগোয় তুমিন তুমিন লৈহৌরে । ঐখোয়গী হুই

তুবোন অদো মনম শুৎ শুৎ নমদুনা পাজিগী মতুং ইল্লকলবনি, অদুবু নোং ঙাল্লকপদদি লৈরমদ্রে । নোংঙাল্লকপগী অয়ুক্তা পাজিনা ইম্ফাল চৎলুবদা, মথন্তা মাঙ্গোন চিথেক্তা কুন্দুনা লৈরম্বা থেংনরুই হায়, পাজি লাকপদা হরাওনা মমৈ ফর ফর হায়রদুনা লৈরম্বা, অদুবু, অদুক নুংশিখ্রবা হুইদো মফম মরাং খঙদনা মাঙখি লান চেন্নবদা । ঐগী ইপা অদু য়ুমদা করিগুম্বা মমল য়াম্বা পোৎ খরা হুন্দোকলম্বগীরা খঙদে, বোম তাখ্রবা মতুং নুমিৎ নিনিরোম লৈরগা ইম্ফালদা মথন্তা য়ুম শঙদুনা লৈখিরম্মি। ইপা য়াওদনা কংলাসিফাইদা লৈবা হৈনরক্তবদগী নোংমা ঐহাকসু ইথন্তা খুরায় লমলোঙদা লৈহৌবা ঐগী য়ুম ফাওবা চেল্লকই । লম্বী লমশাং অদু ইচিক চিকই, চেনগুম চৎপগুম তৌনা য়ুম য়ৌরকপদা ঐহাক্কি নুংঙাইবসু ওইখি ইপাগী মনাক য়ৌরক্লবদা । মতৌ অসুম্না মতম খরদি ইম্ফালগী য়ুমদা ইপাগা য়ুম শঙমীন্নদুনা লৈরে । কংলাসিফাইদা লৈহৌবা ইচে অনি অমসুং ইচল নুপী অদুদি ইনেগী য়ুমদা অদুম লৈহৌরগা পাজিগা ঐখোয় অনিসু য়াম্না তোয়না হঙ্গৎ হন্দা চৎলি । ইম্ফালগী য়ুমদা ঐখোয় অনি চাক থোংদুনা চায় । নোংমদি পাজিনা মপান্দা লৈরিঙৈদা হৱায় শোক তৌবগী মরোয় অদু ঐঙোন্দা হাপচিল্লু হায়রকপদগী থাও অশাবদা মরোয় থাদরুই অমসুং খঙহৌদনা মৈ হৌরক্লবদা অফিং অফায় ওইনা চফু অদু চেগপনা চপ্লগা পুথোক্কে তৌবদা তাখিদুনা কায়খি । ঐগী ইতৌ অদু উবদা পাজি য়াম্না নোকখি ।

মণিপুর তম্পাক্তা হুরানচিন্থী

ইম্ফাল সহর অসে বোম তাখ্রবা মতুংদগীদি মপু পান্দবা মফম অমা হায়বদু ওইখ্রবনি । মরু ওইনা ইম্ফালদা লৈবা মতম অদুগী অমত্তা ঙাইরবা ফাদোকশিংগী জেল ঙাকশেল্লম্বা পূম্নমক চেন্নখ্রবদা জেল মনুংদা লৈরম্বা বন্দিশিং অদুনা ইম্ফাল জেল থুগাইদুনা থোরক্লগা পাক শন্না লুট পাং তৌখিবগী ৱারি কয়া ঐখোয়না তাবা ফংখি । খ্বাইরম্বন্দ বাজারগী মপু লৈত্রবা দুকানশিংদা চণ্ডুনা হুরানবা কয়া অদুনা ঙমজ ঙমজবা পোৎ, মাল চাং কয়া হুখিবা ওইরমানে । অসিদসু নত্তনা, খুঙ্গং কয়াদা হাইথরক্লগা অচা অথক ৱাত্তবা মীওই কয়া অমসুং লানচেল্লকপা ইনাকখুনবা কয়াবুসু লুট তৌবিদুনা অৱাবা কয়া পীখিবগী ৱারীনি । য়াম্না অৱাবা মতমনি, কৈথেল অমত্তা লৈখিদ্রে। শেল লৈরবসু পোৎ লৈবা ফংদবা মরমনা হান্নদগী খরা হেন্না পৈশিনজদুনা থম্বা কনাগুম্বশিংগী চিনজাক, ফৌ-চেং পূম্নমক লৌনদুনা পংচাদা চানবা মতমনি । অমরোমদসু, পুকচেল পিকপা মীওই কয়ানা ময়ুম থাদোক্তুনা চেনখ্রবা মীশিংগী ময়ুমদা চণ্ডুনা তুমিন তুমিন পোৎ কয়া লৌশীন্নবা অমসুং হুরানবগী থবক তৌবসু কোঙ্গায়নি । অসিগুম্লবা মতম অসিদা নোংমা নুমিদাংৱাইরম ইপাগা ঐহাক্না কংলাসিফাইদগী লাকই । য়ুম য়ৌরগা ইপানা মনিংগী ইংখোলদা চণ্ডলগা করীগুম্বা পোৎ অমা য়াম্না পুক্লিং চঙনা থিখি । ঐগী ইপাদু মথ্বাই নুংঙাইতনা উরবদা ঐনা হংই "করি তৌরে পাজি?" পাজিনা খুম্মী "ঙরাং য়াম্না চেকশীন্না শেল খরা লোৎলম্বনি লৈরমদ্রে" পাজিনা, শেল অদু লৌরমগদবা মীশক অদু অদুম খঙই, মাতনি হায় উহৌরমগদবা । অসিনি ৱানরবা মতমদুদা অমনা অমগী মপোৎ মচৈ হুরানবা তুমিন তুমিন পুশিন্নবা অসিনচিংবা কয়াসি য়ুমলক য়ুমলক খুদিংদা অমদি খুঙ্গং কয়াদা থোকখ্রবনি ।

অসিগীসু মথক্তা অনা অয়েক্লা কয়া অমা, দাক্তরগী হিদাক লাংথক অমত্তা লৈতে, মাইবশাবা খরনা পুক শুবা, থৌ তৌবা, করী করীনো মনা-মশিংগী মহি খরা হিদাক ওইনা থকপা তাই। মতমদুদা পাক শন্না শন্দোরকপা লায়নাদি মেলেরিয়ানি, লায়না অসিনা মীওই কয়া মশিং থিবা ঙমদনা শিহনখি হায়নৈ। অমরোমদসু কোলেরা লায়নাদগী খুঙ্গং কয়াদা মীওই কয়াবুসু কনবা ঙমখিদ্রবনি। কোকতা খুৎ হাপ্লবা মতমনি,...। চেং চাক ফংনদ্রে চাক তাঙলক্লে, থাও ফংদ্রে থুম লৈত্রে, অশোল অনা কয়া অদুদা নত্তনা মচি মচিদসু হুরান চিন্থি, মতৌ অসুম্না খুদোংথিবা কয়াদু মাইয়োক্লখিবা মীওইবা কয়াগী পুন্সিনি, বৃটিশ লানমিসু অদুক য়াম্না লাক্ত্রিঙৈ অমসুং বোম তাখিবসু কুইদ্রিঙৈ মনিপুর তম্পাক্তা ওইখিবা মতম অদুগী অৱাবা ৱারিদো।

বর্মাদগী মীচেল ময়াম

মতম অসিদা বর্মারোমদগী মখোঙনা, মী মশিং থীবা ঙমদবমখৈ লাক্লখিবা মীওই কাংবু কাংবু হায়ফম খঙদ্রবা অব্রা-অনা কয়া মায়য়োক্লনা মণিপুর য়ৌরকখি। মখোয়বু মতম অদুদা কবো মীচেল হায়না খঙনখি। মখোয় অয়াম্বনা হান্না বর্মা হৌজিক্কিনা ম্যানমারদা লৈরম্বা ভারতকী অমদি নেপালগী মীওই ঙাক্তা ওইরমানে। ঐখোয়না অঙাং ওইনা তাজহৌবদা অদুগুম্বা মীওই কয়া অদু, জাপান লান্মীনা বর্মাদা কাং-খোং চাইহল্লক্লবা অমদি Bombing কয়া তীদুনা থুগাইরক্লবদা বর্মাদা লৈবা য়ারক্ত্রদুনা মানা মানা থোকপা India য়ৌনবা চেন্নরকপনি হায়। খর অমনা ঈশিংগী লম্বীদা Rangoon দগী জাহাজনা কলকটারোমদা চৎখিবা, অদুগা কয়া অমনা অনকপা খোঙ লম্বীদা বর্মাগী মফম কয়াদগী তুমু ফাওদুনা মোরে লম্বীদা লাকখিবনি। মণিপুর য়ৌরকপা মতমদদি মীচেলশিং অদো শিদ্রি হায়বতা ঙাইরবা মীশক ঙাক্তা ওইনা উরম্মী। অরাম-খৌরাংবা অমদি তূম্বা ফংলক্ত্রবনা মখোয় লোইনা তুরোই-ঙামলোই চৎলবা অমসুং লম্বীগী মফম কয়াদা চৎন চৎন তুশিল্লবা, ফিভম শোক্লবা ঙাক্তনি। চিংলক লম্বী, তম্পাক লম্বী কয়া লিশাঙ শিৎনা লাকপদা মচিন মনাও শিহৌরবা, মমা মপাগী অশিব হকচাং লম্বীদা লৈহৌরবা, নুংশিরবা অঙাংশিং কয়াসু শিহৌরবা, কায়নরক্লবা অদুগুম্বা অব্রাবা ব্রারী ঙাক্তনি। শাংখ্রবা লম্বীনি, কনাদসু চঙজফম লৈতনা, অফঙ অফঙবা খরা অয়াওবা খর চাদুনা, শাইদুনা, তূমফম থুংফম লৈতনা লম্বীগী ঈশিং থক্তুনা য়ৌরক্লবনি। মণিপুর য়ৌরক্লবদসু ইম্ফাল-ডিমাপুর রোমদা চৎখিবা কয়াগী অশিবা হকচাংসে অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে হায়, মদুদি লানগী লম্বী থোং শেম্লনবা পুশিল্লকপা Tractor অমসুং Bulldozer শিংনা পুল্লপ পুল্লপ কোমজাও খোৎতোকলগা ফুমখিবসু কোঙ্গায় অমনি হায়নৈ। অসুম্না বর্মাদগী

মণিপুর ফাওরগা India গী মফম কয়া য়ৌখিনবা থৱায় খুবাক্তা হাপতুনা লাকখিবা মীচেলগী সমুদ্র অসে মখোয়গী নিংজবা অদু পাঙথোকপা ঙমদনা মফম কয়াদা কোইচায় চাইনা লম্মাঙনহৌবসু মশিং থীঙমলরোই। অসিগুম্বা মীওই খরা অমসু ঐনা শং শং উজহৌখি, ইম্ফাল তুরেল খোংবান্দা অমুক লাক্লগা লমলোং বাজার মনিংগী লিতান অদু লাম্থোক্লগা ডিমাপুর লম্বী য়ৌনবা চৎখিবগী পরেং পরেং। ঐনা উজখি, পোদুনা পুবা, শম্বিবা, শগাইদা পুবা, অমুক ফমথ, অমুক হৌগৎ তৌদুনা তুরোই ঙাম্লোই খোঙ থাংনবা হোৎনবা মীওই কয়া। অনিশুবা লাঞ্জাওনা ওইহনখিবা মখোয়গী পুন্সিগী ৱারীদুসু অৱাবগী মশক্লি। ইম্ফালদসু লানগী মতম নৎলমদ্রবদি মখোয় অয়াম্বা চঙজফম ফংলমগদবনি। মখোয়না ঐখোয়গী লমদম অসি ফাওরকপা মতমদদি, কনাসু হন্না তুনা য়েংনবা মতম নৎখিদ্রে, চীংখোঙ চীংয়াদা, অরাপ্পা খুঙ্গংদা থৱায় হিংলগা লোইরে হায়দুনা চেন্নখ্রবা মতমনি। করি অমুক হায়গনি ইম্ফালগী ময়োল ওইরিবা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা কনাসু মশক উখিদ্রবনি।

মীচেলশিং অদুগী মরক্তা, মশা খর ফরিবা, শেল থুম খর য়াওরিবা মীওইশিং অদুদি কনাগুম্বা তান চানরুবা লন্নাই মীওইগী গাড়ীদা পৈশা য়াম্না লৌবিদুনা ডিমাপুর লম্বী অসিদা লম মতৎ মতৎ থিনবীখিবগী ৱারী কয়াসু তাবা ফংখি। য়ৌদি য়ৌনিংবা শেলদি য়াওজদ্রবা, লম্বীদা ইমুংগী মীওই কয়াসু শিহৌরবা কয়া অমনা মখোয় মখোয়গী অরোয়বা মতম অদু ঙাইদুনা অঙাওবগুম চৎখিবসু কয়ানি। মতম অসিদা ঐনা উজহৌবা নুংশিবা থৌদোক মচা অমগী ৱাফমসু লৈরি। মতম অদো ঐহাক ইপাগা লোয়ননা ইম্ফালগী অচিকপা যুমদুদা লৈরি। নোংমা নুংদাংৱাইরম, ইপা অমসুং মাগী মমান্নবা অনিগা লোয়ননা ইম্ফাল তুরেলগী মপান্দা অসুম খা পাংনা চৎলি। মখোয়না শানরিবা ৱারীদু মতম অদুগী ৱাফম ঙাক্তনি। তাঞ্জা অসি মক্তদা থৌদাম লৈকাইগী হৈবোঙ মখোঙ হায়না খঙনবা মফম অদু য়ৌরকপদা লম্বীগী নোংপোক্তা লৈবা মোংশোং অমদগী অঙাং অমনা কপ্পগী খোঞ্জেল তারমই।

অহলশিং অদুনা ঙাইহাক লেপ্পুনা তারগা, "করিনো" হায়না অহল অমা চঙশীনখি । ফুরিৎ অচোনবা (ফ্রোক) লিৎপি নুপীমচা অমা অহল অদুনা মখুৎ শমদুনা পুথোরক্লে । নুপীমচাদু মরোল মরি খঙদনা পঙকপতা কপই । অহলশিং অদুনা হিন্দিদা হংই, মহাক কদাইদগীনো, কনানো কনাগা লাকমিন্নে হায়বনচিংবা । নুপীমচা অদু চহি মঙারোম শুরমলগনি, কপ্পা কপ্পা অহলশিংদা তম্মী- "ঐগী মাম্মনা ঙাইরম্মু হায় মাম্মদি শুক্লাক লাক্তরে, ইপাসু শিহৌরে" । ঐগী ইপা অমসুং মমান্নবশিং অদুনা অঙাং অদুবু পুশিনবিনবা লেপ্লরে । অসুম্না ইপাগী মমান্নবা অমনা অঙাং অদুবু কপকনু হায়না নুংশিনা থেম্বিরগা মচাগুম্না য়োক্লনি হায়না ময়ুমদা পুবিখি । অসুম্না লাইবক থীরবা অঙাং লিশিং কয়াগী মরক্তা অঙাং অমদি অহল অমগী মিনুংশিগা থেংনখি । লাইবক থিবা কয়া অমগী ৱারীসু লৈরমখিগনি, কয়া অমসু শিরমগনি, মশি পূম্নমকসি কনানা থোকহনখি....লান্না, পৃথিবীগী অনিশুবা লাঞ্জাওনা । মতম অসি লানগী খুৎশু খুৎলাই পুবা অমসুং সিফাই পুশিল্লকপা গাড়ী কয়ানা ইম্ফাল ডিমাপুর লম্বীদা লেপ্তুনা লাকপা হৌরক্লবা মতমনি । হান্না থুংলরবা বৃটিশ আরমীশিংনা শীল-লাঙবা রিফ্যুজি (Refugee) কেম্প অমা মীচেলশিং অদুগীদমক্তা ইম্ফালগী অৱাংদা লৈবা কোইরেঙ্গৈদা শেমখিবা ওইরমানে অমসুং মফম অদুদা নুমিৎ খুদিংগী মীচেল চাম্মা চাম্মা য়ৌরকখি হায়নৈ । মখোয় পূম্নমক শেৎন-চানবা মরাঙ কায়না য়াওদ্রবা চান-থক্লবা করীসু লৈতবদা নত্তনা, মখোয় অয়াম্বগী মরক্তা অনাবা কয়াসু য়াওরক্লবনি । মখোয় অয়াম্বনা মণিপুর য়ৌরক্লবদা ভারত য়ৌদ্রি হায়না খল্লি, মতৌ অসুম্না চনিং তানা কেম্প অদুদা লৈনিংদে । Kanglatongbi দসু মখোয়গীদমক লৈননবা মফম অমা British না শেম্বিখি মদুদসু মখোয় লৈয়ু য়াখিদে হায় । মখোয় ময়াম্না ডিমাপুর লম্বী থন্না লাকপদা লানগী British Army অমসুং খুৎশু খুৎলাই পুরকপা গাড়ীশিংদুদা অপনবা ওইখি । বৃটিশ আর্মিশিংনা মখোয়বু লম্বীগী মতাইদা চৎননবা হায়খি, য়ারবদি মখোয়গী চিঞ্জাক

১দি চংজফম পীগনি হায়না ফাওবা থেমখিবগী মতাঙদা মখোয় কনাসু য়াখিদে হায়বনচিংবা ৱারী কয়া অমসু লৈপ্রি ।

মতৌ অসুম্না আশা লৈত্রবদা আশা তৌদুনা লাকখিবা মীওই কয়াদু অয়াম্বনা চৎনা চৎনা শিখি, লাঙজাশিংগী নুংঙাইজবা ওইখি । লাইবক ফবা খরনা উচিন নাচিন্না অৱাবা কয়া খাঙলবগী মতুংদা ভারতকি মফম অতৈ য়ৌবা ঙম্মখি ।

হান্না লৈরম্বা British official শিংগী অৱাবা অমসুং অতৈ খরা

থৌদোক কয়া অসিগা মরি লৈনবা লাইরিক্তগী ফংখিবা ৱারোল অমদি অহানবগী বোম তাবা অদুদা শিখিবসি মীচম প্রজা ৯০ নি অদুগা ৮০ না অশোক অপন নংখিবনি। য়ুরোপিয়ান Refugee ২০ লোমদি মখোয়গী কেম্প ১সুং Lorry মনুংদা শিখি। অহানবগী বোম তাবা অসিনা মরম ওইদুনা, হান্না হায়জখ্রবা কবো মীচেন, ডিমাপুর তম্লা লাকপা লিশিং তরারোমদি চানিংঙাই থক্লিংঙাই ফংদবগা; অমরোমদা ডিমাপুরদগী থৌজীল্লকপা মিলিটারি গারি ময়াম মায়য়োক্লবগা ওন্থোক্লা অৱাবগী মশক ওইখি। ইম্ফালগী ওইনা হায়রবসু, ইম্ফাল মনুংদা শিজীন্নরম্বা ইলেক্ট্রিক অমদি ৱাটর সপ্লায় পুংলেপ লেপখ্রবা মতমনি। অসুক ৱানরবা মতম অসিদা হুরানবা মীওই কয়ানদি খুৎ অনি থাদুনা হুনরকপগী মতম অমশুনি, অমরোমদদি লান্দারক্লিবা জাপান্না প্রোপেগান্দা ওইনা পাউ কয়া রেদিওদা অসুম্না শন্দোকখি হায় মদুদি অহানবগী বোম্বিংদা Imphal গী Airport থুগাইখ্রে এরোপ্লেন ৮০ য়ৌনা মাঙ তাকহনখ্রে হায়না, অদুবু মতম অদুদদি মণিপুরদা Airport কি ৱাদি থমখিসি, Aeroplane অমফাওবা লৈত্রিবা মতমনি। অহানবা বোম্বিংগী মতুং May গী তাং ১৬তা ২রক শুবা ওইনা ইম্ফালদা বোম্বিং অমুক্তসু তৌখিবদা Jail গী gate মপুং ফানা থুগাইখিবা মরমনা, জেল মনুংদগী মমিং লৈরবা অফাওবা দাকূ খরা নান্থোকখিদুনা মণিপুরদা পাক শন্না লূট তৌখিবগী ৱাফম মথক্তসু পনজখ্রে। হৌজিক লৈরিবা গোভর্নরগী ইংখোল অসিদা বোম তারক্লগা পোকখায়খিবগী বোম ক্রেটর (পোকখায়বদা কোম শানা লৈহৌবা মফম) কুনমঙা লৈখি হায়নৈ। বৃটিশ

রেসিদেন্সীগী অয়াম্বা শরুক্তা খরা শোক্লবসু শিখিবা মীওইদি অমত্তা য়াওখিদমালে, মরমদি অহানবা বোম তাবদা মতম অদুগী পোলিটিকেল এজেন্ট জিমসনগী ওফিসতা থবক তৌবা মীওই পূন্নমক হান্ননা আসাম অমসুং বাঙ্গাল য়ৌনা চেন্নখ্রে হায় । তানজা অসি য়ৌরকপদা, তঙাইফদনা বৃটিশকি মফমদা ফাওরকপা ৱাখলদি, খুদক্তা পলেলদগী তামু য়ৌবা লম্বী অসি মতম চানা শেমজীন্দুনা বর্মাদগী লান হন্দোরকপা বৃটিশ লান্মীশিংনা শীজীন্নবা য়াহনবা অসিনি । ইম্ফালদগী খা নোংপোক পাংনা চৎখিবা পলেল য়ৌবা লম্বি অসিসু মতম অদুদা উফুলনা খুকউ য়ৌরম্মী । পলেলদগী খরা চৎখৎপফাওবা ঐখোয়গী লমদম অসিগী মীওই কয়াসু লম্বি শেম্বগী থবক য়াওখিবগী ৱারীনি, অদুবু লানচেল্লকপা (কবো মীচেল) ময়ামগী অৱাবদু থেঙনরুবা অমসুং কোলেরানচিংবা লায়না কয়া শন্দোরকপদগী থবক থাদোক্লুনা মখোয় লোইনা চেন্নখি হায় । লম্বি শেম্বগী থবক পুংলেপ লেপখি অদুবু থীন্দনা Indian Tea Association গী থবক শুবা কাঙবু লিশিং লিশিং লাক্তুনা মার্চ্চ থাদগী তামু য়ৌবা লম্বি শেম্বা হৌখ্রে ।

মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা লৈবা মিলিটারিনা শিজীন্নগদবা লমগী লম্বি সোরোক কয়া অমসুং অনৌবা লম্বি কয়া ককপদা ১দি শেম্বদা, হায়রিবা Indian Tea Association অসিগী অচৌবা থৌদাং লৈখি, লোয়ন লোয়ননা মণিপুরগী মীওই কয়াসু থবকশুদুনা থিকা তৌদুনা পয়শা য়াম্না ফংনরকপা মতমনি । "সোরোক্তা সনা খাঙেন তাগনি হায়না পুরান্দা য়াওই হায়নবা মতম অদুনি" হায়নখি । মতম অদুদা ফৌগী মমলসু খম থেঙনা ৱাংখ্রবনি অদুবু লানগীদমক লম্বি সোরোক শেম্বা হৌগৎলকপগা লোয়ননা মী অয়াম্বগী শেম্থোক লম্বিদি মরাঙ কায়না লৈনখি । নিংশিংবা য়াবা মতম অদুগী মমিং চৎলবা থিকাদার ওইনা লৈখিবা লমদম অসিদা লৈরম্বা মীওই খরগী মীং পনজরবদা শ্রী ক্ষেত্রি বিধু সিংহ খুরায়, থোকচোম ইবোহল সিংহ নোংমৈবুং, প্রানো সিংহ শিংজমৈ, চজিং কালা অমসুং টি এইচ ইবোবি সিংহ ককচিং অসিনচিংবনি ।

পনজরিবা মীওইশিং অসিনি, মণিপুরদা পৃথিবীগী লাঞ্জাও য়ৌরকখ্রবা মতুং, খুদক্কী ওইনা বৃতিসনা পায়খৎলকপা থবক কয়া অনৌবা লম্বী ককপা, শেম্বা, মফম কয়াদা পোৎ-চৈগী store room শাবা, লম্বী-নালা শেম্বা, তম্পাক্কী মফম কয়াদগী হেন্না ইম্ফাল-দিমাপুর, জিরী লম্বী অমসুং ইম্ফাল মোরে লম্বীনচিংবা শেম্বতা নত্তনা লান্দবা য়াদ্রবা তুরেল অমসুং ঈশিং ঈচেল কয়াগী মথক্তা য়োৎকী থোং (অকাপ্পী) শাখিবা লোয়ননা এরোপ্লেন তাফম তরুক শেম্লকপগী অচৌবা থবক কয়াদা মীয়াম্না মখোয়গী মমিং তানখিবা। এরোপ্লেন তাফম তরুকসিগী মনুংদা ইম্ফাল এয়ারফিলদ (কোইরেঙ্গৈ) তুলিহল এয়ারফিলদ অমসুং পল্লেল এয়ারফিলদ, মফম অহুমশিমদি নুঙ হৈরগা কোলাস থাখ্রবনি অমসুং হায়রীবা থবক কয়া অসিদা মণিপুরগী মীওই লিশিং কয়াসু ৱারবা মতম অদুদা লায়না শেল তানবগী তাঞ্জা ফংনখ্রবনি। পনজরিবা থিকাদার খরসিগী মনুংদগী খরনসু Army গী চান-থক্নবা মনা-মশিং মখল কয়া Supply তৌবগী অচৌবা ৱারী কয়া অমসু লৈরী অমসুং মখোয়গী মমিং য়ুমথোঙ খুদিংদা খঙন তানখিবগা লোয়ননা লান অদুদা লাকখিবা বৃতিসকী অচৌবা ওফিসর কয়ানফাওবা মখোয়বু ইকায়খুম্ননা সলাম তৌনখ্রবনি হায়নফাওবা ঙাঙনখি।

লাল্লক অসিদা মণিপুরবু
A little paradise on Earth
হায়না মিংথোল্লম্বগী থৌদোক অমা

মণিপুরবু মালেম অসিদা লৈবা অপীকপা স্বর্গ মচা অমনি হায়বা ইংরাজি ফ্রেজ A little paradise on Earth হায়বসি অনিশুবা লাঞ্জাওনা লমদম অসি য়ৌরক্লবা মতম অদুদা পোকখিবনি । মরী লৈনবা থৌদোক্তি ১৯৪২ দনি । Imphal দা বোম তাখ্রবা মতুংদা Army দা Matron ওইবি ইংলিস মেম নুপী অমা মণিপুরদা লৈবা মহাক্কী মরিমতা য়ুরোপিয়ান ওফিসার অমগী ময়ুমদা লৈরম্মি । লান কনশীল্লক্লে হায়দুনা মহাক Imphal থাদোক্কুনা দিমাপুর য়ৌনবা Truck গারি অমদা য়াওরকখি । Dimapur রোমদগীসু English কী Royal Engineer কাংবু অমা মণিপুর য়ৌনবা লাকপদা অরাকপা গারি পরেংগা চঙলকপা গারি পরেংগা মফম অমদা ঙাইহাক পন্নরমই । Imphal দগী লাকপা গারি অমদা য়াওরকপি English নুপী অদু Royal Engineer শিংদুনা হেক উবমক্তা য়াম্না খঙনীংনা হংলকখি, Where have you come from ? নহাক কদায়দগী লাকইনো ?"

"I've come from Imphal"

ইম্ফালদগীনে, মানা শম্না খুমই ।

"Oh ! whereever is it ? We'd never heard of the place and we have already been on the way from Bagalore for ten days."

"আঃ মদু কদায়রাইদা লৈবা ? ঐখোয় বাঙ্গালোরদগী নুমিৎ ১০নি চুপ্পা লাক্লবনি, মফমদুদি ঐখোয় শুকতা তাখিদে" ।

"Well, you're not far away now."

"হোয়নে ফরেনে; হৌজিক্তি নখোয় পংলাপ লাপত্রে" মেম নুপী অদুনা খুম্মি। খঙনিংবনা লাঙতক্নরবা Royal Engineer শিংদুনা মখা তারকখি।

"Good, that's a relief, but where is it ?

What is it and what do we find when we get there ? ফরেদা, নুংঙাইরেদা । অদু, মফমদু কদাইদনো হায়বা? ঐখোয় মফমদুদা য়ৌরগা করি করি ফংগদগে ?"

"You will find a little paradise on Earth".

'শৎ খুমখিবনি মেম নুপী অদুনা' 'নখোয়না, মালেম অসিদা লৈবা অপিকপা স্বর্গ মচা (লাইরৈবাক) অমা ফংগনি' হায়না । ঙসিদি মীপুম তিংনা খঙনরে মণিপুরগী অতোপ্পা মমিং A little paradise on Earth.

মতম অদুদগী হৌনা হায়নহৌরে লমদম অসিবু শীংথানবদা, A little Paradise on Earth. অচুম্বসু অচুম্বমক্নি, লান লাক্লিঙৈগী মমাঙ, মণিপুর হায়বা লমদম অসিগী ঈংনা চিক্না লৈজরম্বা পুন্সী, নুংঙাইরবা হৱা নুংশিৎ অমসুং নুংশিরবা মফম কয়াগী দৃশ্য অসিনচিংবা কয়াদুগী মরক্তা হিংনরম্বা পুন্সী মরেল অদুদি মীপুম খুদিংমক্কী অমসুং মপান্দগী লাকপা মীওইশিংগী মফমদফাওবা য়াম্না নুংঙাইনা, অপনবা অয়েৎপা অমত্তা লৈনদনা হিংনরম্বগী মওংনি । অসিদগীনি, মফম অসিগী লমদমদা ঙাওজবী কবীগী ৱাখল চেল্লবী মেম নুপী অদুনা মণিপুরবু মালেম অসিদা লৈবা অপিকপা স্বর্গ মচা অমনি হায়না ফোঙদোকপীরম্লিবা ৱাফম অসি । মতম অদুদা ওইখিবা মণিপুরগী পুন্সী অমসুং লমদম পূম্নমক্কুগা মতিক চাননা, অরানবা অমত্তা য়াওদনা ফোঙদোকপীরম্লবনি মহাক্কী ফজনা অর্থ চেন্না হায়রম্লবা ৱাহৈ খরা অসিদি ।

বোম মতুংদা চহি অমরোম তুমিন্না লৈনখিবা অমসুং লানগী থৌরাঙ

শোক ১৯৪২ মে থাগী তাং ১০ অমসুং ১৬ তা মথঙ মথঙ অহানবা অমসুং অনিশুবা ওইনা জাপানগী বোম থাদখ্রবা মতুংদা অমুক হন্না মণিপুরদা মখোয়গী Air attack লাকখিদ্রে ইং ১৯৪৩ গী এপ্রিল ফাওবদি। অসুম্না ফনা কুইনা, চহি অমরোম হায়বা তারে, লান মনুং ওইজরবসু মণিপুরগী প্রজাশিং মানা মানা থোকপা, ঙমজবা শুজ নোমজ থবক চৎচদুনা পুক্লিং খরা লৈতানা লৈজবা ঙম্নখি। অমরোমদদি, লানফম ওইগদৌরিবা মণিপুরদা থমগদৌরিবা-খুৎশু খুৎলাই, পৃথিবিদা লৈবা বৃটিশকি মীচঙ ওইবা লৈবাক্কি লান্মী কয়া, গারি মখল কয়া, শিনফম পূম্নমক্কি হৈথোই শিংথোইরবা মীওই কয়া লেপ্প লৈতনা-ইম্ফাল দিমাপুর লম্বি অসিদা পুশিল্লকপা হৌরকখ্রে। অসুম্না Allied Army (বৃটিশকী মীচঙ ওইবা লান্মী কয়া) ইম্ফাল অমদি মণিপুরগী মফম পূম্নমক্তা মায়োক্লগদৌরিবা লানগীদমক অচৌবা থৌরাংসু হৌখ্রে। চাউর চাউরবা মখল কয়াগী গারীশিং, কাংখ্রোং১২ নৎত্রগা ১৬ পানবা, অচৌবা য়োৎকি চেন পানবা গারী, Tractor কয়া পূম্নমক অসিনা লম্বী সোরোক ককপা, শেম্বগী থবক কয়ামরুম পায়খৎলক্লে। থবকশিং অসিদা মপান্দগী পুরকপা মীওই কয়াদুতা নত্তনা লমদম অসিগী মীওই কয়াসু থবক শুবা য়াওনখি শেল য়াম্না ফংনখি। Overseer, Muhorrir, Engineer Contractor, S.D.O. অমসুং চুম্নগী labourer নচিংবা লমদম অসিগী মীওইশিংনা ওইখিবসু কয়ানি। করিগুম্বা জাপান্না ১৯৪২ গী মে থাদা তৌখিবা অহানবা আক্রমন (Attack) অদুদগী লেপ্তুনা তকশীল্লম্লবদি ইকুই কুইদনা ইম্ফালদি মখোয়না খুদুম চল্লম্বসু য়াবনি অদুবু মখোয়সু Burma অমদি Singapore নচিংবা মফমদা মখোয়গী (Base) মফম ওইরগা ইম্ফালদা



চহি অমরোমগী মনুংদা
শেমগৎখিবা এরোপ্লেন তাফম অমসুং লম্বী থোঙ

চাউনা লান্দাবগী থৌরাঙ তৌরিঙৈদা; ইম্ফালদদি বৃটিশকি থৌরাঙ চপচানা খুমাঙ চাওশীনখ্রে । চাউর চাউরবা Anti-Aircraft gun (এরোপ্লেন কাপখায়নবা অচৌবা তোপ) মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা খিনখ্রে । এরোপ্লেন পাইখৎফম, তাফম ওইনবা Air strip কয়া শেমখ্রে, মখোয় খরা অদুগী মনুংদা খ্বাইদগী হান্না শেমখিবা নোংজু-নুংশা অনিমক্তা শীজীন্নবা য়াবদি কোইরেংগৈ Air Field অসিনি, লানগী মতমদা Imphal Airfield হায়না খঙনবা । অতৈ Air strip কয়া অমসু শেমগৎলকখি মথঙ মথঙ, মখোয় অদুদি Tulihal Airstrip, Kangla Airstrip; ৱাংজিং শাপম অমসুং পলেলনচিংবদনি । তুলিহল এয়ার স্ট্রিপ, ঙসি চঙাঙ্গৈ এরোদ্রোম হায়না খংনরিবা অসি শেমখিবগী নুংঙায়রবা ৱারি অমদি অহানবা মসি শেমদ্রিঙৈগী মমাঙদা Airfield শেম্বগী থবক পুরা আমেরিকান ওফিসার অমনা British Engineer ১দা তুলিহলগী লমদম অসিদা লৌবুক লৈতেম মান্নহন্না তকখায়নবা হায়খি । British Engineer অদুনা কয়াম শাংগদগে হংবদা American অদুনা শম্না খুমখি "লিশিং মরিরোম শাংবা ।" আমেরিকান ওফিসর অদুগী ৱাখলদি Feet নি; অদুবু বৃটীশকিদি গজ চৎনবনিনা Engineer অদুগী ৱাখলদা গজ লিশিং মরি শাংনা তকখায়খি । তশেংনমক Airfield অসিনা- কনশীল্লক্লবা লানগী মতমদা অদুক্কি মতিক কান্নবা ফংহনখি মদুদি মতম অমত্তদা Airfield অসিগী ময়াই মক্তদগী মপোৎ পিকথন্না হাপ্লবা plane অনি নাকল নাকলদা পাইখৎনখিবসু য়ারে, তারকপসু য়ারে অমসুং থাবলগী মঙালদা থোইদোক্লসু য়েংবদা ফজরবা মিৎফম অমা ওইখি হায়না Anthony Brett James ১দি Geoffrey Evans কী "Imphal" দা ইরি ।

Air Strip ময়াম অসিগী অকোয়বদা এরোপ্লেন কয়ামরুমগী থমফম চেকশীন্না শেমখি অমসুং থমফমশিং অসিদা এরোপ্লেন্না লাকননবা পাক্লা চাউনা লম্বি মরাঙ কায়না থমখি । য়েংলু য়েংলুবদা নুংঙাইবা পোকপা, অৱা অনা কাউথোকপা ঙস্বগী মতম অমনি । Anti Aircraft gun শিংনা

নোংথক ওনখত্তুনা মফম মফমদা খিল্লকপা, Bunker কয়া শারকপা, Radar Machine শিংনা Airfield গী মনাক মনাক্তা থল্লকপা অসিনচিংবা থৌরাঙ কয়া খঙহৌদনা লোইরকখি। অসিগা লোয়ননা অহিং নুংথিল খাক্তনা ইম্ফাল দিমাপুর লম্বিসিদা গারি ময়াম লাকপগী মখোলনা অরাপ্পা মফমদা ফাওবা তাবা ফংই। মতম অদুদা, দিমাপুর লম্বি নত্তনা মণিপুরগী লম্বি অতৈদি কোলাস থাবদি হায়রুনু, কাংক্রিক খরা চাইথোকপা, উফুল ৱা ৱা হৌবা অমসুং নোংজু পান্থাদা লৈখোম থোকপা ঙাক্তনি। পূম্নমকশিং অদু থুনমক ফিভম ফনবা হোৎনরকখি। Army Engineer শিংনা থোং লৈরমদবা তুরেল কয়াগী মথক্তা, থোং শাখি, খুল কয়াগী মরক্তা অমগা অমগা লম্বী শম্নহনখি। নোং চুবা মতমদা মণিপুরগী লম্বি অয়াম্বা লৈখোম থোকপনিনা Army গী চাউর চাউরবা গারী কয়াদি অচৌবা য়োৎলিনা মখোয়গী Tyre শিংদু য়োমশীল্লি। মখল মখলগী খুৎলাই কয়া পুরকখি। মতম অদুদা লেপ্তুনা পুশিল্লকপা খুৎলাইনচিংবা লানগী পোৎ-চৈ পূম্নমক্তু ইম্ফালদা থম্বা য়াবা থল্লগা অতৈদি ইম্ফাল মোরে লম্বিদা পুখ্রগা Tamu অমসু Moreh গী অকোয়বদা লৈবা Defensive base, বর্মাদগী জাপান হায়জিল্লকপা ঙমদনবা শেমখ্রবা মফম মফমদা পৈদুনা থমখ্রবনি। মতম অদো নাকল অনিমক্তা Zig Saw puzzle শত্রং শান্নবদা চম্মম্লনা লাকফম চঙফম য়েংনবগী মওংনি হায়না খঙনবা, হায়নবা মতম অমনি। জাপান্নসু নাকল অমদা থৌরাং তৌরি, করম্বা লানমিনা কদোমদগী চঙবা, করম্বা কাংবুনা করম্না বৃটিশকি অরোল অথুপ খঙদোকপা অসিনচিংবা অমসুং বৃটিশকী মাইকৈদসু, ইখঙ খঙহৌদনা জাপানগী Massive attack (অচৌবা লাঞ্জং) লাক্লবদি করম তৌবা হায়না লাংতক্লনা শেম শাখ্রিবা মতমনি।

ইম্ফালগী অহাঙবা য়ুমশিংদা সিফাই লাক্লবা

ঐনা মথক্তা পনজখ্রিবা মতম অসিগী মমাঙ খরা ওইনা ইম্ফাল মনুংগী অহাঙবা য়ুমশিংদা Indian Army প্লেটুন কয়া চঙশীন্দুনা লৈবা হৌখ্রে। নোংমা য়াচঙলকপা মতমদা, ঐগী ইপাগা ঐখোয় অনিদমক মাঙ্গোন দারি ময়াদা ফমদুনা লৈরমই, মনিংগী ইংখোলদা ঐনা য়েংথোকলুবদা পানিকোট অচোনবা অমমম লিৎলদুনা ব্রাং চাওরবা ঙৌরোক ঙৌবা নুপা অনি শম্বল ফাওদোক্লুনা লাকপদু উরে । ঐ কিবনা লোইরে, পাজিদা তাকপা মক্তদা মখোয় অনিসু দারিদা লেপ্লরে। করি করিনো হায়বগুম তৌনা কোয়েং য়েংই, পাজিদসু করি করিনো খরা হংই, পাজিনসু খরা খুমই। উচিন নাচিন্না মখোয় অনিদু থংনবা ইংখোল্লোমদা চৎখ্রবদা ঐনা ইপাদা হংখি, "পাজি মখোয় কনানো" " গোরা হায়বদুনি" পাজিনা হায় "ইংলিস ঙাঙবা মী ঙাক্তনি, ঐখোয়গী লমতুশিং য়েংলিবনি মখোয় । নুমিৎ অদুনা অহানবনি ঐনা গোরা হায়বদু উখিবা । মথঙ নুমিৎ খরা লৈরগদি, নোংমা নুংদাং ব্রাইরমদা, শগোল তোংবা অমসুং শগোলদা পোৎ হাপ্লগা চিংলকপা সিফায় ময়াম মমাঙগী অয়াং গল্লিদা মথঙ মথঙ লাকপা উরে । মখোয় লোইনা নেপালি সিফায় ঙাক্তনি । ঐখোয়গী লৈকাইগী লান চেন্নখ্রবা য়ুম পরেংশিং অদুদা মথঙ মথঙ চঙদুনা মখোয়গী লৈফম শেমখরে । ঐখোয়গী ইংখোলদসু মখোয় কাংবু অমা চঙলক্লগা, পাজিগা ঐহাক্লনা শঙলিবা য়ুমজাও অদুতং খাক্লগা, শঙ্গোয় অনি, অব্রাং থংবা তাজৌখোয়গী য়ুম, লোইনা সিফায় ঙাক্তা লৈখ্রে। মখোয়দি ঐখোয়গসু খরা মান্নবা নক্লবা মীওই ঙাক্তা ওইবনিনা ঐঙোন্দা থোইনা কিবা পোকলমদে । মখোয় অয়াম্বা পাজিগা ব্রারি শান্নে, মরুপ মপাং ওইবগী মওংদা লোইনা তৌই, ঐখোয়গী অব্রাৎ অপা হংই । মখোয়গী পুরকপা থাও থুম, হব্রায় চেংব্রায় পূম্নমক ঐখোয়গী খাইবিরকই, লৌদ্রবসু শাওই । অসুম্না নুমিৎ

খরদি মখোয়গা লৈমিন্নরে, অমসুং মতুংদদি খঙলক্লে মখোয় পূন্নমক মমিং চৎলবা Nepal গী কালি বাহাদুর Company গী সিফায় ঙাক্তনি হায়বা। মখোয় অদুগী মরক্তা ঐহাক্কা তোয়না ৱারি শাবা, ঐঙোন্দা ইংরাজি স্ত্রকচর মচা মচাদা মসি করিনো মদু করিনো হায়দুনা হংবির্বা য়াম্না নুংশিবা Mohon Singh কৌবা সিফাই অমা য়াওখি। মানা ঐঙোন্দা Mouth organ (চিন্না কান্নগা ইশৈ খোংবা য়াবা) যন্ত্র মচা অমা অমসুং English to Nepali Dictionary অমগা পীরমই, Dictionary অদু হৌজিক ফাওবা লৈরি, মাগী নিংশিং খুদম ওইনা। অদুবু লাইবক থিবনি, লান লোইখ্রবা মতুংদা খঙলকপা য়াম্না নুংঙাইতবা পাউ অমদি থৌনাফরবা গোর্খালি (নেপালি) কালি বাহাদুরগী Regiment অদুদা য়াওবা সিফায় পূন্নমক কনা' মত্তা হিংহৌবা য়াওদনা সংসক্কি লানফমদা লোইনমক থৱায় থাখি হায়বদুনি .... !

মতম খরা অসুম্না গোর্খালি আরমিশিংগী মরক্তা লৈমিন্নরম্লগা, ফিভমনা য়ারক্ত্রদুনা পাজিগা ঐখোয় অনিসু কংলাসিফাইদা চৎলি। ইম্ফালগী মফম অয়াম্বদা Indian Army না পিক থন্না লৈরক্লবা মতমনি। মরক মরক্তা পাজিদি ইম্ফালগী য়ুমদা চৎলি, ঐসু মতুং ইল্লি। নোংমদি ঐখোয়গী, সিফায় লৈশিনখ্রবা য়ুম মনিংগী কোৎ শারম্বা মফম অদুদা তৌথোক্লুনা করিগুম্বা খরা য়েংই। সিফায় খরনা কোয়শীন্দুনা ঙাকই। পোৎ অদুদি অতৈ করিসু নৎলমদে, পুবদা লুমগদবা কোর্ফু, তেক্কনানচিংবা কোল-লিক ওইরমই, সিফাইশিং অদুনা সনা ওইরমদ্রে হায়না মথৱায় তানা নোকখি। মতম অদু জাপানগী বোমসু লাকতবা, Indian অমসুং British Army না লানগী থৌরাংতা তৌদুনা অসুম লৈনবা মতমনি। লমজাও শোরোকতি মিলিটারি গারিনা চিক্কা চায়নবা ঙমদনা চৎলি, মরক মরক্তা, মৈতৈ ইপা ইপল কয়ানা শলগারি মথক্তা ইমুং মনুংগী পোৎ চৈ ফৌ-চেং হাপচীল্লগা, কনাদসু অরানবা তৌজদ্রবা মীশক অমগুম মিৎয়েংশিং অদো শোরোক্তা চুমিদ্রং য়েংলগা মাগী মাগী গারি মথক্তা ফমদুনা চৎলি। কৈথেল অমত্তা লৈখিদ্রে, মরক মরক্তা

লম্বিগী মতাই ওইরপনা ইমা ইন্দোল কয়া চুরুট বেরি ক্বা য়োন্দুনা ফম্মি । অসুম লোয়নরক্লবনা সিফায়শিংদুবু কয়া কোইরক্তবগী মওংদা ইমা ইন্দোল ক্বায়োনবিশিংদুনা তত্তনা শিজীন্নখিবা ৱাহৈ খরদি "সাথি পান খাওরো লাও ও" হায়বসিনি । সিফায়শিংসু খঙই, ক্বা লৈদুনা চায়, নোকই, হংই করী করী, ইমা ইন্দোলশিংদুনা খুমই "খংদ্রে, লৈত্রে ।" সিফাইশিংদুনা ভাব তাবোই তাদবোয় অমুক মতৌ তম্না হায়রকই-মণিপুরি বাত-তো খনদ্রে হিন্দুস্তানি বাত তো লেত্রে। ফাগী ওইনা ৱা ৱা নোকই । নোংমা ঐগী ইনেনা সিফায় অমা উবদা হায়খি, "ওহ থাবনজাও মাল্লিদা ! (থাবনজাও হায়বসি শিখ্রবা মীনি) ইনেনা নুংশিনা মাবু য়েংলগা কৌই "থাবনজাও" সিফায়দুনসু খুমই থাবনজাও। মতুংদদি সিফাই অদুনা ইনেবু উবা খুদিংগী Good morning নৎত্রগা How are you হায়বগী মওংদা মখূৎ লোন্নদুনা "থাবনজাও" হায়না হেক হেক হায়জখি । লান মনুংগী ঙাইহাক, মরোল ইরোল তিন্নদবা কয়াগী নুংঙাইবসু অসিনি । অসিগুম্বা কয়া অমসু লৈরমখিনি, কয়া অমসু লৈরী । Military officer অমনা মাগী থবক তৌরিবা মৈতৈ মচা অমদা কোল অমুবা অমা হুন্দোক্লনবা "ফেংক দো" (হুন্দোকখ্রো) হায়রকপদা মৈতৈমচা অদুনা ফেঙদোকউ হায়রীমানে হায়দুনা ফেঙলগা অমুক পুরকপগী ৱারিনচিংবা। মতম অদুগী অসিগুম্বা নোক্লিংবা থৌদোক কয়ানি, লোল-লি ফাওনদবা ইংলিস আরমী অমসুং মণিপুরীশিংগী মরক্তসু । ৱারী অমত্তংগা পনজরবদা, অহিং অমা, সনা কোনুংদা বাসক শক্লবা পুং য়ৈবা, ঈশৈ শকপা মখোয় পালা খরা সাইকল তোংদুনা হল্লকপদা গোরা ময়ামনা মখোয়বু শনজেনথোংদা থৎলগা করম্বা কাংবুনো, কনা কনানো হংবদা খুম্ফম লাকফম খঙদ্রদুনা ইপা পাখৎনা মখোয় ময়াম শনজেনথোংদা পুং য়ৈদুনা কোর্তান খিঙদুনা মশক তাকখিবগী ৱারীসু অমনি ।

ঐগী লাইবক থীরক্লবা মতম

ইং ১৯৪৩ হৌরকখিবা থা ৩ লোম ফারক্লে। মণিপুরগী মফম পূম্নমক বৃটিশ সিফায়না পিক থনখ্রে। লম্বি পূম্নমক গারিনা মীৎ পাঙবা ঙমদবমখে চিল্লকপগা লোয়ননা ইম্ফালদা লৈবা য়ুম খুদিংমক Military না requisition তৌখ্রে (দরকারগী মতুং ইন্না শিজীন্নখ্রে)। চহি অমরোমদি Civil অমসুং Military (প্রজা মীয়াম অমসুং সিফায়) পংলৈ লৈমিন্নরক্লবনি, মতম কুইনা বোম তাবগী ব্রাখল লৈরুদ্রে হায়বা য়াই। অসিগুম্লবা, লান মনুংদি ওইরগা, লানগী ব্রাখল হায়রপ লায়থোক্লুরবা মতম অসিদা নোংমদি ইথা থাজদনা জাপানগী ফায়টর প্লেন ময়াম্না মণিপুরদা Attack তৌগদৌরি। নুমিৎ অদো শজিবুগী পুর্নিমানি April তাং ২০-১৯৪৩ গী। মতম অসিদা ঐখোয়, পাজিগা লোয়ননা কংলাদা লৈবা ইনেগী অব্রাং শঙ্গোয় খাজীল্লগা লান মনুংগী অব্রা কোঙ্গায় খাঙমীন্নদুনা লৈরি। ঐখোয় ইচিন-ইনাও মরীমক মেলেরিয়ানসু নারুরে। পাজিনা, শিদ্রগা লোইরে হায়দুনা সিফায়না পিরকপা খাব্রবা ক্বিনাইন মহিদো চাং অমা খঙনবা য়েংথৌ উতোং মকক অমদা হৈরগা ঐখোয়বু নিতিগী পিথক্লুনা হিংলকপনি। অসুম্না, মেলেরিয়াদগী ফরক্লবা মতম, নোংমা শজিবু পুর্নিমাগী অয়ুক অঙনবদা ঐহাক পাজিগা লোয়ননা ফক অমদা ফমদুনা লৈ। অয়ুক অদো নোং মংই, কয়াসু হৈনিংদবা নুমিৎনি। ঐগী মাঙদা পাজিনা মাগী লাইরিক অথা-অথাবগী চেনা মরক্তা লুপা ১০ চৎপি অমসুং ৫ চৎপি নোট কয়ামরুম খল্ল খল্লগা হাপচীল্লি, অদুগা লাইরিকশিং অদুগী মখুম হাংদোক্লগা লৈবা অহানবা চেনাশিংদুদা, য়েপশীনখ্রিবা শেলগী মশিংশিংদু ইদুনা থম্মি। ঐহাকপু য়েংহল্লি, ফজনা ভাব তাহল্লি। অসুম্না লাইরিক অমমমদা লুপা ২০০, ২৫০, ৩০০ হাপতুনা থমখি।

শেল থমজিনবদু লোইরগা ঐঙোন্দা পাজিনা হায় "ইপাবু ঙসিদি ঐখোয় মরুপ মপাং ময়াম ইম্ফালদা চাক চাননি হায় জগোয় মরুপকি, ঐবু চৎসিরা, চৎকনুসিরা খংদেনে তৌরিবসে। ইচে অহন্নদি পাজিবু চৎহননিংবগী ওইনা হায়খিবগুম তৌই, মহাকসু খনজানৈ। পাজিদু ইতন তল্লি, কোন্থংদা হায় "ফরে ইপা য়াওরুরগে; চৎত্রবসু নুংঙাইররোই, লান মনুংশিদা ঐখোয় কনাসু উনদ্রবনি; লম লমদগী লাক্লগদৌরিবনি, ইপাগী চাক হাপ্পুরনু, হোরেন থেংলপ্পা ঙাইহাক্তং য়ৌরুরগে।"

ঐগী ইপাদু চৎপা তাখি। মহাক অমুক হন্না লাক্লরোই মতাগুম লাইরিক মরক্তা য়েপ্লিবা পৈশাশিংদু ঐবু হন্না হন্না য়েংহল্লি, মশিং থীহল্লি। ইপা-না ইল্লিবা রুই অশংবদুগী শরুক খরনা ঐঙোন্দা ইনশিনবি লৈচিন থাবা অয়ুক ওইবনা। ঐঙোন্দা হায়খি "লাইরিক ইবগা পাবগা নুমিৎ খুদিংগী কাউরোইদবনি, খংদেনে, ঐসু থিকা অমা লৌশিরা করিনো .... ইমান্নবশিংদি পৈশা য়াম্না পায়নরে... ঐনা নখোয় থাদোক্লগা কোয়চৎ চৎপা য়াদবসিদা..." অমরোমদা ঐনা হংখি "পাজি, ঐখোয় য়ুমদা কৈদৌঙৈ হোংগৎকনি ?" পাজিনা খুমখি" হৌজিক ঐখোয়গী য়ুমদা লৈরিবা সিফায় ময়ামসি চৎখ্রবদি হোংকৎলনি, ঐখোয় লৈকাইদা মী খর খরসু লৈনবা য়াওরে লৈরকখিনিদা ঐখোয়গী য়ুমদা।"

মতৌ অসুম্না পুং তরারোম তারকপা অদুৱাইদা পাজি চাক চানবা চৎনবা ইরুজথোক্লে, ফি-রোন শেৎখ্রে। নুংশাসু কন্না শারক্লে অয়ুক নোং মংলম্বদু তোকখ্রে। ইচেনা পাজিগী একাগাড়ী Brumpton অদু কম্থোক্লুনা থম্মি। পাজি, চাইনা শ্লিপকী ফুরিৎ ধাকায়াত চন্দোন মচুগী অমা লিৎলি, লেংজুমদা ফি অমা য়াল্লগা, খুরাই থাংজম লৈকাইদা লৈবা চিঙ্গাংবম মান্দবতা চাক চানবা য়াওবা, গাড়ী ইন্দুনা থোকখ্রে। পাজিনা গাড়ি ইন্থোক ইন্থোক্লা হায়রম্মী-"নখোয় নিংথি নিংথিনা লৈয়ুকো, ঐ পরপ পরপ লাক্কনি।" ইনেদসু

কৌদুনা হায়রম্মী "ইবেম্মা, ঐ চৎলুখিগে অঙাংশিংসে ।" মতৌ অসুম্না ঐগী ইপাদো মহাক্কী সাইকল ইন্থোক্কুনা নুমিৎ অদুদা ইম্ফালদা চাক চানবা য়াওবা চৎখি । ঐনা অঙাং ওইরিঙৈগী মতমদা ইপাগী মনাক্তা ফমজদুনা, ৱারী ৱাতায় শানজবা ফংখিবদি নুমিৎ অদুনা পুন্সীগী অরোইবা ওইখ্রে ।

কাউররোইদবা অকিবা বোম্বীং

শজিবুগী পুর্নিমা নুমিৎ অদুদনি, ১৯৪৩ গী April তাং ২০ । লম লমদা লানচেন্নখ্রবা মতম অদুগী লুনা তিন্নখিবা অহল খরা পাউ থানদুনা মখোয়না হান্ন হৌদোক্লন্নবা জগোয় মরুপ অমগীসু চাক চানবগা লোয়ননা মখোয় পূন্না উন্নবগী থৌরাং অমা শীনখিবা ওইরমানে খুরাই থাংজম লৈকাইগী চিঙ্গাংবম মান্দবতা । লান মনুংনি, লোইনা উননিংবা ঙাক্তনি, মীওই কয়ামরুম য়াওখিবনি চাক চানবা অদুদা, লানচেনবা য়াওহৌদবা লৈকাইগী মীওই কয়া, নুপী, অঙাং পাখং লৈশাবী অমসুং থবক পাঙথোকফমগী ইমুং মনুং পূন্না মী চাম্মগী মথক্তা ওইরমানে মান্দব অদুদা তিনখিবসি অদুবু খুদোংথীরগদবা নুমিৎ অমগী ফৎত্রবা খেনফমদা থোক্লুরমানে .... ।

অসুম তৌনা করিসু খঙজদ্রবা চন্নবা মীওই খরনা মান্দব অসিদা তিনজবা নুমিৎ অদুগী, নুমিৎ য়ুংলকপা মতমদা খঙহৌদনা ইম্ফালগী মখা পাংবা নোংথক্তা খোইয়াম শঙ্গু পাইবা মতৌগুম জাপানগী বোম্বর প্লেন ময়াম অমা পূমনিল নিন্না পাইরকখি । মখাদগী এন্টি এয়ার ক্রাফট নোংমৈ কয়াগী মখোলনা নাকোঙ পঙবমখৈ কাপখৎলকপদা মী পূম্নমক কোয়ঙাও ঙাওদুনা চেন্নখি । কোমদা, পুখ্রিদা, খোংবালদা চোংথদুনা লোৎনখি । কাপখৎলক্লগা মথক্তা অহুমলক পোকখায়বা তোপশিং অদুগী মখোলগা থাদরকপা বোম কয়া পোকখায়রকপগী মখোলগা, শিদবা মী কয়াসু মশানা শিরমানে খনজবনি মিকুপশিদা । অকীবনি, অকীবগী মশক্কি, পুংখায় অমরোমগী মতমদো। নুমিৎ অদু, ঐদি কংলাসিফাইগী তুরেল মপান্দা ইথন্তা চৎতুনা লৈবা মতমদনি, নাকোঙ য়ৈশীনবা মখোলশিংদু তাবদা ঐহাক মায়কৈ খঙদনা চেল্লম্মী । হান্ননা বোমগী চেকশীন থৌরাঙ খরা খঙজবগী মওংদা অকুৎপা মফম, তুরেল

খোংনুংদা চেন্থদুনা ইথন্তা লৈরায় ময়া অমদা লোৎখি । বোম্বীং অদু কোংবা কৈথেলদগী উখুল লম্বী লিশাঙ শিৎনা চিংঙারেল ফাওবা তৌখি হৈথখি । য়ুম কয়াসু মৈ চাকখি হায়, লম্বীদা চৎপা গাড়ীৱালা কয়া মখোঙ মখুৎ ককখি হায়নৈ । বৃটিশ লান্মীদদি করিসু অশোক অপন পীদনা, মীচম প্রজাশিং খ্বাইদগী য়াম্না শোকখিবা অমসুং শিখিবদি অনিশুবা লানজাওগী মনুংদা হন্দক্কী বোম্বিং অসিনি । য়ুমলক্তা কাপথরকপদা, নুপী অঙাং কয়া মখোঙ ককখি, মখুৎ ককখি, কয়া শোকখি কয়া শিখি । করি অমুক হায়গনি, ইমুং অমত্তদা মী ৭ পুল্লপ শিখিবা য়াওই । মতম ঙাইহাক লৈরগদি, অকিবা বোম্বিং অদু লোইখ্রে, জাপানগী প্লেন মখোল তাখিদ্রে, নোংমৈ মখোলসু লেপখ্রে । ঐহাক চেল্লক্লে, ঐখোয়না লৈরিবা ইনেগী য়ুমদুদা । পুক্লিং ইফীং ফিংকৎলি, পাজি ইম্ফাল চৎখিবনিনা ।ময়াম পূম্নমক ইরাঙ লাঙই । ইনেনা- "তাদদুবু করম তৌরমগদবা । হা ঈশ্বর করম্নো তৌরিবসিবো ! ইবুংঙো নখোয় কনা কনানো ইম্ফালদা অমুক্তা চেল্লুনে- তাদদুবু ।" ইনেনা মচাশিংদা হায় ইপা পাখৎনা । ময়াম অসুম লাঙনরকপদুদা ঐখোই ইচিল ইনাও মরিদি তুফক তুফাই ইচন চল্লি । কপ্লকপসু য়াওরে । ইম্ফাল চৎলুবা খুঙ্গংগী মীওই কয়া মথঙ মথঙ চেল্লক্লে, পাউ তারে । "চিঙ্গাংবম মান্দবতা চাক চাবা মী অমত্তা হিংদ্রে ।"

ঐখোয় ইচিন ইনাও মরি মফম মরাং অমত্তা খঙদনা পঙকপ্ত কপ্লে । করি অমুক হায়গনি, নুমিৎ অদুগী অৱাবা পুংফম অদুগী পাউদমদি ৱাহৈনা ফোংদোকচবা ঙমদরে । লান মনুং অদুদা মপা মচা লৈমিন্নরম্লগা খঙহৌদনা কায়নবা তারবদা ফাওগদবা মৈচাক অদুতবু খঙবিগদবা মীওইশিংনা ঐঙোন্দা ওইখিবশিং অদো খঙবিগনি । ঐহাক খোঞ্জেল থোক্লা ইপাবু কৌদুনদি কপখিদে, অদুবু খাঙফম খঙখিদে, ইপানা ইল্লম্বা ফি অদুদা মায় লূকশীল্লগা পি চদুম চদুম শিন্থনা লৈখি । ইপা শিরমগনি হায়বসি থাজদবনা ঙাইহাক লৈরগা ঐহাক ইথন্তা মনিংদা লৈবা পুখ্রি মপালগী শন্বল ময়াদা ফম্লগা নোংচুপ পাংনা শন্দোকখ্রিবা লৌবুক অদোমদা ওল্লগা লাইজিং চিংগী থেকচীল্লকফম

লম্বিগী মাইকৈদা য়েংদুনা লৈখি । ঐখোয়বু নুংশিবিবা খুঙ্গংগী অহল খরদি হান্নবা খুরায়দা চেন্নখ্রবনি তশেংবা পাউ অমা খঙনবা । লাইজিংলোমদগী মী কয়া, খোঙনা অমদি গাড়ীনা মথঙ মথঙ লাকপদু মুন্না য়েংখি, পাজি ওইবীরম্মু, পাজি ওইবীরম্মু, হায়বা ৱাখল অসি ঐহাক্কী পুক্লিংদা ঙাওচৎননা খন্দুনা লৈখি, অদুবু নুংথিলগী মতমদগী য়াচংবা মতম ওইরক্লে ঐগী ইপাদি লাকখিদরে । ঐহাক ফমলম্বদগী হৌগত্তুনা ইম্ফাল লমদমগী অতিয়াদা য়েংদুনা অসুম লৈরমই । খাম্বা ঙমদ্রবা মিৎকি পি ওরো ওরো তারমই, ঐহাক হিক হিক কপলকলে ।

হৌজিক্তি ইম্ফাল চৎলুবা মীসু হল্লক্লরে, পাউ খরদি ফংই অশোকপা মী অয়াম্বদি মিলিটারি গারিনা পঙহোন্দা হোনখি, কদাইদনোসু খঙদে হায়না । ৱাফম অসিদা ময়াম্না খন্নখি, ঐগী ইপাসু য়াওরমগদ্রা হায়না । ঐহাক্না ঈশ্বরবু খুরুমজখি, পাজিসু হোনখ্রিবশিং অদুগী মরক্তা য়াওরম্বা অমসুং শিরমদবা ওইহনবীয়ু হায়না । ইনেনা পোকপা ইবায় অনিসু হল্লক্লে পাউ অশেংবা তারে, চিঙ্গাংবম মান্দব মথকমক্তদা বোম থাদরকপদগী চাক চাবা য়াওবা মী কনা অমত্তসু হিংদ্রে, অমরোমদা চুম্নগী মীচম প্রজা অমত্তসু মফম অদুদা চঙহনখিদে অশোকপা অমসুং অশিবা অমত্তা খঙদনা সিফায়গী গাড়ীদা কয়া অমসু পুখি হায়বসিসু তারে ।

ময়াম পূম্নমক কপ্লরে, কনানা ঐখোয়বু থেমজিনবি, মথোং-মরম অমত্তা খঙখীদরে নুমিৎতো । ইমুংদা চঙলক্লে, অদুম কপ্পগী লোইবা নাইদে। কপ্পা কপ্পা, মীয়ামনা থেমজিন থেমজিন্না অহিং ওইরক্লে । ইচে অনি, ঐহাক অমদি ইচল নুপীমচা অদু ওন্থোকনা ৱানা খাঙলম্বদগী তূমথখ্রমানে নোং ঙাল্লমলে ।

অয়ুক অঙনবদা, ইম্ফালদগী, নহানমখৈ য়ুম শঙদুনা লৈখিবা তাজৌসু লাক্লে । ইপানা শেৎখিবা ফিরোল য়োমশীল্লগা পুরকই, ঈ-না পাকতক্লনা চুরবা ইপাগী ফিরোল অদু হেক উবদা অমুক্কা হেন্ন কপখরে ঐখোয় ইচিন

ইনাও মরিমক কনানসু থেমজিনবা তাদনা । তাজৌনা পাউ তমই-পাজিদি শনজেনথোং ব্রাংমগী সিফায়গী ডাক্তরখানাদা লৈহৌরে হায়না ... অদুবু নুমিৎ অদুগী অয়ুক্তা ময়াম চৎনরুবদদি পাজি লৈরমদ্রমানে, অহিং অদুদা ইপাগী থৱায়দো সংসার থাদোক্কুনা চৎখ্রমানে ।

তাজৌদি বোমনা শোক্লবা ইপানা ওন-থোইনা খাঙলিঙৈ মতমদুদা মনাক্তা চৎতুনা উনখি হায়না তম্মি । তাজৌ উবমক্তা ইপানা হায়রকখিমানে য়াম্না ৱানা "অঙাংশিংদো" হায়না। পূন্নমক অদো তাজৌনা ঐখোইদা তমলৈ মমিত্তা ঈরা চেল্লদুনা । পাজিনা চাক চানবা য়াওবা চৎখিবদা লম্বীদগী লাওরমই হায় "নখোয় চাক ইশিং চারব্রা ইচাশা, ঐ চাক চানবা য়াওরুগেকো সিদা" হায়দুনা । মরম অসিদগী, নুমিৎ অদুগী বোম তাবা অদু হেক লোইখিবগা তাজৌনা চিঙ্গাংবম মান্দবতা চেল্লুবদা বোমনা থুগাইরবা মান্দব অদুগী খোংবান ময়াদা ইহং নাইহং শানা ঐগী ইপা-না ওল্লম্বদু থেংনরুই হায়না তম্মী । মহাক লাকপদা পাজিদু ৱা খর খর ঙাংবা ঙমলমই হায়, খঙহৌদনা Military গাড়ীদা অশোকপা পূন্নমক পূন্না হাপকথলকপদা মহাকসু পাজিগা লোয়ননা চৎকে তৌবদা সিফায়শিংনা য়াদ্রে হায়না তম্মি । অসুম্না সিফাইশিংনা ইপাবু গাড়ীদা হাপ্লমদাইদা পাজিনা তাজৌদা হায়রম্মী হায় "চৎলো অঙাংশিংদো" অসিতমক ।

মথঙগী অয়ুক অঙনবদা ইচেনা কপ্পা-কপ্পা পাজিগী ঈ তৈরবা ফিরোল খরদু তুরেলদা পুরগা চামথোকলমই, ঐহাক লৈরায় ময়াদা ফমদুনা মুন্না য়েংই, পি চদুম চদুম শিন্থে পাজিগী ফূরীৎ ফৈজোমদগী কোকথরকপা ঈঙাঙ পরেং পরেংনা শংলপ তৌরবা ইরিল তুরেলগী ঈচেলগা তিন্ননা চেন্থখিবদুবু উবদা ঐগী ইচেগা ঐখোই অনি থম্মোয় হিক্লা কপখিবনি ইরিল তুরেল মপান্দা...।

অসুম তৌনা কায়নখি ইপাগা ঐখোয়গা পৃথিবিগী অনিশুবা লানজাওগী মৈখু মরক্তা । লান হায়বদুনা ঐহাকপু পিতৎ-পাতৎপা ওইহনখি । মথঙ

মথঙ নুমিৎ কয়ানি নোংম নোংমগী হৌজিনখি । অনকপা অরাপ্পদগী ইপাগা খঙন চান্নরম্বা অহল-নহা কয়া অমসু লাকখি-অৱাবা ফোঙদোকপিরমই, কপনখি, অমরোমদা ঐখোয়গী পুক্লিংসু থৌগৎপিরমই "মশি ঙাক্লি, ঈশ্বরনা তম্বনি হায়দুনা ....।"

ইপাগী শ্রাদ্ধ কর্ম লোইখ্রে । ঐঙোন্দা ইপানা খঙহল্লম্বা মহাক্কি লাইরিক মরক্তা য়েপলম্বা শেলশিংদো ইপাগী কর্মদা ঐনা পুথোকচখি । অসুম্না শ্রাদ্ধ লোইখ্রবগী মতুংদা নোংমা লৈকাই অদুগী অহল লম্মন খরনা ইনেগী মাঙ্গোলদা ফমদুনা ঐখোই ইচিন ইনাওশিংগা লৈমিন্নগদবা মীশক অমগী মরমদা ৱা খন্নরমই । নাপেত খুলদগী ইপাগী মনাও থোকপা খুরা অদুসু লাকলমই । ময়ামনা ঐখোইদা নুংশিনা হংবিখি "ইচাশা নখোয়বু কনাগা লৈমিন্নবা পাম্বনো হায়য়ু, খুরাগী মনাক্তা লৈগদ্রা, নখোয়গী তজৌ অসিগা লৈগদ্রা ?" ঐখোয় ইচিল ইনাও মরিনা "তাজৌগা লৈগে" হায়না খুমখি । তাজৌদি হান্নদগী ইংখোল অমত্তদা, পোকপদগী লৈমিন্নরকপনি য়ুম তোপচরবসু, অদুগীসু মথক্তা পাজিনা মহাকপু মচাদা মচাদৌনা লুনা তৌজরকপনি । ঐখোয়গী পাউখুম তাবদা ময়ামনা 'ফরে, ফরে, হায়দুনা তাজৌবু ঐখোয়গা লৈমিন্ননবা হায়নফম থোকপা মীওইবগী নুংশিনবগী মরীদা ৱারী কয়া তৌনরম্মি । ঐখোয়নসু খঙজৈ মদুদি তাজৌগী পুক্লিংদসু ঐখোয়বু থাদোকপগী ৱাখলদি করিগুম্বদসু খল্লমলোই, ঐখোয়গী ইপাদো, মহাক্কিসু মপানি, মহাক্কিনি হায়বদা অতোপ্পা মাবু শেম্বি শাবিবা, পাজি নত্তনা কনাসু লৈখিদবনি ।

ঐখোয়না লান চেল্লকপদা, খাজীন্দুনা লৈরকপা ইনেগী অৱাং শঙ্গোয় অদুদা অদুম মখা তানা ঐখোয় ইচিন ইনাও মরি তাজৌগা লোয়ননা লৈমিন্নরে । মতম অদুদা তাজৌদি য়ুম পাল্লে, অঙাং নুপামচা অমা লৈরে ইতৈমগা মখোয় অহুমনি ঐখোয়গা মতম খরা লৈমিন্নবা ।

ইঙা ইঙেলগী লৌ পান্নরকপা মতমনি । শনজেনবম খুঙ্গংদা তাজৌগী লৌ খরা লৈবদগী মহাক নোংজু পান্থাদুদা লৌ উবা চৎখি । নোংমা নিনি

লাক্লুবসু মরক মরক্তা লাকই। খর লৈরগদি ইতৈমসু মাগী মনাক্তা চৎখ্রে, লৌগী থবক লোইরবা মতুংদসু ইরাক লাক্লে । খুদোংচাদবা কয়ামরুম লৈবদগী ওইরমানে খনখি। অমরোমদা ঐখোয়গীদি ইপা লৈখিদবগী নুংঙাইতবা, ইচিক চিকপা অদুখক্তনি । ইপানা খঞ্জরম্বা, মহাক্না তৌবিগদবা কয়া অদুবুদি অমুক নিংশিংলুবগী কান্নদ্রে, অদুবু অহল অমনা ঐখোয়বু নাওকোনবিবা হায়বা অদুগীদমক্তদি মিকুপ মিকুপ খুদিংদা ঐখোয়বু নুংশিনা য়েংশিনবিরিবা, মহাক্কী ময়ুমদসু থম্বিরিবা ঐখোয়গী নুংশিরবি ইনেনা শিলহৌরে, ঐখোয় ইনেগা লোয়ননা অদুম লৈরে মহাক্না চিক্লোন নাওকোনবিদুনা ।

ইপা শিখ্রবা মতুং থা মঙা তরুক্কী মতুংদনি, ঐখোয়গী ইচে অহল অদু খুঙ্গং অদুদা লৈবা পাখং অমদা ময়ুম পানখ্রে । ঐখোয়গীদমক্তা ফনবা খন্দুনা অহল লম্মনশিংনা তান্নরগা ইচেবু ময়ুম পালহনখিবা ওইরমানে । থুনমক, ইচে অমসুং ইবায় অদুবু লৌখৎপগী থবক পাঙথোকলমই অদুগা লৌখৎপগী নুমিৎ অদুদগী ইবায় অদো ঐখোয়না লৈরিবা য়ুম অদুদা লাক্লুনা লৈররে । ঐখোয়গীদমক ইবায় অদুসু মশাগী ওইজবা কয়া থাদোকচখিবনি হায়বসি ঐহাক্না চাউরক্লবা মতমদা খঙলকখি, ইবায় অদুগী লম্মনসু ঐগী পুন্সিসিদা তোন্দুনা অদুম লৈহৌরগনি ।

মমা মপা লৈজদ্রবা অঙাং অমগী পুন্সি হায়বদু নোংদম্বনা ঐঙোন্দা পীশিনবিরবনিনা তঙাইফদনা ঐহাক হিংবা তরকখি পুন্সি অসি । ইপা লৈখিদ্রবা মতুং থা অহুমলোমগী মতুংদা ঐহাক য়াম্না কন্না নাখি । ঐগী ইনে, মতম পুম্নমক্তা ঐগী ইনাক্তা লৈবিখি, ইনেনা থৌরাঙ তৌবিদুনা খুঙ্গং অদুদা লৈবা মাইবা অহল অমনা ঐহাকপু পুক্লিং চঙনা লাইকন্নবিখিবনি । শিরনি হায়দুনা খুৎ থারুরে হায় । ঐহাক্না ঈশ্বরগী থৌজান্দগী হিংজরকপা অদুগী মরমদা ঐঙেন্দা থোকখিবা মঙগী ৱারী অমা নিংশিংলি । মতম অদো মাইবনসু খুৎ

থারবা, ঐগী ফিভম কা হেন্না শোকচিনখ্রবা, কৌবা ঙাংবা অমত্তা তাখিদ্রবা মতাং অমদনি হায়না ঐহাক্না ফরক্লবা মতমদা ইনেনা হায়বদগী খঙজবা ঙমখি। পাজি লৈখিদবনে করিনে, ঐগী ইচে অমসুং ইনেখোয়দি পুক্লিং মওল মওল খন্দুনা লোইনা কপ্লরুরে হায় ।

মতম অদুদা মাইবা অদুনা ঐহাক্কী থৱায়সে অমুক্তদি কৌদুনা য়েংগে হায়দুনা মহাক্কী খঙজ হৈজবা কয়া শিজীন্নদুনা ঐহাকপু কৌখিবা ওইরমানে । ঐনা পনজখ্রবা মঙ অদুগী তানজানি । ঐ অসি কংলা সিফাইগী খা-রোমদা লৈবা লম্পাক অদু তান্না ইথন্তা শান্নবা চৎলমই । মঙ অদুদা, মফম অদু য়াম্না চিকই, ঐগা চৎমিন্নবা কনাসু য়াওরমদে, ইথন্নতা অসুম লাপ্পা লাপ্পা চৎলমই । য়াম্না লাপ্পা তুংলোমদগী তাগুম তাদগুম তৌনা ঐগী মিং অসে মী অমনা তূংলেমদগী হন্না হন্না কৌরকপগী খোঞ্জেল তাবগুম তৌখি । ঐ মখা পাংনা শান্নবা চৎলম্বদু লেপ্লগা য়ুমলোমদা মায় ওন্দুনা লাকখি । অদুদগী ঐহাক জ্ঞান খর খর তারকখিবা ওইরমানে, শিরনি হায়না কপ্লরুবদগী । মতৌ অসুম্না ঐহাক মতম কুইনা নারুবদগী ফরকখি, ফরক্লবা মতমদা মতম শাংনা চৎপা ঙমখিদে শোনবনা ... ইনেনা চৈশু মচা অমা শুহল্লগা খর খর চৎপা ঙমহনখি ।

ঐগী ইনে অমসুং মী অতৈনা ঐহাকপু অদুক লুনা তৌবিরবসু ঐঙোন্দদি ইথন্তা ঙাইবা ইচিক চিকপা, করিগুম্বা অৱাৎপা অমগী ৱাখলদি মতম কুইনা লৈরমই। ইমাদি অদুক কন্না নীংশিংখিদ্রে কুইরক্লবনিনা, ইপা লৈতবগী মৈচাক অদুদি মুৎপা লৈতনা অদুম থম্মোয়দা চাকখিবনি । অয়ুক নুংথিলদি ইমান্নবশিংগা শান্নবা অমসুং লাঙবনিনা পাজি লৈতবগী নুংঙাইতবা ৱাখলশিংদু খরমখৈদি নমথখি, অদুবু য়াচঙলকপা মতমদগীনা নুংদাং তুম্বা ফাওবদি পুক্লিং অসি য়াম্না নুংশিখি, লাক্লরোইদবা ইপাগী ৱাখলদা খাঙবা ঙমখিদে। য়াচঙলকপা মতমদা ইমান্নবা কয়াগী মমা মপাশিংনা মচাশিংবু কৌশিন্নখিবা, ঐনা ঐগী লৈফমদা ইথন্তা তুমিন্না হঞ্জিনজরকপা, লৈরিবা য়ুম অদুগী দারি ময়াদা ফমদুনা কোইয়েং য়েংদুনা লৈখিবা, হৌজিক ফাওবা পুক্লিংদা ফাওরি ।

থংননা লৈবা য়ুম অদুদা ঐখোয়গী লৈকায়দগী লান চেল্লকপা খুরা অমসু মহাক্কি ইমুং মনুংগা লোয়ননা লৈরমই । খুরা অদুদি, লৈখিদ্রবা শ্রীথাংজম মহারাতসিংহ হায়না খঙনবা, মণিপুরগী শগোল কাংজৈ শান্নবদসু মতম অমগী ওইনা মীয়াম্না শকখঙনখিবা মীশক অদুনি । ঐনা ইপা কায়নরবা মতুং, ইথন্তা ইচিক চিক্লা লৈবদু উরগা খুরা অসিনা ঐবু, মহাক্লা ইম্ফাল চৎপা মতমদা মরক মরক্তা পুবিখি, অমসুং খুরাগা খঙনবা ভারতকী মফম অতৈদগী লাকপা সিফায়শিংগী লৈফমদা চৎলগা মখোয় মশেল ৱারী শানবা, ঐহাকসু মখোয়গী মতৌ য়েংদুনা ঙাইহাক মতম লেনবদা য়াওরুবা, অদুনসু ঐগী লন্নাই নুংঙাইতবা ৱাখলশিং অদুদগী খর খরদি অসুম ঙাইহাক ঙাইহাক্কি ওইনা লাপথোকচবা ঙমখি হায়বা য়াই, অদুবু, খুরা অদুদি খুঙ্গং অদুদগী অতোপ্পা মফম অমদা অমুক লানচেনফম হোংখিবনা অদুম উনখিদ্রে ।

নোংমা, শগোল তোংবা সিফায় কাংবু অমা অয়ুক অঙনবদা ঐখোয়না লৈরিবা মফম অদুগী তুরেল মপালগী লম্বীদা পরেং পরেং লাকলমই । মখোয়গী মরক্তা রঙ্গিলাসিং কৌবা ইপাগা খঙনবা অমা য়াওরকপদু ঐনা য়েংদুনা লৈরমই । মহাক্লা ঐখোয়গী কোন্থোঙ মপাদু য়ৌরকপমক্তদা শগোল মথক্তগী ঐঙোন্দা নোক্তুনা হংলকখি "লরকে ক্যা পিতাজি হৈ ঘরমে...? ঐহাক খঙই মহাক্লা ইপাবু হংলিবনি, অদুবু খুম্বা ঙমখিদ্রে, খঙহৌদনা লাকপা কপনিংলকপা ৱাখলনা মহাকপু অদুম য়েংদুনা লৈহৌই । রঙ্গিলাসিং শগোল তোংনা তোংনা ঐঙোন্দগী লাপখ্রে, মহাক অমুক হন্না উখিদরে, অদুবু পুক্লিং অসিনদি মহাকপু মরক মরক্তা নিংশিংলি ।



জাপানগী বোম্না থুগায়খ্রবা
চিঙ্গাংবম মান্দবকী শক্তম অমা

আশাগী মঙালদা অমুক মীকপ থোরকপা

ইপা লৈখিদবা থা তরেৎ নিপাল ফারক্লে। মতম শাংনা ঐহাক নারুবদগী, শিনিংচিৎতা হিংলকপগী শমলপ্পা ৱারি, চৎপা ঙমদদুনা ইনেগী শুমাঙদা চৈশু শুরগা চৎপা তমখিবা অসিনচিংবা খরা মথক্তা পনজখ্রে। অসিগা লোয়নননা, ঐগী ইনেনা, ঈশিং পুল অমদা করি করিনো উনা ৱানা হিদাক্কী মচল খরা হাপতুনা ফুৎলগা ঐবু তোয়না ইরুজবীখি। অসুম তৌনা হকচাং হংকৎনবা হোৎনরকপদগী, ঐগী হকচাং নোংম নোংমগী কল্লক্লে। মতম অসিদা খুঙ্গং অসীগী নোংচুপ থংবা, উখুল লম্বিগীনা নোংপোক্তা লৈবা খা-ৱাং শন্দোকলিবা লৌবুক অদোমদা নিতিগী অয়ুক্তগীনা নুংদাংৱাইরম ফাওবা করিগুম্বা ইনজিল খরনা ঙংদুনা লৈবগী মখোল অমা লেপ্তুনা তাখি। ঐহাক্না ময়ামদা হংখিঃ- "করি তৌরিবনো মনিংদগী মখোলসে?" ইনেনা খুমইঃ- "হো... বেলুন তাফম শেম্মিবনি হাইয়ে, লৌবুক মখৈ লোইনা লৈতেম মান্ননা তকখায়খ্রে, খিৎতা ঙাইরে, বেলুন ময়াম তাররনি; কুম্মৈ য়েংবা নুঙাইদৌরিপোৎনি।" ঐহাক্কি পুক্লিংদা কয়াদা মথুম মরাং হৌখিবা মখোয়না হায়রকপা অদুদা। বেলুন (এরোপ্লেন) হায়বদু য়াম্না য়েংনিংখি; মখোয়না লৈমায়দা পাইথরকপা অমসুং মখোয়বু থৌরকপা মীশিংদু করম্বা মীওইশিংনো কনা মানবনো হায়বদু য়াম্না উনিংখি। মতম অসিদদি, অয়াম্বা মীনা এরোপ্লেনবু বেলুন হায়না খঙনরমই। কংলাগী Air Strip (এরোপ্লেন তাফম) অসি শেমদ্রিঙৈগী মমাঙদা, কোইরেঙ্গৈগী ইম্ফাল এয়ার স্ট্রিপতি শিজীন্নবা হৌখ্রবনি। মণিপুরদা শেমখিবা ইহান হানবা এরোপ্লেন তাফমনি কোইরেঙ্গৈগী অসিদি।

নুমিৎ খুদিংগী অয়ুক অঙনবদা বোম্বর অচৌবা অমা কোইরেঙ্গৈদগী হেক-হেক নোংপোক পাংনা পাইবদু উবদা ঐখোয়না কোইরেঙ্গৈ হনুবা

লাক্লে লাক্লে হায়নখি । অসিগুম্লবা অচৌবা বোম্বরশিং অসিদগী য়োৎকী চেন অমা শাংনা তিংলক্লগা অতোপ্পা বোম্বর অমসু চিংদুনা পাইবা য়াওই । মতম অদু মণিপুরগী হাঙলবা অতিয়াসে ঙাইহাক্তা চিক্না লৈজবা ফংলক্লবা মতম হায়বদু ওইরক্লে । অসুম্না, Bull Dozer ময়াম্না শেন্নিবা কংলা Air Field সু লোইশিল্লক্লে, লোয়ন লোয়ননা কংলা অমদি অঙোম খুঙ্গংগী খুনয়া পরেংদা এরোপ্লেন থম্ফম কয়া শেম্বা, অমসুং তাফমদগী এরোপ্লেন্না মফম কয়া অদুদা লাকপা য়ানবা লম্বি অমা পাকনা চাউনা শৃৎ শৃৎ নান্না শেম্বা লোইশিনখ্রে । কংলা Air Field অসিগী মওংদি খা-ৱাংনা ময়ুংনি নোংপোক নোংচুপনা মরাক্লি, শাংবদি অৱাংলোমদা চিংঙারেল মনাক্তগীনা খা-রোমগী তুরেল অহনবী হায়না খঙনবা চাইরেল থোংখোংদগী অঙোম ফাওবা হায়জিল্লকপা লম্বি অদুগী মনাক ফাওবনি । ময়ায়দা তোংলপ তৌহল্লগা (থবি মরু শাবগী মওংদা) নাকল অনিমক্তা Drainage নালা ফজনা পিখি । নোং হায়রপ চুবা ফাওবদি অদুম শিজীন্নবা য়ানবা শেমখি । Air Field অসিদগী পাইখৎনবগীদমক এরোপ্লেন কয়া start তৌরগা মাগী মাগী থম্ফমদগী চিং-লেম্না লাকখিবা, অমদি পাইথরক্লবা কয়াদগীসু লৌথোক্কদবা পোৎ ১দি মীশিং কুমথনহৌরবা অমসুং লৌথোকহৌরবা মতুংদা এরোপ্লেন থমফমশিংদুদা মথঙ মথঙ লাকপদু য়েংবদা ওনথোক্না নুংঙাইখ্রবা মতমনি । এরোপ্লেন থমফমশিং অদো ফুট ১০ রোম ৱাংবা লৈপাক্কি Bunker না মাইকৈ অহুমদা খাজিল্লি অমসুং মতিক চানা ঙাকশেল্লি । মখোয়না শেন্নম্বা এরোপ্লেন থমফমশিং অদুগী খরমখৈদি হৌজিক ফাওবা অঙোম অমদি কংলাগী মফম খরদা অনিশুবা লানজাওগী ৱারি লীদুনা লৈরি । মথক্তা হায়জখ্রবা Air Craft (এরোপ্লেন) শিং অসিগী চৎথোক চৎশিন তৌননবা শেমখ্রবা লম্বিগী নাকন অমদা জীপ অমদি Truck গারি কয়া চেন্ননবা অতোপ্পা লম্বিমচা অমসুং তঙাইফদনা শেমখি, Plane ময়াম অদুবু Mechanic শিংনা, য়েংথোক য়েংশিন তৌবা, থাও হানজিনবা, নোংমৈ মরু কয়া অমসুং বোম

হাপচিনবনচিংবা পূন্নমক অসিগী চেনথোক চেনশিন তৌবা গারি পূন্নমক লম্বি মচা অদুদা চেল্লি, Planeগী লম্বি অদু য়ারিমখৈ শিজীন্নদে । মখোয়না শেন্বা Bunker প্লেন থম্ফম কয়াদা অচৌবা Plane কয়াদি চন্দবা মরমনা মমৈথংদদি Fighter Plane শিংগী থমফম ওইখি । কংলা Air Field অসিদা ইহান হান্না Plane তাদ্রিঙৈগী মমাঙদা লমদম অসিগী অকোয়বদা, মরী লৈনবা British অমসুং Indian Army গী প্লেটুন কয়াদি হান্নদগী লৈরকপা হৌরে । য়েংখিবদা অনৌবা শকফম অমনি, নুমিৎ হেক তাখিবগা Electric কী মৈঙালনা লমহাঙ অমদি চিংখোং চিংয়া থোইদোক্লা ফজহল্লি, অদুবু তোয়নদি মৈ থানখিদে, মতম অয়াম্বদা Black out (মৈ থান্দবা) গী চৎনবী লৈবনা মৈ ইথান থান্দে । অদুবু নুংদাংদা এরোপ্লেন তারকপা মতমদদি এয়ারফিল্ডগী মতাই পরেংদা কাপলকপা মৈঙাল অদু ওঙ্গোক্লা ফজখ্রে ।

কংলা Airfield দা অহানবা Aeroplane তারকপগী নুমিদাংৱাইরম অমা-

নোংমা ১৯৪৩ গী সেপতেম্বর ওক্তোবরগী মতম নুংথিল পুং ৩-৪ তারকপা অদুৱাইদা মণিপুরগী খা থংবা অতিয়া মাইকৈদগী মচিন ঙাঙবী (Spit fire) হায়না খঙনবা Fighter Plane ময়াম অমা পরেং শানা মথঙ মথঙ পাইরকখি। ঐখোয় নিপামচা ময়াম মনিংদা থোক্লগা পাইরক্লিবা Plane শিং অদুদা য়েংখত্তুনা লৈখি। মখোইবু য়াম্না তাহননিংখি অমসুং মনাক নকশীন্না য়েংনিংবা পোকখি। PLane শিং অদু মথং মথং কংলা Air Strip কী মথক্তা অহুম মরিরক লৈনা লৈনা পাইরম্লগা মথঙ মথঙ কাংখ্রোঙ থাদনরক্লে। ঐখোয়না খঙলে, Plane ময়াম অদু তাগদৌরে, ঐখোয় Air Field তান্না চেল্লমই। Fighter শিং অদুনা মমাঙদা লৈবা চিংখৈ চীংগী মথক ওইনা পাইরক্লগা অৱাংলোমদগী লৈথরক্তুনা চিংঙারেল মপাদগী নেমথরক্লে, অদুগা ইনৌ নৌনা শেল্লবা কংলা এয়ারফিল্ডগী মথক্তা চেল্লক্লে। নোংথক্তা ফুট অমরোমদা শাংনা উরম্বা ফাইটরশিং অদুনা লৈমায়থক্তা চেল্লকপা উবদা ঐখোয় কয়াম ঙক্লা য়েংখিবা। অসুম মথঙ মথঙ পাইথরক্তুনা প্লেন ময়ামদু এয়ারফিল্ডগী খা-থংবগী অরোয়বা মতাই মতাইদা লৈশীন লৈশীন্দুনা ইঞ্জিল মুথৎলগা লৈখ্রে। ঐখোয় ইমান্নবা নিপামচা খরদি প্লেনশিং অদুগী মনাক নক্লদি চঙনিং, কিবনা চঙশীনবসু ঙমদনা এয়ারফিল্ডগী মতাই ওইরপ্লা নুংঙাইবা ১দি পাখৎপগা লোয়ননা য়েংদুনা লৈখি। প্লেন ময়াম অদুগী পাইলোট ফমফমগী মিংশেল মানবা অরংবা মখুম অদু চিংথোক্লগা কুমথরকপা অথৌবা মী (Pilot) শিংদু য়েংবদা থোইদোক্লা অকীবা পোকলমই। মখোয় ৱাং চাওরবা, কুচু ঙৌবা মশম অঙাঙবা হৌবা ইংলিসকি মীওই ঙাক্তনি হায়বসি মখোয়গী মমায়দা শামু মনাতোন মানবা, Oxygen Mask উপ্লিবদু

লৌথোরকপা মতমদা খঙলমই । প্লেন কয়া অদুদগী কুমথরক্লগা মখোয়না পাইথরক্লিবা লমদম অদুগী অকোয়বদা লৈরিবা মফমশিংদু কোইয়েং য়েংদুনা লৈ । ঐখোয় নিপামচা খরনা লেপ্লিবা অদোমদা ওনশীন্দুনা য়েংলকপদা ঐখোয় কিবনা খর-খর হন্দোকলমই । মখোইগী মরক্তগী অমনা ঐখোইবু কৌরকই ..... এই...... চাকো ...... চাকো হায়না । কোম্থংদদি খঙলকখি; নিপামচাবু মখোয়না চাকো (Chacko) কৌই হায়বসি । ঐখোয় কিরে হায়বসি খঙলদুনা, ঐখোয়রোমদা য়েংলগা নুংশিবগী মওংদা নোক্তুনা কৌশিল্লকই "খমান খমান (Come-on) হায়না । অমুক লেপ অমুক চঙশীন, খরা খরা অসুম ঐখোয় মখোয়গী মনাক নকশীল্লে । মখোয়গী মরক্তগী অমনা মাগী ফুরিৎখাওদগী চিৱীংগুম লৌথোক্লগা ঐখোয়দা য়েনবিরকপদা ঐখোয় ইঙক ঙক্তুনা লৈ । খুদক্তা মাগী মরুপ অমনা Chewing Gum অদু ময়াদা শৎ হুনজিল্লগা হাউনা শায়বদু উবদা ঐখোইসু অদুম শায়রে, নুমিৎ অদুনা অহানবনি ঐখোয়না চিৱীংগম মশক খঙখিবা ।

মখোয়গী জেকেট অমসুং খোংগ্রাও অদু অপাবা শউন অমুবগী ঙাক্তনি, উপ্লিবা টুপীসু অমুবনি । থবাক্তা ১দি লেংজুমদা অপাইবা উচেক্কী লেমজরবা Badge অমমম নপ্লিবা অদুগী মখাদা R.A.F., (Royal Air Force) হায়বসি য়াওই । মখোয় অদুনা ঐখোয়বু Sit-down, Sit-down হায়বদু ঐহাক খঙলমই । ইমান্নবশিংদুদা ঐনা, ফম্মু হায়রিবনি ফমসি হায়দুনা ঐখোয় খরা অমা ফমদুনা মখোয়গী মতৌ য়েংদুনা লৈ । পাইলোটশিংদুনা ঐখোয়দা কিদনবগী মওংদা নুংশিনা য়েংলমই অমসুং মখোয়গী মরক্তগী অমনা ঐখোয়দা মথঙ মথঙ খুদোনবি থিন্দুনা হংখি- "খেন য়ু স্পিক ইংলিস, খেন য়ু স্পিক ইংলিস, নঙ ইংলিস, ঙাংবা ঙমব্রা" হায়না হংলিবনি হায়বসি খঙবদা ঐহাক খুমনিংবনা খোরো খোরো খোৎপা হায়বদু ওইখি । ঐগী ইমান্নবশিং অদুদি স্কুল তমদ্রিবা অমদি তমদবা ঙাক্তনি । ইমান্নবশিং অদুগা ঐহাক্কা খেন্নবা অমা মতাঙ অসিদা লৈখি মদুদি মখোয়দি চুন্নগী ইংলিস পাইলোটশিং অদুগী

মতৌ য়েংবতনি ঐগীনা হান্না খঙনদবা মখোয়গা ৱারী শাজনীংবা অসিনি -। মিকুপ অসিদা নিংশিংলকখী, ইপা লৈরিঙৈদা ঐঙোন্দা তাকপীরমবা- - - । "মখোয়না ইংলীস খঙব্রা হায়না হংলক্লবদি "আই দোন্ট নো সো মচ্চ" হায়না খুন্মু" হায়বা ইংলিসকী অতেনবা ৱাহৈ পরেং অদো । চুন্না হায়রবদা, ইম্ফালদা বোম তাখ্রবা মতুং, মণিপুরদা মখল মখলগী Army লৈরকপা হেক হৌরকপা মতুংদগীদি য়াম্না তোয়না ঐহাক ৱাহৈ পরেং মতেক মতেক মখোয় খরগদি ৱারি শানখ্রবনি । 'ইংলিস খঙব্রা হায়না হংবসি য়াম্না তোয়না থোকখ্রবনি, অমসুং থৌদোক কয়াগা মরি লৈননা ঐনা ইপাদা হংজবদা মহাক্না তাকপিরম্বনি" "I don't know so much" হায়বসি । অসুম্না নুমিৎ অদুদা, হায়রিবা sentence অসে ঐগী চিন্বালদা মরেং মরেং চৎতুনা লৈখি । ইংলিস পাইলোট অদুনা ঐঙোন্দা অমুক য়েংলগা, "খেন য়ু স্পিক ইংলিস ? হায়না হংলকপদা কিগুম লাক্কুম খঙহৌদনা হায়দোকখ্রে "আই ডোন্ট নো দো মচ্চ" । নিপা অদুনা ইঙক ঙক্লা ঐঙোন্দা য়েংখি, মমান্নবা অতৈদা ওনশীন্দুনা "হী খেন স্পিক ইংলিস" হেক হায়রুবগা পাইলোট ময়াম অদুনা ঐঙোন্দা পূময়োম য়োমশীনখি । মখোয়না করি করিনো খরা পঙহঙদা হংখ্রে, ভাব তাবা খরা তাদবা খরা । মিকুপ অদু ঐঙোন্দা ইপা পাখৎপা, হরাওবা অমসুং অকীবসু পোকখিবনি । ঐগী পুন্সীদা ইহান হান্না এরোপ্লেন থৌরকপা ইংলিস পাইলোটশিংগা ৱারী শাবা হায়বদু ওইরে নুমিত্তুদা । পাইলোট কয়া অদুগী নোক-খেবা মতৌ, নুংশিবা মিৎয়েং অদুনা ঐঙোন্দা খুমনিংবগী থৌনা পীরম্মী । মখোয়না খুদক্তা ঐগী মিং, লৈফম, লোইনা হংই, চেজেৎ অমা পুথোরক্লগা ইংলিস ৱাহৈশিংসু পাহনখি । মখোয় য়াম্না ঙকখী, লাপখ্রবা লম কয়া লান্দুনা পাইরক্লগা পিক্লবা খুঙ্গং অমগী মনুংদা লৈরম্বা মোৎতাই চুদাইনবা ঐগুম্বা অঙাংমচা অমনা English কী ৱাহৈ ১সুং Structure খরা খঙলম্বদা - মখোয়না হন্না হন্না হংখিবনি, ঐগী ইপা কনানো, মহাক করি থবক তৌবনো হায়না । ঐগী অতেক অকায় ইংলিসনা

পডৈখুম পীজবা ঙমখি জাপানগী বোমদা শিখ্রে হায়বদুসু .... । ইংলিস পাইলোটশিং অদুগা ঐগা লোন ফাওনরক্ত্রবদা মখোয়না খুদম কয়া উত্তুনা ঐহাকপু খঙহনখিবা খরদি, Pilot অমনা ঐঙোন্দা য়ু ফংগদ্রা হংবশিসু অমনি । মহাক্না য়ুবু Wine হায়না অদুম হায়রল্লবদি ঐ খঙলমগনি, অদুবু মহাক্না ঐবু খঙলমলোই খল্লুবনরা খঙদে, Wine গী মহুত্তা হায়রকই "You know phagla phani, phagla phani- - - মহাক্না হায়রিবা "ফাগলা ফানি" ঐ ভাব তাদ্রে । ঐখোয় ভারতকী মনুংনি হায়দুনা মানা হিন্দিদা "পাগলা পানি, হায়রবদি খঙগনি খল্লুবদগী মানা হায়বনি হায়বসি কোন্না খঙলকই । মহাক্না হনজিল হনজিল হংলক্লবা মহাক্কি phagla phani ঐনা খঙলক্ত্রবদা, মহাক্কি খুদুপমুক শাঙগদবা লিক্লিগী মওং অমা ইঙ্গিৎনা তাক্লগা, য়েৎকি খুদোনবি অদু ওইথংবা মখজাই মনুংদা লোংনা ইনশিল্লগা কোৎথোরকপদা লিক্লিগী চোংগাং মখুম শাৎতোকপগী চপ মান্নবা মখোল তাহনখি, অদুদগী লিক্লি থাঙ্গৎতুনা থকপগী মওং উৎলকপদা, ঐনা ইখঙ খঙহৌদনা ইংলিসকি Wine হায়বদু হায়দোকখি । ঐগী ৱাহৈ অচূম্বা তাবদা মখোয় পূম্নমক হরাওবনা পুমলাঙ লাঙই, অমুকসু মখা-তানা হংলকখি- "য়ু নো এনি অন্দা" হন্না হন্না হায়রকখি, এনি অন্দা এনি অন্দা । ঐহাক খঙদ্রে মানা হিন্দিগা ইংলিসকা য়ানশিন্নরকপা ৱাহৈ Any Anda হায়বদু, অমরোমদা ঐহাক্না য়েরুমবু হিন্দিদা Anda কৌই হায়বসি খঙজদ্রী । মখোয়না হায়রকপা ৱাহৈ পূম্নমক Indian language য়ানশিল্লি, খঙলমগদ্রা হায়দুনা । ঐহাক্না খংলক্ত্রবদা Pilot অমনা অমুক, য়েন্না খোৎপা ১দি খোংবগী মতৌ উৎলকপদা, ঐহাক খঙলে য়েরুমনি হায়বা ইংলিসনা থুনমক হায়দোকখি- "Egg, মখোয় য়াম্না হরাওখি । ঐনা কংলা খুঙ্গংলোমদা খুদোম্বী থিল্লগা egg লৈগনি হয়রবদা মখোয়না খুমখি ও-খে- খমিং য়ো প্লেস-থুমারো । নুমিৎ অদুদি, মখোয় খরা অমদি কংলা Air Field দগী হন্না পাইখিগদবা মরমনা "হয়েং লাক্কনি, হায়বসি ঐ ভাব তাখি অদুগা খরা অমনা হান্না শেমদুনা

লৈখ্রবা অঙোম অমদি কংলাগী খুনয়া মনাক্তা লৈবা Plane থম্ফমশিং অদুদা, ইঞ্জিল Start তৌরগা মথঙ মথঙ চৎখিরম্মি। থুনমক জিপ গারি মঙা তরুক লাক্লগা Pilot শিং অদুগা করি করিনো অমুক খন্নরবা মতুংদা মখোয় ময়াম অমুক পুন্না চিংঙারেলগী কেম্প য়ৌনবা চৎখ্রে। মথঙগী নুমিৎতগীদি Anglo American ১দি Canadian নচিংবগী মখল শুরবা Army কয়া লাকপা হৌখ্রে। অসুম্না কুচু ঙৌবা সমুদ্র ৱাংমদগী লাকপা মীওইশিং অসিগা পিক্লিবা ঐহাক্কা মতেক মতেক ৱারি কয়া শাদুনা শকখঙনবগী থবকসে নুমিৎ অসিদগী হৌখ্রে। ঐবু মখোয়না কয়াম নুংশিবিখিবা হায়বদু ঙসি ফাওবদা মখোয়বু কাউঙমদনা নিংশিংজরিবা অসিনা খুদম ওইরে। অরাপ্পা লমদমদগী লাক্লখিবা মীওইবা ঙাক্তনি মখোয়, শিরন্বা য়াই হিংলম্বা য়াই করি অমত্তা খংখিদরে ঃ- ,

লান মনুংদা ঐগী লাইরিক তম্ফম

নোংমা নোংমা হৌখিবনা শোক ১৯৪৩ লোইখ্রে, ১৯৪৪ চঙলক্লে। Anglo American Army না কংলা Airfield গী অকোয়বা মফম কয়া, অমসুং নক্লবা খুঙ্গং কয়াদা পিক থন্না লৈরক্লবা মতমনি। লন্নাইগী ওইবা, ইপা লৈখিদবগী নুংঙাইতবা ৱাখলসু, মতম অদুগী ওইরক্লিবা. চাউরবা মিৎকি কুম্মৈ-মশক ওইরবা লানগী থৌরাঙ অমদি মীওই কয়া অদু উবদা নোংম নোংমগী ফরক্লে। ঐনা মরক মরক্তা নিংশিংলকপদি, ইপানা ঐবু লাইরিক হৈহননিংখিবা অদুনি, অদুনা ঐহাক্কী লন্নাই ওঝা অমা থিজরগা লান মনুং অসিদা লাইরিক তম্নবগী ৱাখল অমা অহিং-নুংথিল খায়দনা লাকপা হৌরে। ঐনা নিঙলিবা অসি ঐগী ইবায় অদুনা খঙলমানে, মোইরাংকুম্পুগী খেৱা বাজারদা লৈবা ওঝা অমদা মহাক্না হায়নবীরুবদগী ঐহাক ক্লাস থ্রীগী প্রাইভেৎ তম্বা চৎপা তারে। মতম অসিদা ঐনা লান চেল্লক্লিবা কংলাসিফায় খুঙ্গং অসিগী মনুংদদি ঐনা লাইরিক তমজবা য়াবা খুদোংচাবা মফম অমদি মীশক অমত্তা লৈরমদে। ইবায় অদুনা হায়বীরুবগী মতুং নোংমা অয়ুক অঙনবদা ঐহাক খেৱা বাজারদা লৈবা ওঝা অদুগী মনাক্তা ইথন্তা চৎলমই। লম্বীদি, অঙোম খুঙ্গংদগী ইরিল তুরেলগী নোংচুপ খোঙবালদা মখা পাংনা মোইরাংকম্পু ফাওবা লাক্লগা অদুম য়ৌরে, চাওরাক্লা কিলোমিটর মরিগুম্বা লাপলম্বা য়াই। ঐনা লাইরিক তমজগদৌরিবা ওঝা অদুদি কনাসু নৎলমদ্রে, ঐখোয়গী লৈকাই, খুরাই লমলোঙদগী লান চেল্লক্কুনা লৈরম্বা, ঐবুসু হান্না খঙবিবা শ্রীঅয়াম মাইপাকসিংহ (ঐগী অঙাং ওইরিঙৈগী ওঝা) ওইরল্লবদা ঐনা কয়াম হরাওজখিবা। ঐগী ইপা শিথ্রবা মতুংদা, ঐবু ইংরাজি অমদি অঙ্ক তম্বিখিবসে ঐগী ওঝা অসিনি। ওঝাগী অইংবা পুক্লিং অমসুং নুংশিনা লোয়নবীবগী লমজিং মখাদা ঐহাক মখা চৎথনা লাইরিক তমনিংবগী আশা,

লানজাও মনুং অসিদা ঐগী পুক্লিংদা ফাওরক্লে । লান কায়রমদাইদা ঐনা তমখৎপা হৌখ্রবা ইংলিস লাইরিক অদু ওঝা অসিনা ঐঙোন্দা লোইনমক তাকপিখি । ওঝাগী লম্মনদি অসুম তোন্দুনা লৈহৌরগনি ঐগী পুন্সিদা ।

অসুম্না অয়ুক পুং তরুক তরেৎৱাইদা ওঝাগী য়ুমদা লাকলগা পুং মাপন তরা ৱাইদা কংলা তান্না হনবসি নুমিৎ খুদিংগী তৌরম্মি । মতম অদুগী অঙাং ওইরিঙৈগী পুনশিদা ঐঙোন্দা ফাওরকখিবা থোইদোকপা ৱাখল অমদি, মীনা চুরুট থকপবু হাউগদবা মাল্লুবা অসিনি । মতম অদুগী ইমান্নবা খুঙ্গংগী নুপা মচা অয়াম্বা চুরুট বেরি থকপা হৈ হায়বা য়াই । ঐহাকসু মখোয় অয়াম্বগা তিন্নবনিনা চুরুট থকপসি নুঙাইরমগদবা মানবদগী, নোংমা প্রাইভেট তম্বা লোইরগা থোরকপদা খেৱা বাজারদগী চুরুট আকবর উপূ অমগা মৈখেৎ উপু অমগা তূমিন্না লৈশীল্লগা পুরকই । মোইরাংকম্পু লানথোরক্লগা অৱাংলোমদা লৈবা লম্পাক অদু য়ৌরবদা, মী কনাসু উররোই খন্দুনা চুরুট মচৈ অমা লৌথোক্লগা মৈখেৎ খেৎতুনা চমলমই । মৈখু অদু খৌনাওদা হেক চিংশিনবা মক্তদা ঐহাক শাথিনা হারে, লম্বীদা ফমথরে, নপ তিন তানা লোক খুরম্মী, ঙৌ শাবনসু লোইরম্মী । খুদক্তা ঐহাক্না খনখী চুরুট উপু অসিগা মৈখেৎ উপু অসিগা কনাদনো অমা পীথোক্লম্লগে হায়না । ইপানা হায়খিবা কয়াসু নিংশিংলকপদা ঐহাক থৱায় য়াম্না নুংঙাইখিদে । ইপানা কয়ারক হায়খিবনি "চুরুট থকপা য়াদে, থকপা তারবসু, চহি কুন হেল্লবা মতুংদা থকউ" অদুবু কদায়দগীনো ঐনা ঙসি তৌরুরিবসে.... । ঐ ইথন্তা ৱারকচবা হৌরে ।

ঐনা হল্লকপগী লম্বী অদুদা অমুক লাকপদা ঐহাক্না নৌনা খঙনগদৌরিবা, লৈখিদ্রবা, ঐগী অঙাং ওইরিঙৈগী মরুপ শ্রীহাওরুংবম বাবুধনখোয়গী থোঙ্গাল য়ৌরক্লে । মতম অদুদা মহাক্না ঐহাক্না শকখঙনদ্রি । ঐনা নুমিৎ খুদিংগী মখোয়গী থোঙ্গালদা লাইরিক পায়দুনা চৎপদো মহাক্না হান্নদগী উরম্লবা

ওইরমানে, মহাক্কসু ঐহাক্কা শক খঙননিংদুনা লৈরম্বসে, ঐখোয় অনি তিন্নরবা মতমদা খঙলকই । ঐগী মরুপ বাবুধন, পুকচেল য়াম্না তপচবা শাওজবা হৈতবা মীশক্লি । চহিদদি মহাক্কা ঐঙোন্দগী খর ইথক ওইবনি, অদুবু অঙাং ওইরিঙৈ, লাল্লক অসিদা স্কুল তমলকপগী পুন্সিদদি ঐখোয় অনি নোংমতসু থাদোক্লখিদ্রে । নুমিৎ অদো মহাক, মখোয়গী থোঙ্গালদা ঐবু য়েংদুনা, কৌবদি ঙমদা কৌনিংবগুমসু তৌনা লেপলমই । ঐসু মঙোন্দা করিগুম্বা ৱাহৈ খর হায়নিংবগী শেম শাবদু য়াওদনা মহাক হেক উবদা চুমদ্রিংনা অদুম হায়দোকখ্রে । "নহাক চুরুট থকপা হৈব্রা ?" মহাক্কা মোমোন নোক্তুনা "হৈনে" খুমলকলবদা ঐগী ফুরিৎখাওদা য়াওরকপা চুরুট আকবর উপু অদু মৈখেৎ উপুদুগা লোয়ননা "থকউসে" হায়না মঙোন্দা পীরে । মচৈ অমা চম্লগা মহাক্কা অমুক অরেম্বা চুরুট অমসুং মৈখেৎ অদু ঐঙোন্দা হল্লক্লবদা ঐনা হায়খি "নঙ লোইনমক থমচরো হায়বনি, ঐদি থক্তবনি চুম্না লৈশীল্লকপনি সে লৌহৌরো" অসি হায়দুনা অমুক মঙোন্দা পীরবদা হরাও হরাও মানা লৌশীনবিহৌখি, ঐগী চুরুট অরেম্বদা মাঙদ্রে, নুমিৎ অদুদগী হৌনা ঐখোয় অনিসু মরুপ ওইখ্রে ।

লাইবক ফবা অমনা ঐগী মরুপ বাবুধনসু মতম অদুদা ঐহাক্কা মান্নবা ক্লাসকি থাক্তা লৈরম্বদুনি । অমরোমদা অমুক নুংঙাইজবা অমনা, মহাকপু পোকপা খুরা অদুসু ঐগী ইপাগা শকখঙনবা, লৌরুংশঙদা থবক তৌবা মীশক অমসু ওইরম্লে । খুরা অদুনা য়াম্না নুংশিনা ঐগী পুক্লিং থৌগৎপিবগা লোয়ননা বাবুধনসু ঐহাক্কা লোয়ননা খেৱা বাজারদা প্রাইভেট তম্বা য়াওহল্লে । খুরানা হায়বিখি "নখোয় অনি নিংথিনা লাইরিক তম্মিন্নগদবনি, চৎমীন্নগদবনি, নখোয়গী অৱাংপা পুন্নমক ইপানা তৌগনি । অসিগুম্লবা মতমগী খোংচৎ অসিদা, ঐগী ইচিক চিকলম্বা পুন্সিগী অহাঙবা শরুক অমদি, বাবুধনগা ইনৌ নৌনা মরুপ ওইরকপা অসিনা মেনশিনখ্রে হায়বদা থোইদোক্লা অরানবা ওইররোই । মতম অসিদগী হৌনা ঐখোয় অনি পূন্না লাইরিক লাইশু

তম্মীন্নবগী থবক্তা নোংমতা থাদোকনদবা হায়বদু ওইরক্লে । ঐখোয় অনিমক ক্লাস থ্রীগী কোর্স অদু ওঝা শ্রীমাইপাক্তা তম্বা লোইরবদা, মথঙ, ক্লাস ফোর তম্বগী মতাঙ অসিদি মতম অদুগী ওইনা থৌরাঙ তৌবা কোংবা মদন মোহন্দা লৈবা স্কুল অমদা তম্লুনবা ওঝানা তাকপিখি মরমদি মতম অদুদা স্কুল অমত্তসু ইম্ফালদা হাংদ্রি । ঐখোয় অনি স্কুল অদুদা চৎলগা মীং চল্লুনবা লেপ্লরে, ৱাফম অসি বাবুধনবু পোকপা খুরানসু য়াবিরে । অসিগী মতুংদা নোংমা, নিংথৌকাবা নুমিৎ অমগী অয়ুক অঙনবদা মদন মোহন য়ৌনবা ঐখোয় অনি খোঙনা কোংবা তুরেল মপালগী লম্বীদা লাকখি । ঐখোয়না চৎলিবা লম্বীদু মাইল তরেৎকুম্বা ওইরম্বা য়াই । লান মনুংনিনা উখুল লম্বীদা লাক্লগা অয়াং পল্লিদা চৎপদু বোম তারক্দ্রা হায়বগী অকীবসু পোক্লমই । মদন মোহন য়ৌবদা খঙলে, মফম অদুদা হান্না তৌরম্বা স্কুল অদুদি মশাগী চুরাচান্দ হায় স্কুলগী শঙদা হোংখ্রে হায়বসি । ঐখোয় অনিমক নুংঙাইবা পোকখি, মরমদি, লান মনুং ওইজরবসু ঐখোয় অনিগী লাইরিক তম্ফম লেঙদবা স্কুল অমা ফংজরগনি খনবদা । নোংমা অমুক হন্না চৎলে সি-সি হায়স্কুল য়ৌনবা খোঙনা । কংলা অমসুং আঙোমদগী সি-সি চৎলবনিনা, মরু ওইবা লম্বীদা চৎতবা য়াদ্রে, অমসুং লম্বীশিং অদুদি মিলিটারি গাড়ীনা পুং ২৪ চিক্ল-চায়না ঙমদনা চেল্লিবনি । মরম অসিদগী ঐখোয় অনি মিৎ-না শিংবা তাখি, অমনা গাড়ি য়েংবা তাই, অমনা জাপানগী এরোপ্লেন পাইরকপগী মখোল তাবা তাই । খুদক্তা বোম তাবা তারবসু ঐখোয় অনি শোরোক্কি মতাইদা তৌথোক্লগা থল্লিবা (v) ভী শেপকি কোমদা চোংথনবগী থৌরাঙনি ।

অসুম্না ঐখোয় অনিমক ইং শোক ১৯৪৪ দা চুরাচান্দ হায়স্কুলদা ক্লাস ফোরগী ছাত্র ওইনা মিং চনশিল্লে, ঐখোয় অনি স্কুল অদুগী ছাত্র ওইবা হৌরে অনিশুবা লানজাওগী মতম অদুদা । ঐখোয়বু মিং চনবিখিবা লৈখিদ্রবা ইংলিসকী ওঝা শ্রীথাংজম অঙৌ সিংহনা কয়াদা পুক্লিং থৌগৎপিখিবা, পুন্সি

অসি শেমলকপদা পুকচেল চাওরবা নুংশিরবা ওঝাশিং লোয়ননা শ্রীচিঙাখম পিশক সিংহ হেদ মাষ্টর, মখোয় পূম্নমক্কি লমজিং পাউতাক য়াওখ্রবনি; ওঝাশিং অদুগী মফমদা শিংবা ঙম্নরোইদবা লম্মন তোলহৌরবনি ।

অমরোমদা, অরেপ্পা লৈতনা লানগী ইরাঙসু নোংম নোংমগী কনশীল্লকপা মতমনি ১৯৪৪গী মতমসে । অদুবু ঐখোয়দি নোংমতা তোকপা য়াওদনা সি সি হায়স্কুলদা চৎখি । খোঙনসু কয়া চৎলি, মরক মরক্তা সাইকল নাকল য়েপ্তুনা তোংবসু য়াওই । ঐহাক্না খর থেঙলবসু, বাবুধন্না ময়ুমদগী কংলাসিফাই তান্না হৌবা লাক্লগা চৎমীন্নে, ঐহাক য়াওদনা মহাক, অমদি মহাক য়াওদনা ঐহাক, ইথন ইথন্নতা স্কুল চৎনখিবা শুকয়াও য়াওখিদে হায়বা য়াই । বাবুধনদি হিন্দি ঙাঙবদা য়াম্না চালাক লৈরম্মই, মহাক্কী আর্মী মরুপশিংসু অয়াম্বনা ইন্দিয়ান আর্মী ঙাক্তনি । ঐখোয় অনিবু মরক মরক্তা য়ুম তান্না আরমীগী গাড়ীদা পুবিরকপসু য়াওই, সি সি হায়স্কুল থোঙ্গাল মপামক্তদগী । মণিপুরগী মফম পূম্নমক্তা অচৌ অচৌবা আর্মীগী কেম্প লৈখ্রবনিনা গাড়ী কয়া মফম অমদগী মফম অমদা, চেনথোক চেনশীন, মী পুথোক পুশিন, পোৎ হোন্দোক হোনজিন তৌবনা ঙাইহাক্তা লেপখিদ্রবা মতম ওইবনা ঐখোয় অনিসু, উখুল লম্বী য়ৌগদবা গাড়ী অমা হেক্তা ইরায় লায়না ফংই । মিলিটারি গাড়ী খাম্বগী নোকনিংবা থৌদোক মচা অমা ঙসিসু নিংশিংলি- মদুদি নোংমা ঐগী মরুপ বাবুধনগা ঐখোয় অনি স্কুল কুম্মিন্নরকপা মতমদা, ইন্দিয়ান আর্মীগী গাড়ী অমদা বাবুধন্না "থোরা বৈথেগা" হায়না মখুৎ থাঙ্গৎলুরে । সিফাই দ্রাইভর অদুনসু গাড়ী খাম্বিরে, ঐখোয়না তোংলসি হায়না গাড়ী মনাক্তা চঙলকপদা, দ্রাইভর অদুনা নোক্কুনা হায়রকই- "থোরা বৈথো ফির জাও" ঐখোয়সু নোক্কুনা লৈরে তোংখৎপা ঙমদ্রে, অদুবু মানা অদুম পুবিরকই চাইরেন থোংখোংফাওবা । ঐখোয়না মঙোন্দা "খর ফমগে" হায়রুবদুদা মানা অমুক "খর ফম্মু অদুগা অমুক চৎখ্রো" হায়না ফাগী তৌরকপা অদো থোইদোক্লা নুংশিরবা মতম অদুগী ময়েক শেংনা ফাওনদবা

লোনগী ৱাফম ঙাক্তনি । নোংমনা মিলিটারি গাড়ী মনুংদা বাবুধনগী ছাতিন য়াওখিদুনা (কুমথবদা কাউহৌরবা) অমুক চিংঙারেল ফাওবা খোঙনা চৎলগা মখোয়গী লৈফমদগী লৌরুই । মতম অদু অঙাং অয়াম্বগী পুন্সিদা য়াম্না ইরাঙ লাঙনা নুংঙাইখিবা মতাঙ অমনি । তোয়না উনবদগী লম্বী ময়াদা লৈবা, বঙকর (Bunker) মনুংদা মেচিন গন শেন্নবা, লম্বীদা চৎপা অয়াম্বা Anglo American অমদি Indian Army গী মীওই কয়ানা ঐখোয়বু শক খঙবিখি । নোংমা সরস্বতি পুজাগী নুংদাংদা সি সি হায়স্কুলগী চেরিটি শো ওইনা টিপু সুলতান দ্রামাদু থাঙ্গবাত মপালদা লৈরম্বা রুপমহল থিয়েটরদা তৌখি । ঐখোয় অনিসু য়েংনিংমনখ্রদুনা য়ুমদা হায়রল্লগা সাইকল অমদা পুল্লপ তোংমিন্নদুনা লাকখি । টিপু সুলতান য়েংলে অহিং অথেঙবা ফাওবা, হল্লকপদা নোংয়াই য়ৌরে । সাইকল অদু নাকল য়েপ্তুনা শিন্ন শিন্ন থৌদুনা লাকপদা চাইরেল থোংখোং য়ৌরক্লে । সিফায় শনত্রি অমৎতনা লম্বীদা লাওবিরকখিদে, অদুবু তুরেল অহনবী য়ৌরকপদদি মেচিনগন পোষ্ট অমা লৈবদু খল্লুবদা অকিবা পোক্লে । খঙনবা গোরা লৈরম্নবদি ফরে, খঙনদবা ওইরন্নবদি করম তৌসিগে ঐখোয় অনি পূক্লিংদা পাখৎপা হৌরে । করিগুম্বা লাওরক্লবদি, Went to Drama, Saraswati Pujah হেকতা হায়রসি হায়না সাইকল থৌরক্লে । বঙকর (Bunker) অদু য়ৌশিল্লকপদা, ঙানখ্রবা Torchlight অমনা ঐখোয়গী মিৎতা কাপশিল্লকই, করিসু হায়দে, চঙশীল্লকপা খোঙউপকি গ্রুক গ্রুক লাওবা মখোল তারে; ঐখোয় অনি ৱা ঙাংনদে হুমাং কাংলম্মী । নকশীল্লক্লবদা অশাওবা য়াওদবা খোঞ্জেলদা লাওরকই, হেলো, চাকো, ৱা য়ু বীন তু (Where have you been to) অহিং অদো ইংবনসু লোইরে পাখৎপনে করিনে, ঐখোয়দা লৈজবা হৈথোয় শিংথোইজবা পূম্নমক ইমাঙ মাঙখি, মতৎ মতৎ খুমখি... ৱী... স্কুল...দ্রামা মখোয় অহুম মরি শুই, মখোয় মশেল ৱারী শানৈ মখোয়বু মশক উহল্লি, মমায়দা মৈঙাল কাপশিনজরগা । মতম অদু মপুং ফানা মৈ মুৎথৎপা মতমনি,

তম্বুর মনুংদা লের্ন্টন থানবা নত্তনা । মখোয়না ঐখোয় অনিমক্কী লৈফম ফজনা খঙই হায়বসি মখোয়না ঐখোয়দা হায়রকপা ৱাহৈ খরদগী খঙবা ঙমখি । মখোয় ঙাইহাক খন্নরগা ঐবু মোতোর সাইকলদা থিনবিরগে বাবুধনগী ময়ুমদি অসিদনিনা য়ৌরগনি হায়রকপা মখোয়গী English অদো ঐখোয় অনি খঙখি । ঐখোয় অনিনা য়াদে, মরমদি অহিং অদু ঐখোয় অনি পূন্না বাবুধোনগীদা তূমগনি হায়না । ও-কে-হায়না ঐখোয় অনি থাদোকপিরক্লে-শাংনা মৈঙাল কাপ্পীরকখি ঐখোয় ২ গী লন্বী অদুদা । ইংলিসকী মীওইশিংসে অয়াম্বনা অঙাংবু লুনা তৌই, অমুক্কা হেন্না অঙাংবু নুংশিনা তৌবদি আমেরিকানশিংসিনি । Holland দগী লাকপা নিপা অমনসু নোংমা ঐঙোন্দা হায়খি "The Americans are very fond of Children" অসুম্না, অচুম্বমক্কি আমেরিকানশিংনা ঐখোয় অঙাংশিংবু থোইদোক্লা লুনা তৌবিবনি । করিগুম্বা মখোয়গী কেম্প ময়াদা ঐখোয় অঙাং ময়াম চৎলুরবদি হেক্তা লাওরক্কনি" হু ৱা য়ু ৱাচ য়ু ৱান্ট (who are you, what do you want) ঐখোয় কিগনি, অদুবু মখোয় অয়াম্বনা মমিৎ নাম্মা উইশিল্লগা নোকলক্কনি । কিবা ফরে, মনাক্তা চঙলে করী করী পীজরে । হায়রিবা; মমিৎ নাম্মা উইশিল্লগা নোকণীল্লকপা, মিৎ খৎলকপা অসি অয়াম্বা American অমসুং Canadian শিংনা তৌই, ঐখোয়বু Chacko হায়না কৌবসি মখোয় লোইনমক্কি । অয়াম্বা মতমদা মখোয়না অঙাংশিংবু বিসকুট নৎত্রগা চিৱীংগম য়েনবীবা নৎত্রগা চুরুট থকপ্রা হংবসি চৎনবীনি । করিগুম্বা মৈতৈ নুপী নুপা পুল্লপ লৈবা মফমদা চুরুট য়েনবা তারবদি মখোয়দা অয়াওবা লোইনা য়েনথোকই ।

নোংমা ইংলিস নুপা অমনা হায় Every chacko snokes here "অঙাং লোইনা চুরুট থকই অসিনি, অসুম্না করিগুম্বা ইমান্নবা ময়াম লৈমিন্নরিঙৈদা চুরুট য়েল্লক্লবা অমসুং ঐগী অমা পীরকপদা ঐনা "No" হায়রুবদা ঐঙোন্দা ৱাখল অমা হেক্তা থমলকই । শকখঙনদবা কয়ানা তোয়না হংখি ৱা-চ য়ো নেম ? ঐগী মিংদি মখোয়না হায়দোকপদা ওস্থোক্লা ৱায়, হায়বা

পাক থোক্তে-নোংমদি আমেরিকান অমনা হন্না হন্না ঐগী মিং হায়বা থোক্লবদা মখোয়না য়াম্না তোয়না শিজিন্নবা Slang নাপ-চাদবা ৱাহৈ অমা পল্লগা নোকখি । আমেরিকান অমসুং কানাদিয়ানশিংনা কিহোম য়াম্না পাম্মী । মখোয়না কাপ্পীখিবা ঐখোয়গী ফোটো পীয়ু হায়রুবা খুদিংদা মখোয়না খুমলকখি ফাইনাপু বাকসিশ Pineapple (ফাইনাপু) পীয়ু হায়রিবনি বাকশিশতি ইন্দিয়ান লোন্নি, হিন্দিদা বংশিশ পীবা (লেম্না পীবা) হায়বদুনি । মখোয় অয়াম্বা, তুরেলদা চোংথদুনা শান্নবা, ইরোইবা য়াম্না পাম্মি, পুল্লপ পুল্লপ লাক্লগা ইরিল তুরেল অমসুং অতোপ্পা মফম চাবা কয়াদা মকোক য়ুংনা য়ুংনা চোংথদুনা শান্নবা মখোয়না পামজবা মখল অমনি । অসুম তৌনা নুঙাইথোক্লা লৈবশি মতম পুন্নমক্কিদি নত্তে । মখোয় অয়াম্বনা অশঙবা মতমদা য়ুমলক খুল্লক চঙদুনা লমদম অসিগী ওইবা চৎনবী কয়া, ধর্ম্মগী থৌরম কয়া ইশৈ নোংমাই য়াম্না মুন্না য়েংশিল্লি, খঙননবা হোৎনৈ, মখোইগী দায়রিদা ইশিল্লি । মখল মখলগী মীওই শুনা লমদম অসিদা লাকখিবনি । লানমিদি ওইরগা ইশৈ শকপা হৈরবা কয়া, য়েক খোৎপদা হৈরবা কয়া, Soft Ball লংদুনা শান্নদুনতা লৈবা কয়া, লোইবা নাইখিদ্রবা মীওইবগী সমুদ্রনি মফম অসিদা লাকখিবশিংদো ...... ।

ইশাগী নিংশিংনিঙাই ৰারী খরা

অঙাং ওইনা ইংলিসকী ৰাহে ৰাতা খরা খঙলুবা অমদি য়াম্না তোয়না মখোয়না ঙাংন-শানবা অসুম তাশীল্লকপা অসিনা মরম ওইদুনা ঐহাক অসে কংলা হায়বা খুঙ্গং অসিদা বৃটিস আর্মি অয়াম্বনা শক খঙবিবা, চালাক লৈবা অঙাং অমা হায়বদু ওইরকই । তশেংবমক্তি ঐগী ইপা কায়নখিবনা মরম ওইদুনা; ঐগী ইচিক চীকহৌরবা পুন্সীগী মতম অদুদা অৰাবা পুম্বা কাউথোক্লুনা মতম ঙাইহাক নুংঙাইনা লেনজবগী থবকসে, মখোয় কয়াগী মনাক্তা চৎলগা মখোয়গী মতৌ য়েংজরুবা মখোয়গা ৰারী ৰাতায় শানরুবা অসিনা ওইখিবনি । থেংন থেংনরুবা অমেরিকান কানাদীয়ান অমসুং ইংলিসকী মীওই কয়া অমনা ঐবু তোপ-তোপ্না নুংশিবিখি, অমরোমদা ঐহাক Orphan (ইমা-ইপা লৈজদ্রবা) নি হায়বসিদা মখোয় পূম্নমক্না থোইদোক্না মিনুংশি উৎপিখিবনি । মখোয় কয়া অমনা ঐবু মখোয়গা লোয়ননা চৎখিনবা য়াম্না তোয়না থেমখি, অদুবু ঐগী ইমা শক্লবী, ইনেগী ৰাহে "ইবুংঙো নঙ গোরাশিংগা চৎখিবা য়াবা নত্তেকো"; গোরা হায়রীবসি ইংলেন্দ অমেরিকাগী মীশিং অসিনি । "য়ুমদা ঙন্না ঙন্না হনজিল্লকউ, কোইচৎ চৎকনু, নঙ চৎখ্রবদি ইনেদি করম লৈহৌগনি" অসুম্না নুংশিনা নিতিগী হায়খিবা ৰাহৈশিং অদুনা অমসুং ঐগী ইচে, পিক্লিবা ইচল, মখোয়দা লৈবা ঐগী ৰাখল লিচিং অদুনসু ঐহাক য়ুরোপ নৎত্রগা অমেরিকাদগী লাকপা মখোয়গা চৎমিন্নখিবা ঙমলমদে/মখোয়নদি ঐবু আমেরিকা নৎত্রগা য়ুরোপতা পুরগা অফাওবা, অচৌবা মী ওইহনবগী promise কয়া তৌবিখি । মখোয় পূম্নমক অদো ঙসিসু ঐগী থম্মোয়না নিংশিংলি, মখোয়গী মিনুংশিগী ৰাঙাংনা ঐহাকপু পুক্লিং থৌগৎপিখিবা অদো ঙসি ফাওবা ঐহাক্লা মমল য়ামখ্রবা পোৎশক ওইনা খনজরি । মখোয়গী মমিং মথা খরদি ঙসিসু লৈহৌরী; অদুবু অয়াম্বদি

কাউখিবনা নল্লে। পুনশিগী করিগুম্বা মতম অমদা মখোয়গা ঈ-পাউ চৎনবগী তাঞ্জা লাকখিগনি হায়বসে পুক্লিংদা ফাওখিদবা মরমনা মখোয়গী মমিং অমসুং থিকানা চেকশীন্না থমজিনজহৌদবা অসি শাথিনা নিংঙমদবা পোকলকই ঙসিদি। মতম অদুদি, ঐখোয় অসে য়াম্না কুইনা নুংঙাইনা লৈরকখিগনি হায়বগী থাজবসু লৈরমদে। কিরবা লান অদুনা মরম ওইদুনা ঐখোয় পুন্নমক কাং-খোং চাইনা মাঙখ্রগদবা অমসুং শিখ্রগদবা ওইনা অদুম খনজখি।

থৌদোক অমা ......-নোংমগী অহিংনি, ঐহাক চাক চারগা তূমথরুরে, পুং ১১ রোম তারল্লগনি। লৈকাই অদুদা লৈবা অহল মরি মঙানা ঐবু কৌবা লাকখি। ইচেনা হৌদোরকই "ইবুংঙো নঙবু মাম্মখোয় ময়ামনা করিনো'মা হায়রিনে"। ঐহাক মিৎ নোইনা নোইনা অহলশিং অদু উননবা মপান্দা থোরকই। মখোয়গী মরক্তগী অমনা হায়রকখি-"ইবুংঙো নঙ তূমজবা কায়রেদো, ঙল্লিদা নঙ ঙাইহাক্তা চৎলুসি, সিদনি তরাকোনজিন্দা লৈবা সাহেব অচৌবদুগী মনাক্তনি, মখোয় ময়াম মিটিং তৌহৌরি মাম্মখোয়না হায়রুবা অমত্তা মখোয়না খঙদ্রে। মখোয়গী মরক্তগী সাহেব অমনা মখুৎ মশা হাইদুনা নিপামচা অমা সিদা লৈবনি মা পুরকউ হায়বগুম্বা অমা খঙহল্লকপদুদা ঐখোয় নঙবু কৌবা লাক্লিবনি ঙাইহাক্তনি ইবুংঙো, অমুক্তা চৎলুসি মাম্মখোয়গা।" ঐহাক তূমলুবনে করিনে চৎনিংখিদে, কিবসু পোকখি মরমদি তরাকোনজিনদা লৈবা সাহেব অদুদি কনানসু পাক-পাক উবা ফংদে য়াম্না অচৌবনি হায়বা ঐখোয় হান্না খঙখ্রবনি। মহাক ব্রীগেদিয়ার নিসু হায় জেনরেলনিসু হায়, ঐখোয় নিপামচা কনাসু মহাক্কী তম্বুর অচৌবগী মনাক্তা চঙবা ঙম্নদবনি। অহলশিং অদুনা নিংবা মতুংইন্না ঐ চৎপদি তারম্মি। মখোয়গা লোয়ননা চৎলে লালতেন অমা পুরদুনা। লম্বী চৎনা চৎনা মাম্মশিংদুনা হায়খি "ইবুংঙো নঙনা হোরেন হায়গদবসি অতৈ ৱা করিসু নত্তে। ঐখোয়গী ইংখোলগী ৱাপল ময়াম তুম্নবা য়ানখ্রিবশিগী পৈশা পিয়ু হায়বসিদনি।" ঐহাক ইপা পাখৎলি, হোরেল সাহেবশিংদুনা চৈরক্কদ্রা

নৎত্রগা পিস্টোল উৎলগা করি করি হংলক্কদ্রা হায়না । তরাকোনজিন য়ৌরে, হান্না লৈরম্বা অহল ময়াম অমসু ঐহাকপু মখোয় খরনা পুদুনা লাকপদু উরগা হরাওনা করি করিনো হায়নৈ, ইরাঙ লাঙই । কনানো খরনা হায়রকখি,- "হৌজিক্তি মখোয় খঙশীন্নদবা য়াররোই,- মীগী ৱাপল মখৈ তুম্নবা য়ানথোক্লগবু......' তম্বুরগী চঙশীনফম মনাক্তা মীয়ামদু তুমিন তুমিন লেপ্পী, অহল অমনা "সাহেব" হায়না মখোয়বু তানবা হায়রগা ঐহাকপু উহল্লি । সাহেবশিংদু য়েংথোরকখি, কোয়না ফমদুনা মিটিং তৌরম্বদগী । ঐনা নিংশিংবদা, তম্বুর অদুগী মনুংদা য়াম্না পাক্লবা মণিপুরগী মেপ অমসু য়ান্দুনা লৈবা উখি । সাহেবশিংদুগী মরক্তগী অমনা ঐবু কিবা পোক্তনবা হায়দুনা অঙাং মচাশিংদা অহল ওইবশিংনা নুংশিনা য়েংবগী মিৎয়েংদা য়েংলগা "খম্মিন চাকো খম্মিন" হায়না কৌশিল্লক্লে । ঐহাক তম্বুর মনুংদুদা চঙশীল্লম্মি । মাগী ফমফমদগী সাহেব অদু হৌগৎলক্লগা ঐগী নাক্তা চঙশীল্লক্লগা হংখি- "চাকো ৱাট-দু-দসে ? "ইবুংঙো নুপামচা মখোয়না করী হায়বনো ? অসিনি .... মতম অদুগী ঐহাক্কী Broken English তা খুমখি .... "All garden bamboos cut down they want rupees" ঐহাক্না হায়বদু মখোয় মুন্না ভাব তাখি । সাহেব অমনা চেদা শরশর ইশিল্লি । ঐঙোন্দা অমুক হায়রকখি- "ও খে থেল দম ইভরিথীং ৱীলবি ও রাইট, দে ৱীল গৈট মনি সুন, য়ুনো মনি, রুপীজ" ঐনা অহল শিংদুদা লাওথোকখি । "পৈশা পীরনি হায়য়ে থুনা" অহনশিংনা অমুক লাওরকখি "ইবুংঙো কৈদৌঙৈনো হংউ" সাহেবনা অমুক হায়রকখি ৱাট দু দ সে ? থেল দম থবি খ্বাইট, ঐহাক্না সাহেবতা হায়খি- "দে মিন ৱেন তুগেৎ মনি," সাহেবশিংদু অমুক ওনশিন্নদুনা মখোয় মশেল খন্নরে, অদুগা হায়রকই । থেল দম তু খম এগেন হিয়া থমারো ফাইবও ক্লোক, ও-খে" থেল দম চাকো-" ঐহাকসু ইথন্তা হরাওজবা অমসুং পাখৎলুবা অমগা লোয়ননা স্বর থবেৎ থবেৎ হোন্না খুলগী অহলশীংদুদা ওনশীল্লগা তমলমই, "হয়েং পুং মঙাদা সীদা অমুক

লাকখো হায়রে” ময়াম পূন্নমক নুংঙাইনরে অহল অমনা হায়রকখি “অদুনিদনা লোন খঙনদবগী তৌবনি হায়বা, হৌজিক্তি মহাক্কা ঙাংনরগা লোইনা ভাব তানরেদো”। হরাওনবগা লোয়ননা ময়াম পূন্নমক ইরাঙ লাঙই; অদুদি চৎলসি হায়দনা ঐখোয় ময়াম অমুক তরাকোনজিন্দগী হল্লকই । ঐহাকসু পুক্লিংদা নুংঙাইজবা অমা পোকখি ঙসিদা খংলকই ঐহাক অঙাং ওইনা ইন্টরপ্রিটর ওইখিবনি ।

অসি নত্তবা থৌদোক অতৈ খরসু ঐগী নিংশিংবদা অদুম মমি তাদুনা লৈরি । ২শুবা লানজাও মনুং অসি ৱারবসু ৱা-না মণিপুরদা লৈবা ঈশৈ নোংমাই তৌবা মীওই কাংবু খরদি আর্মীশিংগী মরক্তা জগোয় ঈশৈ তৌরগা শেল য়াম্না ফংনবসু য়াওই । হায়জরিবা কুম্মৈ ফিয়োংগী মওং অসি ইম্ফালগী Army লৈফম অমসুং মফম কয়াদসু অদুম শোয়দনা পাঙথোকনরমগনি । হায়রিবা জগোয় মখল অসিবু মতম অদুদা মরবাক (মীরৈবাক) জগোয় হায়না খঙনৈ । হারমোনিয়ম পায়বা, বাশি খোংব, তবলা য়ৈবা অমসুং ধুলোক থিনবা নিপা অহুম মরি য়াওই । মখোয়না মতাই ওইরপ্পা ফক অমদা ফন্নগা খোংবা য়ৈবা তৌই, অদুগা নুপী মরি মঙা মথঙ মথঙ অমমম ওইনা থোক্লুনা জগোয় শাই । নুপীশিংদু শারি শেৎলি, খোঙজি শিবা মখোঙ অদু থীন্না থীন্না, মপাললমগী লম্বী শোরোক্তা ময়াংনুপীশিংনা শাবা জগোয় অদুগুম্না খুৎথেক শাথেক কয়া উত্তুনা জগোয় শাই । জগোয় শাবিশিংদুনা শক্লখিবা ঈশৈ খরদি “তুমনে মুঝকো প্রেম শিখায়া, পিয়ু পিয়ু বোল, প্রানা পাপিহে পিয়ু পিয়ু বোল, নজানে কিধর আজ মেরি নাও চলিরে, চল চলরে নৌজৱান অসিনচিংবা । Indian Army শিংনদি য়াম্না নুংঙাইবা মওংনি, অদুবু বৃটিশ অমেরিকান অমসুং ইংলিস লোনবশিংদদি ঈশৈশিংদুদা কয়া নুংঙাইবদি পোক্লে, অদুম্নদি ওইরগা জগোয় শাবিশিংদুগী ইথক ইপোম অদুদা মখোয়সু ইরোয়ননা হরাওজখিবনি । মরক মরক্তা লাওরকই ইংলিস সোঙ হায়নসু । মখোয়না হায়রকপা অদু Respond তৌবা ওইনা (য়ানিংবা উত্তুনা) “God save the King” নৎত্রগা Twinkle Twinkle Little Star হায়বনচিংবা জগোয় শাবি খরনা শকখিবসু য়াওই ।

অসিগুম্লবা জগোয় অসে নোংমা কংলাগী শঙ্গোয় অমদা তৌবা তারম্মী । মরু ওইনদি, বৃটিশ আরমীনা থৌরাঙ তৌখিবনি । তিল্লিবা পূম্নমক বৃটিশ অমদি আমেরিকাগী পাইলোট ঙাক্তনি । ঐহাকপু পাইলোট খরনা মখোয়গী মরক্তা ফমহল্লে অদুগা ঐগী কোক্তা মখোয়গী নাইট কেপ অদু উপশীনবীরমই । মখোয়গা নোক-খেদুনা ৱারি ৱাতায় শানবা উবদা, জগোই শাবী অমনা ঐঙোন্দা কৌরগা হায়রকই "হো ইবুংঙো ইংলিস লোনবা, সাহেবশিংদা পুংদা লুপা ৫০০ নি অমুক্তা হায়বিয়ু" পাইলোট অমনা খুদক্তা হংলকই," ৱাট দজসি সৈ ?" করি হায়রিবনো হায়না ।" ফাইব হন্দ্রেদ রুপিজ ৱান অৱার দানসিং," ঐনা খুমখি । "No, fifty only" পাইলোট অদুনা হায়রকই । ঐনা অমুক খুমখি জগোয় শাবিশিংদুদা "লুপা ৫০ দা পীনি হায়য়ে" "ঙস্মেদা, মিৎতুম ফাকচিনগে হায়য়ু ইবুংঙো" মখোয়না হায়রকই ।

মসি চুম্নগী হায়নরিবা হায়বদুনি, নুপীশিংদুনা জগোয় শারকপা হেক হৌবগা পাইলোট অমসুং অতৈ ওফিসারশিংদুনা থারকপা শেলদি পুংদা পাথোক্লুরবসু ৫০০ গী মথক্তা য়াম্না হেল্লমগনি । জগোয় শারিঙৈ অসিদা, আমেরিকান অমদি বৃটিশ আরমীনা শেল থাবগী মওং অসি য়াম্না নুংঙাইবা মখল অমনি । মখোয়না জগোয় শাফমদা চঙলগা শেল পীবা নত্তে । ফুরীৎখাওদগী তরাচৎপি নোট লৌথোক্লগা জগোয় শারিবীদুদা উৎলি অমসুং কৌশিল্লি, অদুগা জগোয় শান-শানা জগোয় শাবীনা চঙলকপা মতমদদি লুপা অমা চৎপি ওইনা ফাগী তৌদুনা পীবসু য়াওই, নত্রগা উৎখিবা নোট অদু মহাক্কী থবাক্কী ফুরিৎখাও নৎত্রগা ঙকশম Collar গী মখাদা লোৎশিনবসু য়াওই । মতাং অসিদা জগোয় শারিবী অদুনা মখুৎনা পাইলোটশিংগী ফুরিৎখাও নৎত্রগা Collar মখাদা লোৎখ্রিবা শেলদু লৌথোক্তুনা পুখি, মওং অসিদা বৃটিশ আরমীশিংদু থৱায় তানা নোকখ্রপোৎনি । কনাগুম্বনসু লুপা ১০০ হেক্তা থাদোকপসু য়াওই । অসিগুম্লবা আমেরিকান অমদি বৃটিশ আরমীনা

শীল-লাঙবা জগোয় অসিদা ইণ্ডিয়ান আরমীগী মীওইশিংদি য়েংবা পঙনা লাক্তে, মখোয় ইকোই কোইনবগুম তৌই, মখোয় পূন্নমক লানজাও অসিদা মীচঙ ওইজরবসু।

ইণ্ডিয়ান আরমীশিং অসিদি মখুৎতা নোংমৈ পাইজরবসু নোংমতা করিগুম্বা অমগীদমক্তসু কাপথোকচবা ঙমদবগুম তৌই। অমরোমদা কুচু ঙৌবা, বৃটিশ আমেরিকানশিংসিদি তুরেল মপালদা 'সুম ফমলবসু মখোয়না কাপনিংবা পোৎ অমদা খুৎ চুম্বগী Practice ওইনা পংকাপ্তা কাপথোকই। নোংমা ঐনা চেনা শাবা উচেক অমা লংখৎতুনা অসুম শান্নবদা তুরেলদা পাইথখ্রে। তুরেল মপান্দা ফমদুনা লৈবা আমেরিকান সিফায় অমনা ঐঙোন্দা য়েংদুনা নোকলকই অদুগা মঙোন্দা য়াল্লিবা নোংমৈ অতেনবী অদুনা কাপশিনবদা চেগী উচেক অদু মতৎ মতৎ তৎলে। করিগুম্বা উখোঙ-ব্রাখোঙদা, লিল, খারৌনচিংবা থোরকপা উরবসু মখোয়গী নুংঙাইজবা অমা ওইনা লিল অদু পুংতৎ তৎপমখৈ কাপশিল্লি। মখোয় মখুৎসু য়াম্না চুমই, নোংমা ঐখোয় অঙাং ময়াম তুরেল মপান্দা শান্নরিঙৈদা মখোয় মরি-মঙা লাক্তুনা ঐখোয়গী ইরক্তা য়াওররে। মখোয়গী মরক্তগী অমনা Pistol শেংদোক্তুনা মরু হাপতোক হাপচিন তৌনা তৌনা ঐখোয়দা কাপ্পু, হায়না পীরকপদা ঐখোয়দি খুৎ নামতনা পায়রগা Trigger চিংদা ঙমলমদে। মথঙদা উকক অনি লোনশিন্নবগা মখাথংবা অদু ঐখোয় নিপামচা অমদা পায়হল্লগা লেপহল্লে অদুগা সিফায় অদুনা ফুট ১০ লোম চৎথোক্লগা মথক থংবা উকক অদু কাপনবা Aim তৌরকপদা ইমান্নবা অদুনা কীরদুনা থাদখি। মথঙদা মখোয় সিফায় মশেন অমনা পায়রগা অমুক লেপ্লে, মমান্নবা অদুনা Pistol কাপলকখি মথক থংবা উকক অদু ফজনা থোমদোকপা ঙম্বদু ঐখোয়দা উহনখি।

থৌদোক অমনা, নোংমা কানাদিয়ান পাইলোট অনি জিপ অমা তোংলদুনা তুরেল মপান্দা লমখুনু কাপ্পা লাকখি। ঐখোয় ইমান্নবা অহুমসু

মখোয়গী মতুং ইল্লম্মী । মখোয়না উরক ব্রারক্তা লৈতুম লংখৎলগা লমখুনু শঙ্গু পাইথোরকপদুদা মখোয়গী চারা নোংমৈ (Barrel gun) অদুনা কাপখৎপদা পাইবা ঙমদ্রবা লমখুনু কয়া কোইচায় চাইনা তাবদু চেনশীনদুনা খুনবশি ঐখোয়না য়াম্না নুংঙাইজবা অমনি । উচেকশিং অদো মখোয়গী খাও অচৌবদুদা ঐখোয়না হাপচীনবি । অসুম্না ঙাইহাক চৎলবা মতুংদা, মখোয় অমুক হন্নবগীদমক ইরানফমদা থম্লম্বা মখোয়গী জিপ মনাক্তুদা লাক্লে, ঐখোয় অহুমবুসু কৌখৎপিদুনা জিপ অদুদা তোংহল্লে । মথক কুপতবা জিপ অদুদা ঐখোয় অহুমসু তোংলদুনা মনিংগী Plane পুশিল্লকফম লম্বীদুদা থৌরক্লগা কংলাগী অৱাং অরোইবদা লৈবা চিংঙারেল মনাক্কী Camp অদুদা লাক্লে । ঐখেয় অহুমদা শায়ননবা Chewing gum Packet খরসু পীরম্মী । পাইলোট অনিদুগী মরক্তা অমদি খুদক্কী ওইনা মহাক্কী Beaufighter plane অদু ঙাইহাক্তুং মণিপুরগী অকোয়বা লমখৈদা পাইবগী মতম ওইরমানে, ঐখোয় অহুম্সুসু তোংলুসি ঙাইহাক্তনি অমুক থুনা লাক্কনি হায়বগী মহাক্কি অচম্বা ইংলিস ৱাহে খরনা অমসুং মাগী sign অমদি ইঙ্গিতনা খঙহল্লকই । ঐখোয় অহুম য়েংনরে, চাক চানদ্রি, চাক্তি লামনরবা মতমনি, অদুবু পাইরুসি হায়দুনা মাগী plane অদুগী নাকন্দা লৈবা কাখৎফমদুদা মথঙ মথঙ কাখৎলগা পাইলোট অদুগী মতুংদা ঐখোয় অহুম পরেংশানা ফমলে । মখাদা লৈবা মী অমনা plane গী থোঙ অদু থিংজিনখ্রে । ঐখোয় অহুমগীদি ফমফম লৈতবনি অদুবু পাইলোট অদুনা মাগী মতুংদা লৈবা ফম্বা য়াবা মফম খরদা ঐখোয়বু ফমহনবনি । Beaufighter হায়বসি মী অনিদনি তোংগদবা, অমনা Pilot, অমনা ময়ায়দা । Cockpit (পাইলোট ফম্ফম) অদু নাকলগী পংখা উংলিবা ইঞ্জিন অনিদুগী line অমতদা লৈ । অসুম্না ঐখোয়গী পুক্লিংদা নুংঙাইবা অমসুং অকিবসু য়াওনা প্লেন মনুংদুদা ফম্লে । হৌজিক প্লেন অদুগী ইঞ্জিন start তৌগদৌরে । পাইলোট অদুগী মমাঙদা লৈবা ফুৎখাই অমরোম ৱাংখৎপা য়োৎচৈ মতোন্দা (knob) খুৎপায়ফম য়াওবা অনিখক লৈ । Knob অনিদুগী

মরক্তগী অমবু ঐঙোন্দা মথকলোমদা চিংখৎলু হায়না পাইলোট অদুনা হায়রকখি "Pull up" ঐনা ফিভম শেম্লগা গক লাওনা চিংখৎলুবদা নাকল নাম্মগী প্রোপেল্লর (পাংখা) অদু ফর ফর লৈরকখি অমসুং মিকুপকী মনুংদা ৱা ঙাংনবা তাদবমখৈ মখোল থোক্লা কন্না উঙলক্লে । মতুংদা অতোপ্পা (knob) অদুসু অমুক চিংখৎনবা পাইলোট অদুনা ঐঙোন্দা ওনশীল্লক্লগা This one হায়দুনা কন্না হায়রকখি । হন্দকমুক্তি ইমান্নবা অমনা চিংখৎলে অমসুং খঙহৌদনা Propeller অনিমক কন্না উঙলক্লবদা মনুংদা ফম্বা ঐখোয় ৱা ঙাংনবা তাদ্রে, পাইলোট অদুনা Plane অদুগী Centre ৱাইদা ফল্লিবা মাগী Co-pilot অদুগা করি করিনো খর হায়নরে । মখোয় অনীগী ৱারী শানবা য়ানবা মখোয় অনিমক্কী নকোংদা করিগুম্বা পোৎশক অমমম য়াওবনি । মাঙদা ফল্লিবা পাইলোট অদুনা ঐখোয়বু খুৎ চেৎনা চেৎনা পায়হল্লগা ঐখোয়দা ও খে হায়রকপগা লোয়ননা মাগী প্লেন অদু পায়খৎনবা Airfield তম্না লাক্লে ।

মতাং অসিদা ঐখোয় অহুম্মক্কী পুক্লীংদদি চপ মান্ননা চিংনরকপা অমসুং কিরকপগী মওং অমা লাকলম্মী । করিগুম্বা প্লেন অদুনা পাইরিঙৈদা জাপান্না কাপখায়রকপা তারবদি ঐখোয় অদুম শিরে, নৎত্রগা ঐখোয়বু অরাপ্পা মফমদা পুখিবা তারবসু ঐখোয় অহুম্মক ফি-রোল নিংথিজনা অমৎতা শেত্তে, চুম্নগী খোংগ্রাও অমোৎপা মচা অমমম শেৎলগা লাকপনি; অমরোমদা চাকসু য়াম্মা লামলম্মি । অসিগুম্নবা ৱাখল খর অমগা অমগা ফোংদোক্লদ্রবসু চপ মান্ননা খল্লম্নমানে ঐখোয়গী পুক্লীংদা । ইমান্নবা অনিদুনা ঐঙোন্দা কন্না লাউরদুনা হায়রকই-"ভায় লৈহৌরসিরা, প্লেনসি অমুক্তা খামখো হায়য়ু..... হা ফত্তেদা, ফত্তে হায়ৱানি, অমুক্তা খামখো হায়য়ু"। মতাং অসিদা, প্লেন অদুদি Airfield গী অৱাং থংবা মচিন য়ৌরক্লদুনা অরোইবী Speed থাদুনা ঙংলগা চেনগদবগী Speed খর খর খাইথরকপা মতমনি । ঐহাকসু নিংজিং মাংজিং পাইলোট অদুগী মনমগন্দা Sir, stop please, Sir, stop please

হায়না খুৎনা পোপ পোপ থারমই । পাইলোট অদু মমায় লৈথোরক্লে, কন্না লাওরকই "What's wrong....? (করী তৌরে?)ঐখোয় অহুমগী ইতৌ অদু মহাক্লা অদুম খঙলমানে, ইঞ্জিন তপথরে, মমায় মপাগী মিংশেল চিংথোক্লগা Air field দা চৎলিবা মীশক অমদা, মখাগী থোঙ অদু হাংদোকপিনবা হায়খিবা ওইরমানে, টুপী খনথবী উপ্পা নুপা অমা চঙশীল্লক্কুনা থোঙ হাংদোরক্লে অদুগা ঐখোয় অহুমদা নোকশীল্লদুনা এই-চাকো হায়না মথঙ মথঙ থাংথবিরমই । প্লেন অদুদি অমুক হন্না ঙংদুনা মখা পাংনা চেনখ্রে । ঙাইহাক্কী মনুংদা নোংথক য়ৌখ্রে । ঐখোয় অহুমদি তোংসু তোংনিং, কিবসু কি ‘‘হয়েংমুক্তি তোংসিকো’’ হায়না পুক্লিং চরাংননা য়ুম য়ুমদা অমুক লাক্লখি ।

মথঙ মথঙ নিংশিংলকপদা

মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা লানগীদমক মপুংফানা শেমশারক্লবা মতমনি; অমরোমদসু জাপান অমদি মখোয়গা মরুপ ওইখিবা ইন্দিয়ান নেসনেল আর্মীনা মণিপুর তম্পাক য়ৌনবা মখল মখলগী থৌরাঙ কয়া তৌনরক্লবনি । মরক মরক্তা জাপানগী প্লেন খরনা বোম থাদবা লাকলবসু মণিপুর তম্পাক য়ৌদ্রিঙৈদা British কী ফাইটর প্লেনশিংনা নোংথক্তা তান্নদুনা কাপখায়খিবগী পাউ কয়াসু তাবা ফংখি । ইম্ফাল মনুং অমসুং মণিপুরগী মরুওইবা মফম কয়াদদি জাপানিজগী Air attack য়ৌশিল্লকপা ঙমখিদ্রে, মরমদি Allied force (বৃটিশ অমসুং আমেরিকান) না থমখিবা Radar System শিংনা অরাপ্পদা পাইরকপা জাপানিজ প্লেনশিংবু মাঙজৌননা ইরায় লায়না উবা ঙমখিমানে । অসিগুম্বা মতমদা, খুদক্তা অহৌবা সাইরেন অমা অনেম অৱাঙ নাইনা খোংই, অমসুং নোংথক্তা মথাঙ মথাঙ অহুমলক পোকখায়বা, হৌখ্রবা তোপ অমসু কাপখৎলকই, অসুম তৌরবদি থীনদ্রে, মণিপুরদা লৈবা এরোপ্লেন তাফম পূম্নমক্তগী স্পিট ফায়ার কৌবা য়াঙখ্রবা ফাইটর প্লেন ময়াম পাইখৎলক্তুনা মণিপুর সিমানাগী নোংথক্তা কোয়না কোয়না পাইদুনা অদুম guard তৌদুনা লৈ । করিগুম্বদা, খুজিন খুনাম্থোক্তগী য়েক্লবগী প্লেন অমা অনি হাইজিল্লকপা তারবসু Air field গী অনকপদা অমসুং মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা অকোয়বদা খিনখ্রবা চাওর চাওরবা Anti Aircraft তোপশিংদগী নোং খাকপগুম খপতুনা কাপখৎলকপদা Japanese Plane শিংদুগী করিসু উপায় লৈখিদবনি ।

মতম অসিদা মণিপুরগী প্রজা অয়াম্বসে অৱাবগা ইরোয়ননা নুংঙাইবা কয়াসু য়াওদবা নত্তে । থোকখিবা, ওইখিবা থৌদোক পূম্নমক অৱা নুংঙাই

ৱারীনি হায়বসু য়াই । মতৌ অসুম্না খুঙ্গং খুঙ্গং কয়াদসু মহৌশাগী ওইবা চহিগী কুম্মে ফিয়োংশিংদি অদুম কায়দনা চৎথনখি হায়বদা করিসু লাল্লরোই । য়াওশং, কাং, কৃষ্ণজর্ম্মনচিংবা ধর্ম্মগী উৎসব কায়দনা অদুম পাঙথোক্লখি। অসি নত্তবা, মীয়ামগা অদুম তোৎন তিন্ননা লৈমিন্নরবা Army গী Camp কয়াদসু ফিল্ম শো কয়া তোয়না তোয়না উৎলি । ঐহাক্লা নিংশিংজবা Film show গী মফমশিংদি- অঙোম খুঙ্গং অমদি মোইরাং কম্পুগা তাইনবা লমপাক অদুনি। মফম অসিদদি অয়াম্বদা Indian Army গী ওইনা ঙল্লিঙৈ মতমগী হিন্দি ফিল্মনা অয়াম্বা তৌখি । অতোপ্পা অমনা কংলা এয়ার ফিলদগা য়াম্না নক্লনা লৈবা চিংঙারেলগী Anglo American Camp শিংদুদা পাঙথোকই। ঐহাক্কি পুনশিদসু অহানবা ওইনা Cinema হায়বসি করিনো, করম্না উৎপনো হায়বদু মফম অসিদা খঙখীবনি । চিংঙারেলগী মখাথংবা, ঙাম ঙাম্না হাইথরকপা চিংখোঙ অদুদা পাক্লবা স্ক্রিন (Screen) অমা খল্লগা মখল কয়াগী Film উৎপদু ঐখোয়সু উবা ফংখি মফম কয়াদা শোক্লখিবা লানগী মওং, লম তু অমসুং অতৈ ইংলিসগী ৱারী কয়াসু উৎখি। ফিল্মশিং অদু য়েংবদা, অনকপা খুঙ্গংগী অহল লমন, পাখংমচা অমসুং নিপামচা কয়াসু য়াওখি । ময়ুম থাদোক্তুনা লাপ্পা লাক্লবা Anglo-American কয়াদুসু, করিগুম্বা Cinema অদুদা ইশৈ অমা শকপগী মতাং লাক্লবদি মখোয় ময়ামসু হৌদুনা চপমান্ননা শকপা য়াওই য়াম্না নুংঙাইবা মতমনি, মরুওইনা ঐখোয় নিপামচা ওইবা কয়াদি কয়াম নুংঙাইজখিবা ।

নোংমা নুংদাং পুং তরেৎলোম তারকপা মতমদা ঐখোয় নিপামচা শঙ্গু অমা চিংঙারেলদা সিনেমা তৌগনি হায়বগী পাউ তাদুনা চৎলমই । নিংথমথানি, ঐখোয় অয়াম্বনা ঙবোং মচা অমমম ইল্লম্মি । Anglo-American Camp কী করম্বা মফমদা তৌগদৌরিবনো নত্রগা তৌরোইদবরা হায়বসি ঐখোয় ভাব তানরমদে । ঐহাক্লা খরা খঙই হায়বসিদা ইমান্নবশিংদুনা ঐঙোন্দা "অমুক্তা হংঙুবা কনানোমদা হায়না তকশীল্লমই । লম্বীদগী খরা

চঙশীল্লগা লৈবা তম্বুর অমগী মনুংদা কনানো অমা লাইরিক ইদুনা লৈবা উই। মহাক্কী মনাক্তা ঐ পরপ পরপ চঙশীল্লে অদুগা তম্বুরগী চঙফম ময়াদা লেপ্লগা ইচম চম্না হেক্তা হংখি "সার, তুদে সিনেমা ও রাইট..? ঙসি সিনেমা শোইদনা তৌগদ্রা হায়বসিনি ঐনা হংলুরিবদু-চৎনবী ৱাহৈগা অমত্তা য়াওখিবা নত্তে। ঐনা হংলুরিবা মীশক অদুদি নিপাসু নৎলমদ্রে, মেম নুপী অমা মমাইদু তুপীনা খন্থরগা লালটেনগী মঙালদা লাইরিক ইরম্বনি। মহাকসু ঐনা হংলুরিবা অদুগী অর্থ ফজনা খঙখি- মমায় থাঙ্গৎলগা শম্না খুমলকই 'এস... মে-বি, তৌবা য়াই হায়না; ঐনা অমুক হংখি "হোয়ার" কদাইদনো হায়না-। মতৌ মান্দনা English গী ৱাহৈ খরা শিজীন্নদুনা মতেক মতেক ঙাংনবদু মহাকসু হৈনিংবা পোকলকখিমানে নোক্তুনা মনিং থংবা মায়কৈদা খুদোম্বী থিন্দুনা তাকলকখি- "দেত সাইদ ওভ দেয়া" (that side over there) অসোমদা হায়না। ঐখোয় ইমান্নবা ময়াম মানা তাক্লিবা অদোমদা লাকই, নুমিৎ অদুগী অঙনবা অহিংগী মতেক খরদু ঐখোয় চিংঙারেলদা Cinema য়েংখি।

লান মনুং অসিদা কংলা সিফায় কৌবা খুঙ্গং অসিগী পূন্সিসু ঐনা হান্নসু খর পনজখ্রবা অদুম্না মহৌশাগী ওইবা হরাও কুম্মৈ ফিয়োংশিংসু অদুম তেক্তা কায়দনা চৎথখি। খুঙ্গং অসিগী খা-ৱাং, তুরেল মপাল অমসুং নোংচুপ থংবা মাইকৈদা ইন্দিয়ান অমদি Anglo American Army না পিক থন্না লৈখ্রবসু খুঙ্গংগী প্রজাশিংসু Army গী মীয়ামশিং অদুগা অয়াম্বা মতমদা চান্না চিন্ননা লৈমিন্নখি হায়বদা করিসু অরানবা লৈররোই। অমুক অনিরক্লুম্বদি পুকচেল পিকপা সিফায় অমা অনিনা হূরান চিন্থিগা মরি লৈনবা থবক খর থোকখিবা য়াওই, অদুবু খুঙ্গংগী লিংজেল মান্নবা ১দি Military গী অকনবা দন্দিগী চৈরাক্তা মখা তানা ফত্তবা অমত্তা থোকখিদে। করি অমুক হায়গনি চান-থক্লবা, চেং-হৱাই, থাও থুমনচিংবা পোৎচং কয়া আর্মীশিংদগী করিসু অৱাবা লৈতনা পঙফঙদা ফংনবা মতমনি। অসিগুম্লবা খুদোং চাবা অসি মতম অদুগী মণিপুরগী মফম অয়াম্বদসু অদুম থোকলমগনি হায়বসি মশানা

তারবা ৱাফমনি, মরমদি বৃটিশ Army দা থাদরকখিবা মতম অদুগী খরচ পূন্নমক অদুদি য়াম্না লেম-পানা অমসুং মরাং কায়না শীল্লকপা ঙাক্তনি হায়বা য়াই । ইশাগী ওইনা পনজরবদা-মমিঙদি খঙজহৌদ্রবা বৃটিশ ওফিসার অমনা ঐবু য়াম্না লুনা তৌবিখি । মহাক্না ঐগীদমক নিতিগী Army Ration দগী থুম সামরগী চাওরবা মতুম অমা, Milkmaid থাবা শঙ্গোম কৌতা অমসুং চিনি, নুমিদাংৱাইরম খুদিংগী পুবিরকই । ঐনা লাইরিক ওরাইফম টেবল মনাক্তা চঙলক্তুনা ফম্লগা, মসখিতু (কাঙ) য়াম্না লৈরে হায়দুনা মথঙগী নুমিত্তা কাঙ কাপথোক্লবা Pump অমা পুরক্তুনা ঐনা লৈরিবা মফম অদুগী অকোয়বা অমসুং য়ুম মনুং অদু মহাক্না কাং কাপথোকপিখি। মহাক য়াম্না তোয়না লাকই, অৱা নুংঙাই পাউ হংলৈ । লালটেনগী মৈঙান্দা লাইরিক পারবদি "অসুম্না মঙাল পীগদবনি" হায়না চে মচেৎ অমনা চিমনী হাপফমদা চপলগা খন্থবসি মহাক্না তাকপীরমই । ঐঙোন্দগী মৈতৈলোনগী ৱাহৈ কয়াসু মানা খঙবা ঙমখি । অদুবু মখোয়দি ইখঙ খঙহৌদনা হোংদোক হোংজিন তৌবনিনা, কদায়দনো অমুক চৎখ্রমানে, ঐহাক্না উনখিদ্রে । মহাক অসিগুম্বা কয়ানি ঐহাক্না নুংশিনা খঙনখিবা। Anglo American Army কয়াগা লোয়ননা কাউঙমদবা ৱারী কয়া শামিন্নখি, নোকমিন্নখি, চৎমিন্নখি মখোয় কয়া কয়াগা, মখোয় পূন্নমক অদুগী ৱারী নিংশিংলগা লোইনা ইরুবা তারবদি পাবিরিবাশিংনা তনথবা পোকলকপা য়াই । করীগুম্বা ঐহাক্কী কলমনা ইবদা য়াওহৌদ্রবা, ঐহাকপু নুংশীবীখিবা Anglo-American খরগী ৱারী চিংথরম্বা থোক্লবসু মখোয় অদু ঐগী মপূং ফাদ্রবা নিংশিং ৱাখলগী দোষনি, মদুগীদমক ঈশ্বরগী মফমদা ইরাল ঙাকপীনবা খুরুমজরি ।

Jack Hodge কৌবা কানাদীয়ান পাইলোট অমা ঐগী নাক্তা মরক মরক্তা লাকখি, ঐসু মাগী লৈফমদা চৎলি চীংঙারেলদা । ঐখোয় অনি ৱারী কয়া কয়া শানৈ । ফজরবা কানাদাগী লম কয়া য়াওবা Photo ঐঙোন্দা য়েংহল্লি । মহাক্কী লেংজুমদা থারিবা Canadian হায়বা Badge অদু ঐনা

কানাদিয়ান হায়না শেংনা পারুবদা মানা হায়খি-No "খেনেদিন" হায়গদবনি হায়না। ঐহাক্না মঙোন্দা য়াম্না তোয়না You হায়বসি ৱারী শাবদা শিজীন্নে, মদুদা মহাক্না তাকপীখি "মীগা ৱারী শাবদা, নঙনা হায়বদু করিনো হায়না অমুক হংবা তারবদি Pardon হায়বসি শিজিন্নগদবনি হায়বনচিংবা। ইংলিসকী চৎনরোল, ফজবা ৱাহৈ কয়া করম তৌনা Pronounce তৌগদগে হায়বনচিংবা তাকপিখি। ঐহাক্না কোন্না খঙলকখি, Jack Hodge অদু Canadian ওইরবসু Oxford গী English ফজনা হৈবা মীনি হায়বসি। মতম অদু ঐহাক ক্লাস iv লোইরদুনা ক্লাস v কারক্লবা মতমনি সি-সি হায় স্কুলদা। মতম অদুগী ছাত্র অয়াম্বসি British অমসুং Indian Army শিংগা য়াম্না চূশিন্নরবা ঙাক্তনি। School দসু মতম অয়াম্বদা মখোয় মখোয়না থেংনরুবা ৱারী "experience অদু ঙাক্তনী ঐখোয়না লীনরিবা তম্নরিবা। ঐহাকসু Anglo American কয়াগা চহি অমা হেন্না লোয়নরক্লবনিনা, মখোয় অয়াম্বনা শানবা ৱারি, ৱাহৈগী খোম্হোক তাবা হৈনরকখি, অমসুং ঐনা করিগুম্বা অমা খঙনিংবা মতমদা হৈরবসু হৈত্রবসু থোইনা অকিবা পোকলক্রুবা মতমনি।

নোংমা ঐহাক Jack Hodge অমসুং মাগী মরূপ খরগা Airfield ময়াদা লেপতুনা লৈরিঙৈদা Japanese গীনি হায়না চিংনবা Plane অমা এরোড্রোম মপাদা পাইরকখি, লোয়নন্না সাইরেনসু খোংলকখি, ঐহাক পাখৎপনা য়ুমদা চেল্লগে তৌবমক্তদা Jack Hodge না ঐগী কোকথক্তা মখুৎনা তাপ নমথরগা মনাক্তা লৈহনখি। পাইরক্লিবা Plane অদুনা ঐখোয়গী কোকথক মপা য়ৌরকপা ফাওবা য়াম্না চেকশীন্না য়েংখি, কোক মপা হেক লানখিবদা O.K. হায়না কোমথোক্লা অমুক ৱারী শাই। মশিনা ঐঙোন্দসু লৌশিং অমা ওইজহৌই।

Jack Hodge না ঐগীদমক খাকি হাপপেন্ট মচা, ফুরীৎনচিংবা পুবীরকই করি অমুক হায়গনি ঐগুম্বা অঙাংশিংনা পামগদবা পোৎ কয়া, কলম,

Pencil, চে, লোয়ননা Tin দা হাপ্পা হৈ-রা লোইনা পুবীরকখি । মহাক কিহোম য়াম্না চানিংখি অদুবু ঐনদি অমত্তসু থৌরাং তৌবা ঙমখিদে । মহাক্না ঐখোয়গী Photo য়াম্না কাপ্পীখি । Photo পীয়ু হায়রুবদা মানা হায় "ফাইনাপু বাকশিস"। কিহোম পিয়ু হায়রীবনি ঐখোয়না পাইনেপল হায়বদু মখোয়দি ফাইনাপু হায়, বাকশিস হায়বসিনা ইন্দিয়ান ৱাহৈনি লেম্না পীবা বংশিস হায়বদুনি ।

Fernandez কৌবা English পাখং অমসু ঐহাক্কা মরুপ ওইখি । মহাক্তি কংলা অমসুং আঙোমগা লোন্নবা মরক্তা লৈবা লাইজিং চিংখোঙদা লৈবনি । মহাক্কা হেক থংননা Sergeant Moore কৌবা মৈতৈলোন য়াম্না খঙবা ওফিসার অমসু লৈরমই । ৱাংজিংদা মহাক হান্না লৈরুই হায়না ঐখোয়দা তম্মি । ৱাংজিং খোমদোম্বী হায়না খঙনবী মতম অদুগী মণিপুরগী জগোয় রাসতা মমিং চৎলবী নুপী অমনা শকপা ইশৈনি হায়দুনা মরোল ইখোয় খোইনা ঐখোয়গী মাঙদা হেক-হেক ঙংই । মদুগী English Officer অদু ইশৈ য়াম্না পামজবা মীশক্লি হায়বগী খুদম অমনা-মতম অদুদা ইহান হানবা ওইনা গ্রামোফোন রেকোর্দতা শ্রীঙাংবম নিমাই সিংহনা শকখিবা "জাতি কৌবী শকহেনবী" হায়বদু ফাওবা মহাক সুর চানা ঙংবা ঙম্মি । য়াম্না নুংঙাই মতম অদু । নুংদাংৱাইরমদা হেক হেক মখোইগী মনাক্তা চৎলি, মরু ওইনা Moore সাহেবনা ঙাঙবা মৈতৈলোনশিংদু তাবদা য়াম্না নুংঙাইবা পোকই, অনৌবা কয়াসু ঐখোয়দগী তম্মি । মহাক্তি লোলবু ফজনা খঙনীংখিবা মীশক্লি । য়াওশংগী থাবল ইশৈদা ঐখোয়না তোয়না তানখ্রবা ৱাহৈ "তা-হে" হায়বদুগী meaning করিনো হায়না ঐঙোন্দা হংখি, ঐ খুন্বা পাক ঙমদে, অদুবু ৱাহৈগী লৈতেং decoration of words নি হায়না খুমখি । অসিদা নত্তে মহাক্না হংবসি য়ামখ্রবা পোৎনি । খোনচোপ ৱাহৈ ৱাতানচিংবসুনি ।

অমরোমদা Farnandez না মাগী table মচাদুদা ফল্লগা ইংলিসকি ইশৈ ঙাক্তা শক্কুনা লৈ । ঐঙোন্দসু Fernandez না English গী ইশৈ তন্বীখি,

খোনজেলদি ফাহৌই ময়েক্তি মুন্না খঙখিদে । মানদি চেনা অমদা ইদুনা পীখি অপিকপা ময়েক্তনি । ইশৈ অদুমদি ঐহাক্লা লাইরিক মরক্তা মথঙ মথঙ অসুম থেৎচীল্লকপদগী ঙসি ফাওবা লৈহৌরে । মহাক্লা ইরন্বা ৱাহৈশিংগী অর্থদো খঙনীংলক্কুনা লান লোইখ্রবা মতুংদা ইদুনা অসুম শান্নখি, কয়াদি নুংশিখ্রে -

If wishes could work magic
If wanting brought things near
To day, my love I'd kiss you
And start with you another happy year.

নহা ওইরিবা কয়ানা মাগী মাগী নুংশিজবীশিংবু থাদোক্লম্লগা অরাপ্পা মফমদা লাক্লবা, অমসুং মাগী মাগী নুংশিজবীশিং অদুবু অমুক উনবা ফংবগী আশানা তামলক্লবদা, ৱাখলগী মঙলান অমদা তাওবনি, অসুম্না "পুক্লিংগী অপাম্বনা মিত্রং যাদু তৌবা ঙম্লম্লবদি অমসুং অৱাৎপা হায়বদুনা অপাম্বদুবু ইনাক্তা পুরকপা ঙম্লম্লবদি ঙসি কৌবা নোংসিদা নুংশিবী নহাকপু চুপচরমগনি, অনৌবা, নুংঙাইরবা পুন্সী অমা নঙগা খোঙদামিন্নরমগনি" হায়না শৈথাবা ইশৈনি । অসুম্না ঐগী মরুপ Fernandez অদুদি য়াম্না Romantic ওইবা নুংশি নুংওলদা ঙাওজবা নুপানি, অদুবু 2nd World War না মহাকপু পুবীরকখি মাগী নুংশিবীদগী লাপ্পা ।

নোংমদি Fernandez না ইরুজরিঙৈদা মাগী ফি শেৎফম কাদগী করিনো'মা ঐঙোন্দা "অমুক্তা পীরকউ" হায়রম্মি । মহাক্লা পামলীবদু মাগী Towel (গামশা) অদুনি, অদুবু মহাক্লা হায়রকপা Towel গী খোনজেল অদু ঙাইহাক্তি ঐনা খঙবা ঙমখিদ্রে । মহাক্লা হন্না হন্না হায়রকখি "থা-ৱল, থা-ৱল" । Twelve হায়রিমানে খন্দুনা করি করিনো পোৎ খরা ঐনা পুশিল্লমই । ঐ খঙদ্রে হায়বসি খঙলদুনা য়াল্লিবা গামশাদা খুদোনবি থিন্দুনা খঙহল্লক্লে "থা-ৱল" । ঐ ফজনা খঙখি । "এ, টোৱেল হায়বসি থা-ৱল

হায়বোরে" । নোংমনা অমুক Fernandez ঐখোয় অনি ৱারী শানদুনা লৈরম্বদগী, ইরুজরুরগে হায়না মহাক্কী খাজীল্লিবা ইরুজফম কাদুদা চংখ্রে । তানজা অসি মক্তদা Wasbie হায়না খঙনবা ইংলিস নুপীশিংনা পোৎ য়োনবা চৎপগী Mobile Canteen গী গারি অদু নাক্কি লম্বি অদুদা সর থৌদুনা লাকখি । মহৌশানা Wasbie গী পোৎয়োনবা গারি অসি লাকপদা American অমসুং British Army শিংনা ওম্থোক্লা হরাওজবনি । মশক মতৌ ফজবী মেম নুপীশিংদুদগী পোৎ লৈবা মতমদা ঙাইহাক ৱারি ৱাতায় তৌদুনা মখোয়না নুংঙাইজবদো লান মনুং অদুদদি ওম্থোক্লা মমল য়ামখ্রে । করিগুম্বা মফমদা কোঙৌ মচেৎ অমদা Wasbie Please Call (কৌবিরকউ) হায়না ইশিল্লগা য়াম্দুনা থম্বসু য়াওই । অসুম্না Canteen গী গারি অদুনা Fernandez খোয়গী তম্মুর মপা য়ৌরকপদা খংতপ তপথরগা মেম নুপী অমনা গারিদগী মকোক থিন্দোক্লগা নুংশিনা লাউরকই, Anything to buy? করি করি লৈগদবা লৈব্রো ? হায়না ! Fernandez ইরুজফমদগী ইচোৎ চোৎনা মখ্বাঙদা টাৱেল অমা য়েৎশীল্লগা থোরকই, ঐঙোন্দা লুপা ৫পীরক্লগা হায়-"Go and get a soap for me please". মহাক্কী সাবন লৈননবনি খঙদুনা ঐহাক হরাওনা চেনথোরকই মেম নুপী শিংদুদগী পোৎ লৈনবা । অয়াম্বা বৃটিশ আর্মীগী মীওইশিং চেনশীল্লক্লুনা পোৎ লৈনরমই । ঐহাকসু পয়শা উৎতুনা খুৎ তিংথোকলুই Soap, please হায়না । ইংলিস নুপী অদুনা মেঙলবা খোনজেলদা শম্না খুমলকখি "No, this is not for you." ঐহাক Civilian ওইবা মরমনা ঐখোয়গী নত্তে হায়না মহাক্লা খুমলকপনি, অদুবু ঐনা Fernandez দা খুদোম্বী থিল্লগা অমুক মেম অদুদা This is for him হায়রুবদা মহাক নোক্লদুনা সাবনশিংদু পীরকখি অমসুং অতৈদা তৌবগুম্না ঐঙোন্দসু "Thank you" হায়রগা খুৎ শোক্লখি ।

অসিগুম্বা ৱারি কয়াসে মফম কয়াদা অমসুং মীওই কয়াদসু শোয়দনা থোকলমগনি মতম অদুদা, অদুবু ঐঙোন্দা হকথেঙনখিবা ৱারি মতেক

খরসিদং, ২শুবা লানজাও অদুগা ঐগী পুনশিগা মরী লৈননা ঐহাক্না পাওদমজবনি ।

নোংমা য়াওশং মনুংদনি, ঐহাক্না লৈজখিবা ইনেখোয়গী শুমাঙদা খুঙ্গংগী পাখং লৈশাবি অমসুং অনকপা মফমদগী নহারোল কয়া থাবল চোংখি । মতম অদুগী থাবলদি অহানবদা ইশৈ হৈবা নিপা অমনা শুমাঙ ময়ায়দা চৎনা চৎনা চোংলিবা থাবলদুগী তাম্থা চানা ইশৈ হল্লি । থাবল চোংবা য়াওরিবশিংনা খুম্মী । অতপ্পা তালদগী খরা খরা অসুম থুজিল্লকপগা লোয়ননা ধোলক, বাসি অমসুং মন্দিলাগী অপুনবা তাল অমদা ইশৈ য়াওদনসু কন্না কন্না চোংবা হৌরকখি । ইনেখোয়গী শুমাঙদো মীনা কৃক কৃক ইন্নরম্মী, লুকমাইফম্বী, পোৎয়োনবি কয়াসু কোনথোং চঙফমদগীনা ইংখোল মতাই মতাইফাওবা, অচাপোৎনচিংবা ক্বা-হৈ য়োন্দুনা ফম্মি, শম্না হায়রবদা অহল নহা খাক্তনা থোইদোক্না হরাওনখিবা অহিং অমনি । হায়রিবা থাবল অসিদা চিংঙারেলদগী পাইলোট কয়ামরুমসু লাক্কুনা য়েংলৈ । নুমিৎ অদু, মখোয়গীসু নুংঙাইথোকপা নুমিৎ অমা ওইবরা করিনো, মখোয় অয়াম্বা য়ু খরা খরা ঙাওরবসু মাল্লি । শঙ্গোয় ময়াগী চুরি তাফম উফুল মরক্কুদা ফমথবা য়াও হিপথবা য়াও করি করিনো মখোয় মশেল পঙঙাঙ ঙাঙদুনা লৈরম্বদগী মখোয় খরা অমদি চোংলিবা থাবল অদুদা য়াওশীনখ্রে । মখোয়শিং অসিবু অসুম তোয়না উনরকপদগী থোইদোক্না অকীবা অমসুং হঙ্গোইবা ব্রাখল পোকনরক্রবা মতমনি । থাবল অদুদা য়াওরিবা মৌনহা, লৈশাবিশিং অদুসু English Pilot শিং অদুনা হৈগুম হৈতগুম মখুৎ পায়দুনা চোংবদু অদুম য়ারে । মীয়াম্না 'সাহেবশিংসু য়াওরে' হায়না ব্রা-ব্রা লাওনা য়েংনৈ । মতৌ অসুম্না মখোয়সু ঐখোয়গী চৎনবি থাবলগী মওং অদুদা য়াওরম্বদগী; মানা মানা পায়রিবা নুপীশিং অদুগী মখুৎ নাম্মা নাম্মা পায়রগা English কী Ball Dance কী মওংদা চৎথবা হৌরকলমই । করিনোমা তৌরে, করিনো'মা তৌরে, হায়দুনা ময়াম ব্রা-ব্রা লাউনরকলে, থাবল য়াওরম্বা নুপীমখৈ কায়দুনা চেনথোক্লরকই,

মফম অদুদা চরাঙনবা অমা থোক্লে । থাবল চোংফমদুদা য়াওবা ইংলিস হৈবা পাখং কনা কনা লৈবগে, "ঐখোয়গী ধর্ম্মগী থবকসিদা অকায়বা পীবীগনু" হায়না অমুক্তং হায়নবা ফৈ হায়না কোয়রাও লাউনরকই । অদুবু মতম অদুদা, মফম অদুদা থাবল য়াওবা লাকখিবা পাখং নহাশিং অদুগী মরক্তা কনাসু ইংলিস ঙাঙবা ঙম্লদবনা পূম্লমক ইপা পাখৎনখি । মীয়াম মরক অদুদা কনা কনানো খরনা ঐহাকপু পন্দুনা নিংশিংনরকপা য়াওরকপদা ঐদি তানজা অদুদা অঙাওবা পাইলোটশিং অদুগা মায়য়োক্লবা কিবনা তুমিন্না অদুম কুম্মে য়েংদুনা লৈরে । হায়রিবা থাবল চোংফম অসিগী মখা থংবদা লৈবা য়ুম অমগী মনিঙদা হিন্দুস্তানি ফজনা ঙাঙবা ঙম্বা ইংলিস ওফিসার অমা লৈরম্মি, লাইবক ফবনা মহাকসু অহিং অদুদা থাবল অদু মহাক্কি অচম্বা ফিজেৎতা, য়েংদুনা লৈরম্বগী তানজানি । মহাক অসি Sergeant নি, মাবু খঙবা কনাগুম্বা খরনা হিন্দি লোলদা থৌদোক অদুগী অকায়বা, নুঙাইতবশিংদু ৱারী শারগা পাইলোটশিং অদুগা অমুক তৌবিদনবা হায়বিয়ু, হায়না তকশীনখি । য়ু ঙাওবা, শঙ্গোয়গী চুরি ময়াদা পুল্লপ পুল্লপ তাশিন্দুনা লৈরবা পাইলোট নাহারোলশিং অদুদা কুম্মে য়েংলম্বা ইংলিস ওফিসার অদুনা ৱাহৈ খরা ঙাংলুবা মতমদা, মহাকপু মখোয় কনানসু থৌশাবিদ্রে । পাইলোটশিং অদুনা মঙোন্দদুম লাউশিল্লকই, who are you, we don't jnow you, Get out." মহাকপু থৌশাবিদ্রে হায়বদু মহাক খঙই মরমদি মহাক চুম্নগী মোজা ফুরিৎ Armless অমগা মাগী Khaki খোংগ্রাও অদুতনি মহাক্না মতম অদুদা শেৎলিবসি । থীন্দনা মহাক্কি লৈফমদা চেনখ্রে, মিকুপ খরগী মনুংদা মাগী চপচাবী ফিজোলদা পিস্টোলনচিংবা য়ান্দুনা লাক্লে । অমুক হন্না পাইলোটশিং অদুগী মমাঙদা চীঙ-লেম্না লেপ্লগা ঙাঙলুবা মতমদদি, Rank অমসুং ফমথোলবু চপচানা সনমান তৌবা ইংলিস অমসুং অমেরিকান নহারোলশিংদু হৌগৎলক্লে, মশাদা পকপা উফুল ৱাইফুলশিংদু কনথোক কনথোক্লা মতুং ওন্থোক্তুনা চৎখ্রে । অহিং অসিগী থৌদোকতগী ঐনা মিলিটারি আর্মদ ফোর্সকী মরক্তা লৈরিবা অচেৎপা, ফজবা Discipline অমা উবা ফংজখি ।

অসিগুম্বা থৌদোক মচা মচা কয়া অসিনা ঐনা অঙাং ওইরিঙৈ মতম অদুগী ৱারিগী মচল অমনি । মতম অদু অকনবা লানগী মনুং ওইরবসু য়েংনিংঙাই কুম্মৈদি অমৎতা ৱাৎখিদে । কংলা খুঙ্গং অমদি অঙোমগী মরক্তা অচৌবা লমপাক অমা লৈরম্মি, অদুদা শেমখিবা আর্মীশিংগী ফুটবোল শান্নফম অদুদা নোংমতা কাংদনা ফুটবোল শান্নবসু অমনি । লাকখিবা বৃটিশ, আমেরিকান ১দি নেগ্রোশিংগী মরক্তা হৈর-হৈরবা ফুটবোল প্লেয়ার য়াওরকখি । মখোয়সু লাল্লক অদুদা টুর্ণামেন্ট কয়া পাংথোকখিবনি । নুংঙাইখ্রবা কুম্মৈনি, খুলগী নহা অহল কয়া লম্পাক্কি অকোয়বদা ফমদুনা লেপ্তুনা য়েংই । নোংমদি কুচু ঙৌবা Team অমগা, কুচু মুবা Negro গী Team ১গা শান্নবদা ফৌলীং (অরানবা) তৌনরকপা য়াওবদগী মখোয় মশেল শাথিনা শাওনখি, লাম্বা লাম্বা বোক্সিং তৌনরক্কে তৌবমক্তদা, অচৌ অচৌবা কেপ্তেন অমদি মেজর কয়া চেনশীন্নরক্তুনা খামদোক্লবদগী নুমিৎ অদুগীদি ফুটবোল অদু লোইশিনখিদ্রে ।

অঙাংগী মতমনিনা অঙাংগী ৱারিনা অয়াম্বা ওইরে । নোংমদি ইমান্নবা খরনা ঐহাকপু "কংলা এয়ারফিল্ডগী অৱাংথংবা মতাইদা চৎলুসি" আমেরিকান ময়াম নুমিৎয়ুংবদা চাক চাবা লাক্কদবনি, মদুদা মখোয়গী চাক পীথোক পীশিন তৌবগী লুপা ৫-৫ ফংই, চৎলুসি হায়না ঐবুসু হৌরমই । ঐহাক চৎপদি চৎনিংই অদুবু মখোয়গী চাক পুথোকপা হায়বদুদি পুক্লিংদা খরা হৈনরোইদবা ওইনা ফাওখি । মথঙগী অয়ুক্তা ইমান্নবশিং অদুনা চৎপদা ঐসু য়াওবদি য়াওরে । এরোপ্লেন থম্ফমগী অহাঙবা মফম অমদনি, মখল কয়াগী গারী, ত্রক, জিপনচিংবদা আমেরিকান আর্মী ময়াম লাক্লগা মানা মানা থোকপা, ফম্বা য়াও, লেপ্পা য়াও, লৈনরমই । ঙাইহাক লৈরগা ঐগী ইমান্নবশিংদু চাক থোংফম অদুদা চঙশীনখ্রগা শীল-লাঙলিবা চাকথোংবশিং অদুদগী য়েল্লুনবা চাক ইন্সাং অদু খুৎপাইফম য়াওবা ট্রে মচা অমমমদা হাপ্লগা

পুথোরকই। মখোয়না, ফমলিবা লেপলিবা মীশিং অদুদা য়েনবগী থবক অদু লোইখ্রে। ঐদি চাক য়েনবগী থবক অদু ইথন্তগী ওইবা ৱাখল অমদগী য়াওবা ঙমখিদে, নাকলগী Bunker মথক লৈবুঙ অদুদা ফম্লগা য়েংদুনা অদুম লৈখি। চাক য়েনবা লোইখ্রবদা ইমান্নবশিং অদুদা মথঙ মথঙ লুপা ৫-৫ পীরমই, Bunker মথক্তা ফল্লিবা ঐবুসু লুপা ৫ থুংবিরমই। ঐখোয় ময়াম হল্লক্লে ৱা-ৱা নোক্তুনা, ইমান্নবা খরনা হায়খি- "নঙদি পোৎ য়েনবা য়াওদ্রসু পৈশা ফংঙকইকো" অমনা অমুক হায়রকই- মাদি মশক খঙনরমগনি অদুননি। খরনা "নত্তেহে মখোয়দি ইবুংঙো, পোৎ পীবদা মী খোখোপমক শুনা হেক্তা পীবনি, শেংগম (Chewing gum) য়েনবদগসু তৌরিদুদি, মহোয়দি হেক্তা লোইনা লোইনা য়েনথোকপনি"। অচুম্বমক্তি, য়াম্না Lavish expenditure (কা হেনবা খরচ) তৌথোক্তুনা নুংঙাইথোকখিবসি য়ুরোপ ১সুং অমেরিকাগী মীওইশিং অসিনি, লানফমদা থেংনখিবা মখোয়গী অৱাবা ৱারীশিংদু নত্তনা।

শংশংনা উহৌবা এরোপ্লেন এক্সিদেন্ট খরা অহানবা এক্সিদেন্ট (Crash)

অনিশুবা লানজাওনা লমদম অসিদা খোঙদারকপা চহি অনি-অহুম শুজিল্লক্লবা মতমনি । মণিপুরগী নোংথক অতিয়া অসি ঙাইহাক্ত ফাওবা ইংনা চিক্লা লৈজবা ফংখিদ্রবনি । অহিং নুংথিল খায়দনা কাপলকপা হৌখ্রবা মেচিনগনগী মখোল, অনি অহুমলক অমুক মথাং মথাং নোংথক্তা পোকখায়বনচিংবা অমসুং ফাইটর অমদি বোম্বর প্লেন কয়ানা ঙাইহাক লৈতনা পাইবগী চরাংনবা কয়া অসিনা নিতিগী পুন্সী ওইখ্রবনি । অমরোমদা অহিংদা সাইরেন খোংলক্তুনা, তুল্লিবা অঙাং কয়া অমসুং অশোন-অনা কয়াবু কোম মনুংদা পুশিন্নবা হোৎনবা অমসুং চেনথোক্লবা কয়া অমসুনি । অহিং মঙা তরুক লোমদি নিতিগী ঐহাকসু কোম মনুংদা নোংঙানবা ফাওবা তুম্বা য়াওখ্রে । কোম অয়াম্বা, লাওনা চাওনা তৌথোক্লগা, মথক্তা ৱাজাও ফৈজিল্লগা চরু চাইশিল্লগা লৈপাক শীবনি । চঙফম অমত্তংদি ফাৎলি । মনুংগী লৈমাইদু চরু থাজিল্লগা মথক্তা ফক নৎত্রগা ফি অথাবা থারগা তূম্বনি । করিগুম্বা মফমদা কোমদা তূম্বা মী খরা অহিংদা লিল চঙলক্তুনা চিকখিবগী পাউ তাখি । খল্লুবদা তুচুংবা পোকই, লাইবক ফবদগী ঈশ্বরনা মদুমক থোকহনবিখিদে ।

মথক্তা পনজরিবা, মণিপুরগী অতিয়াদা এরোপ্লেন ময়াম পাইবশিংদুদি অরাপ্পা লম অমদগী পাইরকপা ঙাক্তসু নত্তে । মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা emergency ওইনা এরোপ্লেন তাফম কয়া শেমদুনা লৈখ্রবা মরমনা, এরোদ্রোমশিং অদুদগী পাইখৎলকপা স্পিটফায়র অমসুং বীয়ু ফাইটর (এরোপ্লেন মখল) কয়ানা নোংথক্কি লাল্লোঙ কয়াসু নুমিৎ খুদিং Practice

তৌদুনা শান্নবা মতমনি । মখোয়গী Aerobatics (য়ুংথনা, ফৈনা, চেপ্না) মথক মখা ওল্লগা পাইবা, পাইশিনবা; য়ুংনা পাইখৎপা অদু য়েংবদা অঙকপগী মশক্তি, পুক্নিং তুজুংনা নুংঙাইবা মিৎকী কুম্মৈ অমনি । ফাইটর কয়া, ৱাংনা পাইখৎলগা ইনজিল মুথৎতুনা মথন্তা থাদজরকপা, অদুগা অমুক মরক্তা ইনজিল অমুক হৌহল্লগা পাইখিবা অসিনচিংবসু কয়ানি । অঙাং ওইরিবা ঐখোয় নিপামচা মখৈদি অহাঙবা লমপাক্তা ফমলগা মিৎফম হোংদবমখৈ য়েংবদা মতম হৌখিবা খঙহৌদে । নোংমদি কালেন নিংথমথা লোন্নবা মতম অদুৱাইদা ফাইটর প্লেন অমা নুংথিলদা য়াম্না ৱাংনা পাইরগা মথন্তা প্রাকটিস তৌখি । মহাক অৱাংবদগী মথক মখা থোক থোক ওন্দুনা পাইথৈ, অমুক পাইখৎলি, চেপনা অমুক পাই, য়ুংনা পাইথৈ, ইনজিল মুথৎতুনা শান্নৈ অসিনচিংবা পাইলোট অদুনা হৈজ শিংজবা কয়া অতিয়াদা তৌরিবদু ঐখোয়না নুংঙাইনা য়েংখি । অসুম্না নোংথক অসিদা ঙাইহাক কুইনা শান্নরম্বদগী য়াম্না হৌবা অমসুং শাংনা চিংবা বো ...... লাওবা মখোল অমগা লোয়ননা মিৎনা উবা ফংলিবা মৈরম পাংবা অতিয়া ঙমখৈরোমদা, অশাঙবা মৈখু পরেং অমা থাদোকলম্বগা লোয়ননা প্লেন অদু পাইথখ্রে । অয়েংবনসু অমসুং খোনজেল অদুবু তাবা মী পুম্নমক্লসু মথক্তা য়েংখৎনবদা অমুবা মৈখু পরেং অমা শাংনা হায়থখিবদু উরে । মৈখু পরেংগী মথক ইথং থংবা মচিল অদুৱাইদা বোল মচাগুম্বা অমা য়ান্থদুনা তাওবদুসু উরক্লে । ঐখোয়না খঙলক্লে, পাইথখ্রিবা প্লেন অদুদগী, মাগী পেরাচুৎতা চোংথহৌবা পাইলোট অদুনি হায়বসে । ঐখোয় পূম্নমক মঙোন্দা য়েংখি; খরা খরা নেমথরকপগা লোয়ননা মতুম অদুদগী লং মরি মরি য়ানথরগা লাইথি মচা মান্না য়াল্লিবা পাইলোট অদু শেংনা উরে । অয়েংবা পূম্নমক মহাক্না নেমথরকপা মাইকৈ অদু তম্না চেন্নৈ য়েংনা য়েংনা । তুরেল লাল্লগা, লম মথঙ মথঙ শমদুনা চেল্লকই, কংলাদগী মোইরাঙকম্পু, অদুদগী লৌবুক শমজীল্লগা য়ারল মচিল য়ৌরে,ৱাবগা খঙখিদে, প্লেনদগী চোংথরকপা নিপা অদু য়েংনিংবনা ।

ঐখোয়না য়ারল য়ৌরকপা মতমদদি, জিপ অমসুং মোতোর সাইকলনা লম্বি অদু পিক থল্লম্মি মহাকপু মতেং পাংনবা মখোয়গী মীওই কয়া মানা তারক্কদবা মফমদা হান্না য়ৌরকলমলে। পাইলোট অদুনা পেরাচুৎতা লৈরিঙৈদসু fighter কয়া মনাক নক্না নক্না পাইশিল্লকই,, করীসু কীরুরনু হায়না শোয়দনা পুক্লিং থৌগৎলমগনি মখুৎ মশা হাইদুনা নোক্কুনা। ঐখোয়না য়ারল য়ৌরকপদদি চীংয়াগী লৈশীল্লকপা লম্বি ময়াদা মহাক্কি ফাইটর অদু চাক্কুনা লৈরমখি অদুবু পাইলোট অদুদি য়ারল পাতকি পুৎথবা মফমদা তাশিনখিবা মরমনা ঙাইহাক্তি মহাকপু থিবদা ব্রানখি। এয়ার ফোর্সকী মীওই কয়াদা পাইলোট অদুনা ফি অঙাংবা অমা ফরা ফরা হাইরক্কুনা খঙহল্লক্লবদা মখোয়গী মীওইশিংনা মহাকপু কফুৎতকী চিংখৎপিরকখি থৌরীনচিংবা শীজীন্নদুনা । মহাকপু পুখৎলকপদা ঐখোয়না উখি; মশাপুম্বদু মথবাক ফাওবা লৈখোমদা লুপলুরে হায়বা । ব্রাং-চাওরবা মশম ইঙাঙ ঙাঙবা ইংলিস মচা অদো পেরাচুৎকী মতেংনা শিহৌদবদা মখোয় পূন্নমক কয়াম হরাওজখিবা; লোয়নননা থৌদোক অদুবু উজহৌবা ঐখোয় পূন্নমক্লসু পুক্লিংদা অসুক্কি মতিক পেনজখি থৌনা ফবগী থবক অদু উবদা । মী য়াওদ্রবা fighter plane অদুদি অদুম চাক্কুনা লৈহৌরে চিংয়া অদুদা । ঐখোয়সু ব্রারী শানা শানা হল্লক্লে । পাইলোট অদু মাগী মরুপ মপাং কয়ানা কোনশিল্লদুনা জিপ অমদা হনখ্রে ।

অনিশুবা ফাইটর প্লেন অমগী Crash খুদোংথীবা থৌদোক

অৱাবগী মরক্তসু নুংঙাইবা, নুংঙাইবগী মরক্তসু অৱাবা, মপুগী লিলা ফম্বাক্লি হায়না মীওইবগী পুনশিবু হায়নবদো অনিশুবা লানজাও মনুং অসিসু অমনি। অঙাং ঐখোয়গী ইফমদদি, ওইখিবা থোকখিবা পূম্নমকশিংদু কুম্মৈগী কুম্মৈ ঙাক্তনি। ঐহাক্লা কুম্মৈ হায়জরুরিবসি অমরোমদদি পাপকি মশক ওইবা য়াই, মরমদি হৌজিক তমজগদৌরিবা থৌদোক অসিদি মরায়বকথিবা পাইলোট অমগী ৱারীনি। থৌদোক অদুবুদি মিৎকি কুম্মৈ ওইখ্রবসু, খুদোংথিবা অদুদা য়াওখ্রবা শকখঙদবা পাইলোট নহা অদুগীদমক্তদি থম্মোয় শোক্লা ৱাখিদবা নত্তে, অমসুং মহাকপু করিগীদমক্তা মতৌ অদুগুম্না শিহনখ্রিবনো হায়বদু ঈশ্বরগী মফমদা ঐখোয়না য়াম্না পেন্দনা ৱাকৎচদবা ঙমলোই।

থৌদোক অদুমক্তি ১৯৪৪ ৱাইগী নুংশা য়ক লাওনা শারবা এপ্রিল মেগী মতমনি। পেৎলম্বা লৌবুক্কি লৈখোম্না নুঙ মতেক শানা কনশীল্লক্রবা মতমনি। মতম অদুদা ঐহাকসু, কংলাগী নোংপোক থংবা তুরেল ৱাংমদা লৈবা ইবাইগী য়ুমদা লৈরম্মি। অসোম ৱাংমদা লৈবা ইনেগী য়ুমদু Army না Requisition তৌবা (তঙায়ফদনা শীজীন্নবা) তারক্লবদা মতম খরগী ওইনা ইবাইগীদা ঐখোয় ইচিল-ইনাও লোইনা লৈরুবনি। নিপামচা ওইরিঙৈগী মতমনিনা ঐহাক পোকলাওবী (Popgun) অমা শাগে খন্না মমাঙগী লৌবুক ময়াদা ৱা মচা খরা ককতুনা ফমলিঙৈদা ইখঙ খঙহৌদনা খা-নোংচুপ পাংবদগী ফাইটর প্লেন অমা য়াম্না নেমনা ঐগী মাঙ ওইনা য়েৎলোমদগী ইমাঙমক্তদা নেমথনা পাইরকখি। ঐহাক ইফিং ফিংনা হৌগৎলি। তৌরিবা মওং অদুদা অকিবা ‘মসু পোক্লে। ইঙক-ঙক্লা য়েংদুনা লৈখি এরোপ্লেন অদু করিনো’মা

তৌগদৌরে হায়বসি খঙনা ! তশেংবমক্তি তুরেলগী নোংচুপতা লৈবা এয়ারফিল্ড অদু য়ৌননবা হোৎনরকপদা মহাক্কি ইনজিন শোয়রকপনা হানখিদুনা উপাই লৈতনা পাইথরকখিবা ওইরমানে । অৱাংবদগী হান্না চোংথনবগীদমক মশাদা লাক্কিবা মরী মরাং (Strap) ময়ামদু লৌথোকচরুরবসু নেমথখিবনা হানখিবনা মহাক্কি করিসু তৌনিংঙাই লৈতনা থোক্লরবা অরোয়বা মিকুপ অদু ঙাইদুনা মাগী ফাইটরগী ফমফম অদুদা অদুম য়াওরক্লবনি হায়বদু অদুম খঙলে । মহাক Airfield য়ৌদনা চিংখৈ চিঙমাঙগী লৌবুক অদুদা লৈবা অৱাংবা লৌরী শাবল অমদা মাগী fighter অদু য়ৈশিল্লে । মিকুপ অমগী মনুংদা য়াম্না অহৌবা মখোলগা লোয়ননা প্লেন অদুদগী হৌরকপা মৈখুনা স্বর্গ য়ৌখরে । শারবা, কংলবা লৌবুক অদুদা মথক মখা ওনথ্রবা প্লেন অদু মৈ হৌনা চাকখি । খুঙ্গংগী অহল লম্মন কয়া অফং অফংবা পাত্রদা ইশিং পুদুনা চেনথোকনরকখি, অদুবু অশাবা মৈরক অদুদা কনাসু উপাই লৈতনা অদুম লেপ্তুনা য়েংবা তাখি । পূম্নমক্কি মচিন্দা শোন্নখি "ওহ্! অথৌবা নিপাদু (Pilot) য়াওরমগনিদো ...." ৱাংমদা লৈবা British ১দি American Air force গী মীওই কয়া তুরেল লান্দুনা চেন্নরকখি অদুবু মখোয়সু মখোয়গী পাইলোট মরুপ অদুবুদি কনবা ঙমখিদ্রে । মৈশা মরক অদুদা মীওই খরা চঙশীনখ্রগা পাইলোট অদু Stretcher (অশোল অমা, অশিবা পুনবা) অমদা ফিঙৌনা কুপশীল্লগা পুথোরকখি । তশেংবদি নিপা অদুগী মশাদা ফাজীল্লম্বা মরী মরাং ময়ামদু মশানা হান্না লৌথোকচরম্লবনিনা, প্লেন অদুনা লৌরী শাবন্দা ফূজিল্লগা মথক মখা ওন্না হুল্লকপদা মহাকপুসু লৌবুক্তুদা খরা লাপ্না হুন্দোরকপা ওইরমগনি মশামক মৈনুংদা লৈরমদ্রিবা অদুনদি । অসুম তৌনা, লাইবকথিবা থৌদোক অদুদা প্লেন অদুবু থৌরকপা পাখং অদুগী থৱায় মাঙখি। কয়াদা নুংঙাইখিদ্রবা থৌদোক্লো ! য়েক্লবগা মায়য়োক্লনি, কাপ্নগনি; লান লোইরগা ময়ুমদা অমুক হনগনি হায়বগী ৱাখলগা লোয়ননা অরাপ্পা সমুদ্র ৱাংমদগী লাকপা পাখংমচাদু য়েক্লবগসু মায়য়োক্লবা ফংদনা শকখঙদবা

লমদমগী লৌবুক অমদা য়াইবি থৱায় মাঙখিবনি । নুমিত্তুগী মিকুপতুমক্তদা শোয়দনা ফাওরমগনি মাগী লাপ্পবা ময়ুমদা লৈহৌবা মাবু নুংশিজবা কয়াগী মফমদা অৱাবা থৌদোক অসিগী করিগুম্বা শাখিনা খরদি । হৌজিক্তা পুক্লিং অসিদা খল্লকই, মহাক অদুবু ওইরমগদ্রা Imphal War Cemetry দা England দগী মপা অমনা পিথ্রাই কোমপাক্তা হক্লগা মচাগী মোংফমদা থমলিবা "Your father's mind often travels to this grave far away from Leeds England হায়না ।”

অসিগুম্বা Plane crash অসিদি ঐনা উজহৌবা অনিখক অসিদা নত্তনা মশিং থিবা ঙমদনা মণিপুরগী চিংনুং মান্নুং, মীনা উবা ফংদ্রবা মফম কয়াদসু থোকলমগনি অনিশুবা লানজাওগী মনুংদা । চহি ৪০ রোমগী মতুংদসু অশুম্না তাখি মদুদি মণিপুরগী খা নোংচুপতা লৈবা চিংনুং অমদা লানজাও মনুংদা Crash তৌখিবা কায়রবা Plane অমগী অতেক অকায় মরক্তা লৈরম্বা আমেরিকান মচা মরিগী মমিং থাবা, ঙক্তা শিরম্বা লিক মরি মখোয়গী হকচাং পোলাংগী শরুদা য়াম্দুনা লৈরম্বগী ... কয়াদা শাথিবা লান হায়বশিগী লিচৎনো, মহাকনা মীওইবা কয়াবু ৱাহল্লি, কয়াবু শিহল্লি, কয়াবু মাঙহল্লি,-মহাক্কী শক্তমদি কাং-খোং চাইবনি পৃথিবী অসিদা ...... ॥

অহুমশুবা ওইনা, অসিগুম্বা খুদোংথিবা অতোপ্পা অমসু নোংমা নিংথমথাগী অয়ুক্তা, মী অমসুং পোৎ-চৈ পুবা কারগো প্লেন, মতম অদুদদি বোম্বর হায়না খঙনবা অচৌবা প্লেন অমদা থোকখি । এরোপ্লেন অদুনা নংখিবা খুদোংথিবা অদুদি, মী অয়াম্বগী ৱাখলদা, পাইলোট অদুনা চেকশীলহৌদবা নত্তনা, মাগী ইনজিন শোয়রকপগী নত্তে হায়বসিনি । অয়ুক অদু য়াম্না ঈংনা লৈচিলনা পূম্মম মমই, য়াম্না কুইনা নুংশা মঙাল উখিদে, অমসুং নোংথক্কী অহাঙবা মফম পূম্নমক করিগুম্বা অমত্তা উবা ঙমদনা লৈচিল কূঙনা থাজীনখ্রবা অয়ুক্কি । মতম অদুদি, ঐনা মথক্তা পনজরিবা কারগো

প্লেন অদুগুম্বা ময়াম অমদি নিতিগী হঙ্গৎ হন্দা এয়ারস্ট্রিপ অমদগী অমদা পোৎ-চৈ, মী পুদুনা পাইথোক-পাইশিন তৌবসি তৌদবা য়াদ্রবা থবক্নি ।

অশুম তৌনা, মাগী মথৌ অমা ওইনা পাইরকপা বোম্বর প্লেন (Cargo) অমগী মখোল, লৈচিল থারবা অয়ুক্তুদা ঐখোয়না তাবা ফংখি, মশক্তি উদে । প্লেন অদু, ইম্ফালগী মখাথংবদা লৈবা চঙাঙ্গৈদগী পাইরক্লম্বসু ওইবা য়াই, অৱাং মাইকৈদা লৈবা কংলা এয়ারস্ট্রিপ তম্না পাইরকপনি । অয়াম্বা মতমগী ওইনা, কংলা এয়ারস্ট্রিপতা তাগদবা এরোপ্লেন পূম্নমক কংলাগী নোংপোক চিংখৈগী অতিয়াদা পাইরক্লগা, প্লেনশিংদুগী ওইরোমদা লৈশীল্লক্লগা অৱাং অতিয়াদগী এয়ারফিলদ তম্না কাংখোং থাদরগা নেমথরকপনি । কংলা এয়ারফিল্ড অসিনা লৈরিবা অকোয়বা লমদম অসিগী মরু ওইবা মওং Topography গী মতুং ইন্না, পাইরক্লিবা এরোপ্লেন পূম্নমক এয়ারফিল্ড অসিগী মমাঙথংবা লমদমদা চাউনা লৈরিবা চীংখৈ চীং অসিগী মথক্তা লাম্থোক্তুনা পাইরগা লৈশীল্লকপা, নত্রগা চীংদোল অসিদগী নেমথরগা নোংচুপথংবা চীংমায়গী নাকন্দা লৈবা অহাঙবসিদা অৱাং পাংনা পাইরগা লৈশিল্লক্তুনা পাইথরকপা অসিনি ।

হায়রীবা নুমিৎকী অয়ুক্তুদদি চীংখৈচীংগী মথক্তুফাওবা লৈচিলনা মমশীনখিদুনা উবা ফংলমদে । ঐখোয়গী কোকথক্তা লৈখিবা অহাঙবসিদা এরোপ্লেনগী মখোল তাবদনি; ঐখোয় কনাসু প্লেন অদুবুদি উবা ফংখিদে । ঐখোয়না থাজৈ, পাইলোট অদুনা মমাঙদা চীং অমা লৈ হায়বদু প্লেন অদুগী মনুংদা য়াওবা ইন্দিকেটরগী মতেংনা খঙলম্বসু য়াই হায়না । চীং-মান ঙাক্তগী লমদম ওইরিবা মণিপুর হায়বা মফম অসিদা, মতম অদুগী ওইনা য়াম্না তোয়না পাইরিবা পাইলোট পূম্নমক্না, অসি অসিগুম্বা মফমদা করি করম্বা চীং লৈ হায়বসি মখোয় খঙফম থোকপনি । অমরোমদা অশুম্নসু খল্লি, অয়ুক অদুদা লাকপা প্লেন অদুগী পাইলোট অদুনা অহানবা ওইনা কংলা এয়ার স্ট্রিপতা

লাকপা নুমিৎলা হায়নসু । মহাক্তি অদুম চুমদ্রিং পাইশিনখ্রমানে চীংমায় তম্না, মিকুপ খরগী মনুংদা চীংলোমদগী ফুদোরকপা য়াম্না হৌনা লূন্নবা মখোল অমা ঐখোয়গী নাকোঙদা য়ৈখি । খুদক্তা খঙবা ঙমখি, হৌজিক্তা ঐখোয়গী কোকথক্তা পাইখিবা প্লেন অদু চীংদা য়ৈশীন্দুনা Crash তৌখ্রে হায়বা । খুদোংথীরবা থৌদোক অদু কনানসু চত্তুনা য়েংনরুদ্রে, মরমদি লৈচিলনা পূম্মম মমই, চীংগী করন্বা মফমদনো হায়বসু উরমদে ।

লৈচিল অদু পাথোরক্লবা, নুংশা মঙাল লাক্লবা মতমদদি, চীংমায়দা য়ৈশীনখ্রবা এরোপ্লেন অদু চীং নাপোম অমদগী নাস্থরক্তুনা য়াম্না লাপ্না চীংয়াংদা পন্দুনা লৈবদু উরে । প্লেন অদু মৈদি চাক্লে, অদুবু য়াওরকপা মীওই কয়াদি প্লেন অদুনা খোৎথরকপা লৈবাক মপৈ অদুনা ননশিনখিবরা, অমত্তা হিংবগী পাউ তাখিদে । মতম অদুগী Cargo Plane অয়াম্বদি, নাকনগী থোঙ অদু হাংদোক্লগা পাইনবনা অয়াম্বনি, মরম অদুনা খুদোংথীবা নংলবা এরোপ্লেন অদুগী থোঙ অদুসু হাংদোকতুনা লাক্লম্লবদি শোয়দনমক্কী মনুংদা য়াওবা মীওই অমসুং অতৈ পোৎ পূম্নমক, এরোপ্লেন অদুনা চীংদা য়ৈশীল্লগা মথক মখা ওল্লগা লৈচাক খোৎথরকপদা লোইনমক ননখিবা মশানা তারবনি । পাইলোট অনি অদুদি শাফু কন্না পাইশিল্লকপা প্লেন অদুনা চীংমায়দা ফুজিনবদা অদুম খুদক্তা শিরমলগনি । ঐখোয়না উবদা এরোপ্লেন অদু মশা নাম্ম য়াওদ্রে-চীংমায় অদুদা নপতুনা মতম কুইনা লান লোইখ্রবা মতুং ফাওবা পৃথিবীগী অনিশুবা লাঞ্জাওগী ৱারী লীদুনা লৈখিবা উই । চীংদা শীং য়ানবা কারুবা মীশিংনা তম্বদা চীংমায় অমসুং লোকখাগী নাকল নাকলদা তিলহৌ আলু অমসুং শঙ্গোম কৌতানচিংবা কোয়চায় চাইনা তারম্বা উরকই হায়নখি ।

লান মনুং অদুদা কংলাসিফাই খুঙ্গং

লীজরিবা মপুং ফাদ্রবা ৱারী মচা অসিদা হন্না হন্না পল্লিবা কংলা নত্রগা কংলাসিফাই হায়না খঙনবা খুঙ্গং অসিগী শক্তম, অমদি মতম অদুদা ওইখিবা খুঙ্গং অদুগী পুন্সিবু লীথোক্লীংবগী ৱাখল অমা লাকপদগী মীয়ামগী মফমদা মখাগী ৱারোল খরা অসি অমুক শমলপ্লা থমজরি-

২শুবা লানজাও হৌরকপদা মী পূন্নমক্লা হায়নখিবা অমা লৈ, মদুদি 'ক' না হৌবা মফমদা লোৎলগা, লৈরগা হিংগনি। মদুগা মরি লৈননা মী অয়াম্বনসু থাজনখি মদুদি কোমদা লোৎপা, হায়বদি বোম তারকপা মতমদা কোমদা পাকথদুনা লৈবসি অচূম্বমক্নি। কোম হায়বা ৱাহৈ অসিদা 'ক' গী খোম্থোক্লা হৌরবনিনা, পুরান্দা হায়বা ৱাহৈ অদু অচুম্বমক ওইরে। অদুবু, ঐগী ইফমদদি, ঐনা অঙাং ওইরিঙৈ, লান মনুং অসিদা চঙজফম লৌজখিবা মফম কংলাসিফাই হায়বসিসু অচূম্বমক 'ক' না হৌবা খুঙ্গংনি। কনশীল্লক্লবা লানগী মতম অদুদা খুঙ্গং অসিমক্তদা অমসুং মসিগী অকোয়বদা বোম তাদুনা অশি অনা থোকখীবগী থৌদোক অমত্তসু লৈখিদে। বোম তারকপা য়াবা ফিভম কয়াগী য়েংলুরবদি, খুঙ্গং অসিগী নোংচুপ থংবদা অচৌবা এয়ারফিল্ড অমা লৈবতা নত্তনা মসিগী অকোয়বদা মখল খুদিংগী লানমি কয়াগী লৈফম, মখোয়গী চিঞাক, খুৎশু খুৎলাই গাড়ী মখল মখা অমদি চাউরবা নোংমৈ কয়া পৈদুনা লৈখ্রবা মফমনি। নোংথক্তগী বৃটিসকী য়েক্লবনা (Japanese) লান্দাগে খল্লবদি মরাংকায়রবা মফম Target কয়া লৈখ্রবনি, অদুবু নোংমতসু মফম অসি য়ৌনা হায়জিল্লকপা ঙমখিদে জাপানগী এরোপ্লেনশিংনা।

কংলাসিফায়, ইম্ফাল ময়োলদগী চাওরাক্লা কিলোমিটর য়াপল্লোম নোংপোক চীংখৈ পাংনা চংলগা লৈবা খুঙ্গং অমনি। উখ্রুল লম্বিদা লৈবা

চাইরেন থোংখোঙদগী নোংপোক পাংনা হাইজিল্লিবা তুরেল অহনবি হায়বা লম্বী অদুদা লাক্লগা অঙোম খুঙ্গংগী অপিকপা চীংদুম লাইজিং চিংখোংদগী নোংপোকলোমদা থেকলপ তৌনা লাক্লগা কংলা হায়বা খুঙ্গং অসি য়ৌরকই । লম্বী অদুদা লাক্লগা খুঙ্গং অসি য়ৌরকফমদি ইরীল তুরেলগী নোংচুপ খোঙবান্দা লৈবা কংলাগী ঈরানফম অদুনি । মফম অদু ক্যামলৈ মখোঙ হায়নসু খঙনরমই, হি লানফমনি হায়বগী হিরানফম কৌবনি, অদুবু মতমগী মতুংইন্না হৌজিক্তি লিতানথোং অমা শাখ্রে । মফম অদু খুলগী মীয়াম তিন্নফম, কুম্মৈ ফিয়োং তৌফমনি, লান মনুংদদি মফম অদুদা লুকমায় ফম্বী খরসু পোৎ য়োল্লম্মী । তুরেল খোঙবাল মশাঙদু ভারতকী সিফায় কাঙবু অমগী লৈফমনি, অয়ুক অয়ুক ক্যামলৈ মখোঙগী লম্পাক মচাদুদা মখোয় ময়াম ক্লাজ তৌবদু য়েংবা য়াম্না নুংঙাইখি ।

খুঙ্গং অসিগী অৱাংদা ফক্লুং অমসুং শওম্লুং, খাদা অঙোম খুঙ্গং, নোংচুপ্তা উখ্রুল লম্বী অমসুং নোংপোক্তা চীংখৈ চীংনা ঙানথোইদুনা লৈ । চরাঙনরবা অনিশুবা লানজাও মনুং অসিদা খুঙ্গং অসিগী ওইবা মহৌশাগী পুন্সিদি থোইনা অকায়বা লৈখিদে হায়বা য়াই । চহি অমগী মনুংদা থোকপা ধর্ম্মগী কুম্মৈ ফিয়োং, লাইনিং লাইশোন অমদি লন্নাই ইমুংশিংগী থবক থৌরম কয়া করিসু অকায়বা লৈতনা চৎথনখি । লান মনুং ওইজরবসু, করি অমুক হায়গনি, মতম অদুগী মণিপুরদা মমিং চৎলবা নুংদাংগী শুমাঙলিলা কয়া, লৈবাক্লা খঙনরবা শৈশকপা শৈশকপীশিংগী নট সংকির্ত্তন বাসক্লচিংবা জগোয় রাস অমসুং গৌরলিলা অমত্তা চিৎথদনা তৌখি হায়বদা খক হায়জীনবা ওইরোই ।

লমদম অসি ফাওদুনা চেল্লিবা ইরীল তুরেলগী ৱাংম ৱাংম কাগুপ্তা তারিবা অপূনবা য়ুমনাক মশিংদি মতম অদুদা চাওরাক্লা চাম্ময়াঙ্খ্রেরোম ওইগনি । তুরেলগী নোংচুপ তোর্বান্দা তারিবা লমদম অসিনা সরকারগী সেটলমেন্ট রেকোর্দতা শঙ্গোমশঙ হায়না খঙনৈ, অমরোমদা নোংপোক্তা তারিবা অসিনা

কংলাসিফাই অদুবু পুল্লপ্পা অদুম কৌনৈ কংলাসিফাই। অহলশিংনা হায়নবদা, মণিপুরগী থায়নগী কোনুং সনা কংলা ঙাকপা সিফায়শিং লৈরম্মী হায়দুনা কংলা সিফাই কৌখিবনি, অমরোমদা তুরেলগী নোংচুপতা তারিবা অসিনা শঙ্গোম মরাঙ কায়না ফংবা অমসুং নুমিৎ খুদিংগী চন্দ্রকৃর্ত্তি মহারাজগী কোনুংদা শঙ্গোম থিনবা চৎনরম্বা মফমনি হায়বগীদমক শঙ্গোমশঙ কৌখি হায়বসিনি। অদুবু খুঙ্গং অনিমক অমত্তনি, কংলাসিফাই হায়না অদুম খঙনদুনা লাক্কি। লেফটনেন্ট জেনরেল জিওফ্রি ইভান্স অমদি এনথোনি ব্রেট জেম্স অনিনা লান মতুংদা ইরকপা পৃথিবীপূম্বদা খঙনখ্রবা লানগী ৱারী 'ইম্ফাল' হায়বা অদুদা খুঙ্গং অসিগী মমিংদা শেমখিবা এরোপ্লেন তাফম অদু কংলা এয়ারফিল্ড হায়না ময়েক শেংনা লৈখ্রবনি, মরম অদুনা কংলাদি লৈহৌরগনি লানজাও অদুগী ইতিহাসতা মীওইবা কয়ানা চৎখ্রবসু।

খুঙ্গং অসিগী নোংপোক্তা য়াম্না নক্না লৈ চীংখৈ হায়না খঙনবা চীং অদু। খুঙ্গং অসিবু ঙাক শেনবিরি হায়বা য়াই ফৈগাক ফৈনা চীং লেম্না। খুনজা মীপুম খুদিংনা খুরুম্নবনি য়াম্না কিনা নুংশিনা। চেৎনা থাজনৈ ঈশ্বরগী খুভমনি হায়না। ৱাশকপদা শিজিন্নৈ চীংখৈ ইবুংঙোনা খঙগনি হায়নসু। চীং অসি মতম অমগী মৈতৈগী ৱারী চীংখৈ নিংথৌগী মফমনিসু হায়নৈ। চীং অসিগী নোংচুপ থংবা চীংখোঙগী তময়াদা খুলগী শল শেনফম লম্পাক লৈরম্মী। মফম অদুদা শনশেননহা নুপামচা খরা অহল অমমমগী লমজিং মখাদা নিতিগী পালি নাইনা শল শেন্নরমই, অয়ুক্তগী নুংদাংৱাইরমফাওবা, মরুওইনা লৌ পান্নরকপা মতমদগীনা পোইনু লৌরোকপা লোইদ্রিফাওবদি। য়াম্না নুংঙাইবা অচিকপা মফমনি, হৈরিৎ, পুংতোল, হৈজামপেৎ চাফমনি, কোম মচা মচা ইশিৎলগা ঙা ফাদুনা শান্নফমনি। তুরেল কাগুপ্তা তারিবা খুঙ্গং অনিগী পুন্সিদি চীংখৈ চীং অসিগা য়াম্না নক্নবা মরী লৈনৈ। মৈ থাননবা শীঙ, উ-ৱাদ নত্তনা চাবা য়াবা মনা-মশিং কয়ানচিংবা হৈ-রা মখল অয়াম্বা চীং অসিদা ফংবা মরম্না খুনগী মীশিংনা শীঙ চন্নৈ, মনা মশিং হেক্লে, থিনৈ, শম্না হায়রবদা

চীঙ অসে খুঙ্গং অসিগী থৱায়নি । অয়ুক য়াহৌরকপদা চীঙখৈ ইবুংঙো, উজবা, খুরুমজবা, নিতিগী পুন্সিদা মঙ্গল নিজবা ওইনা লৌনৈ । চীংথক অসিদা কারগা য়েংবদা অনকপা অমসুং অরাপ্পগী দৃশ্য পুক্লিং হুনবগী মশক্তি । লান মনুং অদুদা, করিগুম্বদসু চীংথক অসিদা সিফাই অমত্তা লৈখিদে, মতৌ অসুম্না ঈংনা চিক্লা মহৌশাগী ফিভম কায়দনা লেপ্লিখিবা, হৌজিকসু লেপ্লিবা চীংখৈ চীংনি । চীং অসিগী খ্বাইদগী ময়াইথংবা মতোলদগী নোংচুপলোমদা হায়থরকপা চীংয়ায়গী নাপোমদা চীংখৈ ইুবংঙোগী খুভম লৈ । নাপোম অসিগী মতাই ওইরপ্পা শন পরেং কুনবগী মওংদা অমুক নুঙজাও পরেং অমসু লৈ, মদুবু হিন্দু ধর্ম্ম চৎপা অহলশিংনা শ্রীকৃষ্ণগী শল পরেংনি, কলি চঙলকলবদা নুঙ ওইনা লৈখ্রবনি হায়না থাজনৈ ।

চহিগী শজিরু চৈরাওবদা চীং অসিদা কারগা লাই খুরুম্বা লাকপা নহা অহল, পাখং লৈশাবী ওন্থোক্লা য়ামখ্রে, অনকপা অরাপ্পা খুঙ্গংশিংদগী লাক্লবা ময়ামদো । চৈরাওবা নুমিৎতদি চীংখোঙ অসিদা থোইদোক্লা নুংঙাইবা নুমিৎনি, অমসুং মহৌশাগী ফজরবা চিক্লবা তময়া অসিদা নুংশিরবা মরুপ মপাং কয়াগা চৎমিন্নবা, উনবা চামিন্নবা হরাওমিন্নবশিং কয়াদো কনানসু কাউথোকপা ঙমলোই । ইম্ফালদা লৈবা চীংমৈরোংদা চৈরাওচিং কানরিবা অসিগী হেক মথংদা কংলাগী চীংখৈ কাবসিসু মমিং পনবা য়াই । চীংখোঙ অসিদা মতম চুপ্পগী ওইনা লৈরবা লূরবা ইশিংগী ইফুট অমনা মীয়াম্বু অরাম খৌরাংবা কোকহল্লি, নুমিৎ অসিগী ওইনদি দুকান মচা, হোটেল অমসুং পোৎফম ফম্বী কয়ানা অরাকপা খিবিকপু পীজ-পীথক তৌদুনা মীয়ামগী অৱা পোৎথানফম অমনি ।

অমরোমদা, তুরেলগী নোংচুপ খোঙবালদা লৈরিবা খুঙ্গং অসিগী ওইনসু তোপ তোপ্পা শক্তম অমা লৈজদবা নত্তে । খুল অসিগী মখা থংবদা লৈবা অঙোম খুলগা তাইনবা মরক্তা শনশেনফম লম্পাক অচৌবা অমা লৈরম্মি ।

মশিদি য়াম্না পাক-চাওবা লৈতেম মান্নবা লম্পাক ওইবা মরম্না 2nd World War মনুং অসিদা লমদম অসিদা লৈরম্বা আরমীশিংগী মখল কয়াগী শান্নফম Sports Complex অমা ওইখিবনি । খুনজা নহারোলশিংনসু মফম অসিদা য়ুবীরাকপী, মুক্না, কাংজৈ ফানবীনচিংবা কয়া শান্নখিবা মফমনি । লানগী মতমদা লাকখিবা Anglo American অমদি African Negro নচিংবা কয়াগীসু ফুটবোল শান্নফম্নি, টুর্নামেন্ট পাংথোকফমনি । নোংমগী থৌদোক অমদা অমুবা নেগ্রোশিংগা য়ুরোপকী অঙৌবা মীওইশিংগা ফুটবোল শান্নবদা মরম অমদগী শাওনরক্তুনা মখোই মশেল অমগা অমগা বোক্সিং তৌনরক্তুনা মমায় মমিং ঈ তানখি, অদুবু মিলিটারি ফম্নাইবা অচৌবশিং লাক্তুনা খামদোক্নখি । মরক মরক্তসু খুঙ্গংগী নুপামচা খরদি নিতিগী ইংলিসকী মীওইশিংনা ফুটবোল প্রাকটিস তৌবা য়াওবদগী হৈহৌবা কয়া য়াওখি, মখোয়শিং অদু অঙোম খুঙ্গংদগী ঙাক্তনি । হায়রিবা লমপাক অসিগী নোংচুপ থংবা মফমদা তরা-কোনজিং হায়না খঙনবা চীংদুমমচা অমসু লৈ । শনশেনবা নুপামচাশিংগী আথালি পাথালি শান্নফমনি । চীংদুম মচা অসিগী মরমদা খুলগী অহলশিংনা লীরম্বা ৱারী অমনাঃ- অদুঙৈ লৈশেমঙৈদা চীংদুম মচা অসি অতিয়াদগী পাইথরক্লগা মফম অদুদা তাশিনখি হায়বশিনি । চীংমচা অসিনা মফম অদুদা তারক্কদৌরবা মতম অদুদা, মফম অদুমক্তদা হান্না ইশিন্তুনা লৈরম্বা মচিনমনাও তরা চেনফম খঙদ্রদুনা কোনশিন্নদুনা লৈখিবা অমসুং তারকপা চীং অদুনা ননশিন্দুনা শিখি হায়বগীদমক চীংদুম অসিগী মমিং তরাকোন্নচিং (তরাকোনজিং) কৌখিবনি হায়না খঙনৈ । লান মনুংদদি, হায়রিবা তরাকোনজিং অসিগী মথক্তা থবক পূন্নমক শিল লাঙবা য়াম্না চাওবা সাহেব অমা লৈখি, মহাক্কী ওফিসনি, মিটিং তৌফমনি, চাওরবা তম্বুর অদুগী মনুংদা ।

মতম অদুদি তুরেল ৱাংম ৱাংম অনিগী ফাওনবা য়াবা অচৌবা থোং লৈরমদে । নিংথমথাগী তুরেল কংথরক্লবা মতমদা উরোকথোং শারগা লাম্লোক লানশিন তৌনৈ । ইপান্থাগী মতমদনা কংলাগী লৈরকমচিনগী

ইরানফমদা অচৌবা হি অমা থাই, অসুম্না খুনজা মীওই কয়া ঙাইহাক লৈতনা লাম্থোক-লানশিন তৌই । হি হোনগদবা, হিরানবগী থবক অসিদি খুঙ্গংগী মীওইশিংনা য়ানরবা ইমুং অমগী মীশিংনা তৌই । হি লাল্লিবা মী অদুদা চহিগী ওইনা ফৌ পীনৈ । নৌনা পায়রগা হোল্লম্বা হি অদু লাল মনুংদগীদি অশাঙবা য়োংলি অমা তুরেলগী মরাক্তা তিংলগা হি অদু চিং-চিংদুনা লানবা হৌখ্রে । তুরেল ৱাংমদা কুম্মৈ ফিয়োং থেঙনা য়েংলুবা, লিক্লোল শান্নবা য়াওরুবা নহারোল কয়ানা অহিং অথেঙবদা হিরানবা ইপলবু কৌবদো মতমদুগী মীওইনদি হৌজিকফাওবা নিংশিংদুনা লৈগনি । ইপল কৌবা তারক্ত্রবদা খুৎ নাম্মনা ফিরোল পাইশীল্লগা খুৎ নাম্মখক্তনা খাংতপফানা চাওরবাা তুরেলদা ইরোয়রগা লাম্থোকপসু কয়ানি ।

অমরোমদা অমুক সরকারগী রেকোর্দতা কংলাসিফাই হায়না খঙনরিবা ইরীল তুরেলগী নোংপোক তোর্বান্দা লৈরিবা মফম অসি, কুইখ্রবা মতম অমদা মনা থাফম হায়না খঙনরম্বা মফম অমসু ওইরমানে । হায়রিবা খুঙ্গং অসিগী ওইবা তোপতোপ্পা চৎনবী অমদি লমদম অসিদা লৈবী কনাগুম্বী লৈশাবী অমা লুহোংবা মতমদা লৈ-কোয়বা চৎনদবা অমসুং দোলাই তোংবা য়াদবা অসিনি । হৌজিক্কি মতমদদি লৈ-কোয়বদি চৎনরকপা উরে অদুবু দোলাই তোংবদি ঙসিফাওবা চৎনদ্রি । খুঙ্গংদগী চৎখিগদবা ওইরগা খুল অসি লাম্থোক্লগা দোলাই তোংনৈ, খুঙ্গং অসিদা লাকপা অতোপ্পা মফমদগী কন্যা ওইরগনা খুঙ্গং অসি য়ৌরমদাইদা দোলাইদগী কুমথরগা (কারদা লাকপা ওইরগা কারদগী কুমথরগা) খোঙনা নুপা ময়ুম ফাওবা লাক্লে । অনিশুবা লাঞ্জাও মনুং অদুফাওবদি লৈ-কোয়বগী মহুত্তা নুপাসু লুহোংফাল ফমদনা কন্যা কৎপগী মওংদা ফক অমদা ফম্লগা অদুম লৈ হুক্লরম্বনি । হৌজিক্কি মতমদা শেৎনরিবা কন্যাগী ফিজোল অমসুং লৈতেং অসি করীমত্তা শিজীন্নবা উখিদে । অসি নত্তবা অতৈ চৎনবীশিংদি, খুঙ্গং অসিদা পোকপা পিক্লিবা অঙাংমচা পূম্নমক খুজুপ শিবিবা চৎনদে, লাইহরাওবা, জগোই রাস,

গৌরলিলানচিংবা তৌবগী অয়াবা ঙসিফাওবা লৈত্রি । অহলশিংনা হায়নবদা, মথক্তা পনজখ্রিবা লৈ কোয়বা য়াদবা অমসুং দোলাই তোংনদবা অসিবু থওইদদুনা কনাগুম্বশিংনা চৎনবী থুগাইদুনা লুহোংনখিবা য়াওইঅমসুং মদুগী মখাতারকপা য়ুম্বানবগী পুন্সিদি অফবা ফল অমত্তা ওইখিদে হায়না তাকপীরমই ।

খুঙ্গং অসিদা চৎনবী কয়া অসি লৈরকখিবগী মরমদি খুঙ্গং অসিগী মমাঙমক্তা লেপ্লিবা চীংখৈ ইবুংঙো অসিনি হায়না থাজনৈ । লাই ওইনা নিঙনরিবা চীংখৈ ইবুংঙো অসিগী মমাঙদা করীগুম্বা হেদো হেরাও কাবগী থবক অমত্তা তৌবা য়াদে হায়বগী অচেৎপা থাজনবী অমা লৈরকই । চীংখৈ ইবুংঙো অসিনা য়াতারীবা ফিভমগী মতুংইন্না অৱাংলোমদা চৎখৎলগা ফকুং খুঙ্গংগী মমাঙদা লৈরিবা চীংগী শরুক অসিনা ইবুংঙো অসিগী কোক ওইনা লৌনৈ, অদুগা খা থংবা মোইরাংকম্পুরোমদা হাইথরক্লিবা অসিনা খুদোলগী শরুক ওইনা খন্নরগা ময়াইথংবা কংলাসিফাইগী মমাঙমক্তা লৈরিবা অসিনা খোয়দৌ মফমনি হায়না খন্নবনি । চেৎনা থাজনবীনি মমাংঙৈদগী 'চীংখৈ ইবুংঙোগী খোয়দৌ লাঙবা য়াদে; শাওগৎপা য়াদে' হায়বসি । অতৈ মরমসু লৈরমখিবা য়ারী মৈতৈগী অরীবা লাইরিক্তা ...... । পনজখ্রিবা চৎনবীগী অথিংবশিংসে তুরেলগী নোংচুপতা লৈবা শঙ্গোমশঙদদি অমত্তা লৈতে ।

চহি য়াংখৈগী মমাঙদা ওইখিবা খুঙ্গং অসিগী পুন্সিদি ইংনা-চিক্লা লৈজবনি হায়বা য়াই । করিগুম্বদা লৈকাই মশেল অমদি য়ুমলোন্নবশিং মরক্তা খৎন-চৈনবা, য়েংথিনবগী থবক অমত্তা লৈখিদে মতম অদুদা । অরৈ-লৈত হংনবা, অমনা অমগী মতেঙ পাংনবা মীপুম খুদিংমক্লা তৌনবা মরু ওইবা থবক্লি । লিংজেল মান্নে খুঙ্গংগী অপুনবা ৱাফম লাকপা মতমদা, অমত্তা ওইবা ময়ামগী ৱারেপ লৌই । মতম অদুদা লৈরম্বা ইপা ইপল পূম্নমক শুবা নোম্বা কনবা ঙাক্তনি, লৌ-শিং উবা, ইংখোলদা কুম অমগী ৱাৎতনবা মনা-মশিং থারগা অচম্বা পুঙ্গিদা নুংঙাইনা মতম লেনজবা ঙাক্তনি । মণিপুরগী

মফম পূন্নমক্কি ইমা ইন্দোলশিংনা তৌরম্বগুম খুঙ্গং অসিগী ইমা ইন্দোলশিংসু ইমুং অমগী তঙাই ফদনা শিজীন্নগদবা ফি-রোলশিংদি য়ুম-য়ুমগী খ্বাংগী ইয়োং অমদি পাঙয়োংদা শানৈ । ইংখোল অচৌবা পূন্নমক্তা চু মরাংকায়না থারগা কুম কুমগী ওইনা চু শুন্নগা চুহি লৌবসি মতম অদুগী মরুওইবা থবক অমসু ওইরম্মী । খুঙ্গং অসিদা লৌ শুনবা মতম, অমদি লৌরোক পান্থাদা অমনা অমগী মতেঙ পাংনৈ, খুল্লং চৎনৈ, হৌজিক মতমগী শেল য়াম্না খরচ তৌরগা নেকপসে থোইদোক্লা চৎনরমদে হায়বা য়াই । অসুম্না কংলাসিফাই খুঙ্গংগী পুন্সি ওইখিবনি লান মনুং অদুদা । হৱা নুংশিৎ ফবা, লৈহাও চেনবা, ঈশিংগী অৱাৎপা লৈতবা লমদম অমনি কংলাসিফাই ..... । অসিগী মতুং তারকপা ওইনা ঙসিদি, সরকারগী অচৌবা থবক তৌবা, লাইরিক লাইশু হৈরবা মীওই কয়া খুঙ্গং অসিদা লৈরে । চাওখৎলবা মতমগী খোঙজেলদা কংলাসু মণিপুরগী পিক্লবা শরুক অমা ওইনা মশাগী মশেক মঙাল ফোঙদোকচবা ঙমলে ।

লান নকশীল্লক্লবদা মণিপুর অমসুং বৃটিশনা উখিবশিং ঃ-

শোক ১৯৪৪ এপ্রিলদগী ১৯৪৫ কী মতম অসিদদি মণিপুরগী অরাপ অরাপ্পা মফম, বর্মাগা তাইনবা অৱাং নোংপোক্কী লমদম, খা নোংচুপ পাংবদা মোরেগী অকোয়বদা লৈবা মফম অমসুং তিদিমগী নক্লবা মফম কয়ানচিংবদদি চঙশীল্লক্লিবা জাপানিজ লানমিগা বৃটিশ লানমিগা য়াম্না তোয়না কাপ্নরবা অমসুং অৱা-অনা কয়া মাইয়োক্লরবা মতমনি । মতম অসিদা বৃটিশকি মাইকৈদা অশোক-অপন নংলবা লানমি কয়াগী লায়েংফম হোসপিতাল কয়াদি, মতম অদুগী অরাপ্পা মণিপুরগী মফম, হায়বদি চঙশীল্লক্লিবা জাপানিজশিংবু লান থেংননবগীদমক শেম শাদুনা লৈখ্রবা মফম কয়া অদুদা নকশীন্না লৈখি । য়াম্না তোয়না ১দি খঙহৌদনা অথুবা মতমদা হোসপিতালশিং অদু হোংদোক্লবগী অরুবা তানজা কয়া বৃটিশ লানমীনা মায়য়োক্লখি ।- পলেলগী মথকলোমদা লৈবা হোসপিতাল অমদা থবক তৌবী সিস্টর অমনা মাগী দায়রিদা অসুম্না ইরমখি হায়ঃ- "অসুক্কি মতিক অৱা অনা খাঙবসি ঐহাক্কি পুনশিদা অমুক্তসু থেংনখিদ্রি ঐখোয়গী অৱাবসি কোক্লনবা করিগুম্বা উপাই অমত্তা লৈখিদে" ।

মতম অসিদা ইম্ফালদি করি ওইরি....? চাওরবা লানফম অমা ইম্ফালদা শোয়দনা ওইরগনি হায়বসিগী অকীবা অমনা পুম্নমক্কি ৱাখলদা চনিং তানদ্রবা মতমনি । মৈতৈ পুয়াগী মতুংইন্না হায়নখিবা "অচৌবা লান" অমা হায়বদু হন্দক্কি শোক ৪৪/৪৫ দা জাপানগা শোক্লগদৌরিবা লান অদুনা ওইরগনি হায়না থাজনখী । খরনা অমুক হায়নৈ, "লান্দি লাক্কদবা লৈরি, তেঙ্গোল অহুমনি, মখোয়গী মরক্তগী নোংপোক মাইকৈদগী লাকপা ফিঙাং শেংপনা জয় ওইগদবনি" । মতম অদুগী অহলশিংনা ঐখোয় অঙাংশিংদা য়াম্না তোয়না

হায়খি-নোংপোক থোঙ হাংলবা মতমদা মণিপুর অসিদা হনত্রে হুনফম ওইগদৌরিবনি । অয়াম্বা মীনা থাজনবদা- জাপান্না নোংপোকলোমদগী লাক্লগা মণিপুর য়ৌরক্লবদি নোংপোক থোঙ হাংলবনি, অদুনা হনত্রে হুনফম হায়বদু শোয়দ্রবনি ।

ইংনা চিক্লা লৈজরিঙৈগী মতমদদি ঐখোয়গী লৈবাক মণিপুর অসি শেল থুমগী মরমদা কনাগীসু মপাল তাংজরমদবনি। মাগী মাগী চাব ওক্লবা থমজবতা নত্তনা, শেৎনা-ইন্নবা লশিং অমদুং মুগাগী ফি-রোল শানরম্বা ঙাক্তনি অমসুং অসুম তৌনা নুংঙাইরবা পুনশি অমদা হিংনরম্বা, অমসুং চিনজাকসু মরাঙ কায়বা অদুগা শেলগী কা হেন্না দরকার লৈনদবা মতম অমনিসু হায়বা য়াই, মরমদি পোৎকী মমলসু য়াম্না হোঙবা অমসুং হৌজিক্কি অসিগুম্না মপালদগী পোৎ অদুক হাক্লা দরকার লৈনদবা মরমনা । লান লাকপা মতুংদগীদি মণিপুরদা বৃটিশকি মীচঙ ওইবা পৃথিবীগী লানমি কয়া লাক্লে, লোয়ননা শেন্থোক লম্বী হেনগৎলকপগা লোয়ননা পোৎ-চৈ লৈনিংবসু হেল্লক্লে । মী অমগী খুংশুমন নোংমদা শিকি অমা ওইরম্বদগী লুপা মঙা ওইরকপা, মথঙ মথঙ হেনগৎলকপা অসিগা ইরোয়ননা ফৌ শংবাইদা লুপা ১মখায় পীরম্বদগী লুপা হুম্ফুগী মথক য়ৌরকখি ।

মতম অদুদা, মণিপুরদা লৈখিবা সিফায় মশিং অসুক্কি মতিক য়ামখ্রে, মদুদি মতম অদুগী মণিপুরগী অপূনবা মীশিংগী মীওই অহুম অহুম খুদিংগী সিফায় অনি-অনি ওইখি হায়না অখঙ অহে কয়ানা ফোঙদোক্লখিবসু লৈ । চাননবা চিনজাক ফংননবা হোৎনবদা অচৌবা লমজেল তান্নখি হায়ব্বসু য়াই । লানমিশিংগী চাকখুম ১দি চিনজাক থম্ফম্নচিংবদসু মখোয় মশেল অমগা অমগা কম্পিটিশন তৌনবগী মওংদা চৎথনখি । অমরোমদনা; খোঙ লানমী অমসুং R.A.F. নোংথক লানমী কাংবু ফাওবনা লম্বী শেম্বদা, পোৎ-চৈ [illegible], [illegible] ১দি ওফিস [illegible], এরোপ্লেন [illegible], [illegible]
অমসুং লায়য়েংশঙ কয়া শেমগৎপনাচিং [illegible]

অরাপ্পদা লৈবা চীংগী খুল্লাকপশিং অমসুং খুঙ্গং কয়াগী মরুওইবা মীওই কয়ামরুমদসু মাগী মাগী লমদা য়েনথোক্লনবা হৱায় চেংৱায়গী মরু মরাং মখল কয়া লেম্না লেম্না পীখি অমসুং ফংলক্কদবা মনা মশিং পূন্নমক্কি মমলসু লেপখি। হায়রিবা মনা মশিং পূন্নমক অসি তুরেলগী মপাল, ইংখোল, চীংগী চীংমায় অমসুং অফংবা মফম পূন্নমক্তা থানরগা মণিপুরগী মফম পূন্নমক্তা চাইথোক্লা লৈখ্রবা রোয়াল ইন্দিয়ান অর্মী সারভিস কোরগী লৈফমশিংদা চাং য়াম্না য়াম্না ফংহনখিবগা লোয়ননা পোৎকি মমলসু জর জর হেনকৎলকখি। য়েরুম অমদা হান্নদি ইংলিসকি শেলদা পেনি মখায় অমা পীরম্বদু পেনী তরেৎ হায়বদী মতম অদুগী ভারতকী চৎনবী শেলদা লুপা ১ মখায়রোম য়ৌরকখি। ইম্ফাল সহরগী ওইনা কোংবদা "কোংবা বাজার" হায়দুনা খ্বাইরম্বন বাজারগী মহুত্তা য়াম্না চাওনা কৈথেল কাখি অমসুং অৱাং মাইকৈগী ওইনদি খুরাই হৈক্রুমখোংদসু অচৌবা কৈথেল ওইখিবনি। আর্মীগী দিমান্দ হেনজিল্লকপনা, মনা-মশিং য়োনবী নুপীশিংসু মনা-মশিং পূন্নমক্কি মমল য়াম্না য়াম্না ৱাংখৎনরকখি। মতম অসিদা মণিপুরগী নোংচুপ মাইকৈদা লৈবা তমেঙলোংনচিংবা মফমদা ফংবা কমলাগী মমলদি য়াম্না হোঙনা কমলা মরিগী মমল অনা অমত্তমক (পয়শা মরী) ওইহনবা ঙমখি হায়। পোৎ লৈথোক লৈশিন তৌরিবা মিলিটারি ওফিসরশিংনা চীংখোঙ অদু তান্না চৎলগা চীংমীশিংনা পুথরকপা কমলা মপোৎ মপোৎশিংদু হায়রিবা মমল অদুদা লৈখিবদা চীংমীশিং অদুগী নুংঙাইজবা অমসু ওইখি, মরমদি মখোয়না ইম্ফাল তান্না নোংমগী লম্বি চৎলগা অমুক হল্লকপগী অৱাবদু কোক্লবনিনা।

লমদম অসিদা মহৌশাদগী লৈরক্লবা মীওইশিংদি মৈতৈ, চীংমী অমসুং মৈতৈ মুসলিমশিংনি। শকাব্দ ১৯৪০ গী অদুৱাইদা মণিপুর তম্পাক্তা লৈখিবা মীওই পূন্নমক্কি চাদা তরাগুম্বদি মুসলিমশিংনি। মখোয় অয়াম্বনা চহি কয়াগী মমাঙদা কাছার লৈবাক্তগী লানগী বন্দি ওইনা, নত্রগা লল্লোনবা ওইনা লাকখিবদগী লমদম অসিদা খুন্দাখিবা ঙাক্তনি। মখোয় খরনা লমদম অসিগী

নুপী লৌশীন্দুনা ময়ুম লিংখ্রবসু অমসুং লমদম অসিগী মরুওইবা লোন (মৈতৈলোন) ঙাঙলবসু মখোয়গী ধর্মবু চেকশীন্না ঙাকচবা অমসুং লৈমিন্নরিবা হিন্দুশিংগসু করিগুম্বদা ব্রারৌহনবা থোক্তনবা হায়দুনা য়ারিবমখৈ তোঙান্না লৈজবা কাংবুনি । অমরোমদা চীংগী মীওইশিং অসিদি চহি চা কয়াদগী হৌনা মণিপুরগী প্রজা ওইজরবসু মখোয় হিন্দুসু ওইদে মৈতৈসু ওইদে । মখোয় অয়াম্বনা মখোয়গী অহলশিংনা থায়নদগী হৌনা থাজবগা লোয়ননা চৎনরম্বা করিগুম্বা পোৎ অমবু লাইনি হায়না খনবা অদু মখোয়সু অদুম খনজবনি । ১৯শুবা শতাব্দি হৌরকপদগীদি মখোয়গী মীশিং অয়াম্বনা American Baptist Mission না শন্দোকপা খৃস্টিয়ান ধর্মদা লায়মিং লৌরে । মখোয়গী থবক্তি চীংমায়দা পাম শেন্নগা লৌউবা, থাবা য়াবা মনা মশিং চুজাক, মাইরেল, পাল, আলুনচিংবা থাবা অসিনি ।

লানগী মতম অসিদসু মণিপুরগী মী অয়াম্বা মরুওইনা মৈতৈশিংনা মাগী মাগী ইংখোলদা চাননবা অমসুং চুহি লৌননবা চু থানৈ । লান মমাঙদা পোলিটিকেল এজেন্ট ওইরম্বা জিমসন সাহেবনা হৌদোকপিরম্বা চু চপখায়নবা উ-না শাবা কোলু অমগী মতেংনা চু শুম্লগা চুহি অমসুং ঙাংলপ তৌবা চিনি অপৌবা মখল অমা ফংনরমই । মণিপুরদা লান লাকপদগীদি লানমী লিশিং লিশিং কয়া লমদম অসিদা লাক্লবনিনা, মখোয়না শীজীন্নবা ঙৌরোক ঙৌবা অকুপ্পা চিনি মখল অসি হান্না খঙনরমদবদগী খঙনরক্লে । চু য়াম্না থাবা খুঙ্গংগী মীওইশীংনসু অয়াম্বা মতমদা সিফায়শিংদা (Indian Army) চু য়াম্না য়াম্না য়োনথোকনৈ, অমসুং লমদম অসিগী শায়বদা ব্রাদবা অথোৎপা চু মখল অসি মরু ওইনা ভারতকী সিফায়শিংনা য়াম্না পাম্লখিবনি । অসুম তৌনা চু য়োনথোক্লগা, অশিৎপা শেলনা চিনি অঙৌবা লৈশীন্নবসু হৌরকখি হায়বা য়াই, মরমদি মণিপুরগী মী অয়াম্বনা চিনি অঙৌবনা হেন্না পাম্লখি চুহিগী মহুত্তা । মতম অসিদগী হৌনা কৈথেলদসু দুকান্দারশিংনা চিনি অঙৌবা বোরা বোরা পৈদুনা য়োনবা হৌনরকলে । অমরোমদা মতম অদুদা মরাঙ কায়না ফংনখিবা

আতা য়ামগী মহাও অদুদি কুইনা চৎনখিদে, লান লোইরগা অদুম লোইখ্রে হায়বা য়াই ।

জাপানিজ লানমিনা মণিপুরগী অরাপ্পা খুঙ্গং কয়া নকশীন্না য়ৌরক্লবা, লাকলবা ফাওবদা মণিপুরগী মীওই কয়াদি মাগী মাগী খুঙ্গং অদুদা কাপ্লগদবা মান্দ্রবদি ময়ুম ময়ুমদা অদুম লৈনবনা অয়াম্বনি । য়ুম খুদিংগী কোম, অশাঙ অশাঙবা তৌথোক্কুনা থম্লে, য়ুমথোঙ খুদিংগী চেকশিন থৌরাঙ ওইনা ।

বৃটিশ, ইন্দিয়ান, অমসুং অমেরিকান লানমিশিংনা মণিপুর তম্পাক্কি য়ুম অয়াম্বদা চঙদুনা লৈশীনখ্রবদা, মণিপুরগী প্রজা অয়াম্বদি ময়ম মকৈ থাদোক্ল রগা, লাইরিক অসিগী মথক্তা পনজখিবা অদুম্না অরাপ্পা ১দি অনকপা মফম কয়াদা খুদোংচাগদবা য়েংলগা লান চেন্নখিবনা অয়াম্বনি । খুঙ্গংগী মীসু ইম্ফালদা, ইম্ফালগী মীসু খুঙ্গংদা খুদোংচাবা য়েংনখি থব্রায় হিংনবা হায়দুনা । ইমুং অনি অহুম অদুম য়ান-য়ানবা মওংদা লৈনখি য়ুম অমমমদা করীসু শাউনবা লৈতনা। মায়য়োক্লবা তারবা অৱাবা পুম্নমক অদু মায়য়োক্লখিবনি হৱাওনা অমসুং থৌনাগা লোয়ননা মতম অদুগী অহল লমন্না । য়েংবদা চোকথনা, ৱানা উরবা নুপী অঙাং কয়ানা পরেং পরেং উফুল হৌরবা সোরোক্তা মখোয় মখোয়গী অহলশিংনা পোৎ চৈ পিকথন্না হাপচীল্লগা থৌরিবা শলগারিশিং অদুগী মতুংইন্না তুমিন তুমিন চৎনখিবা, মতম অদুগী দৃশ্য কয়াগী মরক্তা কাউথোকপা য়াদ্রবা অমনি ।

শুবা নোম্বা লেপ্পদি য়াদবনিনা; কনশীল্লক্লবা লানগী মতম অদুফাওবা মীওই অয়াম্বনা থবক ইংখাঙ শুবা নোম্বদি লেপখিদে । লৌউবশিংনা লৌবুক্তা, নোংমগী খুৎশুমন তানবনা লম্বি সোরোক্তা । ফাগী জুগাই হৈনজবা কনানা সিফায়গী তম্বুর মনুংদা য়েংশিল্লুবা, সিফায়শিংগা মরোল মরী খঙনদ্রবসু মখুৎ মশা হাইনবা, য়েংনদুনা নোক্লবা অসিনি । লাইরিক খরা হৈহৌবা মীওইশিংনা অমরোমদা শেমগৎ শাগৎপগী Contractor,

overseer, clerk নচিংবা কয়া ওইদুনা পায়শা য়াম্না তালহৌই । অঙাং নুপামচা কয়াদি; মফম পূম্নমক্কি অঙাং পূম্নমক্কা অমহানি । লম্বীদা Army Camp ময়াদা তারম্বা ফজবা পোৎ-চৈ, পোৎকুপ অরং অরাক খুনগনবদগী করীগুম্বদা পোকখায়বা য়াবা পোৎ পায়রুদুনা; পোকখায়রক্লবদা অনকপা সিফায়গী Operation tent তা পুশিল্লগা অশোকপশিংদু লায়কন্নখিবসু কোঙ্গায়নি । নুপী ওইবিশিংনা পুখ্রি তুরেলশিংদগী মঙক তিংনা ইশিং সনাবুল মকোক্তা হাপ্লগা নুংদাংৱাইরম নুমিৎকী মঙালদা পরেং পরেং চৎপসু মতম অদুগী দৃশ্যনি ।

অমরোমদা অমুক, ঐখোয়গা অশুম লোয়নরবা, তোয়না লাকপা Anglo American গী Armyman অমসুং পাইলোটশিং অদু লমদম অসিগী অমসুং মণিপুরীশিংগী মরমদা য়াম্না খঙনিংবা পোকখি, হংসু য়াম্না হংই । মফম অমদবু ওইরবসু, মতম অমদবু ওইরবসু ঐখোয়গী ঈরক্তা নৎত্রগা লৈকাইগী কুম্মৈ ফিয়োং অমদা করিগুম্বা মখোয়না উবগী, য়েংবগী তাঞ্জা ফংলবদি, মখোয়না খঙদবা মরম অদু, মশি করিগীনো, করিনো হায়না হংবসি মখোয়গী হৈনবীনি । মখোয়না কোইথোকপা, চৎথোকপা মতম খুদিংগী কেমেরা য়াওদবা লৈতে, অদুনা মখোয়গী পুক্লিংনা খোয়জঙবা করিগুম্বা পোৎলম খরা অদুদি ফোতো কাপ্পা শোয়দ্রে । অসুম কুইথনা, ঐখোয়গা মখোয়গা চান্ন-চিন্ননা লোয়নরক্লবা মতমগী মতুংইন্না, মখোয়সু লমদম অসিগী ওইবা লুহোং খোংদোংবা অমসুং নট সংকির্ত্তন্নচিংবদা পুক্লিং চঙনা য়েংই । মণিপুরী সংকির্ত্তনদা মী অনিনা চপ মান্নবা মখোলদা, চোং-ফন্না পুঙ য়ৈবদু উবদা, য়াম্না থাগৎনা, ঙক্লা য়েংখি । অসিগুম্বা মতম অমদা নোংমদি মখোয়না ঐঙোন্দা হংখি- "অনিসিগী মরক্তা করম্বনা লিদরনো, লুচিংবনো হায়না । অসুম্না ঐখোয়গী কুম্মৈ ফিয়োংদা পুক্লিং চঙনা য়েংলগা মখোয়গী নোটবুক্তা ইশিনবা ঙাক্তনি ।

অরাপ্পা লৈকাই, লমদম লমদমদা লৈবা মণিপুরী হিন্দুশিংগী হৈনবী অমদি, নিংথমথাগী নুংশা মঙালদা মখোয়গী চাগদবা চাক ইন্সাং পুথোক্নুনা শুমাঙদা

চাক চানবশিসু অমনি । শুমাঙদা চাক চাফম ওইবা মফম অদুদি তুলশিবুং হায়না খঙনবা শুমাঙ ময়াইদা হৌবা তুলশি পাম্বীগী অকোয়বা মফম অদুদনি । মফম অসিদি মণিপুরী হিন্দু পূম্নমক্কী ওইনা, অয়াম্বনা মমাঙ ওন্দুনা শারিবা যুম অদুগী মমাঙদা লৈবা অহাঙবা শুমাঙ অদুগী ময়াইদা য়াম্না শেংনা থম্নবা মফমনি, অমসুং মফম অদুদা তুলশি পাম্বী অমা তঙায়ফদনা থানরিবদু ধম্মগী ব্রাখল্লোন অমনি হায়বদুসু Anglo American শিংনা খঙবা ঙমখি । মফম অসিবু নুমিৎ খুদিংগী ইমুং খুদিংগী নুপী অমনা নিংথিজনা ইকোয় কোয়না ব্রাই তৈথোক্নুনা থম্নরিবা অমসুং পুজা তৌনরীবদু মখোয়সু উখি ।

ইমুং অমগী অয়াম্বা অহল লম্মনশিংনা, ইরুজরুরবা মতুংদা, তৌফম থোক্লবা ধর্মগী থবক অমা ওইনা তুলসি পাম্বী অদুদা ঈশিং খরা খীক্লগা, তুলসি মনাদগী তারকপা ঈশিং মরিক খরা মখুত্তা লৌরগা কোকথক্তা চাইখৎপগী চৎনবী অমসুং হায়রীবা অসি তৌরগা মশা মশাবু নোংমদুগী ওইনা শেংদোক্লবা থব্রায় অমা ওইনা খন্নবা, অমসুং মদু তৌদ্রবদি অহলশিংনা নোংমদুগী চাক চাবা য়াদবগী চৎনবীনচিংবা অসিগুম্বা কয়া অসে তোয়না উখিবা English American কয়ানা য়াম ফজনা খঙজীনখি ।

অমরোমদা অমুক অশেঙবা ফি হায়দুনা শুদোক্লগা চাকখুমদা য়ান্দুনা থম্লিবা ফি-রোলশিং অদু শেৎলগা চাক চাবনচিংবগী অকুপ্পা চৎনবী কয়া অদু ফাওবা য়াম্না খঙনিঙনা হংলগা মখোয়গী দায়রিদা ইশিল্লি । মণিপুরী হিন্দু, মৈতৈ নুপীশিংনা মখোয়গী থাগী মতমদা চাকখুমদগী লাপ্না লৈবা অমসুং অচা অথক অমত্তা য়ুমগী অহল ওইবা নুপাশিংদা পীবা য়াদবশিফাওবা মখোয়না খঙজীনবা ঙমখিবনি । নোংমা নুংথিল অমা ইংলিস ওফিসার অমা ঐনা লৈবা য়ুমদুগী থংনবা য়ুমদা লাকখি । তশেংবমক্তি মহাক য়েক খোৎপা হৈবা মীশক অমনি । শুমাঙদা লৈবা ফাল অমদা ফমদুনা ইংখোলগী অকোয়বা মফমশিংদু য়েংই । ইমুং অদুগী নুপা খরসু ইংখোল অদুদা থবক শুরিঙৈদনি । মতম অদুদা, ইমুং অদুগী নহা ওইরিবী নুপী ইন্দোমচাদুনা

মাঙ্গোন্দা ফমলগা মশম মনা হাত্তুনা লৈরিবদু ইংলিস নুপা অদুনা উরে । মহাক শুমাঙদা ফম্লম্বদগী ইন্দোন নুপী অদুগী মনাক্তা খরা নক্লা চঙলক্লগা য়েংই অমসুং ঐখোয়দা ইন্দোমচা অদুগী মওং মতৌ, মশক অদু য়েকচগে; মহাক নিংথিজনা ফম্মু হায়য়ু, হায়বা মাগী ৱাহৈশিং খঙলদুনা ঐখোয়না ইন্দোমচাদুদা হায়রে, মানসু য়েংসি য়েংসি হায়দুনা খোঙ্গ্রায় চন্দুনা ফল্লে । তশেংবদি, ইন্দোমচা অদু মশক মতৌ ফজনা চুং-ফিরান চাবীনি, মরম অদুনসু ওইবা য়াই ইংলিস নুপা অদুনা মাগী মশক য়েকনিংখিবদু । য়েকপা হৌরে মাগী অপাকপা রাইতিং পেদ অমদা । ঐখোয় অঙাং, নহা অহল ইকোয় কোয়না য়েংই, য়াম্না মান্না য়েকলমই ইন্দোমচা অদুনা ফল্লিবা মওং মশম-মনা, মাইথোঙ অমসুং মখুৎ মশা । মতম অদুদা ঐখোয়না অঙাং ওইবগী নুপীদুদা ইন্দোমচা কৌবগী ৱানি অচুম্বমক্তি মহাক নহা ওইরিবী মৌ অমনি । ঙাইহাক য়েক্লবা মতুংদা ইংলিস নুপা অদুনা ইন্দোমচা অদুনা শেৎলিবা ফি অদু খ্বাঙ ফাওবা কোমহল্লগা মহাক্কী থবাক্কী শরুক অদুসু য়েক্লনবা ঐখোয়দা হায়রকপদা, ইন্দোমচা অদুনসু ৱাফম অদু ভাব তাবগুম তৌদুনা ঐখোয়দা হংলকই "করিনো মানা হায়রিসে?" ইচম চম্না ঐখোয়না খুমই, ফনেক্তু খ্বাঙদা শেৎলু হায়রিবা । মিকুপ অদুমক্তদা ইন্দোমচা অদু খঙশাও শাওনা ফুক হৌগত্তুনা চৎখি । ইন্দোমচা অদুগী ৱাহৈনা ফোঙদোকলমদ্রবসু মহাক্না উৎখিবা য়ানিংদবগী মওং অদু ইংলিস ওফিসার অদুনা খঙবা ঙমখি মদুদি কনাগুম্বী মণিপুরী (মৈতৈ) নুপী অমত্তনা মীমাঙ থোক্লা করিগুম্বা মতমদসু মশাদা শেৎলিবা, কুপলিবা ফি অদু শেগ্রাক মপাদগী হেন্না কোমথবা য়াদবগী অকনবা চৎনবী অমা লৈ হায়বসি ।

লান অদুদা লাকখিবা ১দি লমদম অসিগী লম্মিৎ তুম্মিৎ ফজনা খঙলবা বৃটিশ ওফিসারশিংনা মণিপুর তম্পাক্কি শক্তমসে অসুম্না অমুকসু থারম্মিঃ- ফেব্রুৱারী থাগী মতমদা, লমদম অসিগী অকুৎপা, খরা চোৎপা মফমদদি (Ireland) আয়ারলেন্দা শাৎপা ঙাঙলৈনবা লৈ মখল অদুগুম্বশিংনা মরাঙ

কায়না শাৎপা উই। অঙৌ অঙৌবা লৈ মখল মখল কুন্দো, মালিকা, জাতিকুপ্পী অমসুং কবোক্লে (Jasmine) নচিংবা কয়ানা ইংখোল ইংখোলগী শুমাঙদা শম্বল মরক্তা ফজ ফজনা শাৎলি। তুরেল মপালগী ঙামথখিবা পরেংদা তিংখং পানবা অঙৌবা লৈ মখল অমসু মিৎনা য়েংখিবা মায়কৈদা নেম নেম্ননা পুংঙৌ ঙৌনা শাৎলগা তাম্না তাম্না শন্দোকখি। তুরেলশিংগী লৌনম্বাল অমদি কংলবা খোংবাল কয়ানা অমসুং শংবানবা তম্পাক্ত নত্তনা চিংদুম মচা মচা কয়ানা লৈতেংলবা লমদম অসিবু লমতুপ লমতুপ খায়দোক্লি, অমসুং লৈতেম মান্ননা পাক্লবা লৌবুকশিংদা ফৈনা য়ুংনা চৎলিবা লৌরি পরেং কয়ানসু অমুক্তা হেন্না ফজহল্লি। চহিগী নোংজু লাক্লিঙৈ কালেন (May) থাগী মতম অসিদা অকঙবা চরুখোক্লা লৈতেংলবা লৌবুকশিংদো শারবা নুংশানা য়ৈবদা অয়াম্বনা লৈক্রক চৎলে; মচু মমেন ওল্লবা মফম অমা মালহল্লে। অমরোমদা অমুক, উফুল মরাঙ কায়না হৌরবা সোরোকশীংদা খোঙনা চৎপা মীওই কয়াদী, চীক্লা চায়নবা ঙমদনা চেল্লীবা মীলীটারী গারীশীং অদু থৈনবদা মচীন মনাতোন মেনশীন্নবনী উফুল চঙখীদনবা হায়দুনা। খঙহৌদনা অমুক, নুমীৎ কয়ানী চুপ্লা কুমগী নোংনা হৈথরকপদা লমদম অসীগী লম্বী সোরোক অয়াম্বা লৈখোম হোন্নবা মফম ওইহল্লি, অমসুং নোংনা তকথরকপা লৈনাঙশিংনা পাক্লা পাক্লা শন্দোকই। অকুৎপা লমহাং লৌবুক্লচিংবা কয়াসু চাওরবা পাতকি মতৌগুম ইশিংনা পুমলঙ লঙহল্লি। নোং লাক্লিঙৈ কালেন থাগী মতমদদি মণিপুরগী করিগুম্বা তুরেল খরগী খোঙনুঙদি গারি থৌদুনা চৎপসু য়াই; অদুবু কুমগী নোং চুরক্লবা মতমদদি অকনবা ইচেলনা পিক থন্না চেল্লবা অকিবা তুরেল ওইরকই। মতৌ অসিগুম্না, ঙরাংতা ইকঙ কংশিল্লম্বা নাপী পূন্নমক খঙহৌদনা ইশঙ শংনা ৱাংখৎলকপদা খুঙ্গংগী শল-লোক কয়ানা কয়াদা হরাওনা শজিক-হানৌ মরাঙ কায়না চাজবা ফংখিবা .... ।

মণিপুর তম্পাক্কি লমদম অসে স্কার মাইল ৭০০ (মি: ১৬০০) রোমগী লমদমদি পাক শন্না লৌ উনবা মফমনি। খা থংবা মায়কৈদদি অকুৎপা,

অচোৎপা পাতকী লমদম কয়াসু লৈ; অদুগা লমদমশিং অদুদা শিংউৎ শিংনাং অমসুং কবোকংনা পিকথন্না, কুণ্ডনা হৌই । মরু ওইনা লোকতাক পাৎ হায়বা অসিদদি চহি চুপ্পা ইশিং তুংদুনা লৈবা, তুরেল কয়াগী চেন্থফমসু ওইবা মরমনা মখল মখাগী ঙা শুনা ফংলবা মফমনি । পাত অসিদা তাওদুনা লৈবা মাল্লবা থাঙ্গা-কারাং কৌবা চীংদুম ইথৎ অনিসিনা চিক্লা য়াতাদুনা লৈরিবা অদুনা অমুক্কা হেন্না পাত অসিগী ফজবা হেলহল্লি । পাত অসিদা অরাপ্পা মফম কয়াদগী ঙানুথঙ্গোং, চেকলাওবী, কাংঙা অমসুং মশক খঙদবা উচেক কয়ানা চাক্তাররী । অতোপ্পা নাকল অমদনা অশংবা চিংগী উরক্তা চিংখোঙগী অশোঙবা মরক্তা কবোকৈ ১দি কৈজেং কয়ানা তুমিন তুমিন লৈবা উই । অসিনচিংবা।

অরোয়বা খোঙজংদা জাপানীজ অমসুং আই-এন-এ-

নোংচুপলোমদা জর্মন্না ইংলেন্দ অমসুং য়ুরোপকি অতৈ লৈবাকশিংদা তকশীল্লকপগা লোয়ননা, নোংপোকলোমদসু জাপানিজ লানমিনা মখোয়গী কমান্দরশিংগী মখাদা খা নোংপোক এশিয়াগী লমদমশিং মথঙ মথঙ খুদুম চনশিল্লকতুনা বর্মাগী লমদম পূম্বা লৌশিনখ্রবগী মতুংদা, জাপানগী ইকোন কোনবা অরোয়বা ফিরেপতি লৈজবা খুৎশু খুৎলাই, পাঙ্গল অমসুং মখোয়গী হনবা নাইদ্রবা থৌনাগা লোয়ননা, মফম মফমদা লৈরম্বা বৃটিশ লানমিগা লান শোক্লা-শোক্লনা মণিপুরগী লমদম অমসুং মশিগী ময়োল ওইরিবা ইম্ফাল তম্না ফুজীল্লকপা অসিনি। বৃটিশকী মায়কৈদসু ইম্ফালনা অরোয়বা লানফমনি। থৌরাঙ পূন্নমক শেম শাখ্রবনি, পৈদুনা থমখ্রবনি মখল মখা অয়াম্বা তঙায়ফদবা পূন্নমক লানজাও অসিগীদমক্তা। জাপান লানমিনা ইম্ফাল তম্না চঙশীল্লকখিবা খোংজং অসিদা ভারতকী নিংতম লানমি কাংবু- (ইন্দিয়ান নেসনেল আরমি) আজাদ হিন্দ ফৌজ হায়নসু খঙনবা তেঙ্গোল অদুসু পাক চাওনা শরুক য়াদুনা লাক্লি। থৌদোকশিংদগী ঐখোয়না খঙবা ঙমই মদুদি জাপানিজ গবনর্ণমেন্টকা I.N.A. গী লুচিংবা ওইখিবা নেতাজি সুভাসচন্দ্র বোসকা য়ানখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না জাপান্না ইম্ফালদা লান্দারকপদি, লমদম অসিবু মখোয়গী লৈঙাক সাসন মখাদা থমননবা নত্তে-শুপ্নতগী মখোয়না ভারতকী নিংতম লান- হায়বদি মতম অদুগী বৃটিশ সরাকরবু ভারত্তগী তানথোক্লগা নিংতম্বা ভারত ওইহনবদা অৱা অনা কয়া খাঙমীন্নদুনা নেতাজি সুভাসচন্দ্র বোস অমসুং অতৈ মরৈবাকনিংবা ভারতমচাশিংগী মতেং পাঙখিবনি হায়বসে-। হায়রিবা ইন্দিয়ান নেসনেল আরমি (I.N.A.) অমসুং মখোয়গী ইহৌ অসিদি মতম অদুগী অয়াম্বা মণিপুরগী অচম্বা প্রজাশিংগী মরক্তা চপচানা খঙবদি

মশিং ইয়াম য়ামলমলরোই, মরমদি মতম অদুদা লাইরিক লাইশু হৈবা মীগী মশিং ৱাৎলম্বা অমসুং পাক-শন্না ঈ-পাউগী, খবরগী খুদোংচাবা লৈরমদবনা..... ।

অসিগুম্লবা মতমদা নোংমা ১৯৪৪ গী নিংথমথাগী অয়ুক্তা এরোপ্লেন্না পাক-শন্না অহিংদা থাদরম্বা পামফ্লেট কয়া লৌবুক লমহাং ১দি য়ুমলক্তা তারম্বা কয়া মী খরনা নোংঙাল্লকপদা থেংনদুনা খুন্নখী । ইংরাজিগী ময়েক্কি, ৱাহৈনা হিন্দিনি পামফ্লেট অদুদা ইবদু । কোন্না খঙনরকখি-নেতাজি সুভাসকী চেরোলনি হায়বা, অদুব করি তৌরুনি, অহল লমন কনাসু ৱাওই থওইনখিদে বোম তোপ মরক্তুদা ।

ইন্দিয়ান নেসনেল আর্মি (I.N.A.) শেমখিবগী ৱারিদি য়াম্না পাক চাওখ্রে । শমজীন্না পনজরবদা বৃটিশ সরকারনা ভারত ঙাকলকপা মতমদগী হৌনা মখোয়গী মায়য়োক্তা য়ানিংদবা কয়া ফোংদোক্তুনা অহিংসা অমসুং হিংসাগী থবক কয়া চৎথরকপা মরৈবাক নিংবা মীওই মরক্তগী রাস বিহারী বোস কৌবা নিপা অমদি ২শুবা লানজাও মমাঙদগী হৌনা ভারত্তা লৈবা য়ারক্তবদগী মহাক্কি মরৈবাক থাদোক্তুনা জাপান্দা চেন্দুনা লৈখিবগী ৱারীসু লৈরী । মহাক্না জাপান্দা লৈজরবসু ভারত নিংতম্বগী থবক্তি হনবা লৈতনা অদুম হোৎনদুনা লাকখি মহাক্কী থৌরাং কয়াগী মখাদা । অনিশুবা লানজাও হৌরক্লবদা, মতাংচানা মহাক্না নেতাজি সুভাসকা খুৎশম্নখিবনি জাপান্দা । মহাক অসিনি, শক ১৯৪২ দা Malaya গী জঙ্গল অমদা লম্মাঙনরবা বৃটিশ ইন্দিয়ান আর্মি লিশিং ৪০ রোমনা জাপানিজশিংগী মখুত্তা খুৎলাই থাদোক্তুনা চঙজবা তারবদা ভারতকী Tri-colour ফিরাল থেৎপা কার অমদা তোংদুনা লম্মাঙনরবা সিফায়শিং অদুবু হরাওনা ওকপা লাকখিবা ।

অনিশুবা লানজাও হৌরক্লবা মতম অসিদা মতম অদুগী ভারতকী মরৈবাকনিংবা লুচিংবা কয়াদি জেলদা লোইনা ফাজীন্দুনা থমখ্রবনি মতম

অদুগী বৃটিশ সরকারনা । ভারতকি লুচিংবশিং কয়া অদুগী মরক্তা সুভাসচন্দ্র বোস হায়বা নুপা অদুবুদি বৃটিশ সিফায়না চেকশীন্না ঙাক্তুনা থমখি, মহাক্কী ময়ুমদগী মপাল থোকহন্দনা । অদুক চেকশীন্না ঙাকখ্রবা য়ুম অদুদগী হৈনশিংনা নোংমা থা অমরোমগী মতুংদা মশক লোত্তুনা নানথোকখি সুভাসচন্দ্র বোস মহাক্কী কলকটাদা লৈবা বৃটিশনা ঙাক্লিবা য়ুম অদুদগী । কাবুল ফাওদুনা জর্মন য়ৌরকখি, হিটলরগা শকখঙনখি অমসুং লানগী পোরম শেম্ল খি । মতম খরা জর্মনিদা লৈরম্লগা, সুভাসচন্দ্র-ঈশিং মনুংগী লম্বিদা সাবমেরিন তোংদুনা জাপান্দা অমুক য়ৌরকখিবগা লোয়নননা ইন্দিয়ান নেসনেল আর্মিগী সুপ্রিম কমান্দর ওইনা থবক তৌখি মশাগী চাওরবা আশাগা লোয়নননা । জাপানগী ইম্পেরর অমসুং লুচিংবশিংগা লানগী পোরম পূম্নমক য়াৎথোক্ল রবা তুংদা বৃটিশ অমসুং জাপান অনিমক্কী অরোইবা লানফম ওইগদৌরীবা মণিপুরগী লমদম অসি তান্না I.N.A. গী কাম্মান্দর ওইনা লাকখিবনি জাপানগা খুৎশম্লদুনা । বর্মাগা তাইনবা মণিপুরগী খা-থংবা চীং-মানগী লমদম কয়াদা লৈরম্বা বৃটিশ লানমী কয়াগা লান থেংনরবা মতুংদা নেতাজি সুভাসচন্দ্র বোস মহাক্কি আজাদ হিন্দ ফৌজগা লোয়নননা মোইরাং ফাওবা চঙশীল্লক্তুনা মফম অদুদা মাইপাক্লা নিংতম্বা ভারতকী ফিরাল পাইহনখি ইং ১৯৪৪ গী এপ্রিল তাং তাং ১৪ দা । আজাদ হিন্দ ফৌজ হায়রীবা তেঙ্গোল অসিগী অমত্তা ঙায়রবা খোল্লাওদি "চলো দিল্লি" হায়বসিনি । মখোয়না থাজনা আশা তৌখি মদুদি অমুক কুইথবা তৌদনা আজাদ হিন্দ ফৌজনা জাপানগা খুৎশম্লদুনা ইম্ফাল পায়শীনবা ঙম্লগনি হায়বসি অমসুং থীন্দনা মখোয়গী খোল্লাও "চলো দিল্লি" হায়বদু থবক ওইনা পাঙথোক্লগনি, বৃটিশকী অপূনবা ফোর্শ মখোয়গী মখুত্তা মায়থীরগনি হায়না- - । অচুম্বমক্তি, করিগুম্বা জাপান অমসুং I.N.A. না ইম্ফাল লৌশীল্লম্বা থোক্লবদি বৃটিশকী থৌরাঙ পূম্নমক অরেম্বা তারমগনি- মখোয়গী আশা কাং-খোং চাইরমগনি, অদুবু বর্মাগী জঙ্গল ফাওরগা য়াম্না ৱানা মণিপুরগী মাইকৈ অহুমদগী তকশীল্লকখিবা জাপানিজ

লানমী অয়াম্বনা মণিপুরগী অরাপ অরাপ্পা চীংখোঙ চীংয়া চীংথক্লচিংবদা অৱাবা কয়া মায়োক্লবা তাখি । মখোয়গী খুৎলায়, চানবা রাসন ৱাৎশীল্লকখি, অশোল অনা, অশিবগী মশিং অশুম অশুম হেনজিল্লকখি, Commander মশেল পাউ ফাওনরক্তবনা মখোয় মশেল শাওনরকই, Moral হন্থরকখি । অসিগীসু মথক্তা কুমগী নোংমা হৈথরক্লবদা মণিপুরগী চীংনুং মান্নুং কয়াদা হায়নিংঙাই লৈতনা মখোয়গী মফমদা য়াম্না খুদোংথিবগী মশক ওইখি ।

4 Corps dispositions as on 29th. Feb. 1944 and Japanese plan of attack.



লানগী থৌরাঙদা
জাপানিজগী খোঙজং

ইন্দিয়ান নেসনেল আর্মী হায়বসিদি হান্ননা রাসবিহারী বোস ১দি নেতাজিগী লমজিং মখাদা, অমসুং মতম অদুগী খা-নোংপোক এশিয়াদা লৈরম্বা ভারতমচা পূম্বগী হৈনিংবগা লোয়ননা শেমখ্রবা লানমী তেংগোল অমনি নিংতম্বা ভারত অমা পুরক্নবগীদমক্তা । সিঙ্গাপুর ১দি মালায়াদা লৈবা মীওই কয়ানা চাউর-চাউরবা, সনা লুপাগী দান হাপলকপদা নত্তনা মীওই কয়া অমসু মশা মশানা চোংথোকচদুনা I.N.A. গী ভলুন্টিয়ার ওইজখি অনিশুবা লানজাওগী মতম অসিদা .... । মসিগী ৱারী অসিদি পৃথিবীগী অচৌবা ইতিহাস অমনি, খা-নোংপোক এশিয়াদা মতৌ করম্না আই এন এগী ঈহৌ লাকখিবগে হায়বদুগী অচৌবা পন্দুপ অমনি ।

অসুম তৌনা অজাদ হিন্দ ফৌজ (I.N.A.) অমসুং জাপানিজ লানমীনা কূপথনা খন্নরবা মতুংদা চীংমান, জঙ্গল কয়া ফাওদুনা ইম্ফাল য়ৌনবা তকশীল্লকপসি মণিপুরগা বর্মাগা তাইনবা অৱাং নোংপোক অমসুং খা থংবা মায়কৈরোমদগীনি । মখোয়না শীল্লকপা লাল্লোংদি জাপানিজ 15 শুবা দিভিজননা মণিপুরগী অৱাং নোংচুপকী লমদম এতেক্ট তৌবা অমসুং ইম্ফাল কোহিমাগী লম্বী কল্লগা বৃটিশকী মরু ওইবা লম্বী অসি থিংজিনবনি । ৩১শুবা জাপানিজ দিভিজননা কোহিমাদা হকথেঙননা বৃটিশকা লানথেংনরগা ইম্ফাল কোহিমাগী লম্বী ফাওহনখিদে, অমসুং মথঙ মথঙ মরক মরক্তা কাপ্প কাপ্পনা খা পাংনা হাইথরক্লগা বৃটিশকী মরুওইবা খুৎশু খুৎলাই নোংমৈনচিংবা পৈদুনা লৈখ্রবা কংলাতোংবীদা অহিং অমা অকনবা লান শোক্লখি । মীশি মীনা অশোক অপন কয়া য়াওনখি অদুবু কংলাতোংবীদগী হেন্না জাপানিজ কাংবুনা চঙশীল্লকপদি ঙমখিদে । মথক্তা পনজরিবা থৌরাঙ কয়াসি পাঙথোকপদা, জাপানিজগী জেনরেল য়ামাউচি অমসুং সাতো কৌবা অনিগা মতম অদুগী খ্বাইদগী হৈশিংলবা, মথৌনা লৈরবা মুতাগুচি কৌবা কম্মান্দর অমগা লোয়ননা অতৈ সেনিয়ার কম্মান্দরশিংগা খৎশম্ননা, ওপরেসন U (য়ু) হায়না বর্মারোমদগী মণিপুরগী অৱাং নোংপোক ১সুং খা-নোংপোক্তগী

ইম্ফাল তম্না তকশীল্লকপনি । মুতাগুচিগী মখুত্তা লৈখিবা দিভিজনশিং 15, 31, ১দি 33 নি, অদুগী মনুংদা, মঙোন্দা য়াম্না কান্নবা মতেং ওইখিবা অমনা ইন্দিয়ান নেসনেল আর্মী অসিনি । 33 শুবা দিভিজন অসিদি ১৯৪২ গী মতমদা কয়ারক হন্না বর্মাদা কাপনরবগী মতুংদা কবো ভেলিদা মখোয়গী বেজ কেম্প ওইদুনা লৈরকখি, অমসুং মখোয়না মথঙদা চৎথরকপা থৌরাঙদি- তামু-ইম্ফাল ১দি তিদিম ইম্ফাল লম্বী অনিমক লৌশীল্লগা জাপানিজগী পোৎ-চৈ (সপ্লায়) পুশিল্লকপদি য়াবা অদুগা বৃটিশগী গারিী ১সুং লানমী চঙশীল্লকপদি য়াহন্দবা অসিনি । মতৌ অসুম্না 33 শুবা জাপানিজ দিভিজননা খা-রোমদগী I.N.A. গা লোয়ননা ইম্ফাল য়ৌননবা তকশীল্লকখিবনি, অশি অনা, অশোক অপন অৱা অনা কয়া মায়োক্লনা কুমগী নোংসু হৈথরক্লবা মতমদা । য়ামাওচিগী ফোর্সনা তামুদগী মোরে অমসুং পলেল য়ৌরক্লগা মথঙ মথঙ চঙশীল্লকপনা ইনক নক্লা তম্পাক্কি লমদম হাইথরক্কুনা মাইবম লোকপচীংদা অকনবা লান শোক্লখি বৃটিশ আর্মীগা- । জাপানিজশিংগী ওইনা, পূম্নমক অসিগী খুজিল থৌরাঙ তৌখিবদি জেনরেল মুতাগুচি হায়বা মথক্তা পনজখ্রবা নিপা অদুনি । মহাক্কী আশা য়াম্না চাওখি - ইম্ফাল কেমপেইনগী মতম অদুদা । মহাক্লা চেৎনা থাজখি মদুদি Monsoon গী নোংনা লাক্ত্রিঙৈ ইম্ফাল অসি শোইদনমক মহাক্কী মখুত্তা তারগনি হায়না, অমসুং অসুম্নসু প্রমান তৌখি মদুদি ইম্ফালনা অচৌবা পাত অমা ওইরগা বৃটিশনা পাত অদুদা লৈবা চাওরবা ঙা অমনি অমসুং ঙা অদুবু মখোয় ময়ামনা কোয়শীন্দুনা শোইদনমক ফারগদবনি হায়না। নুংঙাইরবা ৱাখল অসিদগী মহাক্লা Imphal Campaigne গী খোঙজঙ অসিদা বর্মাদগী জগোয়শাবী গীসা লৈশাবী ২০ (কুন) পুদুনা লাকখিবগী মরমদি - ইম্ফাল খুদুমচনবা নুমিৎ অদুদা ইম্ফাল সহর ময়োলদা মখোয়বু জগোয় শাহনগনি হায়বা অসিনি অদুবু আশা অদুগী ওন্ন তৈনবদা মখোয় (জাপানিজশিং) শাথিনা নিংবা কায়রকখি কাং-খোং চাইনখি মণিপুরগী চীংনুং মান্নুংদা । মতম অদুদা মখোয়গী চিনজাক

লাকখিদ্রে, খুৎশু খুৎলায় লোইশিল্লক্লে, অশি অনা কয়া য়াওরক্লে, কনানা কনাবু হন্না-তুনা য়েংনবগী মতম অদু লৈরক্রে । পূন্নমক অসিগী মথক্তা; কুমগী নোংনসু অহিং নুংথিল নাইদনা হৈথরক্লবা মতমদুদা- চঙজফম খঙদ্রবা লানমীশিং অদুগী ফিভম অদো করি ওইরমগনি হায়বসি মীওইবা পূন্নমক্কী ৱাখলদা ফাওনরগদবা ঙাক্তনি; খুদোংখিবা কয়া অসিগী মথক্তা অমুক্কা হেন্না মখোয়গী মথক্তা বর্জ তাবগুম্না থোকখিবদি মখোয়গী মরৈবাক জাপানগী হিরোসিমা ১দি নাগাসাকি সহরদা আমেরিকানা এটোম বোম থাদদুনা ঙম্নমক তুম্না মাঙহনখ্রে হায়বা পাউ তাবা মিকুপ অদুনি; অদুগা লোয়ননা মখোয়গী আশা পূন্নমক লোইখ্রে, মরু ফুক্ক কায়খ্রে ।

মণিপুরগী মফম খরদা শোক্লখিবা পনবা য়াবা লানফম খরগী শমলপ্পা ৱারী ঃ- “সংসক”

অহানবদা সংসকতা শোক্লখিবা লান-লানফম অসিদি মতম অদুদা য়াওরুবা; শিহৌদ্রবা বৃটিশ আর্মী ওফিসারশিংনা Bloody Battle হায়না মমিং থোল্লি । য়াম্না ৱাখিবা; ইমু নাইমু তানখ্রবা খুদোংথিবা কয়া মাইয়োক্ল খিবা; মরু ওইনা বৃটিশকী ওইনা লানমি কয়ামরুম শিখ্রবসু লাঞ্জাও অসিগী ৱারিদদি লানফম অদুনা কান্নরবা তানজা অমা ফংহনখিবগী মতাঙনি । থৌদোক অদুগী শমলপ্পা ৱারী; লমদম অদুগী দৃশ্য অমসুং য়েক্লবা ওইনখিবা বৃটিশ অমসুং জাপানিজ অনিমক্কি থৌরাংনচিংবদু শমলপ্না মখাদা পীজরী ।

জাপানিজ Army না বর্মারোমদগী চীংলোন কয়া তুরেল কয়া লান্দুনা লাক্লগা মণিপুরগী লমদম য়ৌরকখি ইং ১৯৪৪ গী April থাদা । মখোয়না Operation U হায়দুনা নোংপোকলোমদগী, মাইকৈ ২দা তকশীল্লকখি অমনা মণিপুরগী অৱাং নোংপোকলোমদগী, অতোপ্পা অমনা খা-নোংচুপ পাংবা মাইকৈদগীনি । অৱাং নোংপোক্তগী চঙশীল্লকপা জাপানিজ তেঙ্গোল অসিগী অহানবা পাঙথোক্কদবা থবক্তি উখ্রুলদগী কোহিমা তান্না লাক্লগা ইম্ফাল দিমাপুর লম্বী ককথৎপা অসিনি অদুগা খা-নোংচুপতগী চঙশীল্লকপা কাংবু অসিনা ইম্ফাল তিদিমরোড থিংজিনবগা লোয়ননা বৃটিশকি চৎথোক চৎশিন অমত্তা য়াহনদবা অমরোমদা জাপানিজশিংগী চিনজাক; খুৎশু খুৎলাইনচিংবা পুশিল্লকপগী খুদোং চাহনবা অসিনি । থৌরাঙ অসি পাঙথোক্লবা হোৎনরকপদা মরক মরক ১সুং মফম মফম কয়াদা কাপ্লখিবা অমসুং মাইকৈ অনিমক্কি ওইনা অশি অনা খুদোংথিবা কয়া ফংনখিদবা নত্তে মীনা খঙদ্রবা উরুদ্রবা মফম কয়াদা ।

মতম অসিদা ইম্ফাল তম্পাক্তা লৈরম্বা British Army শিংগী Corps Head quarters পূন্নমকসু অথু অকায় নংননবা লানফম নকশীন নকশীন্না অরাপ্পা মফমদা হাইথদুনা লৈনখ্রে । মতম অসিদা উখ্রুল District মনুংগী খা পাংবদা লৈবা সংসক হায়বা খুঙ্গং অদুগী অশোঙবা চীংলক্তা জাপানিজ কাংবু খরদি লানগী ফিভম শেমদুনা লৈখিরমই । লমদম অসিদি, কুঙনা হৌরবা জঙ্গলগী উ-ৱা কয়ানা কুপশীনবা মফম অমনি । এরোপ্লেন মথক্তগী য়েংথরকপা অমসুং মখাদা য়েংবা মতমদা অশঙ-অমাল কয়াগী মরক্তা খুঙ্গংগী য়ুম মচা খরা চাইনা-চাইনা লৈরীবদু য়াম্না ৱানা উবা ফংবগী ৱারোল, বৃটিশকী ৱার দায়রীদা ইরী ।

সংসক হায়রিবা তাংখুল খুঙ্গং অসিদা বৃটিশকী ব্রিগেদ কাংবু অমদি হান্নদগী হৌনা, নোংপোকলোমদগী উখ্রুল অমসুং কোহিমা য়ৌনা চঙশীল্লক্কদবা জাপানিজশিংবু শেন্নদুনা লৈরকখি । মতুংদা 50 Parachute Brigade অমসু সংসক য়ৌরক্লে, লোয়ন লোয়ননা উখ্রুলদগী খা-নোংপোকলোমদা লৈবা উংশিম হায়বা খুল অদুদা British ১সুং Japanese কাপনবা হৌখ্রে । চেকশীলহৌদবা মরম খরদগী British না চঙলুরিবা সংসক্কি মফম অদুদি জাপানিজশিংনা পূমকোয় কোয়শীন্দুনা লৈখ্রবা মফমনি হায়বদু খঙহৌদবা মরমনা বৃটিশ লানমিশিং অদু (Kalibahadur Regiment ১সুং Indian Army) য়াওনা হন্দোকহৌবসু ঙমদা, কাপ্নবগী মতম ঙাইদুনা লৈখিরমই মখোইগী Perimetre মনুং অদুদা । অকনবা চীংথক অদুদা কোম মচা মচা কয়া তৌথোক্লখি । নুংশাসু খমথেঙনা শারকপা; ঈশিং খোংগী মফমশিংসু জাপানিজ লানমিনা লৈশিনখ্রবা মফমদা থোক্লুবনা, মখোয় অঙকপদা ৱাখি হায়না লানগী ৱারী অদুদা য়াওরী । নুমিৎ খরনিদি নোংমৈ কাপ্নদনা মখোয় তুমিন তুমিন লৈনখি মাগী মাগী থৌরাঙদা । মতম অসিদা জাপানিজ লানমীনা লিতান্দা উখ্রুল লম্বিসু থিংজিনখ্রবনি । বৃটিশকী য়াম্না অরুবা মতম অমা ওইখি । লানফম কয়াগী শীল-লাঙলিবা বৃটিশকী General Scoones অমসুং অতৈ

মাগী মরুপ-মপাং কয়ানা চেকশীন্না লানগী পোরম শীল্লমদ্রবদি জাপানগী মখুত্তা বৃটিশ কাং-খোং চাইরম্লগদবনি। বৃটিশকী অমত্তা ঙাইরবা; চিরবা মতম অদুগী উপাইদি মণিপুর তম্পাক্তা লৈরিবা মখোয়গী এরোপ্লেন ময়াম অদুনি । লৈখাগী লন্বী পূম্নমক জাপানিজশিংনা থিংজিনখ্রবদা; খুৎলাই হোন্দোক হোনজিন; মী পুথোক পুশিনগী থবক পূম্নমক হৈ শিংলবা, থৌনা ফরবা পাইলোটশিংনা চাউরবা মতেঙ পাংখি ।

অসুম্না, ৱারীগী মখা অমুক চৎথরকপদা, সংসক হায়রীবা তাংখুল লমদম অদুবু বৃটিশনা ইরম্বা লানগী ৱারীদা মখাগী অসুম্না থারম্মিঃ- লমদম অসিগী অয়াম্বা শরুক্তি অকুঙবা জঙ্গলনা কুপশীল্লবসু ৱাংখত্তুনা লৈরিবা চিংগী মতোল, মতোলশিং অদুদি পাক শন্না অশঙবা নেম নেম্বা নাপীনা শন্দোকনা হৌই, য়েংখিবদা ইংলিসকি Cricket শান্নফম লম্পাক মানবা মফমনি । আল্পস চিংজাওদা শাৎপা নিম মচুগী লৈ মখল (ক্রাকলৈগুম্বা) কয়ানা মরাঙ কায়না শাৎলিবা অমসুং উজাও কয়াগী উশাদা উরৈ মখল কয়ানা চরোং চুম্না শাৎপদু অউবগী পুক্লিং চিংশিল্লি । সমুদ্র ইমায়দগী ফুট ৬০০০ ৱাংবদা লৈরিবা মফম অসি, কনাগুম্বশিংনা মতম লেনথোকনবগীদমক হ্রাও নুংঙাইগী মতমদা লাক্লবদি থোইদোক্লা নুঙাইরগদবা মফমনি । অশেঙবা অইঙবা নুংশিৎনা শিন-থুংনা হুম্লবা, য়েংথোকখিবদা ফজবনা থল্লবা মফমনি ।

হায়রিবা মতম অদুদদি, খুঙ্গং অদুদা লৈবা মীওই পূম্নমক ময়ুম থাদোক্তুনা চেন্নখিবনা খুঙ্গং অদু ইচিক চিকলে । মরাক চপ্পা অৱাংবা চীংমায় অমদগী হাইথরকপা ফুট ৮০০ x ২০০ গী লৈতেম মান্নবা লমদম অদুদনি 50 পেরাচুট ব্রিগ্রেদ অমসুং কালি বাহাদুরগী গোর্খা কম্পেনি অমনা লান থেঙননবা লেপখিবা । জাপানিজ লানমীনা Mortar Bomb নত্রগা করীগুম্বা অমা হেক কাপশীল্লকপদা বৃটিশ লানমীশিংদুগী মরক্তা তারগদবা, কনাগুম্বা খরদি শোক্লগদবা, শিরগদবা ফিভমনি । নোংমা নিনি তুমিন্না লৈনরম্বদগী এপ্রিল

১৯গী অয়ুক্তগী খঙহৌদনা কাপ্লবা হৌরকখি । বৃটিশনা Defensive force ওইনা থব্রায় খুবাক্তা হাপতুনা লানফম অদুদা য়ান্নখিবনি । চগুংননা, চৎফম থোকফম খঙদনা লৈখ্রবা মখোয়গী Position অদুদা জাপানিজশিংনা Motar Bomb, Grenade নচিংবা লংশিল্লকপদা নত্তনা Automatic rifle শিংদগী নোংচুবগুম কাপশীল্লকপদা British কী Gunner কয়া শিখি, নোংমৈ মুন্ননবা জাপান লানমী কয়া বৃটিশকী শিরবা লানমীশিংগী মনাক্তা চেনশীল্লকপদা গোর্খা সিফাই কয়ানা য়োৎচৈনা কন্দুনা হাৎখিবগী থৌনাফরবা মতাং কয়াসু য়াওখিদবা নত্তে খুদোংথিরবা লাল্লক অদুদা । ইচঙ থৌরবা বৃটীশ ১সুং ইন্দিয়ান আর্মীগী সিফায় ১সুং ওফিসার কয়া হিংনা নত্রগা শিখ্রবা মতুংদা লানফম অদুগীদমক Victoria Cross (থোইদোক হেন্দোক্লা থৌনাফবগী মনা) ফংনখিবসু কয়ানি । নুংশানা য়ক লাওনা শারক্লবদা অরাম খৌরাংবনা খাঙবা ঙমলক্ত্রবা লানমীশিংদু, লাইবকফবদগী নোং মরীক খরা চুরকপদা অকুৎপদা তুংহৌবা মীগী ঈগা য়ানশিন্নখ্রবা ঈশিং খরা খরা লৈপাক্তগী চুপতুনা থকপগী থম্মোয় শোক্লবা ব্রারীনি । লানফম অদুদা নেপালগী কালি বাহাদুরগী কম্পেনি অমগী মনুংদা কনাগুম্বা লানমী অমা ফাওবা হল্লকখিদে, পূম্নমক লানফম অদুদা শিখি ।

অসুম্না মার্চ্চ ১৯ দগী কাপনরকপনা তাং ২৬ কী অয়ুক্তদি বৃটিশকী মায়কৈদা খুদোংথিবগী খম থেংবা হায়বদু য়ৌখি । অশি-অনা, অশোক অপন য়ামশিল্লকপদা নত্তনা লোইশিনফম খঙদবা অশিবা হকচাংগী মনম্না লৈফম চাফম খঙনখিদে । মখোয়গীদমক লানফম অদুদা এরোপ্লেনশিংনা থৌনাফনা পাইশিল্লক্তুনা চিনজাক, হিদাক লাংথক, ফিরোন থাদবীখি অদুবু লাইবক থিবদগী পূম্নমক অদু জাপানীজশিংনা লৈরীবা মফমশিংদা পাইথখিবনা অয়াম্বনি । অসিগুম্লবা ফিভমদা মখোয়, হন্দোকপসু ঙমদ চঙশীনবসু য়াদ অনৌবা লানমী থোমজীল্লকপগী আশাসু লৈরক্তা মখোয়গী মরাইবক্তা থোক্লবা অমা ঙাইদুনা লৈরক্লবদা, বৃটিশকী ৩৫ দিভিজন্দগী ব্রায়ারলেস মেসেজ অমা থারকখি ।

ৱারোলদি "নখোয় লান শোক্ল শোক্লনা থোরক্লবা হোৎনরো, মখা পাংনা চৎলগা নোংচুপ পাংনা লাকউ নখোয়বু এরোপ্লেন্না অমসুং গারীশিংনা ঙাইদুনা লৈরী।"

অহীং অদু নাকল অনিমক তুমিন তুমিন লৈনখি; শোৎ-পেক লাউনদনা। বৃটিশকী লৈহৌরিবা মীওই খরনা চিক্লা খন্নখিঃ- মখোয় হন্দোকপা তারে অমম্বা অহীংগী চীংলক অদুদা-অশোকপা শিদ্রিবশিংদু করম তৌবা, হন্দোকপিরম্লগদ্রা .... ? পুবা তারগনা করম তৌনা পুবা ..... ৱারেপ অমা লৌনরে- মাগী মাগী মরুপশিংনা মতেঙ পাঙগনি হায়বা অশোকপশিং অদুদি হন্দোকখিবদা য়াওহল্লসি, মরুপ মপাঙ লৈজদবশিং অদুদি মরাইবক্লা তম্বা ঈশ্বরগী থৌজালদা শিন্নরম্লগনি হায়না। মখোয় হন্দোকপদা লেপ্পরে; থনমগদবা খুৎশু খুৎলাই, নোংমৈ, শীজীন্নবা য়াদনবা শীদোকলমলে। নুংদাং পুং ১১ তাবা ৱাইদা অমম্বা অহীং অদুদা মখোল অমত্তা থোক্তনা মখোয় খুদোংথিরবা মফম অদুদগী থোরকপা হৌরে। জাপান লানমীনসু বৃটিশনা তৌরিবা পূম্নমক অদু শোয়দনা খঙলমগনি মরমদি মখোয়না লৈনরীবা মফমদু করিসু লাপ্পদ্রবনি, অদুবু মখোয় বৃটিশ তম্না নোংমৈ কাপলকখিদ্রে মফম অমসুং মতম অদুগী ওইনদি ....। শিরনি হায়দুনা হন্দোকপিরম্লবা সিফাই খরনা অমুক হিংলকপা তারবদি করম তৌহৌবা তারি মখোয়গী কনাসু লৈত্রবা লাপ্পবা মফমগী চীংনুং অদুদা .... ? অদুগুম্বগী ৱারিসু য়াওখিদবা নত্তে থৌদোক অদুগী ৱারীদা। মশিনি লানগী ৱারী, মীওইবা পূম্নমক্কি য়েক্লবা নুংশি হৈত্রবা লানগী ৱারী ....।"

সংসক্কি লানফম অসিদা বৃটিশগী লানমী কয়া মশীং য়াম্না শিখিবা শোক পনবা খুদোংথিবা কয়া নংখ্রবসু মখোয়গী খোঙফম হন্দোক্তনা মতম শাংনা মায়োক্লখিবা অদুনা অনীশুবা লানজাও অসিদা অচৌবা কান্নবা ফল অমদি পুরকখি হায়বসি লানফম অসিগী ৱারীদা ইদুনা লৈরী। মমৈথঙদা

ওইরক্কদৌরিবা মায় পাকপগী ফল অসি সংসক্কি দিফেন্দরশিং অদুনা ওইহনখিবা অচৌবা মরম অমনি হায়দুনা শীংথারি । লান অসিদা য়াওরুবা মীওইশিংগী মফমদা ফাওখিবদি; বৃটিশ লানমীনা থেংনখিবা অতৈ লান কয়াগী মরক্তা সংসক্কি লান অসিসু চুম্নগী লানগী শরুক অমনি হায়বসিতনি; অদুবু লানফম অসিদগী য়ৈরকখিবা খোন্থাঙ অমসুং ইপোম্না বৃটিশ অমসুং জাপানিজ অনীমক্কী মায়কৈদা তোংজবা নত্রগা মাঙজবা ফল অদুমদি য়াম্না ময়েক শেংহনখি ।

লান অসিনা, জাপানিজশিংগী হান্না শেমখিবা থৌরাঙগী তাইম টেবল পূম্নমক পুমকায় কায়হনখ্রে, নোংপোক্তগী ওইথংবদা চঙশীল্লকখিবা জাপানগী ৩১ দিভিজন্দি মরু ওইনা লানফম অসিদা Engage তৌখিদে; য়াওখিদে । অদুগা ১৫ সিভিজন্দি মখোয়গী খোঙথাঙ পন্থহন্দুনা থমখিবতা নত্তনা বৃটিশকি পেরাচুট ব্রিগেদ থুগাইনবা হোৎনরুবদা নাহী তানা খাঙবা হায়বদু ওইখি-অৱাবা দশা তাখি । বৃটিশকি মফমদনা-মতম শাংনা জাপানবু সংসক্তা মায়োক্ল খিবা অমসুং জাপানিজগী খোঙজঙদা পন্থহনখিবা অসিদি ইশ্বরনা পীবীরকপা থৌজাল অমগী মওংদা কান্নবা ফংখি । ফিভমশিং অসিদগী বৃটিশকী জেনরেল Scoones না মাগী থৌরাঙ অমুক হন্না শেমদোকপা Re-organise তৌবগী খুদোংচাবা ফংখিবতা নত্তনা; জাপানিজনা ইম্ফাল কোয়শীল্লক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা, মরু ওইনা বৃটীশকী৫ দিভিজন ইম্ফাল তান্না এরোপ্লেন্না পুরক্লগা মরু ওইবা মফমশিংদা পোজিসন লৌদুনা লৈহনখি । মরক অসিদা অমুকসু জাপানিজনা নিংলম্বা ৱাখলদগী মথক মখা ওন্থোক্তুনা ইম্ফাল কোহিমা রোদ মতম খরা হাংদোকপা ঙমখি অসিগী মতুংইন্না দরকার লৈত্রবা, থবকশুবা মীওই কয়ামরুম মণিপুরদগী মপান্দা পুথোকখ্রগা অথুবগী ওইনা লানগীদমক দরকার ওইবা পোৎ-চৈ পূম্নমক ইম্ফাল তম্পাক্তা পুশিলহৌবা ঙমহনখি ।

লান হায়বসিদি ময়াম্না খঙবিরিবা অদুগুম্না খুদোংথিবা অশোক অপন অৱা অনা ঙাক্তনি, শিবা চঙবা অনীমক্কী চাংয়েংনি । অৱা অনা কয়াশিং অদুগী মরক্তা নোক্লিংবা নুংঙাইবা অমসুং নুংশিবা অসিনচিংবা কয়াগী

থৌদোক ৰারীসু কয়া অমনি । সংসক্কি লানফম অসিদগী হন্দোরকপা লানমীশিংগী মরক্তা থোকখিবা থৌদোক মচা অনীদং শমলপ্পা মখাদা পীজরি । অতে থৌদোক কয়া অমসুনি অদুবু মখোয় অদু ঙাক্তা পনজদুনা ইরবদি তোঙানবা লাইরীক অমা ওইরগনী ।

নোক্লিংবা ৰারী মচা অমা-

সংসক্তগী হন্দোরকপা Army officer খরা মখোয়গী Base Camp য়ৌরকখি । ওফিসরশিং অদুগী মরক্তা য়াম্না পাখৎলবা, কিগল্লবা ওফিসর অমদি মতম চুপ্পদা Tension অমদা অদুম লৈবদগী তুমহন্নবা হায়দুনা Junior officer অমদা sleeping pill তূম্নবা গুলি খরা লৌরুনবা হায়খি । Junior officer অদুসু মতম অদুদা মকোক য়াম্না চিকপদগী Aspirin গুলি খরা মখোয়গী Dispensary অদুদগী লৌরগা, তূম্নবগী গুর্লিশিং অদুগা পূনশীন্নদুনা পুরকলে । খঙদবদগী Aspirin (কোক চিকপগী অদুনা) tension লৈরবা পাখৎলবা ওফিসর অদুদা পীজরে, অদুগা মকোক চিকপা ওফিসর অদুনা তূম্নবা গুলি অদু চাশিল্লে । মহাক পুং ৩৬ তূমখ্রে মথঙগী নুমিত্তা নোংঙাল্লক্লগা মখোয় পূম্নমক Mess তা চাক চাবা লাক্লবদা অশোয়বগী নুংঙাইবশিংদু খঙনরক্তুনা ময়াম ৰা-ৰা নোক্তুনা ঙাইহাক হরাওনখি ।

অথোৎপা ৰারী মচা অমা-

সংসক্তগী হন্দোরকপদা, নহা ওইরিবা Mahtratta company গী কম্মান্দর অমা, বৃটিশ Troop অমগী কম্মান্দর Trim গা খোঙবু ওইরম্মী । হন্দোরকপা লম্বীদা, মখোয় ফুট ৬০০০ ৰাংবা চীঙগী নাপোম অমা কারক্ল বা হোৎনবদা য়াম্না ৰাখি-শ্বর থবেৎ থবেৎ হোনখি । Trim না উখি মদুদি নহা ওইরিবা কম্মান্দর অদুগী মশাদা Army গী খুৎলায় মান্দবা চুম্নগী খাও অমা মশাগা শুকথা থাদোক্লদনা পুরী হায়বসি । ৰারবা মতম অদুদা Trim

না মঙোন্দা হংলমই-" অশুক ৱারবা ফাওবদা করীনো নঙনা খাউ অমা অদুম য়ান্দুনা পুরিবদো, মদু মরুওইবা মান্দে, হুন্দোকখিবা য়াদ্রা ....?" ৱাহং অসিদা, য়াম্না ৱানা শ্বর হোন্দোক্লগা Company Commander নহা অদুনা খুমলকখি- সার, খাউ অসিদা Squash Ball দজন অমা য়াওরি মশি South Africa দা লৈহৌবী ঐগী মরুপ লৈশাবী অমদা থাবিরক্কনি হায়না ঐনা ৱাশকলম্মী .... অদুনা পোৎ অসি মাগী মফমদা থানবগী খুদোংচাবা Post অমা হেক ফংদ্রিবা ফাওবদি ..... অসুম পুখিবা ..... তারি ।"

কয়াদা থোৎখ্রবা থম্মোয়নুংগী ইচেল অমনো .... ? অদুবু লান হায়বা মহাক্তি পূন্নমক অসিগী য়েক্লবনি- হিংচা য়াইতম্বনি । তাইবং মীওই পূন্বগী মরি পূন্নমক থদৎলগা মাগী মখয়াৎতা চিংশিল্লি, য়োৎশীন্নবা হোৎনরি -।

সেনামদা মতম চঙনা ৱানখিবা

শোক্লখিবা লানফমদি কয়ানি । লানফম খুদিংগী অকুপ্পা ৱারীশিং অদুদি লানজাও অদুগী অচৌবা ৱারী ঙাক্তনি । কনানা কদায়দা করম তৌনা লমজীংখিবা করি করি ঙাংন-শানখিবা, থৌনাফবা কয়ানা করম করম তৌখিবা, ঙন্নমক অদু লোইনা পল্লুবা তারবদি লান ঙাক্তগী ওইবা অচৌবা লাইরিক অমগী চেনা কয়ামরুম ওইগনি । পনজনিংবদগী, শুপ্নতগী বৃটিশনা ফোঙদোকপিখিবা, লমদম অসিদা থোকখিবা লানগী পন্দুপ কয়াগী মরক্তগী খরদং লৌখৎচরগা শমলপ্পা অদুম ইজরে । জাপানিজশিংসু অকীবা ফংনা অৱাবা কয়া মায়য়োক্লরগা শিখিবনি, শকখঙদবা মফম কয়া জঙ্গল কয়া ফাওরগা ঐখোয়গী লমদম অসি য়ৌনবা লাকপদা । মফম মফমদা লৈরম্বা বৃটিশকী ফোর্স কয়া, মখোয়না লাকপা লম্বীশিংদা থেঙনখিদবা নত্তে, কাপ্ন খিদবা নত্তে, অদুগীসু মথক্তা মিকুপ কাংদনা নোংথক্তা পাইদুনা লৈখ্রবা বৃটিশ অমসুং আমেরিকানগী Spitfire, Beaufighters নচিংবা প্লেনশিংনা খপথরকপা নোংমৈ অমসুং বোমগী চৈনা কয়া মায়য়োক্লরকপদা অশি-অনা কয়া থোক্লা থোক্লা অদুম চঙশীল্লকখিবনি মখোয়গী জেনরেল য়ামামোতাগী কমান্দ মখাদা । মখোয়না মণিপুর তম্পাক য়ৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা মখা মাইকৈগী মোরে লম্বীদা লৈবা সেনাম চীঙথকশিং পায়শিলহৌবা অসিনা মখোয়গী অচেৎপা ফিরেপনি ।

পলেলদগী মাইল তরুকলোম চৎলগা লৈবা সেনামগী অতোঙবা চীংথক খরা অদুগী মমিং-বৃটিশনা হকথেঙনখিবা বেট্টল (Battle) লান শিং অদুগী মতমদা মখোয় মশেলগী মরক্তা খঙনবী ওইনা অসুম্না মমিং থোনখিঃ- মদুদি- নিপ্পোন হিল, সিতা, ক্রিয়েট ইষ্ট এন্দ ৱেষ্ট, স্কাগগী জিব্রাল্টর অমসুং

মালটা হায়না । পৃথিবীগী অতোপ্পা মফমশিংদা খঙনদবা মফম ওইজরবসু, হায়রিবা চীঙগী মফমশিং অসিদা থোকখিবা বেট্টলশিং অদুদা য়াওখিবা অমসুং লাইরিক অসি ইবগী মতম ফাওবদা হিংলিবা মীওই কয়াগী মফমদদি হায়রিবা লমদমশিং অসি নিংশিংদুনা অদুম লৈগনি ! অকীবা ফংনা শোক্লখিবা লানফম কয়াগী মরক্তা সেনামদা শোক্লখিবা অসিসু অমনি ।

বৃটিশ কমান্দরশিংগী মখাদা গুর্খা লানমীশিংনা থৌনা ফনা শরুক য়াখিবগী মতাঙ অমনি, নোংমৈ কাপ্পবতা নত্তনা মখোয়গী খুক্রিগী থৌনা, অমসুং মদুগী হৈশিংবা উৎতুনা লাম্বা তৌনখি। মীওই কয়া অমা থৌনাফবগী গালান্ত্রি এৱার্দ ফংনখি, হিংনা নৎত্রগা শিরবা তুংদা । ১৯৪৪-৪৫ গী মতমদা থা ৪ চুপ্পা মায়কৈ অনিমক হন্দোকনখিদে, বৃটিশকী ওইনসু, সেনাম চীংথক্তা লৈশিনখ্রবা জাপানিজশিংবু তান্থোকখিনবা মখোয়গী ঙমজবী থানা হোৎনবদা মীওই কয়াগী থৱায় মাঙখিবগী ৱারীনি ।

বৃটিশনা ইরমই-সেনামগী চীঙথকশিং অসিদি অহানবা উবা মতমদা অশঙ-অমাল জঙ্গলনা কূপশীনবা মফমনি । মতম খরগী মতুংদদি জঙ্গলগী মশক অমত্তসু উখিদরে, পুমকোক কোকখ্রে, বোম তোপকি সেলনা নৈখায়রকপদা শুপ্পগী তেকখ্রবা, ককখ্রবা উগী উখোঙ খর খর য়ুংদুনা লৈহৌবশিং অদু নত্তনা । করিগুম্বা লানগী মতম নৎত্রবদি, কালেনগী নুংশাদা নুংঙাইনা পোত্থারুবা য়ারবা, সমুদ্র ইমায়দগী ফুট ৫০০০ ৱাংলবা মফমদা লৈবা কোয়রকপা য়াবা মফমনি । মফম অসিদগী অৱাং পাংনা য়েংথখিবদা ওমচাক্লরবা তম্পাক্কী লমদম শন্দোক্তুনা লৈখ্রে । অমরোমদা অমুক, কুমগী নোংনা চুরকপা মতমদদি চীঙথকশিং অদু লৈচিলনা পূম্মম মম্না কূপশীল্লি, ইঙবসু য়াম্না ইঙই । উচেক্লা চুমদ্রিং পাইরকপগী লম্বীদা হায়রুরবদি নিপোন চীঙদগী সেনাম চীংদোল ফাওবসি মাইল অহুম মখায়রোমদনি । সেনামগী চীংথকশিং অসিদগী জাপানিজশিংনা য়েংথবদা শোয়দনা উরমগনি-পলেলদা লৈবা বৃটিশকী নোংজু নুংশা অনিমক্তা শিজীন্নরীবা এয়ারফিল্ড অমসুং

নক্লবদা লৈরীবা লানগী পোৎচং কয়াগী থম্ফম ওইরিবা মফম কয়া । মখোয়না খল্লমগনি- হায়রিবা মফম অসি লৌশীনবা ঙম্লবদি, মখোয়গী ফিভম চারবা খোঙনেৎফম অমা ওইরগা ইম্ফাল য়ৌনা ফুজীনখিবা ঙম্লগনি হায়না ।

ব্রাখল অসিদগী; জেনরেল য়ামামোতোনা অঙাওবগী লাল্লোঙ কয়া হন্না হন্না চথরকখি, খুভম চেৎনা লিংনা লৈখ্রবা বৃটিশকী দিফেন্সিব পোজিসন কয়াদা থা মরী চুপ্না-। মখোয়গী (জাপান) মায়কৈদা অশি অনা কয়া থোক্লবসু, হনজিল-হনজিল মাঙ-তাক্লবসু-কুমগী নোংনসু হৈথরক্লবা মতমদুদা অনি অহুমলক ফাওবা নিংহন্নদনা এতেক্ট তৌখি । হায়রিবা লানজং কয়া অদুদা মখোয়গী অৱাবগী পংখৈ নাইখিদে, অশি অনা অশোক অপলনা পিক থনখি, লায়েংফম লৈরক্রে, চিঞ্জাক ৱাৎশীল্লকই, কুমগী নোংনসু হৈথরক্লবা মতম অদুদাঃ- । অকোনবগী মতম, চয়োল অমা ফারক্লবগী তুংদদি, মফম অদুদা লান হায়বা অদুনা ওইহনবা তমথিরবা শক্তম অদু চপচানা উবা ফংজখি, পুমচায় চাইনা তারবা পোৎ-চৈগী মরক্তা অশিবা পুমথরবা হকচাং কয়াগী মনম্না মী চঙবা ঙমদবা মফম অমা ওইরক্লবদা ...... ।

নিপ্পোন চীঙ অসি জাপানীজনা পায়শীল্লুরবনি, অদুবু হন্দোক্তবা য়াদবা মরম্না বৃটিশকী অরৈবা ফোর্স শীজীন্নদুনা জাপানীজশিংবু তানখায়বদা Royal Air force কী Hurricane Bomber শিংনা মখাদা শোক্লরিবা লান্মীশিংবু পাক শন্না মতেং পাংবগী অচৌবা থৌদাং লৌখি । থাদরকপা বোমনা পোকখায়বদা ফককায়খ্রবা চাউর-চাউরবা লৈকুতশিং অদুদা জাপানীজশিংনা চোংথরগা ওটোমেতিক রাইফলদগী হনবা লৈতনা শিবা ফাওবা খপ্তুনা কাপলকখি হায়না বৃটিসনা ইবা লাল অদুগী ৱারীদা জাপানিজশিংগী থৌনা লিংজেলবু ৱাংনা থাঙ্গত্তুনা ইরি ।

নিপ্পোন চীং অসি অমুক হন্না লৌশীনবদা বৃটিশগী ওফিসার কমান্দর কয়া, সিফায় কয়াগী থৱায় মাঙখী । নাকল অমরোমদা, I.N.A. লান্মীশিংনা

পলেলদগী মাইল তরুক লাপ্পা মফম অমদগী নোংচুপলোমদগী ফূজীল্লক্লবা হোৎনখি, অদুবু বৃটিশকী গুর্খা লান্মীশিংনা এমবুস তৌরকপদগী কাং-খোং চাইনখিবা অমসুং খর অমনা বৃটিশকী মফমদা হন্না অমুক চঙজরকপগী ৱারীনচিংবা কয়া অমসু লৈখ্রি ..... ।

অশুম্না, হায়রিবা লানফম অসিদা জাপানীজকী কমান্দর য়ামামোতোনা মহাক্কী লান্মী কাংবুগা লোয়ননা নিপ্পোন চীংথক্তা অহানবা হেক য়ৌরকপগা মাগী ২০ দিভিজনগী লান্মী পূন্নমক ঙাইহাক ফাওবা পোত্থাফম খঙদনা বৃটিশকা মতম শাংনা মায়োক্লরক্লবা তুংদা কুমগী নোং চুবগী মতম য়ৌশিল্লকখি। নুমিৎ খরনিগী তুংদদি খাক-লাওনা, লৈচিলনা পূন্মম মম্না লেপ্তনা নোং চুথরক্লবদা মখোয়গী ফিভম ফত্তবা হায়বদুগী খমথেংবা থাক মায়োক্লবা তারম্মী । বৃটিশকী ওইনসু জেনরেল স্কুন্সনা, হান্নগী কমান্দর গ্রেসিনা লুচিংবা দিভিজন অদু মতম শাংনা সেনামদা ৱানা খাঙনরকপা অদু খরা পোত্থাহনবা ওইনা ২৩ দিভিজনবু মে তাং ১৩দা মখোয়গী মহুৎশিনবা ওইনা থাজীল্লকখি । হন্দোরকপা বৃটিশ লান্মী পূন্নমক্কী মপুক্লিংদা অপেনবা পোকখি মদুদি জাপানীজ লান্মীনা পলেল য়ৌনবা হোৎনখিবা থৌরাঙ পূন্নমক মখোয় বৃটিশ লান্মীনা অরেম্বা তাহনখি হায়বদুগী ৱাখলদা । তেক কায়রবা, লানগী মৈখুনা কাথেক্লবা মফম অদু থাদোক্তুনা মখোয় উখ্রুল লম্বী য়ৌনবা অৱাং পাংনা লাক্লবা তুংদা মতম খরা চিক্লা নোংমৈ মখোলদগী লাপ্লা পোত্থাবা ফংজে অদুবু কুইদনা অৱাং নোংপোক্তগী হাইজিল্লকপা ১৫ নম্বর জাপানীজ তেঙ্গোল মায়োক্লরুনবা কমান্দর গ্রেসিগী মখাদা অমুক চঙশীনখ্রে ।

সিলচর লম্বীদগী বিষেনপুররোমদা

কবো ভেলিদগী বৃটিশকী ২০ দিভিজন হন্দোরক্লবা মতমদা জেনরেল কোৱান (Cowan) গী ওর্দর মতুংইন্না মেকেনজিগী ৩২ ব্রিগেদ অদু তিদিমগী মাইলস্তোন ৩২ য়ৌনবা চঙশীল্লকখি। বৃটিশকী ১৭ দিভিজন অদুদি মতম অসিদা ইম্ফালগী অৱাং থংবা লমদমশিংদা মিৎ-না চোইবা য়াদবমখৈ লৈনবা মতমনি। মেকেনজিনা তুলিহল এয়ারস্ত্রিপতগী খা পাংনা খুঙ্গং কয়া মথঙ মথঙ ফাওদুনা চৎথরকপদা, হান্না চঙশীনখ্রবা ৪৯ ব্রিগেদ কাঙবু অদু ফিভম চাদনা লৈরম্বা থেংনরে। ওইরল্লিবা ফিভমদি, মাইকৈ অমদনা অচোৎপা লমদম, অমরোমদনা চীংখোঙগী লম। অসুম্না, চীংশাঙ পরেং অদুদা চঙশীল্লক্লিবা জাপানিজশিংবু অপনবা পীবদা খুদোং চারমদে। জেনরেল কোৱান অমসুং স্কুন্স মুন্না খন্নরবা তুংদা, মেকেনজিগী বেতালিয়ন অদু বিশেনপুর লম্বীগী নাকন্দা লৈহনবা হায়না লেপ্পরে। উ-না চগুংননা হৌবা অঙম্বা চীং অমদা মেকেনজিগী H.Q. ওইরে, অদুগা খারোমদা মাইল ১ রোম চৎথরগা পঞ্জাবকী ৯/১৪ কমপেনি অমসু (Anti tank guns) তেঙ্ক কাপখায়নবা নোংমৈশিংগা লোয়ননা মিৎ-না শিংনা লানগী থৌরাঙদা লৈনখি।

হান্না মাঙজিল থানা Forward Area দা লৈখিবা বৃটিশ লানমিগা চঙশীল্লকখিবা জাপানিজশিংগা কাপ্পখিবা মরু ওইবা মফমশিংদি সিলচর লম্বীদা লৈবা লৈমতাক্কী থোং ময়া অমসুং বৃটিশনা Winter Hill হায়না খঙনখিবা চীংগী লমদম অমদসুনি। অশোক অপন মীশি-মীনা কয়া য়াওনা য়াওনা থা অহুমলোমগী মনুংদদি জাপানিজশিংনা তম্পাক হাইথরক্তুনা নিংথৌখোং ফাওবা চঙশীনখ্রবনি। নিতিগী নৎত্রবসু মরক মরক্তা Battles কয়া থোকখি

(নোংমৈ কাপ্পখি) নিংথৌখোংদগী জাপানিজ তাম্হোক্লবা হোৎনবদা-। বর্মাগী মফমশিংদা তৌখিবগুম, নিংথৌখোং অমসুং মথক্তা পনজখ্রবা সেনাম অনিসিগী লানফম কয়াদি বোম কাপশীনবা (Bomb shelling) মশিং লাকঙমদনা চৎথখি । খুঙ্গং অতৈগা মান্নদনা, মতম অদুদা নিংথৌখোংগী য়ুম অয়াম্বনা লৈপাক্লা ৱাংনা-ৱাংনা খাজীল্লি, ই-না কুপ্পি । উ-ৱাগী শন্বল অমসুং লফু পাম্বী কয়াগী মরক্তা অখুবা লম্বী মচা কয়ানা পুখ্রি গুহা য়ৌবা ফাওবা চৎলি । অসিগুম্লবা মফম অসিদা কদায়দা করি লৈবগে হায়বদু খঙবদা য়াম্না লুবা মরমনা; বৃটিশনা এতেক্ট তৌবদা খুদোং চাখিদবা, অমরোমদনা জাপানিজশিংগী Defensine position অমা ওইনদি নুংঙাইবা মফমনি হায়না ইরম্মী । লম্বীদগী খরা হাইথরগা লৈবা তুরেল অদুনসু অমুক বৃটিশকী Tanks শিংনা তৌগদবা থবক পূম্নমক্তা অপনবা ওইরম্মী । অনকপদা লৈরীবা খুল অনিখক্তু নত্তনা অকোয়বদা লৈরিবা মফম অয়াম্বদি অচোৎপা লৌবুক অমসুং পাৎথি কোমথি ঙাক্তনি অদুগা নোংপোকলোমদনা লোক্তাক পাৎকা অদুম শম্নখ্রে । লৌবুক অদুসু অয়াম্বনা অচৌ অচৌবা লৌরীনা ৱাংনা ৱাংনা লৈরম্বনা Tank চঙশীনবদা য়াম্না খুদোং চাখিদে ।

জাপানগী লাম্মী কয়া য়াম্না নিংথৌখোংদা লৈবগে হায়বদু বৃটিশনা খঙবা ঙমদবনিনা থৌরাঙ অমা পায়খৎখি মদুদি-মখোয়গী টেঙ্কশিংনা মরুওইবা লম্বী অদুদা থৌথরগা অকঙবা লৌবুক অদোমদা অমুক থৌজীল্লগা য়েক্লববু কাং-খোং চাইহনবা অসিনি । জাপানিজগী হন্থবা মখলগী টেঙ্ক খরা অদুনা বৃটিশকী লিস টেঙ্কশিংবু করীসু তৌবা ঙমলোই হায়না থাজনখি, অদুবু অকঙবা লৌবুক অদুসু টেঙ্ক চঙশীল্লকপদা উফুল য়াম্না হৌবা অমরোমদা কংলবা অচৌবা খোংবাল অমসুং অৱাঙবা লৌরী মথকশিংদুদা হৌরীবা পাম্বী ময়াম অদুনসু জাপানিজশিংনা লৈরিবা মফমদু বৃটিশকী নুংঙাইবা তারগেত ওইখিদে । বৃটিশ ইন্দিয়ান আর্মী কয়া, ওফিসর কয়ানা টেঙ্কশিংগা লোয়ননা কয়ারক হন্না চঙশীনখিবা, কাপনখিবা অদুদা মীওই কয়াগী থৱায় মাঙখ্রবসু কান্নবা ফলদি ইফঙ ফঙখিদে বৃটিশকী মায়কৈদা ।

মতম খরদং লৈরগা Lt. Colonel Oldham গী মখাদা ১/৪ গুর্খা রাইফলস লাকখি । মহাক্কী Plan দি নিংথৌখোংগী অৱাংথংবা শরুক হান্না লৌশিনবসিনি । 3 Carbiniers কী Tank কাংবু অমগা 1/4 গুর্খা কমপেনি অদুগা চঙশীনখিবদা জাপানগী 47 milimetre guns শিংনা অপনবা পীখি লোয়ননা বৃটিশকী 2 pounder Tank guns মুনখি । 201 কাংবু অমনসু তুরেল লাম্থোক্লবা হোৎনবদা ঙমখিদরে । হোৎনবা কয়া শোয়রক্লবদা ব্রিগেদিয়ার মেকেনজিনা খনখি-মদুদি, কোহিমাগী লম্বী ফাওদ্রিবমখৈদি বৃটিশকী Tanks চঙশীল্লকপগী chance লৈত্রে, - মখোয় হন্দোকপা তাখি । হন্দোরক্লে, মখোয়বু জাপানিজশিংনসু মতুং ইল্লকখিদে, তম্পাক্কী লমদমদা 32 Brigade না পায়খিবা অহানবা থবক পূন্নমক পুক্লিং থৌগৎনিঙাই ওইদবা তাংকক অমা ওইনা থোকখি ।

সিলচর লম্বীদগী অৱাংলোমদা মাইল খর চৎলগা লৈবা জাপানিজ ফোর্স অমনা মীশিং য়ামখৎনা ইম্ফাল তম্না চঙশীন্নবগী থৌরাং অমা খা নোংচুপ্তগী হোৎনরম্মী । মদুগীদমক মখোয়না বিসেনপুরদগী মাইল ৪ চৎলগা লৈবা কোকাদেন অমসুং নুংগাংগী মরক্তা জঙ্গল কোরিদোর কৌবা পোজিসন অমা চেকশীন্না শেম্মী, অদুবু বৃটিশকী পেত্রোল্লিং কনবনা মখোয়গী খোঙজঙ অদুদগী লাপথোক্লা অমুক নোংচুপলোমদগী তাইরেনপোকপি ফাওদুনা লাকপা তাখি ।

মতম অসিদা জাপানিজশিংগী কমান্দর ওইরিবা মখোয় মশেল অমগা অমগা, থবক চেকশীন্দে, শোন্থরে হায়দুনা মরাল শীনবগী মওংদা য়াম্না চৈনখি । খ্বাইদগী শাথিবা মখোয়গী জেনরেল মুটাগুচি ইখঙ খঙহৌদনা মখোয়গী হেদ ক্বার্টর্সদা লাকখি । বিসেনপুর অমসুং নিংথৌখোংদা এতেক্ট তৌরিবা জাপানিজকী কম্মান্দর য়ানাগিদাবু মথৌ চেকশীন্দে হায়দুনা মমিৎ ঈ কাবমখৈ শাওরখি, লোয়ন-লোয়ননা ৩৩ দিভিজন্না অরোয়বা ওইনা

মণিপুর তম্পাক য়ৌগদবা সিলচর লম্বী কক্কদবনি হায়না ওর্দর তৌখি । মতম অদু ফাওবা সিলচর লম্বী ককপা ঙমদবগীদমক মাগী থাঙশাঙ অদু পায়দুনা য়াম্না শাওনা মখা থোংবা ওফিসরশিংবু থীনা চৈখি । মানা হায়খি-১৫ অমসুং ৩১ দিভিজন্না থৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা লানথেঙনখিবা মতমদা ৩৩ দিভিজন্দি মথৌ মশক খঙদবগুম লৈরে হায়দুনা Yanagida বু কন্না শাওখি । Mataguchi না Colonel Murata দা শোখরিবা থবক খুদক্তা পায়খৎনবা ওর্দর তৌখি অমসুং মহাক্কী আশা কায়হনবা শুকয়া য়ারোই হায়বগী ফিরেপ্তা মাগী মখাথোংবা ওফিসারশিংবু অনৌবা লিংজেল হাপখিবনি মমিত্তা ঈ কাবমখৈ - ।

কম্মান্দরশিং অদুগী শোখরিবা থবক অদুগী পাউখুমদি মখোয়গী মী ৱাৎলে হায়বসিন্নি । Mutaguchi দা Murata না চেৎনা অমুক হন্না হায়খিবদি মখোয় অমুক হন্না খা-রোমগী লম্বীশিংদা চঙশীল্লগা বিসেনপুরগী মনাক্তা লৈবা চীঙ অদুদগী এতেক্ট তৌরগনি হায়বসিনি । মতম অসিৱাইদদি জাপানিজশিংগী মরক্তা মখোয় মশেল অমনা অমবু থাজনদবগী মতাঙ অমা ওইরকপগুম তৌরক্লে । মখোয় হায়নিঙাই লৈতনা ৱারক্লে; মখোয়গী মমিত্তা লান জয় ওইবগা অমসুং মায়থিবগা য়েৎশীন্নবগী মশেল মরাংবা শক্তম অমা উবা হৌরকই । Yanagida সু মপুক্লিং য়াম্না নুংঙাইখিদে, মাগী Troop (কাংব) অদুবু, ইম্ফাল লৌবদি লায়রদুনা বিসেনপুর ফাওবা লৌশীনবা ঙমদনা শেরান্ননা লমজীংই হায়দুনা Mutaguchi না মঙোন্দা থমখিবা ৱাখল অদুদা --।

অসিগী মতুংদগীদি অমুক হন্না বিসেনপুরগী লান অসিদা Tanks কয়ামরুম শিজীন্নদুনা অকনবা লান কাপ্পবা হৌরকখি । নোং চুথরকপা মতম ওইবনা মায়কৈ অনিমক্তা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মাইয়োক্লখি । লানফম অয়াম্বদু বৃটিশনা grim fighting in inclement weather (নুংশিৎ নুংশা

শেংদবা মতমদা ব্রানা লাম্থেংনবা) হায়না ইরম্বা থেংনৈ । জাপানিজশিংগী মায়কৈদদি মখোয়না চঙশীল্লক্লিবা মফম পূন্নমক্তগী অমুক হন্দোকপা য়াদ্রবা খোঙফমনি । মতম অসিদা মখোয়গী চান-থক্লবা Ration ওক্লবা লাকখিদরে, মী মশিং নোংম নোংমগী ময়েং তারক্লে, বৃটিশ এরোপ্লেনশিংনা ঙাইহাক্তং ফাওবা হাঙদনা ঙাক শেন্দুনা লৈখ্রবা মণিপুরগী অতিয়া অসিদা জাপানগী এরোপ্লেন অমত্তা হাইজিল্লকপা ঙমখিদ্রে মরম অদুনা জাপানিজশিংগী মতম অদুদা লেপখিবা পুক্লিংদি, নমদুনা ইম্ফাল লৌবা নত্রগা শিখিবা, অসিনি । অসুম্না মতম অদুদা বিসেনপুরগী অকোয়বদা শোক্লখিবা Tanks কয়াগী লানফমশিং অদুদি য়াম্না মতম চঙখীবগা লোয়ননা অচৌবা অরুবা মতাঙ অমগী ৱারীনি ।



বিসেনপুরদা বৃতিস অমসুং জাপানিজ

বৃটিশকী মায়কৈদা 4th Corps কী Lt. General Scoones না তৌখিবা থৌরাঙ

1944-May গী অহানবা শরুক্তা জাপানিজ 15 দিভিজন দি লীতান্দা লৈখ্রে । থা অনিগী মতুংদদি জেনরেল য়ামাওচিগী Troop শিংনা খুঙ্গংশিংদা হাইথখ্রে । চীংথক, চীংখোং চীংয়াদা লাক্লগা কংলাতোংবী অমসুং উখ্রুলগী মরক্তা লৈবা মরুওইবা লমশিংদা মাগী দিভিজন অদুদগী কাঙবু মচা-মচা থোক্লা চাইথোক্লখ্রে । কংলাতোংবী লৌশিনখিবদগী জাপানিজশিংনা নুংশিগুম অমসুং মপাও চীংথক্তগী য়েংথবদা বৃটিশকী Nerve Centre (মরু ওইবা ময়োল) ওইরিবা ইম্ফাল ময়োলগী লমদম ইনক নক্লা লৈবা উখি । নুংশিগুম (ইম্ফাল পুখাও লম্বীদা লৈবা চীং অমা) দা জাপানিজশিং, অকোনবদা শাথিনা মায়থিবা ফংখ্রবসু; মখোয়না চীংথক অদুদগী উখ্রবনি - মখোয়না ফঙনীংলিবা তম্পাক্কি ময়োল ওইরিবা লমদম অমসুং ইম্ফাল এয়ার ফিল্ডস, (কোইরেঙ্গৈ অমসুং কংলা) মখোয়না য়াম্না দরকার ওইখিবা চিনজাক; খুৎসু খুৎলাই অমসুং মী, পোৎ-চৈ কয়া পুথোক পুশিন তৌদুনা পাইরিবা এরোপ্লেনশিং, পূম্নমক অদুবু থৌরাংবা মিৎয়েংদা উখিবনি । অদুবু মখোয়না লৈরুরিবা মফমশিং অদুদা য়াম্না তোয়না British Patrolling কাংবুনা অৱাবা পীরকখি মখোয়গী ফিভম খুদোংচারক্তবা ওইহনখি । অসুম্না নোংথক্তগীসু বৃটিশকী এরোপ্লেনশিংনা মখোয়বু তানখায়রকপা, লোয়ননা জেনরেল য়ামাওচিগী লৈফমদসু এরোপ্লেন্না অনিরক attack তৌরকপদা মহাক জঙ্গল অদুদগী নাম্থোক্তুনা চেনখীবনি বৃটিশ কম্মান্দর Robert কী 23 দিভিজন্না তকশীল্লক্লিবা অদুদগী নাম্থোকপা ঙম্লনবা ।

মতম অসিদা বৃটিশকী 4th Corps গী ওইনা লৈখিবা Lt. General Scoones না মাগী হান্নগী থৌরাঙ খরা অমুক হন্না য়েংশিনবা তাখি । মশিগী

মরমদি - মখোয়না ফারবা জাপানগী মীওই কয়াদগী মখোয়গী মরুওইবা information য়াওবা Documents কয়া ফংলুবনা কদায় কদায়দ করম্বা attack লাকপা হায়বদু Scoones না খঙখি । মানা মশিমসু খঙখি, মদুদি হিরম অমদা জাপানিজনা অহানবা খল্লম্বা খরদি অরেম্বা তাহল্লে হায়বসি ।

মায়কৈ পূম্নমক্তসু জাপানিজগী মীশি-মীনা, অশোক অপন হেনজিল্লকপা, অমরোমদা চঙশীল্লক্লিবা মখোয়গী 15 দিভিজনগী মহুৎ শিনবিনবা অনৌবা মী থোমজীল্লক্লবা লৈরক্তবা, অসিমসু মহাক্না উখি । মরমশিং অসিদগী Sccones না এপ্রিল তাং ৪ দগী হৌনা বৃটিশকি অরৈবী থাদুনা জাপানিজ 15 Division থেংননবা পুক্লিং লেপখিবদু অরানবা ওইখিদে । মহাক্না নুংঙাইজখি; মদুদি তানজা অসিদা কোহিমাদা শোক্লরুবা 89 ব্রিগেদকী ওইবা 7 দিভিজনগী শরুক খরা Alan Crowther কৌবা জঙ্গলগী লানফমদা হৈশিংলবা নিপা অমনা লমজীংদুনা এরোপ্লেন্দা লাক্লে খঙবদা । অসুম্না 16 দিভিজনগী 63 ব্রিগেদ অদু বিসেনপুরদা Counter attack তৌনবা Cowan গী লমজীং মখাদা থাদোকখ্রে ।

Sccones কী ৱাখলদা অসুম্না লেপখি, মদুদি May 21 দগী মোনসুনগী (নোংজুথা) মতম হৌবা তারবদি নুংশা শাবগী মতমসি হাপ্তা অহুমলোমদমক ঙায়রবনিনা, য়াম্না হৈনা অফঙবা মতম শিজীন্নহৌবা অসিনি। নোং লাকখিবদগীদি ওপরেসনগী থাক হন্থবা তাই হায়বা মহাক্না খনখি- মরমদি ফোরৱার্দ এরিয়াদা মেলেরিয়াগী ফিভম হেনকৎলক্কনি অসিগীসু মথক্তা মীনা য়ৌশিল্লুবা ঙমদ্রবা জঙ্গলগী মফমশিংদা লৈখ্রবা লানমিশিংগী চিনজাক; অতৈ পোৎশিং য়ৌহনবদা অরুবা ওইরক্কনি । মাগী সিফায়শিংগী হকচাংগী ফিভমসু মাগী মরুওইবা ৱাখল ওইখি । অকঙবা চিনজাক ঙাক্তা পীরবনিনা chronic দাইরিয়া তৌনরকপগী খুদম মহাক্না ফংখি । অসিদা নত্তনা হাপ্তা অমা চুপ্পা লৈবাক তৌথোক্লগা কোম মনুংদা লৈবা তারকপা. অমসুং য়াম্না তোয়না

জাপানিজগা থেংনবা তারকপসিনা মখা তানা অমুক অকনবা থবক ওর্দর তৌরুবদা কান্নগদবা মাল্লক্তবা অসিনি ।

নোং চুরকপা মতমদগীদি এরোপ্লেন্না পাইবগী মতমসু হন্থরকপা তারকপদগী, পুরক্কদবা পোৎ-চৈগী চাংসু নোংমগী চাংদা হন্থরকপা তারম্মী । পূম্নমক অসিগী মরমসে কুপথনা হোৎখিবনি জেনরেল Scoones না মতম অসিদা, মণিপুরদা লৈখিবা অপুনবা আর্মীমেন মশিং ১,৫৫,০০০ (লাখ অমা লিশিং য়াংখৈমঙানি, অসিগী মনুংদা বৃটিশ জাতিগী মীওই ৩০,০০০)লিশিং কুন্থ্রা) শগোল লোলানচিংবা শ মশিং ১১,০০০ (লিশিং তারামাথোই) নি । নোংমদা মী পূম্নমক্কী অমসুং শা শগোল খচ্চরনচিংবগী চিনজাক অপুনবা টন ২৫০ দরকারনি । অসি নত্তবা, থুম, থাও, পেট্রোল, ফি-রোল, লানগী খুৎশু খুৎলাই, কানতিনগী মচাক, চিথি; ইঞ্জিনিয়ারীংগী পোৎ, লানগী পুশিল্লকপা Royal Air Force কী অমসুং Tanks কী ইক্বিপমেন্টনচিংবা পোৎ টন ৮৭১ নোংমগী ওইনা পুরকপদা এরোপ্লেন ১৬৭ সু নোংমগী তোকপা য়াদনা দরকার ওইখিবনি ।

ব্রাখল ময়াম অসি মাগী পুক্লিংদা থল্লগা জেনরেল স্কুন্সনা নোং লাক্ত্রিঙৈ নুমিৎ খরদং অদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা মণিপুর তম্পাক অমসুং চীংগী মায়কৈ পূম্নমক্তা ঈ পাউ য়াঙশীনবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা লানগী মফমশিংদা অকনবা থবক পায়খৎনবা থৌরাঙ য়াঙশীনখিবনি ।

অহানবদাঃ- জাপানিজ ১৫ দিভিজনবু খুভম চেৎনা বৃটিশকী 5 অমসুং 23 দিভিজন্না মায়োক্লবা । 23 দিভিজন্না উখ্রুল ফাওবগী অরাপ্পা অসিদা কদায় ফাওবা, চুথরকপা নোংনা চিনজাকনচিংবা খুৎশু খুৎলাই পুশিনবদা য়াহ্নবা হায়বদু য়েংগদবা অমসুং চুরকপা নোংনা অপনবা পীরক্লবদি অমুক হল্লকপা অসিনি । 5 দিভিজন্না কোহিমারোমদা চঙশীনবনি, জাপানিজ 33 Corps না কোহিমাদা য়াঙশীল্লিবা খোঙথাং অদুগী মতুংইন্না থবক তৌবা, অমসুং কয়াম

থুনা খা পাংনা অমুক ইম্ফাল তম্না চৎথরকপা ঙম্বগে হায়বদু য়েংশিনবা অসিনি ।

২ শুবদাঃ- বিসেনপুরদা লৈরিবা বৃটিশকী ঙাকথোক্লিবা মফমশিং অদুদা 17 দিভিজন্না মায় ওনশীনবা - জাপানিজ 33 দিভিজন তানথোকপা । মসিদি জাপানিজনা ঙমজবী থাদুনা তৌরিবা থবক ওইবনা, থবক অদুগী মায়য়োক্তা পাঙথোক্কদবা হেন্না লুশিনবা থবক অমনি হায়বসি কম্মান্দরশিংনা য়াম্না alert ওইনা (মিৎ-না শিংবা) অসিনি ।

৩ শুবদা ঃ- মোরে লম্বীগী সিনামদা জাপানগী য়ামামোতোনা খরচ চঙনা নুমিৎ খুদিংগী তৌরিবা এটেক্ট অদুদগী বৃটিশ ফোর্স হন্দোকপা লৈতনা মায়রোং য়াবা অমসুং 23 দিভিজনগা শিন্দোক শিঞ্জিন তৌনবা অসিনি ।

অসিগা লোয়ননা, মতম অদুদা শোক্লখিবা মফম কয়ামরুমগী লানফমদা থৌনাফরবা Indian Army কয়াগী অমসুং লানফম কয়াদগী অশোকপা সিফায় কয়া থৌনাফনা পুথোকখিনবা হোৎনবা অমসুং থবক অদুদা য়াওখিবা আমেরিকান ভোলুন্তিয়ার ফোর্সকী নাহারোল কয়ামরুমগী ৱারীনচিংবসু মশিং থীঙমখিদে।

নুংশিগুম

ইম্ফাল শগোলমাঙ লম্বিদা লৈবা তরেৎখুল খুঙ্গংদগী খজিক্তং চৎলগা লম্বীগী ওইরোমদা নোংচুপ পাংনা লৈবা চীঙ অমগী মমিংনি। ময়াম্না খঙনবদি "নুংশিগুন" অদুবু বৃটিশনা ইরকপা লানগী ৱারীদদি 'নুংশিগুম, হায়না য়াওরী। জাপান অমসুং বৃটীশ লানমী কাঙবু কাঙবুনা অরোয়বা লাইবক য়েংনখিবা মফমনি লানজাও অদুগী লোইরমদাইদা। শিবা চঙবা করিসু খন্নদনা কাপ্লখিবা, য়ান্নখিবা লানমী তেঙ্গোল কয়াদুগী মরক্তা মীওই কয়াগী পুন্সি লোইখিবনি। মফম অসিগী লানফম অসিনা মরুওইবা মতাঙ অমা ওইখিবগী মরমদি নুংশিগুম হায়রিবা চীঙ অসি মতম অদুগী ইম্ফাল মনুংদা লৈবা ৪শুবা কোর হেদ ক্বার্টর্সদগী চাওরাক্লা মাইল তরুক, অমসুং বৃটিশকী মরুওইবা মফম অমা ওইখিবা কংলা এয়ারফিল্ডদগী শুপ্লগী মাইল মরীতমক লাপ্লরবা মফমনি। কংলা এয়ারফিল্ড অমসুং নুংশিগুম অসিগী মরক্তদি অতৈ দিফেন্সগী পোজিসন অমত্তা লৈতনা চুম্নগী এদমিনিস্ত্রেটিব কাংবুগী লোকেল বোক্স খরদমক লৈখি। করিগুম্বা জাপানিজনা মায়কৈ অসিদগী বৃটিশগী দিফেন্সসিব পোষ্ট (ঙাকথোকপগী থৌরাং তৌরীবা মফম) অসি ফাওবা তকশীল্লকপা থোক্লবদি ইকোম কোম্লা অদুম মরুওইবা মফমশিং অসি খুদুম চনশিনবা য়ারম্বনি; অদুবু পূম্নমক অদু মখোয়না খঙখিদবরা নত্রগা ফিভম চারক্তবা কয়ানা থৌরাঙ পূম্নমক থাদোকপদা তাখিবরা .... ? অসিনি।

নুংশিগুম হায়বা চীঙ অসি মফম অদুদা লৈবা তম্পাকতুদগী ফুট ১০০০ (লিশিং) অমরোম হেক্তা ৱাংখৎনা লৈখ্রবা চীঙ অমনি। চীংশাঙ অসিগী তোঙান তোঙানবা নাপোমগী চীঙথকশিং অদু গজ চাতরেৎলোম শাংলগা, মরাক্তদি অপাকপা অপীকপা নাইনা গজ খরদগী চামঙা ফাওবগী মনুংদা

ওইগনি । ইম্ফালগা নক্লনা, চীঙ অদুদগী মচীল অনিথোক্লা নাকল নাকন্দা তম্পাক লোমদা ইন্থোক্তুনা লৈ । অঙন্বা চীঙমায় অদুদা ফুট অনি অহুম ৱাংবা অশাঙবা অমসুং অনেম্বা নাপীনা কুপশীল্লি । উ খরা লন্তক লন্তক চীঙথক অদুদা হৌরিবদু নত্তনা য়েংখিবদা জঙ্গলনি হায়বা চপচাবা মফম অমদি ওইখিদে । লানমী অমনা পুফম থোকপা খুৎশু খুৎলায়গা লোয়ননা তম্পাক অদুদগী নাপোম অদু য়ৌনবা কাবদা পুং অমরোমদি চঙগনি । য়াম্না খুদোং থিরবা মফমনি, মাঙজৌননা চঙশীন্দুনা লৈখ্রবা মফম অদুবু ঙাকথোক্লিবা জাপানিজ, অমসুং মফম অদুদা চঙশীনবা তাবা বৃটিশ, মখোয় মশেলগী মরক্তা চপ মান্ননা অৱাবা খুদোংথীবা নংখিবনি । অহানবদা কাখৎলুবা বৃটিশ-ইন্দিয়ান জাট প্লাটুন অনিগী সিফায় কয়ামরুম শিখি জাপানিজনা মথক্তগী নোংমৈ কাপথরকপদা .... ।

লানফম অসিগী মতাঙদা বৃটিশকী পুক্লিংদা ফাওখিবা মরু ওইবা ৱাখল অমদি মখোয়গী অরৈবা ফোর্স পূম্নমক চঙশীন্দুনা মতম অমুক কুইথদনা নুংশিগুমদগী জাপানিজ তান্থোকখিবা অসিনি মরমদি চীঙ অসিদগী হৌরগা বৃটিশকী মফমদা অরোয়বা ওইনা মায়থীরকপা য়াবগী খুদম মখোয়না উখি । মরম অসিদগী মখোয়না হন্না হন্না এতেক্ট তৌবা তাখি অমসুং কয়ারক হোৎনরবসু মীওই কয়াগী থৱায় মাঙনবতা ওইখি । ইন্দিয়ান আর্মীগা লোয়ননা চঙশীনখিবা Tank কয়া জাপানিজনা থুগায়বগা লোয়ননা অশোক অপন কয়া পীরক্লবদা বৃটিশকী মায়কৈদা তৌফম খঙদবা মতম অমা ওইরক্লবদা, মমৈথং এপ্রিল তাং ১২ দা ইভান্স অমসুং জেঃ স্কুন্স য়াওনা ৫শুবা দিভিজন হেদ ক্বার্টর্সদা খন্নবগী মতুংইন্না অসুম তৌনা লেপ্লরে মদুদি নুংশিগুমদা লৈবা জাপানিজ পোজিসন থুগাইবদা রোয়েল এয়ার ফোর্সকী মতেঙগা লোয়ননা মপুং ফানা ফুল স্কেলদা এতেক্ট তৌবা হায়না । অসুম্না হৈ শিংলবা পাইলোতশিংনা থৌবা Sqadron অহুমগী প্লেন ২৪ না অঙন্বা মতেঙ পীবা হায়না লেপ্লখি ।

লেপ্পখিবগী মতুংইন্না ফায়টর প্লেন অমসুং বোম্বরশিংনা নুংশিগুমদা লৈবা জাপানিজ পোজিসন্দা বোম কয়া থাদদুনা অমসুং মথক্তগী কাপথদুনা এতেক্ট তৌখিবদা জাপানিজ লানমী খরদমক শিরগা অতৈদি মখোয়না হান্না শেমহৌরবা নাম্থোকফম অমদা অশোক অপন য়াওদনা লৈহৌরগা বৃটিশ প্লেনশিংনা হনখ্রগা অমকু চঙশীল্লত্তুনা হান্নগী পোজিসন্দা লৈবসি জাপানিজশিংগী হৈনবীনি । মখোয় নুংশিগুম থাদোক্তুনা মতম অদু ফাওবদা হন্দুনা মমায় লৈখিদে ।

মতম অসিদা ১২৩ ব্রিগেদ হেদ ক্বার্টর্স সওম্মুংগী লম্বী মনাক্তা লৈখি । হায়রিবা হেদ ক্বার্টর্স অসিদগী গজ ৩০০০ লাপ্লা লৈবা নুংশিগুম চীং মচীল অনী অদু ইরায় লায়না উবা ফংই । মথঙগী খোঙজং ওইনা ৩/১৪ পনজাব অমসুং Dogra রেজিমেন্ট কাংবু অমা অমম্বা অহিংদা নুংশিগুমগী চীঙখোঙ য়ৌনবা লাকখি । মখোয়গা লোয়ননা ফোরৱার্দ ওফিসার টেঙ্কস গন্নর পূম্নমক মখোয়গী তেংবাঙনবা শিন্নখ্রে । Dogra শিংনা থুংলবা মতমদা অমম্বা অহীং ওইরী, নোং ঙান্দ্রি । মখোয়গী কম্মান্দরশিংনা মফম অদুগী মওং মতৌ মুন্না খঙহল্লবা মতুংদা নোং ঙাল্লক্লে । খুদোংচাগদবা মফম অমদা মখোয় ঙাইদুনা লৈরে । পুং ৯ মখায়ৱাইদা এরোপ্লেন ময়াম পাইরক্লগা জাপানিজ লৈরমগদবা মানবা চীঙথকশিং অদুদা বোম Shelling হন্না হন্না তৌখিরম্মী অকীবা ফংলবা মখোলনি উফুলনসু পূম্মম মমনা চাইখাইরবা মফমশিং অদুদগী অশিবা অশোকপা হকচাং কয়া হুনকৎলকপদু উহৌবা মীওইশিংগী পুক্লিংদদি ঙসিফাওবা তশেংনা ময়েক শেংলমগনি ।

এরোপ্লেনশিংনা হনখ্রবা তুং ঙাইহাক চিকথরকপদা বৃটিশ ইন্দিয়ান সিফায় কয়া উপ্লাক্লা শিৎ শিত্তুনা চীংমায় অদুদা কাখৎনবা হোৎনরুবদা, অশোক-অপন ফংহৌদবা জাপানিজ লান্মীনা অমুক খুদোংচাবা মফমদগী কাপথরকপদা ইন্দিয়ান আর্মী কয়া অমসু থৱায় থাখী । করি অমুক হায়গনি,

লানফম অসিদা বৃটিশ অমেরিকানগী Tanks কয়া, Infantry officers কয়াগী থৱায় মাঙনখিবনি । লানফম অদুগী মতাঙদা অসুম্না ইরম্বসু থেংনৈ- মদুদি উর্দু নত্রগা হিন্দি খঙদবা টেঙ্ক কম্মান্দরশিংনা বৃটিশ ইন্দিয়ান সিফায়শিংগা চঙশীনমিন্নবদা, অরুবা তাঞ্জা কয়াদা খুদোংথিবা কয়াসু থোকখি মরমদি মখোয় মশেল লোল ফাওনদবনা ।

নুংশিগুমগী লানফম অসিদা বৃটিশ আমেরিকান অমসুং বৃটিশ ইন্দিয়ান আর্মীশিংনা মথঙ মথঙ চঙশীন্নদুনা তৌরুবা এতেক্ট পুন্নমক শোয়রক্লবা অমসুং বৃটিশ ওফিসার কয়া শিখ্রবদা মমৈথংদদি সওম্বুংদা লৈবা H.Q. দা মখোয় মশেল কনানা কম্মান্দ তৌগদগে হায়বদু লাইবক চাংয়েং অমগী মখাদা লেপ্ল খিবা অমসুং চঙশীনগদৌরিবা ফোর্স অনিবু Oxford অমসুং Cambridge হায়না খঙনরগা Oxford না ঙমগনি, Cambridge নাঙমগনি হায়দুনা Betting (শেল থানবা) ফাওবা তৌনখিবগী মতাঙ ৱারী অদুদা ময়েক শেংনা ইরি । মমৈথংদদি নুংশিগুমদগী জাপানিজ পোজিসন থুগাইরবদা, বৃটিশকী ওইরম্বা য়াবা খুদোংথিবা অমা ওইহনদবা ঙমখি, অসিগা লোয়ননা মতম অদুদা কাপ্পখিবা, অৱাংলোমদা লৈবা মফম কয়াদি ঃ- য়াইঙংপোকপি, কমেং অমসুং নাপেৎ পল্লিদসুনি ।

অনিশুবা লানজাও লোইখ্রবা তুংফাওবা Carbiniers কাংবুনা নুংশিগুম হায়বা মমিংসে মখোয়গী রেজিমেন্টল দে হায়না চহি খুদিংগী ওবজার্ভ তৌরী- থবক অদুগী তোপ তোপ্পা মওংদি Special Regimental Parade অমা B. Sqnadron গী Surgeant Major অমনা লুচিংদুনা পাঙথোকপা অমসুং অনিশুবা লানজাওদা Nungshigum দা মখোয়না পাঙথোকখিবা চাওথোকচনিংঙাই ওইবা অমসুং লানফম অদুদা শিখিবা Army man কয়াবু নিংশিংবনি ।

নুংশিগুমগী লান লোয়খিবগা লোয়ননা মণিপুর তম্পাক্কী মাইকৈ পূম্নমভা শোক্লখিবা লানফম অতৈসু মথঙ মথঙ লোইশিল্লক্লে হায়বা য়ারে ।



অরোয়বা লানফম ওইখিবা
'নুংশিগুম'

বৃটিশনা মায়পাকপগী পাউ অসি খোন্থাং য়ৈনা পৃথিবীগী মফম পূম্নমক্তা শন্দোকখ্রবনি । জাপানিজ, হায়নিংঙাই লৈতনা অৱাবা কয়া মায়য়োক্লরবা মতুংদা অমুক্কসু অৱাবগী মথক্তা অৱাবা হাপ্তুনা হিংনা হিংনা শিরবা মীগুম, তুরোয় ঙামলোয় ফিভম শোক্লা মণিপুর অমসুং বর্মাগী চীংনুং মান্নুং ফাওদুনা মরমদম য়ৌনবা হনখিবা, অৱাবনা থল্লবা ৱারীনি .... কনানা কদাইদা চৎলমগনি ? কনানা কদাইদা শিরমগনি ..... ?

মখোয়না ইম্ফাল হায়বা মফমশিদা থমখিবা আশা, মখোয়গী খৌরাংবা মীৎয়েংদা উখিবা, ইম্ফালবু ফংবা ঙমদনা হনবা তারক্লবদা মখোয়না ফোংদোকখিবনি মখোয়গী মরোলদা ঃ-

"তাকানে-নো-হানা" অৱাঙবা পামেলদা শাৎখ্রবী, ঐখোয়না হেক্লুবা ঙমদ্রবী-হায়না ।

জাপানিজ সিফায় অমনা মাগী দায়রিবা অশুম্না অমসু ইরমখি হায়ঃ- Enemy planes are over us in all weathers continuosly we can do nothing but look at them. য়েক্লবগী প্লেন্না নোংজু-নুংশা নাইদনা অতৎপা লৈতনা কোকথক্তা পাই, ঐখোয় মখোয়দা য়েংবা নত্তনা করিসু তৌবা ঙমদে ।

মাওদা লৈবা য়ুমগী ফক্লাঙ অমদা জাপানগী সিফায়না অশুম্না অমসু ইরমখি হায়ঃ-

British too many guns, Tanks and troops, Japanese going, but back in six months.

বৃটিশ নখোয়গীদি নোংমৈ য়ামখ্রে, তেঙ্ক অমসুং সিফায়সু য়ামখ্রে । জাপান ঐখোয়দি চৎলনি অদুবু থা ৬ কী মনুংদা অমুক হল্লকখিনি ।"

উপাই লৈরক্তবা জাপানিজশিংগী য়াম্না নিংঙমদবা ৱাহৈ পরেংনি ।

লাল লোইরকপদা চনেৎনখিবা

কাসে টোসিকাজু কৌবা জাপানিজ ফোরেন ওফিসকী মীওই অমনা ইং শোক ১৯৫১ দা ফোঙখিবা "কাখৎলকপা নুমিৎকী গ্রহন" হায়বা লাইরিক অদুদা অসুম্না ইরিঃ- মদুদি-"ইম্ফালগী লানফমদা চঙশীল্লকখিবা অয়ান্বা জাপানিজ লান্মীশিংদি শোক্লখিবা লানফমশিংদা শিখিবা, অমসুং মমৈথংদা মতম শাংনা চরা হেল্লকপদগী শিখিবা ঙাক্তনি। মতম মতমগী ওইনা লৈনখ্রবা লানগী ৱারী কয়াদা, জাপানিজশিংনা ইম্ফালদা মাইয়োক্লখিবা খুদোংথিবগী মশক অসিদি খ্বাইদগী হেল্লবা থাক অমগী মখলনি হায়বসু য়ারে । লান হন্দোক্লরকপা মতমদা মখোয়গী মীশিং নোংম নোংমগী ময়েং তারকখি, অরাম খৌরাংবনা লৈফম খঙনরক্তবদা নত্তনা, অশোকপা, অনাবা চাম্মা চাম্মা, থোকউ থোকউবা মফমদা হুন্দোকপিরম্বা তাখি অমসুং অমরোমদনা বৃটিশনা অমুক ফাজীনখিবগী মহুত্তা মরন্নাই মশা মশাগী মখুত্তা শিজখিবসু কয়ানি।"

হন্দোকখিবগী মতাঙ অসিদা খ্বাইদগী হেন্না অৱাবা নংখিবদি জাপানিজগী ১৫ অমসুং ৩১ শুবা দিভিজন্নি। ৩৩ শুবা দিভিজন্দি খর মওং তানা নিয়ম অমগী মখাদা, এল্লাইদ ফোর্সকা ১৯৪৫ কী আগষ্ট থাদা য়েংথিনবা লোইখ্রবা মতুংদা হন্দোকখি । মখোয়গী খুদোংচাবদি তিদিম অমসুং তামু লম্বী অনি অসিদা ওইখি, অদুবু ১৫ অমসুং ৩১ দিভিজনগী হিংহৌবা লান্মীশিংদি য়াম্না ৱানা কনাসু চৎনদ্রবা চীংনুঙ অমসুং জঙ্গলগী খোঙ লম্বী কয়া থি-থিদুনা চৎপা তাখি। মখোয়না কোহিমারোমদগী উখ্রুল য়ৌনবা লাকপদা মতম অদুগী কোহিমাগী লানফমদা য়াওরুবা ৭ইন্দিয়ান দিভিজন্না মখোয়গী (Japanese) মতুং ইল্লকখি । মতাং অসিদা বৃটিশকী ৮৯ ব্রিগেদকী ৫ দিভিজন অমসু নোংপোকলোমদগী হন্দোরকপা মতমদা জাপানিজ ৩১ শুবা দিভিজন অদু

ওন্থোক্লা অৱাবা অমা ওইখি, মনীং মমাঙ বৃটিশনা চপশীল্লকপদা মখোয় পূমচায় চাইনা মাঙনখিবনি-হন্দোরকপা লন্বীদুদা ।

ইম্ফাল উখ্রুল লম্বী অসিদগী ১৫ দিভিজনগী লেমহৌবা জাপানিজ কাংবু অমনা বর্মাগী নিংথি তুরেল য়ৌনবা লাকপগী লম্বীদা, বৃটিশকী ২০ দিভিজন্না অমুক্কা হন্না মখোয়বু তানখায়বিখি। সেনামদদি, জেনঃ য়ামামোতো খোঙফম লেঙখিদে, বৃটিশকী ঔভ্রি রোবার্টসনা মহাকপু কোয়শীল্লগা ফাননবা হোৎনখি অদুবু য়ামামোতো য়াম্লা চেকশীন্না তামু লম্বীদা নাম্থোকখি । জাপানিজ কম্মান্দর তানাকাগী মখাদা লৈবা ৩৩ দিভিজননা বিসেনপুরদা মায়থিরবসু বৃটিশকী ১৭ দিভিজনগা অদুম কাপ্নখি তিদিম লম্বীদা হন্দোকখিবা ঙম্নবা হায়দুনা, হনবসু হন্দোকখি ।

ইম্ফাল অমসুং কোহিমারোমদগীসু 4th অমসুং 33rd কোরগী বৃটিশ অমসুং ইন্দিয়ান Troop কয়ানা মাইকৈ পূম্নমক্তা চাইখায়নরগা জাপানিজ 15 অমসুং 31 দিভিজনবু তকখায়নবা হোৎনখি, অদুবু মখোয়গী শোকচীল্লক্লবা পুক্লিং হকচাঙনা খল্লুরীবা ৱাখল অদুগী মায়য়োক্তা লৈরকপা অমসুং মদুদগীসু হেন্না মফম মতম অদুগী ওইরক্লিবা হৱা নুংশিৎনসু মখোয়গী মফমদা, লাক্লবা ঙমদ্রবা জাপানিজশিংদগী হেন্না খুদোংথিবা ওইরক্লমই । হান্নদগী হৌনা চাশীনখিবা পোৎ তুমলক্তবা মরমদগী হকচাংগী ফিভম নোংম নোংমগী শোক্লক্লে, অমরোমদা মখোয় অয়াম্বনা থক্লিং চানিংবা করিসু পোকলক্তরে । অসিগুম্বা ফিভমশিং অসিদগী, মখোয়গী মরক্তা মখল মখলগী অনাবা কয়াসু য়াওরকলে । নোংনা হৈথরকপা মতমগা ওইরকপদা Scrub Typhus (শন্থক্লা কাপ্পা) হায়না খঙনবা লায়েংফম খঙদবা লায়না অমনসু মীওই কয়া কয়া নারক্লবদা; থীন্দনা ইম্ফালদা লৈবা হোসপিটাল য়ৌরকপা তাখি; করিগুম্বদা হোসিপটাল য়ৌরকপা ঙমদনা লৈখিবশিং অদুদি জঙ্গলগী মফম কয়াদা শিদুনা লৈহৌবা কয়ানি । মখোয় অয়াম্বা মশাদা উনশাগী লায়না

কয়াসু পল্লকপা হৌরকখি । অমরোমদা মশা মউ কংহনবগী খুদোংচাবা লৈতনা, নোংনা পুমচোৎ চোৎলবা ফি-রোল-পোৎ-চৈ কয়া অদুনা মখোয়গী শগোল খচ্চরশিংদা হেন্না অরূম্বসু ওইহনখি । সিফায় ময়াম অদু, মশা পূম্নমক পুমচোৎ চোৎলবদা; ঙাইহাক্তা তুমজবা ফংলবদি হায়দুনা মশা থক থক নিক্তুনা লৈবাক মথক্তা হিপ্লখিবনি । অসিগুম্বা ফিভম অদুতং খল্লুরবসু মখোয়গী অৱাবগী থাক খম থেংলবনি হায়বা য়ারে । অসীগুম্লবা অৱাবা অসে; চীংনুং অমসুং জঙ্গলদা লৈনখীবা মায়থীরবা অমসুং মায়পাক্লবা লানমীশিংগী মফমদদি চপ মান্ননা থোকখ্রবনি । করী অমুক হায়গনি, মফম খঙদনা চৎলিবা মখোয়গী লম্বীদা ঙল্লবা চীংচেপ.. খোঙফম অমা শোয়খিবদা অদুম য়ুংনা তাশিনখ্রগদবা, লোক, ইচেল কল্লবা তুরেল, নাপীনা কুপশীন্দুনা লৈখ্রবা অরু অরুবা কোংকুৎ, খুদী থীজীনবা য়াবা নুংজাও কয়ানচিংবা পূম্নমক অদু লাম্থোকপা তাবনি মখোয়গী পম্থুং য়ৌনবা । মতম অসিদদি, মখোয়গী ঈ-পাও ফাওনবা য়াবা উপায় অমত্তা লৈনখিদ্রবনি । বৃটিশকী ওইনসু, লৈচীল অমসুং নোংনা চীংথক কয়া কুপখীবনা এরোপ্লেনশিংনা মফম শুনা পায়শিনবা ঙমখিদে অমসুং মখোয়গী মীওই কদাইদা চৎলীবগে হায়বদু করিসু খঙবা ঙমখীদে । চীনজাক ময়োম কয়া পেরাচুৎতা থাদবা তারবসু, অহাঙবা মফম লৈতবনিনা, ফ্রী দ্রোপ হায়না খঙনবা পোৎকী বান্দল কয়া এরোপ্লেন্দগী পেরাচুৎ য়াওদনা থাদখী- অফঙবনা ফঙখিবা, ফঙদবনা তোকপগী ৱাফমনী, লাইবকফবা জাপানীজ খরসু বৃটিশনা জঙ্গলদা থাদরকপা Free drop অসীদগী কান্নবা ফঙখিবসু কয়ানি ।

পঞ্জরিবা অৱাবা কয়াশিগী মথক্তা; বৃটিশকী লান হন্দোরকপশিংগী মনুংদা য়াম্না অৱাবগী মশক ওইখিবা 14th Army শিংগী ফিভমদগী জাপানিজশিংগীনা অমুক্কা হেন্না অৱাবগী ৱারী অমনি । মখোয়গীদি অহানবা লাকপা মতমদা লম্বী লম্বীদা লৈরম্বা চীঙগী খুল খরদগী চিঞ্জাক খরা খরা পুরকপা অদু নত্তনা মশাদা করিসু য়াওদ্রবনি । মতম কয়াগী মমাঙদগী হৌনা

মখোয়গীদমক চিঞ্জাক, খুৎশু খুৎলাই, অনাবগী, অশোকপগী হিদাক-লাংথক অমত্তা লাকখিদরে । লাপ্পা লৈহৌরবা মখোয়গী H.Q. গা ঈ-পাও ফাওনবা ঙমখিদরে । মখোয়গী মরক্তা ঈ-পাও হায়ববু ফিরাল হাইনবা শেম্বুং য়ৈনবনা ৱায়ারলেসকী মহুৎ ওইনা খঙনরে । শেম্বুংশিং অদুনা কায়খিবা নত্রগা য়ৈগদবা মীশক অদুনা য়ৈবা ঙম্লক্ত্রবদা মখোয়গী ওইগদবা মওং অসি করিনো, পূম্নমক লম্মাঙনব নত্তনা ।

অনিশুবা লাঞ্জাও অদুদা মখোয়না মায়থীদুনা হন্দোরকপদা কদায় ফাওবা ৱাখিবগে হায়বদুদি তামু অমসুং তিদিম লম্বীদগী চিন্দৱীন তুরল ফাওবদা লৈখিবা অশিবগী হকচাং অমসুং অতেক-অকায় পূম্নমক্তুনা অদুম খঙবা ঙমলে । মদুদি, মনিল অচোৎপা কারবা জঙ্গল মনুং অদুদা মী অশিবা হকচাঙগী মনম্মা নুংশিৎ ওইনা হুম্লবনি । মফম অদুদা উখিবসু নিংবা কায়রবা অমসুং অৱাবগী মশক ঙাক্তনি । মীওইশিং (শিদ্রিবা) অদুনা অঙম্বা চীঙথক চীঙমায় অদুদা লাকপদা মী অমদি শাগী অশিবা হকচাং কয়া লৈশৌ কাখৎ-কাখৎতুনা লৈরম্বা অমসুং শরু পোলাং কয়া পুমচায় চায়না লৈরম্বদু, মীগী শাগী পূনশীল্লগা লিশিংগী মথক্তা ওইগনি । জাপানগী বোম পুদুনা লাকপা গাড়ী কয়াদুতা নত্তনা বৃটিশকী জাপান্না ফাখিবা গাড়ী মশিং কয়া, মুশুক মুনা চাকথেক্তুনা শোরোক্কী নাকন্দা, চীঙগী লোকখাদা ওন্থদুনা লৈহৌবা, লম্বীগী নাকন খুদিংদা হুন্দোক্লম্বা নোংমৈনা পুমচায় চায়না তারিবা পূম্নমক অদুনা উৎখিবনি খুদোংথীনা নীংবা কায়খ্রবা জাপানিজশিংনা মখোয়গী নিংথৌরেলগীদমক্তা পাঙথোকচগে খঞ্জবা অদু মহৈ য়ানবা ঙমখিদবগী খুদম অমা ।

মতম কুইনা শোক্লরকপা, সিফায় য়াম্না চঙখ্রবা লানফমশিং অসিদা চপচানা অশোক অপন কয়ানো হায়বদুদি লেপথোকপদা ৱারগনি । অসিমদি খনবা য়াই মদুদি জাপানগী 15th Army না চিন্দৱীন য়ৌরকপদা ওইখিবা মখোয়গী অপূনবা মশিংগী শরুক অহুম থোকপগী অমত্তনা মণিপুর লান্দাবদা য়াওরগা মখোয়গী শিখিবা, শোকখিবা, অমসুং লায়না কয়ানসু হাৎপীখ্রবদা

লানফমশিংদা লৈহৌবশিং অদুগী অপুনবা মশিং চাওরাক্লা লিশিং কুন্থ্রা ওইগনি । অসুম্না, মফম পূম্নমক্কী পূনশিল্লকপা তারগদি লিশিং য়াংখৈদগী তাররোয় । ব্রাফম অসিদা মখোয়গী মাঙখিবা Tanks মশীং ফাখিবা খুৎশু-খুৎলাই, নোংমৈ অমসুং লানগী বন্দি ওইনা ফাখ্রবশিং অদুদি মশীং পন্দ্রবনি । পূম্নমক অসি অমরোমদদি জাপানিজশিংগী তমথিবা, লিংজেল খাবগী প্রমান ঙাক্তনি ।

মসিগী মায়য়োক্তা অমুক, বৃটিশকী ওইখিবা অশোক অপনশিং অদুগা চাংদম্নরুবা তারবদি-ইম্ফালগী অকোয়বদা ওইখিবা অশোক অপনগী মশিং লিশিং তরাহুমদোই খক্তনি হায়না পল্লি । Force অনিগী মরক্তা খেন্নবা অসিদি অদুম লৈফম থোক্লবনি মরমদি 14th Army গী মনুংদা য়াম্না ফরবা লায়েংবগী থৌরাঙ লৈখিবনা অশোকপা অমসুং অনাবা কয়াগী পুন্সিবু দাক্তর অমদি নর্সশিংনা চেকশীন্না হোৎনবিদুনা কনবীখিবগী মরম্ননি । করি অমুক হায়গনি, অশোকপা মীওই কয়া থা খরগী মনুংদা অমুক হন্না লান চঙনখিবা ঙাক্তনি । Medical Authority গী হৈথোয় শিংথোয়বা অমসুং হিদাকশিং অদু নৎলমদ্রবদি বৃটিশকীসু অশোকপগী, অনাবগী মশীং য়ামখিদুনা অচৌবা পোৎলুম ওইরমগদবনি ।

থা ৪ চুপ্পা শোক্লবা লানফমশিং অসিদা বৃটিশকী ওইনা কাউরোইদবা ব্রাফম অমদি, Royal Air Force, Indian Air Force অমসুং United States Air Force না পাঙথোকখিবা থবকশিং অদুনি । মখোয়গী মতেঙ নৎলমদ্রবদি, অরোইবা ওইনা শোক্লখিবা অনিশুবা লানজাওগী ফল অসি ওন্ন-তৈনবদা ওইরমগনি ।

Air Force কাংবু অসিনা, শোক্লখিবা লৈখাগী লানফম কয়াদা জাপানিজ প্লেন অমত্তনা জাপানিজ লানমীগী মতেং পীবা ঙমহনখিদবনি । বৃটিশকী এরোপ্লেনশিং অদুনা মতম চানা 4th Corps বু লানফমদা Reinforce তৌবা

ঙমহনখি অমসুং 5th Division বু ইম্ফালদা হোল্লকখি। অসিনসু লোইদে, য়াম্না মরু ওইনা পাঙথোকখিবদিঃ- নুংশিগুমগী লানফমদা জাপানিজশিংগী Line of Communication মখোয়না থুগায়খি অসুম্না ground দা লান্দারিবা বৃটিশ লান্মীশিংবু হকথেঙননা মতেং পীখিবনি, অদু নৎলমদ্রবদি, জাপানিজনা ইম্ফাল লৌশীনবগী আশাদু অরেম্বা তাহল্লম্বা ঙমলমলোইদবনি।

লোইশিল্লকপদা জাপানিজ সিফায় কাংবুগী মরমদা খন্নরসি-মখল মখা অয়াম্বা ৱাফম কয়া জাপানিজ সিফায়গী মরমদা হায়নবা অমসুং মখোয়না মীনুংশি লৈতনা লানগী বন্দিশিংবু লাক্লবগী ৱাফম কয়াসু লৈবা য়াই, অদুম্নদি ওইরগা ঐখোয় পূম্নমক্না য়ানিংফম থোকপদি জাপানিজশিং অসি লান হায়বা অসিদদি অঙকপগী মগুণ চেল্লবা অমসুং খাঙবা কনবগী শক্তি লৈরবা, মরৈবাক নুংশিবা সিফায় ঙাক্তনি হায়বসিনি। লানফমদা শিবা হায়বসি মখোয় পূম্নমক্কী ৱাখলদা অকীবা লৈতনা য়াওখ্রবনা য়েক্লবা ওইবা মতমদা, মখোয়দি খ্বায়দগী কিনরবা মীশক্লি। মগুণ অসিদগীনি মদুদি মখোয়গী মরাঙ কায়না খুৎলাইগী সপ্লায় (Supply) লাক্ত্রবসু মখোয়গী লৈজখিবা হন্থবা থাক্কী নোংমৈ, তেঙ্কস, অমরোমদা প্লেন্দগীসু করীমত্তা থাদবীরক্রবা মতম অমসুং লীক্লা শীজীন্নরবা হিদাক লাংথক খর অদুগা লোয়ননা মখোয়গী 15th Army না, পৃথিবীদা লৈবা অতৈ লৈবাক্কী লান্মী অমত্তনা পাঙথোকপা ঙম্লরোইদবা থবক পাঙথোক্তুনা, চাওরবা Allied Force কা মাইয়োক্লবা ঙমখিবনি মণিপুরদা শোক্লখিবা ২শুবা লানাজাওগী অরোইবা লানফম অদুদা।

মতৌ অসুম্না ২শুবা লানজাও অসিনা লোইরক্লবা অমসুং লান্দারকখিবা জাপানিজশিংনা অৱা অনা কয়া খাঙলবা অমসুং মখোয়গী মরুপ মপাঙ কয়াসু শিথ্রবা মতুংদা, হিংলি হায়বতা ঙায়রবা মীওই কয়াদি মখোয়গী শোন্থরক্লবা ৱাখল অমসুং হকচাংশিংদু পুদুনা লমদম অসিদগী য়াম্না ৱানা নিংবা কায়না হনখি। মখোয়গী মরোলদা ইম্ফালবু "তাকানো-নো-হানা" হায়না

থোল্লমখি- ৰাহৈশিং অসিগী অর্থদি “অৰাঙবা পামেলদা শাৎখ্রবা, হেকনিংনা হেকপা ঙমখিদ্রবা লৈরাং অমা” হায়বনি- অসুম্না-ইম্ফাল “তাকানে-নো-হানা” ওইনা হুন্দোকলমই-জাপানিজশিংগী ৰাখলদা, ২শুবা লানজাওনা লোইখ্রবদা ।

হৌজিক্তি, লোইশিল্লকপসিদা ৰারোয়শিন অমদি মখাগী অশুম্না থমজরী মদুদি, হাৎন-শুনবা অমসুং মীওইবগী পুন্সী, মাল-চাংনচিংববু মাঙ-তাকহনবা হায়বসিনা লাল হায়বা ৰাহৈ-অসিদা য়াওরবা, তঙাইফদনা চঙবা মচল অমনি হায়বসি । মণিপুরদা শোক্লখিবা পৃথিবীগী অনিশুবা লাঞ্জাওগী শরুক অদুদা য়াওখীবা থৌনাফরবা লানমী কয়া, লান্দারকপা (Invaders) ওইরবসু নৎত্রগা ঙাকথোক্লিবা (Defenders) ওইরবসু মখোয় মখোয়না পাঙথোক্লখিবা থবক, ৰানখিবা, খাঙনখিবা, মপুন্সী লোম্লখিবা অদুগুম্বা কয়া অদুবু ঐখোয়গী ৰাখল মিৎয়েংদা কনাগীসু মিচং চঙদনা অমত্তা ওইনা, চপ মান্ননা লৌবা তাই, লোয়নননা অৰাবা খুদোংথিবা পূম্নমক অদু, লাল কৌবা থৌদোক অসিদগী অমুক তোঙানবা য়াদ্রবা শরুক অমা ওইনা য়েংলগা, হায়রীবা ৰাখল্লোন অসিগী মখাপোন্না ঐখোয়না তৌফম থোকপদি, মখোয় মখোয়না অচেৎপা ফিরেপকা লোয়নননা মরৈবাক্কীদমক্তা থৌনা ফনা পাঙথোক্লখিবা থবক অমসুং মণিপুর কৌবা লমদম অসিগী লৈমায়দা অরোয়বা য়াহিপ তানখ্রবা থৰায় (আত্মা) কয়াদুগী মফমদা ঐখোয় পূম্নমক্না থম্মোয় শেংনা থাগচ্চবা, ইকায়খুম্নবা, নুংশিনা সনমান তৌবা অসিনা মখোয়গী মফমদা কৎচবা ঙম্বা শান্তিগী তর্পন ওইরসি । খুরুমজরী ঈশ্বরবু খুরুমজরী ।

লোইরবা

লান হায়বসিদা, নাকন অমনবু ঙল্লবসু, মপুংফাবা জয় তৌবদি কনাসু য়াওদে, পূম্নমক্কী মাঙজবা ঙাক্তনি।

নেভিল চেম্বরলেইন
জুলাই ৩, ১৯৩৮

কৈদৌনুংদসু অফবা লান নৎত্রগা ফত্তবা শান্তি অমত্তা লৈতে।

বেনজামিন ফ্রাঙ্কলিন
সেপ্টেম্বর ১১, ১৭৮৩

লান হায়বসি অহলশিংনা হৌদোকই, লান শোক্লগদবা, শিগদবা ময়ামদি নহা ওইবা ঙাক্তনি।

হরবার্ট হুভর
জুন ২৭, ১৯৪৪

লান হায়বসি মীওইবনা মুথৎকদবনি নৎত্রবদি লান্না মীওইববু মুথৎখ্রগনি।

জোন এফ কেন্নেদি
সেপ্টেম্বর ২৫, ১৯৬১

ISBN 978-81-926804-1-5
9 788192 680415